চিত্তাগোং রিপোর্টর

(THIRD SEQUEL OF IMASI NURABEE)

A message of Oceanic Romance.

So goes the story of Ningthem Nurabee !

Ocean Expert Rani Saheba in Coma...!

Report must be brief... but ;
The Reporter should be bold enough...

বী.এম.মাইস্নাম

চিট্টাগোং রিপোর্টর

(Third Sequel of Imasi Nurabee)

বী. এম. মাইস্নাম্বা



উমা পব্লিকেসন্স
থাংখৈ মোংশান লৈবক
ইম্ফাল নোংপোক

Chittagong Reporter
(Third Sequel of Imasi Nurabee)
a manipuri novel (Washem wari)
by B M Maisnamba

অহানবা ফোঙবা : ২০১৩

ফোঙজৰী : শ্ৰীমতী থৌবানীনা
উমা পব্লিকেসনগীদমক ফোঙবা

মখুম : বনধীব কুমাব যেন্দ্রেম্বম

ফংফম থোকপা : অইবা মশামক

লাইবিক ফংফম : ইম্ফালগী মণিপুবী লাইবিক য়োনফমশিংদা

মমল : লুপা ১৭০/-
লুপা ২০০/- মখুম অথাবা

টাইপ সেট্টিং : অচম্ভিয়া প্রিন্টিং ৱার্ক্স অমসুং মণিপুবী সাহিত্য
পবিষদ পব্লিকেসন এন্দ প্রিন্টিং ডিভিজন

নম্ফম : লময়ানবা প্রিন্টর্স
কোনুং লম্পাক, ইম্ফাল

নজনী গন্ধগী নুংশিবা লৈনম,
লৈহৌবি অহিংগী মোল্লাংখাদা!
মবম অদুনা ;
ঙসিসু অমুক ইবেদনা.

চিট্টাগোং রিপোর্টর !

ৱারী ৱাখোঙ

চিট্টাগোং রিপোর্টর!

নুবাবী সিক্কেলগী (Sequel) অহুমসুবা শরুকনি। 'ইমাসি নুবাবী' ফোঙস্রে। 'নুবাবী শাযোন' ফোঙস্রে। মথং অসিনা, কদোমদৈ রিপোর্টর! কৈদৌবা লাকলিবা?

নিংথেম মণ্ডাংসনাগী ৱাবী! মণ্ডলা? তাইরেংলা? মহাক্না মেদিকেলগী ছাত্র ওইরিবদা, মণ্ডক যাওদবী নুপীগী ফোটো অমা ফংখি। লভ লেটর কযাসু। 'নুবীকা' কৌবী নুপী অমনা থাজিল্লকপনি। নিংথেমনা নুপী অদু নোংমদি শোক্ষনা থোবক্কনি হায়দুনা থাজরকই। 'ড্রিম ফেন্টাসি' নৎত্রগা ফ্লাশ ফোরবার্ডকী নুংঙাইরবা ৱাবী অমা ইথোক্কুনা থমলুই। পরিং কায়দনা মদুমক থোক্লবসু শিল্লুই। মহাক্না নুবীকাবু মাগী তাল্লোর্যশংদা চনগনি হায়দুনা বাশকলুই। অদুবু ওহ্লোকপনি!

শকলোংপী নুবীকা! চিট্টাগোং নুবীকা! মণ্ডকী শরুক্না কনাগী ফোটো? মশাগী শরুক্না কনাগী ফোটো? অঙকপা ফোটো ওপরেসন অমনা নিংথেমবু ঙাওহনস্রে। মহাক্কী ফ্লাশ ফোরবার্ড খবমখৈ তাযেন্নস্রে। নুবাবী লোট্রবীদা ফাওখিবী নুবীকা বেগম! হুশেংনমক সুর্বমিলা কোটেজদা অহিং লমদনবা লাকখিব্রা? অহিংগী অতিথি, শকলোংপী, নুবাবী! ওইমীংবা নুপী ওইরসনু! নিংথেমনা মাগী ৱাশক ঙাকপা ঙম্লখিব্রা?

ইমাসি নুবাবীসু অমুক থুংলবে! বাবী তাসি। নিংথেম মণ্ডাংসনাগী চীহাংদগী তাবীবসি — **চিট্টাগোং রিপোর্টর!**

থাগৎ ৱাহৈ

'চিট্টাগোং রিপোর্টর' কৌবা নোভেল অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা মাগী মাগী হৈথোই শিংথোইরবা শিনলম শিন্থা কয়াদা মতেং পাংবীখিবা পূন্নমকপু অইবগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

অহানবদা, অচম্বিয়া প্রিন্টিং ৱার্কগী খুমন্নম নবচন্দ্র অমদি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী পব্লিকেসন দিভিজনগী হাওবম মোবী অনীনা টাইপ সেট্টিং তৌবিখিবগীদমক্তা থাগৎচরি।

অনীসুবকপদা, লাইব্রিক অসিগী ফাইনেল প্রূফ লৌখিবা এম. এম. অহমদ অমদি মখুম য়েকশীখিবা রনধীর কুমার য়েন্দ্রেম্নম অনীবু থাগৎচরি।

অরোইবদা, লময়ানবা প্রিন্টর্সগী মেনেজর তাওরেম মঙ্গী সিংহ অমদি মাগী খূৎপু পূন্নমকপু থাগৎচরি।

—অইবা

চিট্টাগোং রিপোর্টর

অহানবা কাতুপ

ইমাসি পুংবাগী ৱাশক

"হৈ নমীৎ ঙাওনু !"
"মঙক্না মশাগা ..।"
"মঙক্না মশাগা কৈদৌবা ?"
"খঙদে খঙদে, ইমাসি ...!"



"ইমাগী পাবি ! ইনুং ভাল্লে।"

ইখঙ হেক খঙহৌদনা নুংশিববা যাকাইবোল অসে মখা তনা তবকই —"নোংমদোল মঙাংসনা খোঙদোইববক্লে। অনৌবা মপোক অমা পোকস্ত্রে। নিংথেম মঙাংসনা নহাক্সু যাহৌবো, যাহৌবে। নঙগী নুংঙাইবা পাউ তবদা, ইমা অমুক লাকলে। নিংথেম ! নঙবু গোবা চংকনি হায়বদাই.. হৌগৎলো হৌগৎলো, বঙ্গ সাগবদা নিংথিজনা প্রক্টিস তৌকসি। ইমানা নঙবু লমথাগনি।"

মিকপ থোকই। ঐ খংগ্রেক খংই। মীং খংপাং হেক পাঙথোকই। অফিং অফাই ওইনা যুক হৌগৎলি। লোংহিপ্পা তুমলুবনি। লোংনা অদুম হৌগৎলি। নোংপোক নোংচুপ ওন্দুনা থাবা যম্মুংনি। ঐ হাযফেৎ চঙকনৈ। কাওখল হাযগৎতুনা লৈবমলে। বজনী গঙ্কগী লৈনম ফাওবকই। ইমায সৎ লৈথোকই, তু খ্যাও ! মাযযোন চুম্না যমলে। কাঙথোন্দগী খোঙ যাম্লুকই ; লৈমাযদা খোঙনেৎনদ্রি।

ঐ ভকই ! যম্মাংদা লেপ্পুনা লৈবম্মী, অযুক্কী লাইবেম্বী ! পুমঙক হেক্তা ভকই। হায়যম খঙদনা ভকই। কদোমদৈ...?

"হৈ অঙাওবা ! অযুক যাহৌবকপদা মালেম লৈমগী মতম্পাত্তা অহন্নক লাইবক কংলুনে, অদুগা হৌগৎলু।"

"ইমাসি ! ইমাসি নুবাবী।" ঐনা ভকচানদুনা কৌজে।

"কৈদৌবে, নিংথেম.. ইযিং যিংঙিদি ?"

"ইমাসিবু ঙবাং অহিং...।" ঐনা অসি হাযবগা মালেম লৈমাযদা লাইবক কংলি। অমুক নোনখংলগা ইমাসিবু যেংনা যেংনা শমথখি "শিকগী যৌবাং অদু কেপেল তৌবত্রা ? মঙলা, তাইবংলা ; নচাদি মেন তাজদ্রে !"

বোহিত বোসনা চৈইত্রং পাত্রং তাংখিবা বাযম অদো খংনীং হেক নীংশিংলকই। এদেনগী অহিংদা মহাক্লা অসুম্না লাউবকখি — "Only dreams can picturise a world so fair"

ঐ ইথঙ্গা অমুক শোনজে - "মঙনবু অদুক যজববা তাইবং অমা !"

ঐ খঙই। মঙ মচেং, তঈবং মচেং; মেজিক্কী মতৌগুম্না থৌদোক খবা থোকখ্রে। মথম কদায়বাইদা তাইশিন্নখ্রিবা ! মদুমদি ঐহাক মেন অযাংখ্রি। হংবা তঈ, কনাদা ? অদুবু, কদায়দা চংখ্রবা অহিংগী লাইব্রেরী ? নুবীকাসিনা ঐবু অংলৈনবী লভজুইস (য়ু মখল অমা) পীথকখিব্রা ? মিকুপ্পুদা, মোন্ত্রং ঙাইহাক্তং চুরকই। ইচান্দগী খঙহৌদনা হায়দোকখি - “শংবানবী ফজবী !”

“হৈ ! নমীৎ ঙাওনু। অহিংগী নেশা কোকত্রিব্রা ?” ইমাসি নুরাবীনা মখা তানা যেঞ্জিললকই- “ইমাবু কনা ওইনা উকই ? ঐদি খ্রৌকনবী সোভবানীনি ; বাতকী সুন্দবী নত্তেকো। হৌগংলু হৌগংলু ফম্মুং ফনুং শেমজিনবীবমগে।”

“মঙক্কা মশাগা... ।” ইথক্তা মুকম মুকম শোনজে।

“মঙক্কা মশাগা কৈদৌত্রবা, নিংথেম ?” ইমাসি নুবাবীনা খঙনীংনা হংলকই - “কনাগী মশাদা, কনাগী মঙক পাল্লিবনো ?”

“খঙদে খঙদে, ইমাসি !” ঐনা ঙাইহাক লকক তৌবগা শমথখি - “অঙকপা থৌদোক অমদি থোকখ্রে। মঙক্কা মশাগা, তেঙান-তোঙান, ওস্থাং ওনশিন তৌগ্রমাল্লে।”

“ইচাদি দোক্তব পাস তৌববনিনা ফোটো ওপবেসন তৌবসু ফজনা হৈখ্রে।” ইমাসি নুবাবীনা ঙাইহাক লকক তৌবগা নোকফেংসু তৌনা নোংশিল্লকই —“অদুগা ঙবাং অহিংদি এদেন্দা লাই ওনখ্রেনে। এদামদৈসু হেন্দোকখ্রে। ঈশৈ শকপনা হৈবমলিবা, মপাবুংগী ঈশৈ যজবকদো শকলদনা.. ঙাংলৈনবীকা ফাল্লদনা.. এঃ অমুকতোইবা, কনাই মেনকা বোই, শ্রীমতী থানিলসনা, কেবী সিষ্টব, অনুজা সিষ্টব ময়ামদো পুমঙাও হেক ঙাওহনবসু ঙম্মীনে। মতৌদি ইমান মানদনা, ইচাদি সিঙ্গল বুইমেনশিংদা লোংতুনা লৈবিবা লায়নাকাসে আ মনুং হনজিন্না খঙলম্মী। লায়েং পথাপকাসু অকলম্মী। নঙদি খংনুবী ময়ামদো পুল্লপ লাক্লবা শিল্লিবোইনা। ইচাদি অফাওবা দোক্তব ওইদৌবি। সি ! সি ! অপোকপী মমাসিবুসু লায়েং পাম্বে ওইনা ইবুংদা থাজবে হায়দুনসু লাউথোক্লম্মী। মমাবু মচানা থাজবা অসিবু থোকলিগদ্রা ? হোয়, ভবতকী আইনদা অয়াবদি লৈ হাযবা অবে। ইমাদি লো পাজদ্রি, নঙদি পাববোই। ঐবুদি ইনমসি অমা শোয়দনা যংজবনি। ওস্থোক্ল নুংঙাইজবে। হৈখ্রে হৈখ্রে, নিংথেম নঙদ ; নেশা শান্নবসু হৈখ্রে। হাইবং হায়ফেংকা তৌবদনা, ওস্থোক্ল পকচখ্রে। অদুবুদি মপা লাবাগী অনৌবা মপোকনিদনা, চুমদ্রনে, নিংথেম ?”

“অস ! ইমাসি ! হয়েংগী খবা থাকউবা।” ঐনা অসি হায়বগা লুখম থোংলি - “ঈশৈ শকপা নুংঙাইনবা য়াউম অনী অহমদং মহাও অংলুবনিবা।”

“মতুংদি ইমাগা হেক থকমিন্নসি, তস !”

“ইমাসি ! ঐবু ভাব অমা ইতা তাব্রেদা।” ঐনা ঙাইহাক খল্লগা শমথখি - “ঐগী কোক মনুংদা লৈবা বাখলবু কমদৌনা মঙগা অইবংগা য়েংশিন্নখ্রিবনো ? ইমাসি ! নহাক্ল ঐগী দায়রীবু লোন্না পাখিব্রা ?”

“নঙনদি ইমাগী দায়রীবু কৈদৌবে লোন্না পাত্রিবা ?”

“ইমীং তাংব্রা য়েংগে হায়দুনা আনোক উপশিল্লগা য়েংখিবতনি, পাবদি পাখিদে।” ঐনা

মখা তানা নোংশিল্লি - "অদো, ইমাসি ! ব্রেক পেজ মগ্গম অদুদি কৈদৌঙৈ ইদৌবি ?"

"ইদ্রসু যাবে।" ইমাসি নুবাবীনা মথয়ায তাজনা নোকফেং তৌবকই - "নিংথেম মঙাংসনাগী নিংথেম পুযাদা নুবাবী অঙাওবী ঐগী বাবীবু কাপ্পোকপা যাখিগদ্রা ?"

"অদো, ইমাসি !" ঐনা ঙাইহাক অমুক লকক তৌবগা হঙ্গংলি - "নহাক্কী দাযবীদা As decided by Labi হাযবিবা পবেং অদুগী নুংলোন কণিনো ? চিট্টাগোং ইমাসিগা নবানী কবি গ্রাবেপ্পখি ? ওস্থাং ওনশিন তৌসি হাযনব্রিবা ?"

"ওস্থাং ওনশিন হাযদি ?" ইমাসি নুবাবীনা ঙাইহাক খল্লগা নোংশল্লকই - "অর্থ লুহনগনু, নিংথেম ! ইমা ভব তাদে। ইস ! লীলা শান্নবনা মবোল অমা হৈনিবা, ফিল্মদুম কুম্মদহে।"

"ঐসু ভব তাদ্রি, ইমাসি !" ঐনা ঙাইহাক অমুক খল্লগা মখা শমথখি "ওবাং অহিংগা থৌদোকশিং অদো কনাগী দইবেক্সয়ো ? ইমাসনা ঐগী 'ব্রেন ওয়েফট' তৌখিব্রা ?"

"নঙদি কদাযদৈ ভাব ভাবনি। নুবীকা বেগম সাহেবা অদুনা অমুকসু লভ জুইস পীখৰ্কখিব্রা ? মদুদিনে শাথিখ্রবা চিট্টাগোংগী যু মখল অমনি। মীংতা শেবান তুবান উইকাসু হাযনবির্নান। মতুং মনাওদি থকউনুকো।" ইমাসি নুবাবীনা নোকফেং তৌবগা মখা তানা নোংশল্লকই "নত্তে, নিংথেম ! নঙ্গু ঙবাং অহিং এদেনগী লাইবেল্পী নুবীকা বেগমগা মফম কদাযদা লাখিদুনা লৈবই ? তৈভুন্বা তিস্কুলা-নাপুন নিঙোল অদুনা কদোমদৈনো ? ঐদি ঙকচাওবনা ! নঙদি নহালমখৈ চিট্টাগোং নুবাবী অমা লোংতুনা থম্মীবোই, ঙকখ্রেদা নিংথেম নাইসে ! যম্মসু ঙক্তৌবি। নুবাবা ঙাকথোকপসু হৈদ্রে, নুবাবী শনবসু হৈদ্রে।"

"হোযনে হোযনে, ইমাস !" ঐনা নোকফেং তৌবগা খুম্মী - "প্রবিনদা হাযসিনা হেক তৌগোনকপাসিদি অঙকপা ঙাক্তান।। নুবাবী লোট্রিবীদা নুবীকা বেগম ফাওখিকো, অদৈদি, ফোটোগা মীশক্কা ওন্নখিব্রা ঐহাক ভাব অদুম তাখিদ্রে। অতৈদুনা কমদৌখ্রে ? ঐসু ঙাওব, ফৌব ।"

"ইমাগী পাবি ! নঙনা ঈশিং মনুংদৈ যুং লাওনা ফাওগৎলগা নুবীকা বেগমগী মখুৎ শম্নদুনা সুবমিলা কোটেজদা চংখিবদো, ইমাসু উহৌজংলে।" ইমাসি নুবাবীনা তকথংলকই "অদৈদি কম্নদৌখ্রে, নিংথেম ?"

ঐনা মোন থাঙ্গংলগা মনম নম্মী "বজ্রী গথর্দা নুংশিবা লৈনমদি লৈহৌবি। অদুগা, ইমাস ! নুবীকাসিদি কদাযদা ?"

২

"ওই ! কযাদা ঙকখ্রবা !"

ইমাসি নুবাবীনা ঐবু লক্লবগী মওংদা হাযবকই "মতু হেক পিখিবদা, মমাবু কাউবা হৌবকএদো। অসি ওইবেকো, তাইবংগী পথাপ। ওপ্পোকইদা ! ইচাসে ইমৌগী ওইখিদৌবেদো।"

"অদুই গ্না নত্তে, ইমাসি!" ঐনা নুকথবপ খুম্মী।

"নুবীকা বেগমদি চহী লোইক্লা নুমিৎকী ওইনা এদেননা পীবকপা খুদোলনি।" ইমাসি নুবীদা শমথবদুনা হায়বকই --"মহাক্তি অহিংগী ভাবাকপীনি, ঙা লাকপসু হৈত্রে, অহিংগী শকলোংপী অতিথিনি, অহিংগী লাইবেপ্পান, শাযোন লাংওনসু হৈত্রে, হৈখ্রে। নোংঙাল্লবদি চংখিবা তার্বান।"

"শংলানবীবু চংখ্রবা!" ঐনা মাং লংখংলি।

"নত্ত লৈমা কাং কোক!" ইমাসি নুবাবীনা লক্লবগী মওংদা মথা তাবা ওইনা খংফেন যেংল্লকই --"মহাক্ত ওসাইনা চিট্টাগোং যৌবল্লগনি।"

"ও! ম্যাদ কোলগার্ল ওইবেকো।" ঐনা শোনদ্রে।

"নঙসুনে নিংথেম! কোল বেই ওংদ্রে কো। বাই চাক্ল অমদে নুবীকা বেগম্ন নঙবু কনখিবান।" ইমাসি নবাবীনা কেথবদুনা হায়বকই - "সি, সি! মাই থানিল সনা হাযদুনা মবোল অমা, খংলি খংলি কদাযদৈসু শেল্লাং ওন্দুনা পাইশিল্লকইবা! মচানপী অনী চেক তৌবা লাকপদা নমখোাংলগা, ইচা নিংথেমবু যাগেকাসু হোৎনজোখিদে। ইস! মাবু বিশ্ব প্রেমীদে! ইচাগা মঙক্তা সনাগী লীক পবেংক। থোনবীবদনা, নঙদুনে. চইগী মঙোল্দা উপ উপ! ঐদি ঙকচবনা!"

লাক! অদিটসনান থোনবাবল্লা লাক! ঐহাক খঙনীং নার্ংশিংলকই ঙকশামদ মানত। যাওবমদ্রে। ইথল্লা শোনজে "হাইস! লীক অর্দুদ কদাযদা তাহৌনে।"

"ওই! কয়া ঙকখ্রবা!" ইমাসি নুবাবীনা নোংশিল্লকই "নঙনা নতকী সুন্দরী নবীকাদা খুদোল তৌথ্রদাইনে! এদেনগী যবনিকা চিংশিল্লবা মতুংদা নঙনা কুন্দো পবেংগী মহুৎ ওইনা থোনবীখিবদো, ঐস উজহৌই।"

"হোযে, হোযনে ইমাসি!" এনা নোকনেং তৌবগা ওর্কশিল্লি "শংলানবী খজহীদো নুংশিমনথ্রদনা। ইনেমসিগী খুদোল অদা ঙকথাই লান্দুনা খুদোল হেক তৌযোকখিবান। পুন্নমকসে।"

"পুন্নমকসে কৈদৌনা?" ইমাসি নুবাবীনা হংনকই। মখা তনা ঐহাক্লগী পাউখম ঙাইনা তৌদনা সং তে ঙা শমথবদুনা হাযবকই "অঙকপা নপা লইশাং চসি ওত্লেক্লে গাল্লা লৈখ্রে হ। নিংথেম নঙ, চেকশিনজেকো। ত্রি কাইত্রৌববী নুবাবী খবগী কৈনীংচিং লাকখিবা যাবি। নঙসে সম্বহৎযাইসু চেল্লদো। নাংতো, নমাংতো, আনোক অমুবা উপ্পুনা লোংচৌগে। নমঙদা টখবা লাইনুবী ৯ দো সুদননা হোৎনজৌ।"

"ইমাসি! নহাকসুনে অঙকপা নপী ৭ কা মনুংদা ৮ সুবীনি। লাল্লবসু নচাবু ঙাকপীগনি।" ঐনা হঙ্গংচৈ।

"অদুগা, নঙগী চিট্টাগোং নমাসি লাইনুবাবীনা অঙকপী নুপী ৭ কী মনুংদা ৯ সুবী তবেনে।" ইমাসি নুবাবীনা ফেজিল্লকই।

"নত্তে, চিট্টাগোং ইমাসিবু ।" ঐনা খঙনীংনা হংজে।

"নিংথেম! নমাসি লাইনুববী হিংলি।"

"চা! এগী চিট্টাগোং ইমাসিবু হিংলিবা?" ঐনা মখা তানা হঙ্গংচে "তৌভিক্লম কদাযদা? গুবাংনা কদাযদা লেংখিব্রা? ইমাসি অনীনা খ্বাই খ্বাই কৈদৌবে মাঙখ্রিবা?"

"নুংঙাইকো, ইমা ইচা ঐখোয় অংংলী কুম্ম।"

ইমাসি নুববীনা অসি হায় নম্রগা মপান হেনকখে।

ক্রিং ক্রিং ক্রিং!

বেদ সাইদ টেবল মথক্তা থম্লিবা টেলিফোন বিাস ভব খিংলকই। ঐনা খুদক্তা পাযখৎলি। ইশক তাকচব ওইনা হেন্দ সেট পাযখৎনা ওকই "হল্লো! নিংথেম মঙাংসনা ওন দি লাইনা। কনা ওইবীবনো? শক মিং অমুত্তং তাকলবক উ।"

"বোং নম্বর!" নুপাগা খোঞ্জেল্লনি। হেন্দ সেটং মখি।

ঐ ওকই। অযুক অঙনবা অসিদা কনাগী ফোন? বোং নম্বর ওইনবদি কৈদৌনে তৌবকইবা। চিট্টাগোং ইমাসিগী ওইদৌবব্রা? অদুবু মগা মখেল্দি মানদে। মহৌশাদগা টেলিফোন তৌদুনা শান্নবকপী নুপা অমৰখক্তি লৈখিবনি। এবক্তা খুইনা অমুক তৌনকখিদ্রবনি। হৌখিক অমকক ইৎহৌবকইসনা কৈদৌবনো? এ ওংশ ন ফ্মত্র।

ইমাসি নুবাবীনা অমুক চোনশল্লকই "কনাতি ফোন্নুনা? নজুপবা ঐগীনা?"

"বোং নম্বর!" ঐনা খুম্না।

"নম্না পাযক্লবদি হায়নবপা ওইবানি।" ইমাসি নুবাবানা মখ শমখন্দুনা হাযবকই, "চিটাগোং নমাসিগী ওইশল্লা যাই। নঙনা ডবং ডাওবি ফেন্সি তৌগিনা থৈ ওংদো নমাসিনা খবা পেঙ বম্মোতই। অদুনা শাল্লবা ওইবনি।"

"হায় ইমাসি! ঐসু বানং, খর্বদ যক্ন তাখ্রে।" ঐনা অসি হাযবগা ইথক্তা শাউলগনা উৎথোকচখ —"অদো, মতম্তা কৈদৌবে শাই মাঙখ্রিব! ঐঙোন্দ অঙকপা পোকপনবা ওইনা মান ফ্রগা কৌবশী, ইমা লাকএ হাযবগ। ঐনা কেইডা ওনদুনা মতাকপু খিজখি। অদুম খোংনাই পুদে মত বসু বুনক মনুংদ। এশক লোংতুনা লাকখিব্রা খল্লি। মদস লোয়া লৌশং লাকপনা। অদুগা, ইমাসি নুবাবী! নহাক্ন কৈদৌবে এদোম নাইখ্রবা?"



ফ্লাশ ফোববার্দ! অঙকপা তাইবং অমানি। মোন্দ্রংগী নুংঙাইনন মঙলান অমা, ফ্লাশ ফোববার্দকা পান্নেনা শেমগৎপা ও, ৬। অসুম্না থোকহনগে নৎত্রগা অসুম্না থোক্কল্লা যাই হাযবা থৌদোক পবিং অমা, মাঙডৌননা উবা ঙম্বা অদুবু পৌবপ্না ফ্লাশ ফোববার্দ কৌবা যাই। ঐনা, ঐগী দাযবীদা অসুম নুংঙাইবদে তুংদা থোক্রবা যাবা ইপসোদ খবা ইশিন্দুনা থমখি। ঐগী কোক মনংদসু লোৎতুনা থম্লকই। মতৌ অসুম্না, ইমাসি নুবাবীগীসু ফ্লাশ ফোববার্দকী থৌদোক পবিং

খবা যাৎতুনা থমখিব্রা নীংঙি। ওবাং অহিংদি ম্লাশ ফোববার্দ অনীদো কোক হেক থেঙ্গাইনখ্রে। মঙক্কা মশাগা ওন্নখ্রেদো।

ইমাসি নুবাবীনা ঐগী ব্রাহংগী পাউখুম পীবা তৌদনা কা মনুংদা কোযচৎ চংলি। থোঙনাওগী পর্দাশিং হাইগৎলি। ফমুং মযাদা চংশিল্লদুনা ফৈদুপ লোইশিল্লি। মনাতোন সুৎ সুৎ চিংখৎলি।

"হাইস! বজনা গন্ধগী মনমসিদি।" ইমাসি নুবাবীন মথন্তা শোনজৈ — "ওহো! তিংনা নাপুন নিংঙলদো! মাগী লৈমনমদি লৈহৌবিদনা। মাগা কুচুদো শংজিনবদি নওমাল্লে, নোম্পাক ফিদক অঙৌব অসিদা শংগানবী মচু চুশিনবদি উদেসে।"

"অতৈ লাযবি, ইমাসি! নহাক্না হোটেল এদেন্দা কৈদৌবৈ মিং শাংদোদুনা। বুক তৌখিব্রবনো?"

"ওই! ভকইবদি নঙ্গনদে, নিংথেম।" ইমাসি নুবাবানা ইতপ হেক তম্না শমথবদুনা হায়বকই "ম্লাশ কোববার্দ শান্নবু ওহেক্ল তৈখ্রে নঙগী পাবক্কা হাযদোকপা নুমিৎ অউরাদুনা নুপা কযাদা দেট্টিং পীখিবোই। কদোমদেগে মযম হওঙৌদে, সৎ সৎ হেংগ খংলি। ঙকহে, ঙকখ্রে, নুপাশিং নুপাসু। কোর্মেদিযান প্রপং দানা মবোল অমা হৈখিব্রা!"

"অদো, ইমাসিবু এদেন্দা বৈদৌবে নমিং চাখিব্রবনো?" ঐনা নোংশিল্লি।

"সুমদৌবানা নিংথেম!" ইমাসি নুবাবীনা ঙাইহাক লকক তৌবগা হাযবকই "ইমাদি নঙগী নুংঙাইবা পাউ অদু নোংযাই মপুংদা তালে। পেসতগা যংবনি। সুবুদাদা পাউ পীবল্লগা সি বার্দ থৌদনা লাকখি। ইমানা থুংলগা মতমদ মকোক্তা ফিক্কক খুন্না নুপা অনীথক সুনামলা কোটেজগী মাঙ্গোলদা কাহৎখিবা উরকই। নুপী অনী অদু প্রপ প্রপ অমুক থোবকই। অবাং পাংনা প্রপ প্রপ অমুক চোংবোই চংদ ইউঁখ। অদুদি, নইহাক লৈবগা অমুক নেপালা নুপীগী জোন জোন লাওবী মকোকসু মমাযম থুমজিনবা যাবী কোট নৎগা ফুবিৎ অচৌবা লিৎপী অমসু সুবামলা কোটেজ ওন্না চংশিল্লকই। মশক মশোনদি অম খু খংদে। লাপুক্লা মচি মকম অমদগী উখিবনি। নুপা অদসু প্রপ প্রপ থোবকই। সুবামলা কোটেজগী মথা ওহবপ্লা কোট্টেল কোলোনারোমদ থোঙশনখি।

ইমাগী পুক্লিংদা চিংনবা তৌংলই। সংমিল, কোটেজদা চংলবোই খল্লে। এদেন্দা হাযভগল্লে। প্রবিনদানা উইনি উবাব তৌনা বিসেপসন কাউন্টরদা লৈবম্মা। মাবু হৌদোকই। ঐগী ইমিংদা হোটেল বুক তৌবল্লগা থোবকই। ঐগী সী বার্দ লাপ্লা থামলই, এমিং অদু লৈঙোই অচোৎপা থোমজিল্লম্মা। ঐসু ওঙাইফদনা ইশাব লোংনাংলকই। আনোক অপাকপা উপশিল্লি, মফম্রব অপাকপা অমনা কোক অমসুং মাং ওংনা খুমজিল্লগা এদেন্দা অমুক চংলকই। ইশাবু ইশক তকচনা প্রবিনদাগা বাবী বাতায কমসু শাখি। নহাক্কী নুংঙাইবা পাউসু পীবম্মী। মহাকসু ঙমখে লৈতনা নুংঙাইজখি। ননাক্তা চেনগদৌবগী তৌই। ইমানা খানখি। অচৌবা পাটিশম্মা তৌনবা বাফম অদু প্রবিনদগী খুৎথাঙদা ইমানা ইঙ্গিৎ পীখিবনি। নুবাবা লোট্টবীগী বাফমসু ইমানা শিনবনি, Only to protect you from the cougars সেকেন্দ বাউন্দগী নুবাবী লোট্টবীদি নঙগী প্লাননি, গেম ওফ জোকনি হাযবসু যাই।"

"ঙাইখো ঙাইখো, ইমাসি !" ঐনা মবক খংথং থংলগা নোংশিল্লি - "ঙবাং অহিংগী থৌদোক পবিং অদো চিট্টাগোং ইমাসিসু শিনবা যাওখিব্রা ?"

"অসুম তাখোবা, নিংথেম ! অমবু ওইববসু, ইমাদি নহাকপু ঙাকশেনবা তবনি।" ইমাসি নুবাবীনা নোকফেং তৌবগা মখা শমথবকই - "নহাক্রো, নঙগী দাযবীদা ইদুনা থমজবা ফ্লাশ ফেবরাদকী নুংঙাইববা থৌদোক কযাদো খঙনীং হেক নীংশিংলকখি। নুংঙাইববা কুম্মে অদু থোকহল্লগে খল্লকই। কোক শান্নবা হৌবে। নোং ঙাল্লকই। শ্রীমতী থানিলসনা উবকই। বালেশ্বববোমদগী ঈশিং লম্বীদা লাকই। মাসু সুবমিলা কোটেজ তম্না চংখি। তম্না অমুক লাকই। ইমাদি অসুম ঙকশিল্লকই। মচি মকম অমদা কোযচং চংতুনা অদুম লৈখি। থানিল সনাসু এদেন্দা হাযজিনখ্রে। ঐনা মহাকপু যাম্না মুন্না খঙই। মাদি মচানুপী অনীগী মীহুৎ ওইনা লাকইবোই খল্লুই। অদুগদি, মাসু মহানবী ওইবম্মে। পূম্নমকসে নঙনা মাঙজৌননা শিনখিবা নত্রে কবম্না হাযগনি ? ঙকখ্রে ঙকখ্রে, নিংথেম নঙসে !"

"মখা চংথবকখো, ইমাসি !" ঐনা নোকমি নোকমি তৌবদুনা হাযজে "অমা, অনী, অহুম মবি সুখ্রে। মেনকা বোই অমদি তবানু তবাবী অহুম্মুদি নচানা ফোনদা বার্ত্তা তৌদুনা কৌজবনি। নবাবী লোট্রবীগী পার্টিসিপেন্ট তকক সুখ্রে। তবেৎসুবী নুবীকা বেগমদি কবম্ন মতমদা থুংলবনো ? মদুমদি ইমাসি খঙবীহৌদ্রা ?"

"ওই ! মহি নুবীকাসে নুংশিখ্রবোই !" ইমাসি নুবাবীনা ফম্মাংদা থাবিবা মোডা অরাংবদা যমথবদুনা চমীংতনা নিংসা স্বব হোন্দোক্লগা মখা শমথবদুনা হাযবকই - "অদুবুদি শংবানবী শকহেনবী, অহিংগী লাইবেম্বীনি। মাবুনা হেন্না খোইদাযম্ম থোকই। চুমদ্রনে, নিংথেম ? মহাক্তি মতম কুইনদগী পোমিৎ পোবম কযা যাংলগা ঙাইজবক্লবীনি। অঙকপী নুপী মাপলগী মনুংদা এশাকা নুবাবী নম্বব ব্রানসু তাথোকখ্রে। মঙকা মশাগা তোঙান-তোঙান থুংলবদৌনা তৈখমাল্লে। হাযবদি, টেলিফোন্দা বুক তৌবক্লগা অহিংগী লাইবেম্বী ওইনা থুংলবনি। প্রাণনাদাদগী তাবনি। অদুগনে নিংথেম ! ফিকক খুম্বী অনীদো ননেসি পুংবানি। চিট্টাগোং নমাসিগা ননেসি অনীগা শীংনবা অমা লৈখিব্রা খল্লি। মদুসু নঙগী ব্রাহৌগী ওইবমাল্লে। মখাদি নঙগী নিংথেম পুযাদা ওইনা লাচল্লো। নত্তে, নঙনা ননেসি অনী অদুবু নঙগী পবিক্ষা হাযদোকপা নুমিৎতা এদেন্দা লাকউ হাযখিব্রা ? নঙসে যাম্না ঙকইকো।"

"ইমাসি ! ঐবু লান্না খনবীগনু।" ঐনা মখা তানা শেংদোকচৈ - "ঐনা কেব্বা সিষ্টববু মফম চানা থাজবীবগা লাযেংবীগে তৌবনি। মবানীগী অবানবা ব্রাখল চুমথোকপীখ্রেদনা। ঐখোযগী নিঙোল পামজবা বাঙ্গালী পাখঙ অনীদা লুহোংবীগনি।"

"অদুবু নিংথেম ! চিট্টাগোং নমাসিনা নঙগী থৌ ওংদু যানীংদবা মাল্লি, মনুংদা কৈনো অমা লৈবিকো। কৈনীংচিং লাকখিনি।" ইমাসি নুবাবীনা ঙাইহাক অমুক লেপ্লগা শমথবকই, "অদুগনেহৈ, নিংথেম ! মনাদা নেপালীগী কোম্বাং অচৌবা যাল্লগা নেপালীগী কোকখুম-ফি মনুংদা শক লোংতুনা লাকখিবী মাধুবী থাপা ! অতৈ কনা নত্তে, নঙগী অপোকপী চিট্টাগোং নমাসিনি। মহাক্তি মচাগী মফমদা পাখোং ফোঙবদং লাকচবম্বনি। গোল্ড মেদল অমসু মচাদা হুক্কচগনি হাযদুনা পুবক্লম্মী। নমাসিদো নীংবা কাযদুনা হনখিবদি নত্তে। মচানুপা পোমিৎ খঙবগী

কৃপাদগী মাগী শিকাবসু মহৈ যানখ্রবনি।"

ঐনা মবক খংথং থংতুনা হংঙি - "কবি হাযবা ইমাসি ! চিট্টাগোং ইমাসিবু শিকানী।"

"নিংথেম ! নমাসি লাইনুবাবাদি লাইনিকো।" ইমাসি নুবাবীনা শমথবদুনা ঙাংলকই, "নগী নমিংদা লোট্রবী ফাওখিবী নুবাবী তককমক নমাসিনা মী থাদেহনা ফাবগা পুখ্রে, শাই অদুম মাণ্ডখ্রে। মাগীসু নীংজবা থুংখ্রে। ঐগা মাগসু উন্নহৌদ্রে। বাহাদুরনা পুবকপা পার্ডনি।"

"নুবাবী তকক!" ঐনা ইচীন্দা অসুম্না শোল্লগা নোংশিল্লি - "অদুগা নুবীকাসিদি ?"

"নঙনা তুম্মলিঙৈদা কৌথোকখ্রে হাযবি।" ইমাসি নুবাবীনা শমথবকই, "মনেমসিজগী খোইদাজবা মমৌ ওইবস্থা যাই। কেবীসনা, কোম্বীসনা অমদি থানিলসনা অহুম্মুদি নমাসি লাইনুবাবানা চৈবাক পীগদবা মাল্লি। মেনকা বোই অমদি তবানু তবাবী মখোয অহুমদি থাদোনক্কনি।"

"ইমাসিদি মবমদো খঙদ্রো ?" ঐনা শঙনীংনা হংঙি।

"খঙদে, খঙদে, নঙদুম থুনা গোবাদা চংখ্রো।" ইমাসি নুবাবীনা মখা চংথনকই, "অমর ওইবনসু, চিট্টাগোং নমাসিগী পাখোং ওংবায অমদি ফোঙলবিনি। হুবাং অতি, এ মৈগা নমঙদ কান কবিদি হেক উখি ?"

(মিকুপ অদদা আহং মমৈগী মচু শংলবা সীন মতেক অদো মীৎ ত্রা শং শং হেক উনকই।

"নিংথেম ! উবত্র নুবাবী সাগদ ?"

"উজবে, বেগম সাহেবা!"

"নুবাবী দ্বীপতি ?"

"অদুসু, উজবে, বেগম সাহেবা!"

"ঐবু বেগম সাহেবা কৌগনু।"

"অদুদি কবি কৌগনি, বাতকী সুন্দবী ?"

"ঐদি নুবীকানি, নিংথেমগী নুবীকা")

"নুবীকাসিনা নিংথিজনা অকপীবমলে।" ঐনা মোমোন তৈবগা খুম্মী "নুবাবী সাগদগী নুবাবী দ্বীপ্তা, নুবাবী মহলসু শাজখ্রে। খঙজবে, চিট্টাগোং ইমাসিগী পাখোং ! অতোপ্পা দ্বীপ অমা থিযু হাযবা ওইবমদ্রে।"

"নিংথেম ! নুংগী বানা অমনি, হৌজিক্তি লাইনুবী দ্বীপ নংত্রগা নুবাবী দ্বীপ থিবা হৌবসি। মসিনা পানগী বানি। লৈবিনে, অতোপ্পা দ্বীপ অমসু।" ইমাসি নুবাবীনা ঙাইহাক খল্লগা শমথবকই "ঙসিদগী লৈতৌনা হৌবা যাবে। সুকুন্দানসু অযাবা পীবকলে। মহাকসু ঙসি লাঙ্কনি হাযখৈই। ইমানসু নুবাবী মহলগী দিজাইন অমা যেকহল্লগা পুবকলে। হৌগৎলো, হৌগৎলো ! ইমানা থোংবা চ ওবী চবোল ও। কপালিয নশিংসু ফোন তৌখ্রে। বোহিত বেসত প্রেসমেন খবা পুবক্লবা হাযখো। কপালিযানশিংগী নুহোংবসু নুবাবী মহল শাবা লোইবগা তৌবনা ফগাদ্রা থল্লি। নুবাবীশিংসু মতম খবদি চিটাগোং নমাসিগী কৈসুম মীফম ওইদুনা লৈখিসনু।"

"এঃ অদুদি কুইমনখ্রে। চিট্টাগোং ইমাসিগী লৈফম তাকউ। ঐহাক চংলুগে। মাবুস্‌ পুবক্কে।" ঐনা মখা তানা শমথখি - "ঙসিসু নিযু ইযাব দেগী থৌবম মচা অমা পাঙথোক্কদৌবি। বাবা সুকুমারসু লাক্কগনি। চিট্টাগোং ইমাসিবু হান্না কন্যাদান কংলগা বাবা সুকুমারবদা হেক্তা পুকম্ভজলগে।"

"এঃ নমাসিনা যাবক্কবদি ?" ইমাসি নুবাবী মমীৎ লংখংলি।

"যাবক্কনি, ঐনা থাজবা লৈ। বাবা সুকুমারসু যাবক্কনি, ঐনা চিংনবা লৈ।" ঐনা যাম্না হৈচংদৌনা খুম্মী।

"মরেং, লাইবক য়েংসি।" ইমাসি নুবাবানা অমুক নোংশিল্লকই "নুবাবা ম্বাপ্তা নুবাবা মঙলসু যাম্না থুংনা শাবা তবনি।"

"মদুনা নুবাবী বিল্ডংগী বা ওইবিনি ?" ঐনা খুম্মী।

"হোযনে হোযনে, ইচাদি নুবীকাসিনা অহিং অমদা মহাকবি কালিদাস ওন্দুনা থম্নাবমলে।" ইমাসি নুবাবানা কোথবদুনা অমুক শোনজে "ঙকখ্রেদকো নুপাগা মেজিক, ফিডিক!"

"তদো, ইমাসি ।" ঐনা লুখম খোংলি।

"ও! ইমা ব্রহ্মপুত্র খংলে নবাকা বেগমগা নঙগা নিংথেমকোনগী চংনবা মতম ইমা লৈমংনা চি লৈমংবাদ যার্গানি। অতৈদি শোকপা যাবোই।" ইমাসি নুবাবীনা ঙাইহাক লক্লক তৌবগা শমথলকই— "চিট্টাগোং নমাসিগা পাখোংদা যাওবিবা লাইনুবী ৭ যুমাদনজৌ হাযবদে লৈমং ৭না লোমগৌ হাযদুনা হন্দোকপসু যাই। লাইনুবী ৭ কা লৈমিগৌ হাযদুনসু হন্দোকপসু য় হ। মদুনা তংগা বাংনা, ওল্লেক্লসু কোচি হৈখ্রেহৈ, নঙগী নমাসি লাইনুবাদো!"

"নংঙাইজবেদা, ইমাসি!" ঐনা নোকফেং তৌনা অমুক নোংশিল্লি - "অদো, ইমাসি! নবীকাসিদ চিট্টাগোং ইমাসিনা পুখ্রে হাযদাই ? কমদৌনা অমুক ?"

"হৌজিক্তি চিট্টাগোং নমাসগী লোংথম তাকপীবগে। নঙসু নমাসিবু খুনমজক।" ইমাসি নবাবী হৌগংখ্রে অদুগা মখা শমথবদুনা হাযবকই "হৌবেন অহিং নথল্লা চংলু, নুবাকাসিগা লোন্না উরাজক। নমাসন নঙনা সকদাদা থাজবগা বাফম অদসু হৌদোক্লম্মু। যাবেদনা ? ঐন নমাসিন ইনম্মা ওইনীংঙ। ঐগীসু বাশক অম লৈবি।"

"খেঙ্ক মু ইমাসি!" ঐনা অসি হাযলগা যমুংদগী প্রপ প্রপ কুমথবগা ইমাসি নুবাবীগী মখোঙ শেংঙনা থকমইজে "নিংথেমগী নুবাবী! ঐগী ইমাসি নুবাবী। নঙদি মীৎনা উবা ইমা সিদবানি। পান্দা খোইবাসু নঙনি। নুংদা লেংপী সিদবীসু নঙন। নচানা ইকোক নোন্না থকমজবি।"

"যাইফনা ওইযু, ইমাগী পাবি!" ইমাসি নুবাবানা মবক খংথং থংলদুনা ইকোক্তা নাপ্পুবীবগা চংথবকই "ইমানা নঙগীদমক চাউথোকচৈ। হৌজিক্তি নহাক অফবা দোক্তর অমসু ওইনবা হোংনবো। নুবাবীশিংগী অথোইবা নিংথেম অমসু ওইবা ঙমজৌ। অফবা মপা অমসু ওইবা ওইসনু। চিটাগোং নিংথেমগী মীবোন মৈথাঙসু নঙোন্দগী অমুক চুখংপা হৌবসনু!"

"ইমাসি!" ঐনা মখোঙদা ইথূৎনা লাইবক কংলি অদুগা মখা তনা শমথবদুনা হঙ্গৎচৈ "অমদা অনী পুনবী! অহুম্না অমত্তা ওইবী! নিংথেমগী নুবাবী ওইনা ইনাত্তা লেঙদনা লৈবীথুকো।"

ঐনা ইমাসি নুবাবাবু খুকম্ব লোইবগা হৌগৎলে। মাথযোক্লদুনা অমুক লেপমিল্লে।

"ঐদিকো, ইমা সিদবীনি। ইমা সিদবী ওইনা অদুম হিংজবগে। মপোক অমগী ৱাবী নীংশিং নীংশিং লুপচখিগে বঙ্গ সাগবদা!" ইমাসি নুবাবীনা মবৌ লৈনা অমুক নোংশিল্লকই, "অদুগানে, নিংথেম! শিবগা ফা ওগৎলক্লনি! ইমাগী চিতাদা মৈ চুবা কাউনুকো।"

"ইমাসি খংথু থূজিল্লকখিনু।" ঐনা শাৰ্উজিল্লুই।

"ঐদি কেন্সর পেসেন্টনি।" ইমাসি নুবাবীনা শোল্বাংননা ঙাংলকই "খঙদে, কয়া কুইনা হিংখিনি।"

"ইমাসি! থোক অমুক হৌবনু। নঙোন্দা অনাবা অদু লৈতেকো। নঙনা হাযজিনখিবনি। কেন্সর পক্লবী অনাবী অমা ঈশিং মনুংদা শক মপীদৌনা পাইবা গুন্না হৌনদে।" ঐনা নোকফেং তৌনগা মখা তনা অমুক হঙ্গৎচৈ - "হৌজিক্তি নচা দোক্তর ওইরে। পাম্নে অমনবু ওইববক মেন্টল কেন্সরগী এন্টিদোট থাবা তই। উৎকল দেশকা এক্সপার্টদো হুন সুবেস কুমাবদা নচাং। রেফর তৌজগনি, কবিমত্তা হেক চিংনবীকনু।"

"এঃ ঐবু নখোয দোক্তরগী চাংযেংফমগী, নত্রত্র, কবি চাংযেং তৌগদৌবরগো ?" ইমাসি নুবাবীনা মমীৎ লংখৎলদুনা নোংশিল্লকই – "ঐবু নুবীকা বেগম অভ্যওবাদৌনা মেন্দেল ওইযু হাযবিব্রা ?"

"নত্তেদা, কৈসু।" ঐনা তেন্ত্রক্ল খুম্মী।

"অদুদি কবি চাংযেং ?" ইমাসি নুবাবীনা খঙনিংনা হংলি।

"ইমাসি! নঙদি শাযোন লাংওন শাল্লবা হৈবীনি। গুসিসু অনৌবা মপোক অমা পোক্লগা গুম্তানা থুংলবে। তৌবুদি, নোংদোল মঙাংসনাসু নুমিৎ খুদিংগী অনৌবা মপোক অমমম পোকলবনি। নুমিৎ খুদিংগী মমিং হোংগঙ। নৌদুনতা লৈ।" ঐনা ঙাইহাক অমুক লকক তৌবগা ফোঙ্গাল্ল - "মতৌ অসুম্না নিংথেমগী নুবাবীসুনে, ওইবকপা যাবি. ।"

"চবোদা! হৌজিকপো ?" ইমাসি নুবাবীনা নোকফেং তৌজবগা চংথবকই "এঃ নঙদি হনুবী ফজবী মযামদা বিসার্চ তৌবিবোই।"

"দোক্তর সুবেস কুমাবগা অমুক্তং তন্নখিগে। মত্রম খবদি ঐসু মাগী হোসপিটালদা লৈকগে হাযদুনা খল্লি।" ঐনা মখা তনা অমুক হঙ্গৎচৈ "অদুগা হৌজিক্তি, ইমাসি নহাকসু ঐগী পেসেন্ট অমনি হাযদুনা খঙবগা লাযেংবদি যাইদনা ? দোন থিঙ্ক অদবরাইজ। অঙ্কল গৌতম বোইদা থাজবগে হাযববু ?"

"চবোদা! I don't like the old wine in the new bottle!"

"চুম্মী, ইমাসি! ক্লাব কমপ্লেক্স লৈববী নুপীশিংনা মখোযগী চহী লোঙ্গাগী নুপা পাম্না

হৌনদে। They always like new wine in the new bottle সো ।" ঐনা ঙাইহাক খল্লগা ফেপ্লিল্লি —"ফংগনি শোযদনা, অনৌবা মিংখোল অমসু!"

"পামজদে.. কৈসু।" ইমাসি নুবাবীনা অসি হাযবল্লগা মপান্দা থোকখি।

ঐ ইথল্লা নোক্লুনা লৈহৌই। মোন্দ্রং চুন্না লৈথোকপসু যাবা নত্তে। নোংদোল মঙাংসনাদি ঙাইহাক্তং ফাওবা পোত্থাদুনা লৈখোক্তে। অনৌবা চঙী লাকপগা লোযননা নিংথেম মঙাংসনা ঐহাকসু অনৌবা মপোক অমা পোকলে। নুংঙাইবগী ইনোং কাবকলে। চিট্টাগোং ইমাসি হিংলি হাযবসু খঙলে। ইমাসি নুবাবীগী লৈখৎখিবা মকোকসু লৈথবকলে। ঐসু অনৌবা শিঙ্গা পাযবা হৌনা যাবে।

ঐহাক বেদ কমদগী মপান থোবকখি।



নুবাবী সাগবগী নুবাবী দ্বীপ!

নুংলোন অনী লৈবা পাখোং! অমদি ফোঙখ্রে। অমসু শোযদনা ফংলগনি। নুবাবী সাগবদা মতলসু শাখ্রে। মসিনা নুংগী বানি। নুবাবীশিংগীদমক নুবাবী মহল অমদি শাবা তাবনি। মসিনা পানগী বানি।

নীংশিংলি! নুমিৎ অদুগী নুং ঙাইববা মথেল কযা! মীৎতা শং শং হেক উবকলি। অযুক্কী চবা বানব ওইনা নিংথেম নুবাবী ইমা ইচা সুবমিলা কোটেজগী মাঙ্গোলদা ফম্মীন্নখি। চোযঙাং অমসুং বাবী বাতায কয্যাসুনি। বাত্তাদুবদি ইমুংদা লৈ।

"ইমাগী পাবি!" ইমসি নুবাবিনা ইমাঙগী সোফাদা ফমলদুনা হেক্তা কোচি হৌবকই, — "ইমা ইচা চবা বানমিন্নবসি। বাত্তাদুবদি মনুংদা চাহৌবে। ইমা ইচাদি সি ভিযুস্ যেংবা ওইনা চাকইন্নসি হাযবদি নত্তেকো।"

"নুংশিদা, চিট্টাগোং ইমাসি!" ঐনা মফম মবাং খঙহৌদনা হাযদোকখি - "মচা চাকইননদা মমসু যাঙই হাযবদু চুমজাৎনি। মাসুনে ঐবু চাওবী ইনবীবগা মীবক তান্নক যেংলগা চখোম অমা অনা কোক হেক্তা হুর্কাচিনখি। নুংঙাইদা, মতম অদো। নৌহৌনা অঙাং ওইবদি যাবত্রোইদো। ঙকইদা, পুম্মি খোঙচৎ!"

"নুংশিখ্রপোৎনি, মাই চিট্টাগোং মমাসিসে!" ইমাসি নুবাবীনা হাযখেৎ বাবৌবপ তৌবগা নোংশল্লকই "ইমাগী পাবি! ইমাবুদি নুংশিদ্রা ? নঙবু চাওবী ইল্লু হার্যাবিব্রা ? সে সে ইন্দুম ইল্লগে, তস!"

ইমাসি নুবাবীদি খোঙলে যাংথ্রবীনি। মখুৎতা ব্রেদ অমা পাযবগা ঐগী চীনবান তম্মা সং হেক্তা ইল্লকই। ঐসু যা কাথোক্লগা অদুম চাশিল্লি। ঐনা চির্কলিবা ব্রেদ মতং অমা মহাক্লা অমুক খংচিং চিংথোকখি অদুগা মযাদা কোক হেক্তা হুর্কাচিনখি। নোকমি নোকমি তৌবগা হাযবকই, "অপোকপী নমাসু, পোত্তবী নমাসু... হৌজিক্তি হিসাব ববাবব!"

"ইমাসি!" ঐনা ব্রেদ মতৎ অদু শাযনা শাযনা মাবু নুংশিনা কৌবগা নীংজবা রাফম অমা ফোংদোকখি "নিংথেম মঙাংসনাগী অনৌবা মপোক অমদা .. ঐসে নঙগী শিযোমনুংগী অশেংবা নচা অমুক ওইনা পোকচগেকো!"

"যাইফবা ওইয়ু!" ইমাসি নুবাবীনা ইকোঙ্গা মখুৎপাক থঙ্গা হাযবকই - "ইমাসু মপোক অমদা নহাকপু ইবুকথোক্কী ইচা ওইনা অমুক ফংজনীংঙি। নঙগী হোলি স্পিরিট অদু পাইশিল্লকপা ওইবসনু! মসিনিদো লাইভ সাইকল থিযোরি ওফ বি ইনকারনেস। আই মিন টু সে, থবায শিবা নাইদে হাযবা অসিদা থাজবা লৈ।"

"ত্রে. মাই ডৌ:বী হোলি স্পিরিট, লাইভ সাইকল, ফেমিলি ট্রি হৌবক এদো।" ঐনা অমুক খেমজিনবা ওইনা হঙ্গৎচৈ "ইমাসি! মদোমদা হকচিল্লা কোক থাদকনু। লাইভ ইজ লাইভ। উঙ্গমদবা পোৎশকশিং অদু ভবনা শাকনু। চিট্টাগোং ইমাসিগা নবানীনা অমুক্তদা অঙকপা অমদি নুংঙাইববা মঙ অমা মঙমিল্লবগা লাবা সনাগী হোলি স্পিরিটনা বঙ্গ সাগর ঈবোললুংদগী পাইখৎলক্লগা ললী তবীদা চংখিদুনা মঙাংসনা পোকই হাযদুনা থাজবকলি। ঐনু ভাবজিন বাথানি, লাইগী মচানিসু হাযবাবি। ঐসু অঙং ওইরিবনিদি থাজলম্মী। তৌজা ও থাজবা ঙমদে There must be a story behind চিট্টাগোং ইমাসবু মোৎলবানি হাযবে বাদি নংঙ। মেথৌ, ভাবজিন মাদব নত্তে। মদুগী প্রমান লৈববনি।"

"খঙদে খঙদে।" ইমাসি নুবাবীনা মবক খংখৎ থৎচিন্দুনা হাযবকই "ঐসুনে চিট্টাগোং ইমাসিদৌনা ভবজিন মাদব অমদি ওইসবা থাল্লজাৎনিকো, নিংথেম!"

"হা! কবি হাযবা?" ঐনা মীৎ লংখৎখি - "ইমাসি অনীগা শীংনা বাশক, নচা ভাব তবকনে। ফবে ফবে, লাই নীংঙু। ফংজবা ওইয়ু, কনাগানো হোলি স্পিরিট অম!"

"অদুদি ইমাসু মঙ মঙবা হৌজবগে।" ইমাসি নুবাবীনা ফাগী তাথোক্লদুনা হাযবকই, "নুংঙাইকো, ইমা ইচাগী চোযঙাং মযামসে। নোংমদি যাম্না অথ লৈবকখিগনি।"

"হোযদা ইমাসি! হিংলিঙৈদা থবসু নুংঙাইথোকসি।"

ইমাসি ইবানীগী বাবা খংলেপ লেপ্পা তাখি।



"নিংথেম! মাই দিযাব সন!"

মীকৌ অসি তবকই। যাম্ন হৌনা অমসুং লাগুক্লে। কনাগী খোঙ্গেলনো, তাবগা অদুম খঙই। ঐদি বঙ্গ সাগরবোমদা মীৎযেং থমদুনা ফম্লনি। বাবা সুকুমারগী মশক উবকই। ঈশিং লম্বীদগী লাকপা উবকই। মখুৎতা যাইমবপ চাউবা ভি আই পি বেগ অমা পাযবকই। মহাক চেনশিল্লকই, সুবমিলা বেচতগী কোটেজ অম্না চেনশিন চেনশিল্লদুনা হৌনা লাউবকই, "দোঙ্গর নিংথেম! আই এম প্রাউদ ওফ যু!"

"নুংঙাইবেদা ! সুকুদাসু থুংলবে।" ইমাসি নুবাবীনা হবাওবা উংলদুনা হায়বকই - "ঐ অমুক চংখিবা যাবে। নপা নচা মবৈ অমুক যেংনহৌবো।"

"ইমাসি ! ঙাইখাদো থিৎ ; ঙসিদৈ লৈতৌবা হৌসি হায়বগা . ।" ঐনা ইমাসি নুবাবীদা শাউজিল্লুই "কর্ণফুলযানশিংদা ফোন অমুক তৌখ্রে। বোহিন্দানা শিল্পী অমসুং দ্রোজব থাবক্কনিসু হায়বকলে। চংপে বাদু কোয়া খন্নসি। বাবা ওকলুখিগে।"

"তোয় তোয় চেল্লু, ঐসু লাক্কে।" ইমাসিনা হায়বকই।

ঐহাক পচ্ছখিদ্রে। ইখূৎতা পাযবল্লা চা কপ অদু অমুক অনীবক চিংলগা থমলে। সুবমিলা কোটেজগী মাঙ্গোলদগী যাংনা চেল্লবগা বাবাগী মায়কৈ তম্না লাউজখি — "বাবা ! নত্তাক্কী এপানদৈ নচা দোক্তর পাস তৌবে। থেঙ্ক যু, মাই গোদফাদব !"

"অদুগা, দাদা ! নচা নিংথেল্লা টেম্পলবসু ওইবে। ঙবাংনু খঙহৌবরনি, ঙাসসু অমুক পাউ পাঙবি।" ইমাসি নুবাবীনা পংশিনবা ওইনা অমুকসু শমথবদুনা লাউথৎলকই "নমৌসু চবোং অমা ইতে ! সোবি সোবি।"

ইমাসি নুপীবীগী নাংতপ বাঙাং চপ লেপখি। ঐদি ওয়। বাবাদ তাবমদৌ মানদে। তাববসু ফগা অথোকপা যাবা বাবর্মনি। মাদি হবাউবর্গানি। ঐবসু, নুবশী চবোং অদো মমিংতগী ওইনা লোট্রুবিদা ফাওখর্বনি। ঐনা স্নান তাববসু, তাদ্রবসু মফম চানা চানা থাজথোকথ্রর্বনি। ইমাসি নুবাবীগী বাফম অদু বাবানা থাজদৌবস লৈতে। সুবমিলা কোটেজদা মথোয়গী ফিজিনেল লেশম লৈবসু নত্তে। নূবীকাসিস চিট্টাগোং ইমাসনা পুম্রে হাযবি। হৌবেন নুমিদাং উন্নবা চংকদৌব। মদোমদা কয়া হোইথংখিদে। বাবা ওকপনা মবর্নন।

ইপা ইন যাংনা চেনশিন্নে। হবা ও অামনৈ। চেজেৎ কোনশিংগ ! বাবাগী মখৎতগী ব্রিফ কেস লৈমায়দা থাদখি। লৈতেইদা থাদবনি, কায়বৈ বা লৈতে। বাবানা ঐবু বাংনা থাঙ্গৎকদবগী তৌবকই। খজিত্তং থাঙ্গৎলগা থাদৈ। মহাক নিংসা স্লব হোৎদাকই।

"ঙমদ্রে ঙমদ্রে !" বাবা সুকুমাবনা হাযবকই — "ইপাগী মাংতদি নঙসে হান্নগুম অঙাং ওইরিবোই খল্লুই। নখদি ওম্বোক্ল হন্নমলে, কৈজাউদু ঙাইবে।"

"ঐ থাঙ্গৎপাগেসে, বাবা !" ঐনা বাবাবু বাংনা থাঙ্গৎলি। লৈমাযদা অমুক চুম্না থাদবগা লেপহল্লি। নোকফেৎ নোকফেৎ মাযযোক্কদুনা লেপমিন্নৈ।

ইমাসি নুবাবী যৌশিল্লকই। মবুংদা নোম্ববগা সৎ খুকশী। সৎ হেক্তা নোনখৎখি। থুগ্গপোৎনি, মাগী এঙ্কন। মবুংগী দায়লোগ অমদি আশীর্বাদকা ঙাইবীনা জাৎ নত্তে।

"নচাদো পাখঙ শবেপ ফাববনে, দাদা !" ইমাসি নুবাবীনা অসি হাযবগা মথা তাবদুনা কোৎচি কোৎশিল্লকই - "লাইপাখঙ শকহেনবা ওল্লবনে। বঙ্গ সাগর মপানগী লাইপাখঙ শকহেনবা !"

"ঐ যাম্না নুংঙাইবে, সুবমি ! চিট্টাগোং মমাসি লৗতাবীগী নীংজবা থুংলে। ঐগী নীংজবসু থুংলে।" বাবা সুকুমাবনা ঐভোন্দা অমুক ওনশিন্দুনা হাযবকই "নিংগেম ! কবি খুদোল পীযুগে ? নঙনা অপাম্বা অমা হেক্তা হাযযু, I promise to give you at any cost."

ইমাসি নুবাবীনা নাবোন্দা মগুক ইল্লপ তৌবগা মমীৎ খৎলকই। মহামাযাবী মাগী ইঙ্গিৎ, মবৌ থাংগ্রপোৎনি। মাবু নিজৌ হাযবিজাৎলা ? ঐসু নোকফেৎ তৌজে। ফাগী ফাগী নিবদি কমদৌবা ? হিগোক থোকপদি শোযবোইসে। ঐ অগুাওবদি নত্তে। যা কাথোকই। ইমাসি নুবাবীদি মিহুন তিং তিং চোংলম্বা যাই। ঐসু গুাংনীং শকনীংবদা বন্দ লৈবা নত্তে।

"বাবাগী লমন যাম্না তোল্লবনি।" ঐনা ইত্তপ হেক তপ্না অসি হাযবগা শমথখি "Credit should goes to you পুন্সি চুপ্পগী বাবাবু কাউজবোই। নচানসু বাবাগী মফমদা চল্লনা খুদোল অমত্তং কচ্চগে হাযদনা খঞ্জবি।

"হো, অদু হাযযু হাযবনিনে, নিংথেম !" ইমাসি নুবাবীনা মফৈদা সৎ হেত্তা পাঙদনা হুনজিল্লকই।

"কবি খুদোল !" বাবা সুকুমাবনা হবাও তযাম্না হাযবকই "ঐনসু নগোন্দা খুদোল অম পীগনি। ইচান্না পীবসু ঐনা তবাম্না লৌগনি।"

"প্রোমিজ ?" ঐনা নোংশিল্লি।

"প্রোমিজ ! বঙ্গ সাগবনা কসম !" বাবা সুকুমাবনা নোকফেৎ তৌনা খুদৈজে দগা শমথবকই "ভদুগা নিংথেম ! গুসিদি নিযু ইযাব দেনি। চহী তৈবগীসু, নগাক্কু চোপ্পব ওইবগীসু, ভ চৌবা পাটি অমা তৌসি। প্রবিনদাসত্ত প উপীখো, সুবমি ! গুসিদি ইপা ইচা জগোই শামিন্নগনি, ঈশৈ শকমিন্নগনি। গুাংলৈনবী থবসু ইহে ! মদুমদি যাওত্তমসি। ঐগী নুংঙাইবসে ঙমখৈ লৈতে। ঐগী বাশকসু ৬ কত্রে।"

"সুকুন্দা ! নিংথেম্না চৌগল পুইবগী পাটি অচৌবা অমা ঙবাং এদেন্দা পাঙথোকত্রে। প্রবিনদানা শিনবনি। ইযাব এন্দিংগা পার্টিসু অঙকপা অমা ওইখ্রে।" ইমাসি নুবাবীনা অসিখক্তং হাযবা অদু পেন্দ্রদুনা বামে কোচি অমা কোৎশিল্লদুনা হাযবকই – "নচা নপা নিংথেম অসিদি হুলা যাবমদ্রে। অমুক তোইবা লৈশা পাখঙদগী, হনু হনাদগী, মাগী কুম্মদা মহা ওইখপোৎনি। হনুবী ফজবী খবসু মাগী মতুংদা লাইবেন মতুং ঙ্গ ইনবদৌনা তৌগ্রবনি। মপাকুংগী ঈশৈকাদো শকলদনা অনৌবা নিংথেম লাবা অমা ওনখ্রপোৎনি। বাকৎচন্দি নচ্চদে। ঐগী হকসু কনি অমত্তং লৈভদে। নিযু ইযাব দে পার্টিগী মংৎতা মেবিযেজ পাটি অমদুম তৌসিবা।"

"মেবিযেজ ? টি ! কনাগীনো সুবমি ?" বাবা সুকুমাবনা মমীৎ লংখৎলদুনা হংলকই, "নঙগীবা, নিংথেমগীবা ? হা ! কনাগনো ?"

"চবোদা, ঐগাসু নঙনা .. ঐদি ইঙ্গব গ্রিন নুবাবীনি।" ইমাসি নুবাবীনা মখা কোথবদুনা হাযবকই "ঙবাং অহিংদি নিংথেমগী অহিং ওইগ্রে। মনে, মন্দোন কযাবু খাজবীগনি হাযদুনা লাউথোক্লমলে। দাদাইসু অমা যংলবা যাই।"

"হা ! হা ! কবি হাযবা ?" বাবা সুকুমাবনা যাম্না মথবায তাজনা নোকচৈ। নোক্ক নোক্কসু হাযবকই "ঐবু ইচানা লুহোংবা দৌবিবা .. হা ! হা ! হা ! এনি বে, নমা নচা যাম্না চম্না-চিম্মনা লৈমিন্নবম্বা উবদা ঐসু যাম্না নুংঙাইবে। সুবমি ! নঙসু খবা নোবমেল তবদৌনা তৌবে। নহালখৈদি বেঙ্গল টাইগব অমোমদৌনা তৌবনি। অদে, নঙব্দ নিংথেমনা গৌতম বোইদা থাজবীখ্রবা ?"

"চবোদা দাদা ! ফৈবেং তুবেংদো খিৎ তৌবনু।" ইমাসি নুবাবীনা শমথবকই, "নিংথেমনা ঐবু ইমৌনুপী অনী ওকপগী অয়াবা পীবিবে। ঐনা ইমৌনুপী ফাইবোক পুংবা তবানু-তবাবী ওকতৌবিবনি। লুবিবদি দাদা ! ওবাং পার্টি মবক্তা অপাইবা দাশা অমা নিংথেমগী পুক্নিদা সৎ হেক্তা পাইশিল্লকলে। কদায়দৈনো তিস্যুন নাপুন নিঙোল অমা চেনশিল্লক্তুনা নিংথেমগী নুবাবী নম্বব ব্রাননি হায়দুনা ক্লেম তৌববে। ব্রাকৎচবদি নচ্চদে। দাদা থুংলববনিনা নচল অমুক চংখ্রগে। ইহে ! অন্টিদি কমদৌহৌবি ?"

"সুবমি ! নঙগী দায়লোগতো ইবুং ভাব তাদ্রে। তিস্যুন-নাপুন নিঙোল হায়দুনা কবিনো, কন্যাবুনো ?" বাবা সুকুমাবনা ঙাইহাক লেপ্লগা চংথবকই - "অতৈদো কোন্না খন্নবসি, অন্টি কবিসু তৌহৌদ্রে। শান্তি লৈহৌবি। নঙসু মতম খবা লৈথখো।"

ঐনা হঙ্গৎচৈ - "ব্রেল কম হোম ! লেঙশিল্লসি বাবা ! লমশাং লাকপগী ব্রাবমলগনি, পোথাকসি।"

"ইপা ব্রাদে, ঈশিং লন্নীদা লাকপবু ব্রাবা হৌনব্রা ?" বাবা সুকুমাবনা অসি হাযবগা খংনোং অমুক নোংশিল্লকই - "অতৈ লাইবি, নমা নচানা নুবাবী দ্বীপ থিবদুদি কমদৌখ্রে ?"

"বাবা !" ঐনা বাবাবু ইফিং ফিংনা কৌবগা ইচম হেক চম্না পাউখুম পীজে - "দ্বীপ অর্মদি ফংলে, দ্বীপ অর্মদি ব্রাৎলি। ঙসিদগী লৈতৌবা হৌবগনি। অমসু শোয়দনা ফংলগনি। অনীমক ইনক হেক নক্রা লৈবমলে।"

"অর্মদি ফংলে, অর্মদি ব্রাৎলি !" বাবা সুকুমাবনা মচিন্দা শোঙ্গবগা ওক্লপ্লা মচলনুপীদা ওনশিন্দুনা হংঙি - "সুবমি ! নিংথেম্না হায়বিসিবু কবিনোনে ? দ্বীপ অনী সুব্রনে ?"

ইমাসি নুবাবীনা চিংলেম্না খুম্মী - "সুই, সুই দাদা ! চিট্টাগোং লাতমগী পাখোং অসিদি অর্থ শনা লুখ্রবা জাৎনি। লাইনুবী দ্বীপ হাযবা অমা, নুবাবী দ্বীপ হায়বা অমা, অনী সুবমলে। লা অদা মযেক শেংনা পল্লম্মী। অনীমক সুবলিমা কোটেজগী এলাকাদা লোৎতুনা লৈবমলে। নিংথেমনসু ঙসিদগী লৈতৌবা হৌগনি হাযখ্রিদুনি।"

"ভেবি গুদ !" বাবানা খুম্মী।

"ইমাসি ! ইমাসি নুবাবী ! দ্বীপকী ব্রাদু কোন্না অমুক খন্নবসি।" ঐনা মবক থৎপা ওইনা হঙ্গৎচৈ - "লেঙশিল্লসি নুবাবী মহলগী এলাকাদা। বাবাবু পোথাহনসি।"

"এঃ সুবমি ! নঙবু ইমাসি নুবাবী !" বাবা সুকুমাবনা মমীৎ লংখৎলকই "কদোমদৈ বোযেল টাইটলনো ?"

"ইচা নিংথেম্না ঐবু ইমাসি নুবাবী হাযবা মিংথোল পীবিবে।" ইমাসি নুবাবীনা মাযথোং মকা লাম্না নোকফেংতং তৌবগা নীংতপ ব্রাঙাং অমসু সৎ হেক্তা ফোঙ্গল্লকই - "অদুগা দাদা ! ঐসে নিংথেমগী নুবাবী হায়বা মিংথোলসু অমুক হন্না ফংজবে, আই মিন টু সে ইচা নিংথেমগী ইমাসি নুবাবী, সুবমিলা কোটেজগীনা ইমা সিদবী !"

"মদুসু ভেবি গুদ !" বাবা সুকুমাবনা নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ওইনা অমুকসু মখা শমথবদুনা হাযবকই - "ইবুংসু যাম্না নুংঙাইজে। মবক মবক্তা লৈখৎখিবা নকোক্তো হৌজিক্তি

ফজনা লৈথবেদনা ; ঐগী ইচা নিংথেমদি যাদ্রগবনি। ঐগী মকপ নিংথেম লাবাগী মীৎনা উবা অনৌবা মপোকনি।"

"ঐসু অদুম্মা খল্লি, দাদা!" ইমাসি নুবাবীনা কোথবদুনা ঙাংলকই -"হৌজিক্তি ঐহাক মতম কুইনা হিংখিগনি।"

"হিংঙু, হিংঙু! নঙবু কনানা শিয়ু হায়ব্রে।" বাবা সুকুমাবনা নোকফেং তৌবগা অমুক নোংশিল্লকই - "অদো, সুবমি! নহাক কমদৌনা হিংদৌবিবা ?"

ইমাসি নুবাবীনা খুম্মী - "হিংবা তাই, নিংথেমগী নুবাবী ওইনা, শিখিবা তাই নিংথেমগী নুবাবী ওইনা।"

"যাম্না ফবে!" বাবা সুকুমাবনা মাগী হৌনবী নোকফেং নোকফেং তৌবদুনা হাযবকই, "হৌজিক্তি সুবমিলা কোটেজগী লাইবেম্বী সুবমিলা থুংলবে। নিংথেম নুবাবী নমা নচা নিংথিজনা লৈমিয়হৌবো।"

"অদুগা, দাদাদি কদায়দা ?" ইমাসি নুবাবীনা মবুংদা হংঙি অমসুং হাযজৈ, "য়াবোইকো, নচানুপা নিংথেমবু থাদোক্লগা চংখিবা, সুকয়া য়াবোইকো।"

বাবা সুকুমাব মোমোন তৌই। ফিলোসোফবগী হৌনবা রাখল লীশাং অমা লাপুক্লে খনবা মাল্লি। ঙাইহাক লৈবগা হায়বকই - "সুবমি! ঐদি নিংথেমগী গোদফাদবনি। ঐনা কৈদৌঙেদসু ইচাবু থাদোক্তুনা চংলোই। ইমীৎ অসিদা ইশবা, ইমাকলা, অমা অনীদং উজবগা শিজানংঙাঁ। অদুগা ঐদি বঙ্গ সাগবদা চোংথদুনা শিবসু শিবোই।"

"হৌজিক্তি ঐসু চোংথবোই।" ইমাসি নুবাবীনা নোকফেং তৌনা ওৰ্কশিল্লকই, "নর্শদি উবা ফংগনি, নমাক্তি কয়া থাজফাৎত্রেদা। এনি রে, নচলনা তবাম্না ওকর্চবি। লেঙশিল্লসি সুবমিলা কোটেজদা।"

দীপক বাহাদুব চেল্লোবকই। বাবা সুকুমাবগী মমাঙদা সিফাইগী হৌনবী মওংদা চপ লেপলে -"সলাম, বডী সবকাব! লেঙশিল্লসি।"

"বাহাদুব! ঐগী ইচলনুপী অঙাওবী অসিগা লোয়নবা নুংঙাইব্রা ?" বাবানা হংলকই।

"ইমাসি নুবাবীদি অঙকপী নপীনি, সাহেব! ঐসু মতুংইন্দনা সমুদ্র কোয়কই, যাম্না নুংঙাইব্রে।" বাহাদুবনা অসি হায়বগা লৈঙোই মথক্তগী বেগ লৌখৎলি।

ঐখোয় মবি সুবমিলা কোটেজ তম্না চংলকই।



থুংলবে!

কপালিয়ানশিং অমদি প্রেসমেনশিং থুংলবে। কোইবাং লাংঙি। ইমাসি ইবানীনা ময়াম্বু তবাম্না ওক্তুনা সুবমিলা কোটেজগী মাঙ্গোলদা ফমদুনা পোখাহল্লি। বাবা সুকুমাবদি ইমুংদা পোখাদুনা লৈখি। তুমশিং ফাবমখিবোই।

"দাজু ! ময়াম লাক্কইসে ফার্স্ট বাউন্দগী চা কপ অমমমতংদি পুথোবকউ।" ইমাসি নুবাবীনা ইমুংলোমদা ওনশিন্দুনা লাউবা হৌবকই - "ঐহাক পুজাগী পোৎলম খবা লাংলুখিগে। অদুগানে, নিংথেম ! ঙসিদি নবুধৌ নবেঙ্কৌশিংগী কোলু থিদৌবিবনি, নঙনসু থৌবুনি..।"

"ঐবু কৈদৌ হায়বনো, ইমাসি ?" ঐনা মাগী ব্রাঙাং লোইর্দ্রিঙৈদা সৎ নোংশিল্লি।

"কোটেজ মনীংগী লমহাংদা বেনবো ছাটিন খনগৎলু। প্রেসমেনশিংগী ফমফম চাফম শিল্লু।" ইমাসি নুবাবীনা অসি হায়বমলগা ইমুংদা সৎ চংখি।

"ইমাসি ! মদুদি ঐখোয় তৌজগে।" লুবাং মাযচৌনা হায়বকই।

"অদুগানে, নিংথেম !" ইমাসি নুবাবী হোবে হোবে অমুক থোবক্কা শমথবকই, "ঙসিদি নহাক বঙ্গ সাগবদা চেঙ্কবগা শেংনা ইকজবচে, থৌনিজবম্মু। ইহে ! য়ুবী অশোকপা অম হংদি পাম্মী।"

"ইমাসি ! ঐ নৈজবগে, পোৎলম অতৈদি কবি কবিনো ?" খুমন মাযচৌনা হংলকই।

"হৈ বা, ধুপ খবসু হেক যাওবকউ।" ইমাসি নুবাবীনা শমথবকই - "ধুবকউ। ঙবাংদি শিবগী থৌবম তৌনিঙৈদা লৈতৌবগী বাখলসু তৌহৌদ্রে। অয়ুঙা শাওবকপা ব্রাখলনি। ঙসিমক হৌদনসু যাদ্রে। মমি লৌহৌবসি। ঐসু ঙসিমক অশিংগী মনাক্তা চংতবা যাদ্রে। অমা অমুক হেক্তা লাক্কনি।"

"ঐ চংচবে ইমাসি !" খুমন মাযচৌ ফুক হৌগৎলি।

"হায়, খুমন ! পৈশা পুখোনে ?" ইমাসি নুবাবীনা লাউই।

"পুজাগী পোৎলমদো ঐ পাংজবগে।" খুমন মাযচৌনা লাউবকই অদুগা বিচ মাবকেট অমা প্রপ প্রপ চেনখি।

"ইহে ! নিংথেম !" ইমাসি নুবাবীনা ঐঙোন্দা অমুক ওনশিল্লকই "চেল্লুনে নঙসু ! শংবানবীগী মচুদে বঙ্গ সাগবগী শংবানবী ঈশিংদা শেংনা থাদেঙ্কুবো, ফিশেং শেংলগা ইমা ইচা থৌনিজসি।"

"শংবানবীগী মচু !" বোহিত বোসনা নোকফেং তৌবগা মথক্তা শোনজে - "হোয়নে, হোয়নে, ঙবাং অহিংগী লাইবেঙ্গীদো ! ওবিজিনেল কলব নঙ্ব্রনে, নিংথেম ?"

ঐহাক পাউখুম পীবগী মতম ফংখিদে।

"মধুব মিলন ওইখ্রবা, দোক্তর নিংথেম ?" চকসিনহানা অমুক পাংশিল্লকই - "হৌজিক্না কদায়দা চংখ্রে ?" মৌ অনৌবীদো কৌথোবকউবা ; অয়ুক্তা অমুক মশক য়েংনীংঙি।"

"চিট্টাগোং থৌখ্রে।" ঐনা অসি হায়বমলগা বঙ্গ সাগব অমা চেঙ্কবকই।

"নিংথেম ! থুবকউ।" ইমাসি নুবাবীনা হৌবপ্পা লাউবকই "ঈশিং মনুংদা মোন্দ্রং চুকন্নুকো। শংবানবীদো ঙৌকনবী ওনখ্রবনি। নোং হেক ঙানবগা অহিংগী থৌদোক পূম্নমক কাউথোকউ; মসি লাইহ্রানি।"

ইমাসিগী খোল্লাও তায়। ঐদি পাউখুম পীখিদ্রে। বঙ্গ সাগব অমা চেঙ্কবগা ঈকপ্পী। ঈশিং

মনুংদগী যুং লাওনা অমুক ফাওগৎলি। চিট্টাগোং অম্মা লৈজবী থাবদুনা লাউখি - "নুবীকাসি! শংবানবী যজবী! বাতকী সুন্দবী! হৌবেনসু লাকউকো, বেগম সাহেবা!"

ওঙ্খোকপনি! পাউখুম যংখিদ্রে। খোঙ্গাংনা পাউখুম পীবকখি "নুবীকাসি - বেগম সাহেবা.. বেগম সাহেবা.. !"

ঐদি টা ওয়েলকাসু পুবক্তে। ঈশিং মনুংদা স্লিপিং সুইট লৌথোকই। ফিতং অমদি শেংলি। ঈথক্তা অমুক ফাওগৎলগা লেপ্পি। পাইজমানা ফদি ওইবগা শেংনা ঈকজথোকই। ঐ ঙকই! কদায নীলবর্ন? ঈশাদা মচু অমত্তসু পাকলমদ্রে। ঙবাং অহিংগী থৌদোক, মঙনিদা!

"ঈশাবী নিংথেম!" ইতুংদগী ঐবু নুংশিনা কৌবগা হাযবকপগুম্না তাবকই, "হঙ্গামপাল মত্তেকসে হোংদোকপীযু।"

ঐহাক খংপ্রেক খংই। মায সং লৈথোবকই। কদায, কন্যাসু লৈবমদ্রে। ইথম্তা নোকফেং তৌজে। নুংঙাইকো মোম্দ্রং!

চিংঙৈনা, সুবমিলা কোটেজদগী ইমাসি নুবাবীনা লৈজবী থাবদুনা লাউবকই "তো শংবানবা! লাকওদা।"

ঐহাক চেনখংলকখি। তুংহন্দুনা অমুক যেংলমদ্রে।



হৈ লৈ কংলি!

ইমাসি নুবাবীনা ধুপ থাউমৈ থাবদুনা সুবমিলা কোটেজগী এলাকা অমসু ওইবিবা কোষ্টেল প্লেন এবিযাগী চিংখৈ থংবা চিদাইদা, মখূউ লৈতানা কুম্লদুনা ইবাং থৌনিজে - "হে ইবেঙ্খৌ লাইম্না পুথিবী! নঙগী শাথুপযম ওইখিবা লাইনুবী দ্বীপ! নশূ ইবুংঙ্গো নিংথেম মঙাংসনানা থিবা লাকলে। অবান-অহুই যাওববসু ঙাকপীযু। অকি তুজুংবা থোকহনবীগনু। লৈনুংদা লোৎতুনা লৈবীবম্মু। নশূ ঐনসু লৈবমগনি হাযদোকখ্রে। ঐগী ইমাসু নঙগী শাগেগী নিঙ্ঙেলনি। নশ ঐসু নঙগী ঈ মবীদা অমুক হল্লক্কে খঙ্গখিবনি। হৌজিক্তি অমুক হল্লকলে, নিংথেমগী নুবাবী! নিংথেম মঙাংসনাগী মমাসি নুবাবী ওইনা। নশূ নিংথেমগী নীংজবা পুম্না থুংহনবীযু। নশ নুবাবীগী নীংজবসু থুংহনবীযু। লাইথুং লাযনা পোকহনবীগনু। নশূ নুবাবীনা পুনেমজবি।"

ঐসু ইমাসি নুবাবীগী মনাক্তা কুন্দুনা খুকম্মী, হৈকং লৈকং তৌজে - "হে ইবেঙ্খৌ লাইম্না পুথিবী! নুবাবী সাগবগী নুবাবী দ্বীপ! মশক খঙজবে, ইমীং থিংনা উজবে। লৈনুং লোযুম্বনা লৈতৌদুনা নুবাবী মহলসু শাজখ্রে। নিংথেমকোনগী হৌনবী চবানসু থাজখ্রে। লাইমিংসু লৌজবে। নশূসু পাখঙ শাবেপ ফাজবে। যংহনবীবো লাইনুবী দ্বীপ! শাজবগে মীংনা উবা নুবাবী মহল! ইমাসি লাইনুবাবীগী যাথং পাঙথোকচবগে। নশূনা অমুকসু খুকমজবি। হুং হুং! কুকু! চুচু! থৌ থৌ!"

"থিদা মসিদি !" ইমাসি নুবাবীনা নাশোল তপ্পা হাযবকই - "তুংদা দাদাসু লেপলি, কপালিযানশিংসু লৈবি। নঙগী থৌনিবোল অদু, মখোযন তাবগা কবি খনখিদগে ?"

"অবোইদা ইমাসি ! অত্রবসু লাইবোন থৌনিবোলনি।"

"নিংথেম ! হং হং ! কু কু ! চু চু ! থৌ থৌ ! হাযবা অদুদি কবি হাযবিনে ?" মদুমদি ইমাসু খঙলক্লে।"

"চিট্টাগোং ইমাসিনা লাই খুকম্বা হেক পোইবদা শোনবা থৌনিবোলনি।" ঐনা খুম্মী।

"নুংলোনদো, কবি হাযবিবনো ?" ইমাসিনা হংলকই।

"কুবায়, পাইচুকনবীনু, থৌজানবীযু হাযবনি" ঐনা নখাতনা হঙ্গৎচে - "ইমাসি ! মসিবু শোল্লবদি তৌইদবা পন্নমব পাঙথোকপা যাইস চযাখ, হং হং হাযবনা লাল্লবসু ডাকপীয় হাযবনি।"

"ও ! ইমা ভাব তাবে।" ইমাসি নুবাবীনা নাশোল তপ্পা অমুক হাযবকই - "ডবাং অহিং নঙনা নুবীকাসিংগা নুমাদম্বা লোইবগা হং হং ! কু কু ! চু চু ! থৌ থৌ ! হাযদুনা শোনখিবদো, থৌনিবোল ওইবেকো।"

"এ ! ইমাসিদি কদাযদা তাইবিনা ?" ঐনা খঙনাংনা হংই "এনখা পাইদবা শইগনা পোল্লিব ঙন্দুনা লৈখত্রা ?"

"খল্লসংদা ঈাকা থেংচদে।" ইমাসি নুবাবীনা শমখ হই "হো, অপচু চুমচং ! নঙনা ওভগা কাগা ইন্টরনেম হাংদে ঙুনা নমখিনাত্রে। পুদা হক তবীনদনা।"

"নতে, ইমাসিব ভুনা অহং কবপ্পা মতমদা সুর্মিলা কোটেজদা থুংলবগে ?" ঐনা খঙনাংনা হংই।

"হৈকো ! শাযোন কুম্মে শাল্লবা !" ইমাসি নুবাবীনা খুম্মী অমসুং হাযবকই "অদুবু নিংথেম ! অহিংগী লাইবেপ্পীদো ।"

"অদুদি, কনানো, নুবী ক বেগম ?"

"হৌবো আগং জ্বাবা চংসু।"

"মখন্ন কদাযদা ?" ঐনা খঙনা হংজে।

"হৌজক তকপা যাদ্রে।" ইমাসি নুবাবীনা অসি হাযবগা ইনাক্তা ফম হৌগংখি।

ঐসু ফুক হৌগংলি।

৮

"সুবমি !"

বাবা সুকুমাবনা মচল নুপী লাইশমঙবু কৌবদুনা হাযবকই - "নিংথেম নমা নচাগী থৌনিবোলদো ওহো্রো কুইখ্রেদ। লাইন্না পুথিবীগা হকথেংনদুনা বাবী শান্নবা ফংলব্রা ?"

"দাদা ! হং হং ! কু কু ! চু চু ! থৌ থৌ ! শোন্দনা হায়জবা তাবনি। তৌবসু . ।" ইমাসি নুবাবীনা সং হেক্তা মখা তাশিনখি – "অহানবা লৈযানগদা পৃংফম অসি পং মাপল হেক তাবদা তৌবনা ফর্গানি হায়দুনা পাঞ্জিনা তাকপীখি। অদুনা থৌনিদুনা মতম ওইহাক লৌজবনি।"

"মাপলদা হৌবদি পাপ্র হায়দই ?" বাবা সুকুমাবনা নোংশিল্লকই – "কনাই পাঞ্জিনা পীবা মতমনে ?"

"তু !" ইমাসি নুবাবীনা মখং থিল্লদুনা নোব ফং তৌকগা হায়বকই – "ননাক্তা লেপ্লিনা লুবাং মায়চৌ পুন্সিবনা পীবা পৃংফম্নি।"

"এ ! লুবাং মায়চৌ ! নঙ্গব পাঞ্জসু তৌবব্রা ।" বাবা সুকুমাবনা হংখি।

ইমাসি নুবাবীনা নাপোল্দা নঙ্গক ইল্লপ তৌবগা পদ্দি লুবাংদ ইঙ্গিং পীখি।

ঐগী মরুপ পুক্তি লুবাং যাম্না পাইবক লৌশিং লৈখ্রপোংনি। মীতেক মালৌ ইঙ্গি খণ্ডগাল্লি মহাক্না যাম্না হৈশিংনা খুমলকই ' বাবানা হাওবা ইবানীব লুবাং মায়চৌ, খুমন মায়চৌ মিংথোনবীখি। অদুনা মিংথোল মাগুত্রনবা যাদবনা খবদং তৌজকই। তৌবসু, ইমাসি নবাবা ভুকইন পা ফম চানস্নবা ওর্বনি। এ ! পং মাপল তাব এবে।"

বাবা সুকমাব ... ই তানা তোক্কচ "ভুকইন পাফম" ... মাদ নকদবহল পংবর্ম ... যাবে ... লৈহনাব হৌরে, সর্না !"

"হপ্লু লৌ ... যার্নাস ..."

ইমাসি নুবাবীনা হয়ঙ হেক খঙহৌদনা ... লৈবা যোংপাক অদু ... পায়বগ অহুনবা যোংলম ফাংপা হৌখ্রে অদু ! মখা ... লাউবকই "সুকুদ ! এলাকা ... গী ... পুদ ... র্গনি। পুজাগী পোংলম ওইনা কংল্লিবা যদি ... বাউন্দবা পিল্লবদা ... গাইদ্রে। নচা নিংথেমণী যাইফবা থৌ নিবীয়ু।"

"ফর্গানি, মেদাম এপ্রপার্টজি !" বাবা সুকুমাবনা অসুম্না ফাগী তৌনগা ... হর্ষবিবা পাদুমক তৌজে।

কপা ... শংনা খুবাক খুগাংলকই। প্রেসমেন কাম তোগ্রান-তোঙানবা ফোটৌ কাপ্পী।

"নিংথেম ! অদুগা কপালযাক্স !" ইমাসি নুবাবীনা ঐখোয় ময়াম্ম কৌনদুনা হায়বকই, "নখোয় পুম্নমক ঐগা লোয়নদুনা বঙ্গ সাগবগী খোঙচৎতা যাম্না বাম্মিবকলে। নহে যসু যোংলৈ অমমম তংদি যাল্লদনা, এদৈদি থ্রে ভব থাজিনবা যাবে। হাসিদি দিসপ্লে মেপ অমসু উৎলগে।"

"কপালিযক্স ! হুবাট ... মিল, সুর্বাম !" বাবা সুকুমাবনা মচল নুপাদা হংঙ অমসুং হায়বকই "হুবাট এ নইস নেম !"

"দাদাদি আউট ওফ ষ্টেসন ওইখিবনা খঙলবোই। বোহিত বোস অমদি চাক সিনহাবুদি শকতাকচখ্রে। সুমদৌবনি, হন্দব মঙাংসনাগী নিংঙাইদগী দাদানা ঐবু কৌবীবত্তুনা বঙ্গ সাগবদা অমুক হন্না কোইবগী অমদি লুপচবা যংবা অসিদি পুল্লিগী কাউণ্ডমলবোইদবা থৌদোক অমনি। নিংথেম লাবগী 'হি বার্দসু যংলে, দাদাসু উবীবেদনা।"

"ইহে ! সুবমি ! কম টু দি কপালিয়াল...।" বাবা সুকুমাবনা তকশিল্লকই - "বাহে অদু কমদৌনা কোইন তৌবকপনো হায়বনিনে ?"

"দাদা ! ঐখু অসুম ভাংহল্লুবা।" ইমাসি নুবাবীনা মাস হায়বগা মঙক হেক্তা লৈখোকখি, "চক ! নঙ বা ভাংঙু ! ফিলোসোফরগা মবে যেংনব শ্রেজপোং নত্তে। এহাক চুপ.. ।"

"সাব !" চক সিনহানা বাবা সুকুমাবদা নোল্লুক্স কৈজে। মখ অবা নংখিদে।

"সাব কৌনু। আই এম নেট যোব সাব।" বাবা সুকুমাবনা নোকফেং তৌবগা শমথবকই,- "ঐবু নুংশিনা সুকুদা নংত্রগা বাল অদুম কৈবীযু।"

চাক সিনহা খৌতকনৈ। বোঙিত বোসনা মহুৎ শিনবা ওইনা মবক মেনশিল্লকই, "সুমদৌর্বান, সুকুদা ! ঐখোয় ৭ কী সি শোযেজদা শিজিন্নখিবা সি ভেসেল অদুগী মমিং 'কপালিনী' কৌই। মেদাম সুর্বমিলা।। ইখঙ খঙহৌদনা ঐখোয় ম্বাইবু 'কপালিনাঙ্গ' হায়দুনা মিংথোনবীখি। ইমাসি নুবাবীগা লোয়নবদা ঐখোয়সু অভকপা এক্সপীবিয়েন্স কয়া এৎজবে।"

"Very good, I am proud of you all and thank you all" বাবা সুকুমাবনা নোকফেং তৌনা হায়বকই - "ঐগী নিংঙ্গহচউবা ইচা নিংথেমগীদমক নখোয়না যাম্না বাবীখ্রে। ঐনা তৌবিমল খঙবা উৎচবি। অদুগা চাক ! ম্বাইগাক নুংগাইসি হায়দুনা যাগী তৌর্বান।"

"কর্দি। খঞ্জদেদা, বাবা !" চাকন খুম্মী।

"Now let us start the island hunting" বাবা সুকুমাবনা অসি হায়বগা ঐঙোন্দা ইঙ্গিৎ তৌবকই।

"ইপা লৌনি যাল্লু হৈ !"

ঐনা অসুম্না হায়জবগা যোংলৈ মবি মঙা সং সং যানশিল্লি - "কেকু ফেং ফেং ! কেকু ফেং ফেং।"

"নোংপোক নিংথৌ মাল্লিকো !" ইমাসি নুবাবীনা মাগী হৌনবী নুংঙাইনবা মথেল অমা ওইনা খুবাক খুবদুনা পাংশিল্লকই "হো যানসি, হো যানসি। হো থিসি, হো থিসি। পূকৈলনগে থিসি। লাইনুবী থিসি। লাইনুপা থিসি। মহম পোঞ্জেল শর্সি। লাংওন বাবী থিসি।"

কপালিযানশিংসু ঐগী ইতেং পাংবা ওইনা যোংলৈ মবি মঙা, মবি মঙা যানবা যা ওববে। বাবা সুকুমাবসু, বাহাদুবসু লৈতৌবদা শকক যাজে। ইমাসি নুবাবীবু যা ওববদি নুংঙাইবা মথেল অমা হেক্ত হাপকৎলকই। অদুইসু মথক্ত মাগী মবুং অসিসু ফ্রি ওইজগ্রবনি। ভাংনীং শর্কনীংবদা লৈযেং ফবীবজাৎ নত্তে। ঐখোযগী নাৎ, পুবাবী মনুং হুঞ্জিন্না খঙলিবনি।

"ইচল ইবেম্মা পাম্ভেইবী !" বাবা সুকুমাবনা মচলবু লকুবা ওইনা কৌবগা হায়বকই, "নঙগী লৈশেম্বা অসিবু যুথক লৈবোইদ্রা ? ইখুংদি কালৈদুম থকনীংলকই। কৈম্মাং কুনবী, কৈনীং হিন্নী নঙগী কুম্মেসে নুংঙাইদৌবি। ঐখোয় নুপা ৭ নি লৈযাল্লিবা। কদায়দৈনো লাইনুবা ৬ তংদি বাইকচে। ইবেম্মা পাম্ভেইবীগীবুদি নোংপোক নিংথৌ যাওবে, হা ! কবি হায়গে ইপাগী নিংথেম !"

"বাবা নঙসিমা, ওল্লোক ওল্লোকপা।" ঐনা নোকয়েং তৌবগা খুম্মী - "অদুগা ই নসি নঙসুনে লাংওন রবী চিংথোক চিংশিন হৈখ্রগোংনি।"

"কদোমদৈনো, ইনেসি অমুক কৌবিদুনা ? হা ! নিংথেম ?" ইমাসি নুবাবীনা হংলকই।

"ইনেসি কৌবসু অদুম যাই।" ঐনা খুম্মী।

"য়েস ! য়ু আর রাইট।" বাবা সকুম্মাবনা ঐবু শৌগাংপা ওইনা শমথবকই "ইনোস নুবাবী কৌবসু অদুম যাইদা। খাদ্রনে, নিংথেম ? অদু ওইবরদি...।"

"হাইস ! দাদা নঙগী বাঙংদো কোচি থাংজিংকো।" ইমাসি নুবাবীনা মথোং মথং খঙহৌদনা সং হেক্তা শমং থকই "নিংথেমগী মনেসি নুবাবী অনিদা ওবাং এদেনগী পার্টিদা মঙাংনা নেশা পল্লকপদে থাজখ্রবনি।"

"হা ! কেরি কোম্নবু কাদানা নঙনা থাংখিব্রা !" সকুম্মাবনা নোংশিম্নকই, "মবানীবু তৌজিক কদাযদা লৈখ্রবগে ? ওবাংনা কদোমদৈ ?"

"এবা ! বাবা। মঙদা চৌইংন লোনখিবা ওইবমাল্লে, ঐদি ভাব অমত্রা থাংদ্রে ?" ঐনা খুম্মী "তৌবসু যাদ্ম অমা অনী ফাল্লুবে, গ্রাকপীগনি।"

"যৈ খঙান ! মঙলা, তাইবা দা খঙগাদবা কুঠদ্রে।" ইমাসি নুবাবানা শমখবকই "নখোয লৈযাল্লিবা লাইপুংথৌ ৭ কী মতেং পাংনবা, নিংথেমনা ওবাং থাজখিবা নবদি ন পসব অদু লৌবীবগে।"

ইমাসি নুবাবীনা অসি হাযবল্লগা প্রপ প্রপ খোকখিগে তৈই। ঐসু গ্রাইহাক চিংঙক মাংগক্রখি। পাউখুম পীবগী তাঙ্গাথ দ।

"নিংথেম ! নমাসি নুবাবীনা হাযদিসব কবিনোন ?" বাবা সকুম্মাবনা খঙনাংনা হংলকই, –"নঙবু কবি মঙ মঙলুবগে ?"

"এবা বাবা ! ইমাসি নুবাবীনা ব্রেন থেফট তৌখ্রে।" ঐনা মখা শন্দোক্লনা নখি, "সুমদৌবনি, বাবা ! ঐনা থবক ওইনা পা দুখোক্লে হাযদুনা খজ্রবগা যাম্না নুংঙাইনবা কুম্মৈ অমা ব্রেন মনুংদা শাগাংলগা থমজৈ। ইমা সনা মদুবু কমদৌনা খঙখি, ঈখিদনো হাযবা নচাদি খঙজহৌদ্রে। ঐগী ব্রেন থেফট তৌবগী নুংঙাইববা কুম্মৈ খবা, ওবাং অহিং এদেনগী পার্টিদা থোকখ্রে। ঐনদি মঙনি অদুম খাল্লি। ইমাসিনদি মঙ নত্তে হাযবি ।"

"Yes yes You are right" বাইত অসিগা লোযননা এদেনগী প্রবিনদা ফুং ফা ওজিল্লকই, অদগা মখা শমগবদুনা হংলকই "This world is a dream within a dream but magic realism lies within the reality Am I right Mr Mangang I mean Doctor Ningthem"

"প্রবিনদা ! নঙগী গেম ওয জোক অদু মতুং মনাওদি তৌবনুসিকো।" ঐনা লুখম খোংলগা মখা তানা হংঙি "ঙসি লাকপনা কবিগী বার্তানো ?"

"ওবাংগী পার্টি যাওহৌদবা সুকুদাগী বার্তন তৈশ লাকপনি। নখোয কপালিযানশিংদি

লাকপীবনু। নখোয়দি জোকব ঙাক্তনি, কুম্মৈ নুংঙাইহনবদি হৈনে। এনি রে, মতুংদা অমুক তৌখিসি।" প্রবিনদানা অসি হায়বগা বাবাদা অমুক ওনশিনখি - "সুকুদা ' হেপ্পী নিয়ু ইয়াব। ঙসি নিয়ু ইয়াবগী দিন্নব অমা লাংজবি, লাকপীদবা য়াদে। ইশানা লাকচবিবা অসিনি। চীন-হায়না বার্তন কংচবি।"

"হেপ্পী নিয়ু ইয়াব, প্রবিন ' ঙবাংদো ঐসু য়াম্না লাংজনীংবনি, ঙমখিদ্রে।" বাবানা অয়াবা পীরদুনা হায়খি - "ফবে, লাক্কে।"

প্রবিনদা মমায লৈথোবকই। ইমাসি নুবাবীগা কোক হেক মায়োক্লবে। মহাক ঙকচনৈ। মীৎ কুপ্তুনা য়েংজে, ইমাসি নুবাবীদা।

"গুদ মোর্নিং প্রবিনদা ' এন্দ হেপ্পী নিয়ু ইযাব '" ইমাসি নুবাবীনা সং নোৎশিল্লি, "ইকুই কুইদনা নুংঙাইববা মেবিযেজ পার্টি অমসু এন্দেদা পাঙথোক্কনি, নুমিৎ হাযবক্কে।"

"সুবমি ' কনাই মেবিয়েজ পার্টিনোনে '?" বাবানা মচলদা হংজে।

"কপালিয়ানশিংগীনি, দাদা ' অদুগা. .।" ইমাসি নুবাবী মখা তাখিদে।

"নত্তেনে, মিস সেন '" প্রবিনদানা ঙকচান্নদুনা হংলকই - "ঙবাং অহিং বঙ্গ সাগবদা শিকবনি হাযদুনা চংখিদাই অদুগা মফম অসিদা '? ঐবু মঙলা ?"

"শিবা কেন্সেল তৌবে, প্রবিনদা ' কোন্না অমুকমী লৈতবা মফমদা লাইবক য়েংলগে।" ইমাসি নুবাবীনা মবুং তাবসনু মতা গুন্না হৌবপ্না অমুক মখা শমথবকই - "মবক মবক্তা, ঐসে অঙ্গাও লাইচুবকই। বঙ্গ সাগবদা হেক্তা চোংথনীংঙি। ঙবাংসু নুঙদুম অমা কোল্লগা খঙহৌদনা চেহুবগা ঈশিং অকবা মপাদা চোংথকই। ইচা নিংথেম লৈবমদ্রবদি শিবু শিবমগনি। মহাক্না চোংথবক্তুনা কনবীখিমাল্লে। নিংথমগী অহিংগা ওইবে, ইশাসে থক থক নিকখিবনা . জ্ঞান অদুম তখিদ্রে। ইচা নিংথেম দো ত্রুব লৈবক্কী হিংহৌবনি। মতুং মনাওদি পার্টি চংলবসু ইচা থাদোকপা যাদ্রে।"

"সুবমি ' নঙবু ঙবাং অহিংসু . ?" বাবা সুকুমাবনা পাখৎচদুনা হংজে অদুগা ঐঙোন্দা অমুক ওনশিল্লকই - "নিংথেম ' টেক কিয়াব ওফ . য়োব নুবাবী, আই মিন নমাসি নুবাবী ' মহাকপু মথক্তা থাদোক্কনু।"

"য়েস পাপা '" ঐনা খুমজৈ। পৃক্লিংদদি নোকনীংঙ। ইমাসি নুবাবী নঙসে কয়াদা ওৎলৈ পালৈ হৈখ্রবা ' খঙনি, হৌবেন অহিংদি চিট্টাগোং ইমাসিগী মনাক্তা পুবগা নঙসু বন্দি থমগেদো।"

"ঐ চংলে চংলে সুকুদা ' শোয়বা য়াদেকো। অদুগা কপালিয়ানশিং ' বাই, সী এগেন, নোট ফোব টুদে।" প্রবিনদানা অসি হাযবগা মমায় লৈথোকখ্রে।

"শোয়বোইদা, প্রবিন ' চংলো চংলো। ঐসু নঙবু অশ্লাই ফাও থিন্দোক্কে।" বাবা সুকুমাবনা হায়বকই। প্রবিনদাগী মতুং ইন্নখি।

"য়ারেদা, দাদা '"

প্রবিনদা চংখ্রে। বাবা সুকুমাবসু মাবু থিন্দোকপা ওইনা মতুং ইনখ্রে। প্রবিনদা-দা রা খবা হংনীংবগী মওং মাল্লি।



লৈতৌবা হৌখ্রে।

লাইনুবী দ্বীপ থিবগী লৈতৌবা অর্মদি লৈকোৎপা হৌখ্রে। ঐখোযাদ মমিংতগী ওইনা যোৎলৈ খবদং লৈকোৎতুনা মমিং লৌবর্তন। থবক মপংদি লৈকোৎনবা দ্রোজবনা তৌবা হৌখ্রে। লৈঙোই মপৈ মপৈ পৈখৎতুনা থম্মী। ঐখোয মযার্মদি বেনবো মচগী ছাতিন অচৌবা অহুম মবি খল্লগা চৌক্রিন্দা যম্মদুনা কুম্মে যেংগও। ইমাসি নুবাবীগী মনা ক্তা প্রেস মেন কযানা ওনশিল্লি। রাহং কযা হংবা হৌবকই।

"নিংথেম!" ইমাসি নুবাবীনা ঐবু কৌবদুনা হাযবকই - "সুকুন্দাগী পেন্টিং বোর্দ অচৌবা অমা লৈবদাই, মদু পুথোবকউ ; মফম চনা থিল্লু। ঐগী কাদা অমনবা মেপ মকোন অমসু লৈবনি। নুবাবী মহুলগী ড্রোইং অমসু লৈবনি। প্রেসমেনশিংদসু, নখোযদসু ঐগী যাইন্দিং খন দিসপ্লে তৌবগা তাকচগে।"

"লৌজবগে, ইমাসি!" ঐনা অসি হাযবল্লগা সুর্বামল কোটেজগী মনাং থেংও ওল্লা খোঙশাল্লি।

"অদুগা, নিংথেম! কোপব প্লেটসু।" ইমাস নুবাবীনা ঙাইহাক অমুক লেপ্লগা খংহায হাযবকই - "চিট্টাগোং লাতমসু পুথোবকউ। অদুগনে, প্রবিনদা হাযদুনা সুকুন্দাবু মমীৎ খৎলগা কৌথোকপ্রিদো কন্দায যৌখ্রে যেংঙু, দাজু থাবগা কৌহল্লু।"

"চিট্টাগোং লাতম হাযদি কর্বনো, ইমাসি।" ঐনা চপ লেপ্লগা হংগঙ।

"ইহে! চিট্টাগোং লাইনুবাবীগী চিনকোই অদু নঙনা ইশিন্দুনা থম্মী হাযদাই। তৌজিত্তি যাম্না মক ওইববা পোৎশক অমা ওইদৌবর্বনি। ঙসিদি ইমানা নুংলোন অর্মদি পানলোন অদু মচ খাযনা তাকপীবগে। মদু নৎত্রবদি নঙগী বাখল শেবাম্নখিবা যাবগী চিংনবা লৈবে। থুবকউ, মথৌ চিনবা প্রেস মেন ঙাক্তনি।"

"যেস মেদাম! আই এম এট যোব কমান্দা।" ঐনা অসি হাযবল্লগা প্রপ প্রপ চংশিল্লি।

"ইমাসিগী পাখোনদো যাম্মনখ্রে। চিংথবা যাওবান। ঐখোযসু যাওজগে।" পুল্নি লুরাংনা অসি হাযবগা ইতুং ইল্লকই। কপালিযান অতৈসু যাওবকই।

ঐখোয কপ্যালিযার্নশিংনা মিকুপ খবগী মতুংদা ইমাসিনা পার্মলিবা পোৎলম থুদিংমক মওং তনা শেম শাবা লোইশিন্দুনা থমলে। পেন্টিং বোর্দ মথক্তা লাইনুবী দ্বীপকী লাইযেক নৎত্রগা অমনবা মেপ অদু নপশিল্লি। মদু হেক উবদা ঐদি শ্বাইদুম লাওই। হিদন আইল্যেন্দ অমা লৈবে হাযবগী থাজবা হেঙ্গৎলকই। থাযনগী অমনবা খোইক ফি অমদা তেজ্জালী অর্মদি

উহে ৱাহৈ উকুনচিংবা কথাদগী শেম্না মচু মচুনা যেকপদৌনা তৌই। মফম খবদা মফুৎ মফুৎ হোৎবসু যাওবে।

ইমাসি নুবাবীনা মখুৎতা পোইন্টিং বোদ অমা পাযবগা থিন খিন্দুনা হায়বকই, "প্রেসমেনশিং ! কপালিযানশিং ! ইহে ! মাই সুকুদা হায়দুনা কদায চৎখ্রে। ? মাসু তাহন্বদি ফবনি।"

"লাকচবে লাকচবে, মেদাম !" বাবা সুকুমাবনা অসি হায়বগা প্রপ প্রপ চেনশিল্লকুনা ইনাওা ফমলবে। অদুগা মহানবা ওইনা মচল নুপীদা তকশৎপা হৌবকই "সুবমি ! মেপ অমনবা অদুবু নহাক্কী ভাবনা শাবগা যেকপ্রনে ? খোইক ফি অমনবা অদুনা কদায়দৈ থিকই ?"

"ওে, মই হৌনবী হৌবকমদৌনি।" ইমাসি নুবাবীনা শমথবকই - "ঐনা অমুক বানা থিবগা পুবকপা অসিবু ফাগী মাল্লবা, দাদা ? চহী ২০০ মমাঙগী লাইযেকনি, থাজবীযু।"

"সোবি মেদাম ! ডাইস্তাক নুংঙাইসি হয়দুনা ফাগী তৌবনি।" বাবা সুকুমাবনা চৎথবকই, "গো ওন যোব লেকচব এন্দ দিমোনষ্ট্রেসন । অহানবদা ৱাহৌদোক খবদং প্রেসমেনশিংদা থম্মুদনা । ঐখোযবুদ চিট্টাগোং পুবাবী খঙলে।"

"প্রেসম্যনশিং ! অদুগা কপালিযানশিং !" ইমাসি নুবাবীনা খুই মযামবু অমুংসু এড্রেস তৌবগা মখা তানা হায়বকই - "খৃষ্ট কুম ১৭৫০ অদুৱাইদা মৈতৈ লৈবাক্তা নিংথেম পুথিবা কৌবা অমগা মাগী মশানৌ যাইসনা নৎত্রগা লাইহ্ন্না পুথিবী কৌবা অমগা চিট্টাগোংদা কুন্দাবা লাকখি। কুন্দাবা লাকপগী মবম অদুমা কাম্বোকচবগে। পুথিবা অমদি পুথিবি অনীমা মচানুপা অমা ফংজখি। চিট্টাগোংদা পোকই হায়দুনা মচানুপা অদুবু নিংথেম চিট্টাগোংসনা কৌই। বঙ্গসনাসু কৌই। কাইনথংদা, বঙ্গসনানা চিট্টাগোংগী নুবাবী ৭ কা লোযনবদুনা হি অমা তোংলগা বঙ্গ সাগবগী ঈপাক্তা হোল্লগা চেংখি। ইতিহাস অমা লৈবি। মর্দগী মবমসু যান্না শাংখ্রে। হিদন আইলেন্দগী মতংদা লাকচগে। মবক থৎনা, ফোব গোব কাইন্দ ইনফোর্মেসন, নিংথেম মঙাংসনাসু মবুধৌ পবেনগী খুদং ঈদুনা নুবাবী ৭ কা লুহোংগনি হায়দুনা তৌবিমাল্লে। কন্দ কনানা মাগী নুবাবী ৭ ওইদৌবিবনো হাযবা অদুমদি খঙজদ্রে। তৌবসু, নিংথেমগী মসসি চিট্টাগোং লাইনুবাবীগী লাতমদা পল্লিবা লাইনুবী নৎত্রগা নুবাবী ৭ কী বাযফম অদুগী তোঙানবা পুংলোনদি কোল্লা অমুক তাকচগে। ঐসু নিংথেমগী নুবাবী ৭ তু ইমৌ ওইনা ওকচগে খপ্পবি।"

"অস ! ইমাসি ! অদুই ৱাদুদি ইন্টবনেললনি।" ঐনা নোকফেৎ তৌবগা হঙৎচৈ, "মযাম মমাঙদা পুথোকপীবক্নুদা।"

ইনাওা ফমলিবা বাবা সুকুমাবনা মচলনুপীগী ৱাফমবু শৌগৎপা ওইনা নোৎশিল্লকই, "হর্চাসিদি কবিসু কাযদে, ইপানা যাবি। সুবমি ! মখা চংখৌ।"

"মতম অমদা, নোংচুপ বঙ্গগী কোষ্টেল প্লেন এবিযা অসি শুকবা উমং ওইবম্মী, মী চংনবমদে। উমং মনুংদা দ্বীপ অমা লোৎতুনা লৈবম্মী। মফম অদুদা নিংথেম বঙ্গসনা অমসুং মাগী নুবাবী ৭ লোৎতুনা লৈখি।" ইমাসি নুবাবীনা অসি হাযবগা দিসপ্লে মেপ্তা অমুক চৈ থিল্লদুনা শমথবকই "This is the island It was known as Lainubee dwip in Chittagong

legend It was also known as Nurabee dwip চিট্টাগোং লাথুপকী মতুংইন্না নুববী দ্বীপকী তোঙানবা অর্থ অমসু লৈ। মদোমদা কোইথোকচববোই। লাইনুবী দ্বীপকী ৱাফমদা তুবং লাকচগে।"

"ঙাকপীগনি, মেদাম!" প্রেসমেন অমখক্না মবক খংথৎ থৎলদুনা হংলকই - "অদোমদি ওসিন এক্সপার্ট অমসুনি হায়বা খঙজবে। থমজনীংনা ৱাফমদি, দ্বীপ অমা কাইখিবা, মাঙখিবা হায়বা অসি যাম্না তেযনা থোকই। থোইনা ঙকনীংঙই লৈতে। খৃষ্ট কুম ১৮৮১ দা কোষ্টেল প্লেন এবিযা অসিগী মওং মতৌ পুম্না ভুকম্প অমনা অহোংবা কয়া থোকহনখি হায়বা অদুসু লাইবিক্তা থেংনজবে। ভুকম্প অদুদা মাঙ তকহনখিবা লাইনুবী দ্বীপ অদু মফম অসিদনি হায়বা অসিবু কমদৌনা খঙবীবকপগে? লিখুন অদু খবদং খঙজনীংঙি।"

ইমাসি নুবাবীনা চিট্টাগোং কোপব প্লেট অদু মনীং ওল্লোক্লগা লাইযেক অমা যাওবিবা অদু উৎলদুনা হায়বকই -"কোবীগী পুখম অসিবু ঐনা চিট্টাগোং কোপব প্লেট কৌজে। লাইনেব অসি যাম্না কুপ্পী। মথং মথং লান্নবগা যেংবীযু, ফোটো কাপ্পীযু। মখা তাবা বাবোলদি দোক্তব নিংথেমদৈ তবীসি। মঙাং! নঙ বা ঙাংঙু।"

ঐনা ইমাসি নুবাবীগী মনাক্তা চংশিন্দুনা কোপব প্লেট অদু লৌবগা বাহং হংখিবা প্রেসমেন অদুদা লানশিল্লি -"প্রেসমেনশিং! অহানবদা নিংথেম চিট্টাগোং সনাগী মীবোনগী মতাংদা খজিত্তং থমজগে। মাগী মচা মশৃশিং অদু চিট্টাগোংদা হল্লক্লা খুন্দাইনে। চিট্টাগোংসনা অমদি মাগী নুবাবী ৭ তি লাইনুবী দ্বীপ্তা অদুম লৈহৌই হায়দুনা বাবী তৌবিনম্মী। ঐহাক ইশামক চিট্টাগোংসনাগী শৃথাং শৃবোননি। ঐখোয নিংথেম পুথিবগী মীবোর্নান, মপৃংদা চিট্টাগোং নিংথেম হায়বগা খঙনৈ। ঐগী অপোকপী ইমানা পোৎযোম অমা পীবগা ঐবু বাবা সুকুমাবগী মনাক্তা থাবকখি। ঐগা ইমাসিগা কইনবমদাইদা চিনকোই খবা পাউমেল্লকখি। মদুদা লাইনুবী দ্বীপ থিযু হায়বা ৱাফম অমা থশ্নীবকখি। পাখোং ওইনসু তৌবা ৱাবোল অদু ঐনা চিনফা পুশিন্দুনা থমলকই, কাউখিনি হায়দুনা লাত্ম অথাবা অমদা ইশিন্দুনা থমলকই। মদুবু চিট্টাগোং লাত্ম হায়দুনা খঙনবে। ওসিন এক্সপার্ট অমসু ওইবিবী মিস সুবমিলা সেন, ঐগীদি ইমাসি নুবাবীনা থোনবীবনি। চিট্টাগোং লাত্মদা যাওবিবা লাইবোন তিল্লোন মযাম অদুনা ঐবু ঙাওহনখি। ইপা ইপৃশিংনা লৈবম্না দ্বীপ অমা লোৎতুনা লৈবি হায়বা অসিদা থাজবকই। ঐগী গোদফাদব বাবা সুকুমাবদা হৌদোকচৈ। বাবাসু অহানবদা থাজবমদে। চিট্টাগোং কোপব প্লেট নীংশিংলকই। লাইবক থীবদি, ঐনা নোংমা শাউবদৈ কোপব প্লেট অদু বঙ্গ সাগবদা লংথখি।"

"দোক্তব নিংথেম! মবক থৎনা বাহং অমত্তং।" অতোপ্পা প্রেসমেন অমনা খংহায হায়বকই - "বঙ্গ সাগবদা লংথখিবা কোপব প্লেট অসি কমদৌনা অমুক ফংলকখিবনো? মদুগী মবমদা খবদং হায়বীযু।"

"অঙাং নিংঙাই চাউবনা ঙম্মোক ফংঙি হায়বদুনি।" ঐনা অসুম্না ৱামাঙ যানবা ওইনা বাফম অসি থল্লগা মখা শমথখি - "বাবা সুকুমাবনা ওসিন এক্সপার্টমেদাম সুবমিলাবু লোম্না চিঠি ইবীদুনা কৌবীখি। মেদামগা ঐগা বঙ্গ সাগব মপান্দা থেংনৈ, শকখঙনৈ। বাবাগী মচলনুপীনি

হাযবদি কোন্না খঙলকই। অদৈদি বোহিত্তদা মমিং লৈববা দাইভব, চাক সিনহা হৈশিংলবা সী ভেসেলগী ড্রাইভব অমদি ঐগী মকপ অনী পুল্দি লুরাং, হাওবা খুমন অদুগা ঐগী ইযাম্বা শক্কবা দীপক বাহাদুব লোযননা ওসিন এক্সপার্ট মেদাম সুবমিলা - ঐখোয ৭ কী খৃৎপু অমনা বঙ্গ সাগবদা নুমিৎ ৭নি কোযদুনা, লুপ্তুনা কেপব প্লেট অসি নৌহৌনা ঈশিং মনুংদগী ফংবা ঙমখি লোযননা ঐগী ইপাগা লূপমিন্নখিবা 'হি বার্দ' কৌবা মোটোব বোট অমদি চিট্টাগোং পোযেল ফের্মলগী 'নুবাবী পবেং' কৌবা সনাগী লীকপবেং অমসু ফংবা ঙমজাখ। সমুদ্র মনুংদা ঈকপ্পগী অনৌবা এক্সপবিযেন্স কযাসু ফংজখি। মনুংদা ঐখোয অহৈমনি। মেদাম সুবমিলানা লীদ তৌবগা বোহিত্তদা অমসুং ঐ ইশামক। হিথক্তা তেংপংনবা মবিনি। ঐখোয মযাম্বু 'কপালিযান্স' হাযবগা খঙনৈ। হান্নসু মেদাম্না পনবীখ্রে। ঐখোযগী খোঙচৎকী অবোইবা পন্থুংফম সাগব দ্বীপ মতোন্দা ওইখি। মেদাম ইমাসিনা চিট্টাগোং কেপব প্লেটকী লাইযেক অদু কুপ্না নৈনববা মতুংদা লাইনুবী দ্বীপকী লোংফম অদু খৃৎদোম্বী থিন্দনা তকপীখি। হৌজিক্ত মফম অসিদা লৈবে হাযবা অসি শোযদনা চুমলগনি। মসিনি লাইনুবী দ্বীপ থিবগী বামচং।"

"ভেবি ইন্টবরেষ্টিং।" অহুমশুবা প্রেসমেন অমনা অমুক মবক থংতুনা ইমাস নুবাবীদা হংলকই "মেদাম! দিসপ্লে বোর্দকী লাইযেক উজবিবা শ ক্রম অদুগী মপমদ খবদং একপীযু।"

"ফর্নি হাযজগে।" ইমাসি নুবাবীনা মখুৎতা পাযবিবা পোইন্টিং বোদ অদু থিল্লদুনা শমথবকই "লাইনুবী দ্বীপকী মতোন্দা খোঙনাং বট অচৌবা অমা যেকলি। মখোঙদা উমা, বানানা কুপ্না খাঙপোকশঙ মচা অমা যেকলি। মসিনা অহানবা যুম ওইবম্বা তাই। মসিদা মী নিপাল লৈবদি যাবমগদবা মানদে। দ্বীপ মতোন অসিদগী মনুংদা চংশিন্দুনা লৈবা যাবা লৈকুং লৈবাই নংত্রগা সুকং অমা লৈবমগনি হাযবগী পাজবা লৈ। মদুগী চংফম অদু খাঙপোকশঙ মনুংদা লৈবমগনি খল্লি।"

"মেদাম!" অহানবগী প্রেসমেন অদুনা মবক খংথৎ থৎলগা হংলকই "দ্বীপ অসি লাইম ষ্টোননা মপুং ওইবা অমা ওইবম্বা যাবগী থাজবা লৈবীব্রা?"

"যেস! দ্বীপ অসি চেম্বব অনী লৈবা হোলো আইলেন্দ অমা শোযদনা ওইবমগনি হাযদুনা থাজৈ। সুন্নুঙ অদু মতম মতমগী মতুংইন্না চাথংখিদুনা ঈশিংদা নমথখিবনি হাযবা অসিদা থাজবা লৈ। কাইনথংদা, লৈথক্কী সুকং অসি সমুদ্রগী লৈঙোইনা হাজিল্লকুনা ফুমজিনখিবা ওইগনি। কোষ্টেল প্লেন এবিযাগী শাংলবা পাবং অসিদা সুবমিলা কোটেজগী যুম্ফম্না খ্বাইদগী তোংনা উবববা অসিনসু হিদন আইলেন্দ অমা লৈবি হাযবগী মতিক চাবা প্রমান ফংলে। কবি শুম্না লৈবমদ্রবসু ..।"

"লৈবমদ্রবসু কৈদৌবা? হা! সুবমি?" বাবা সুকুমাবনা মবৌ লৈবপ্রা, মোমোন তৌবগা মচলনুপীদা হংঙি।

"সুকুদা! লৈগনি শোযদনা।" ইমাসি নুবাবীনা যাম্না ঈচং থৌনা হাযবকই - "নুবাবী সাগবগী নুবাবী দ্বীপ! বঙ্গ সাগবদা লোৎলিবা লাইনুবী দ্বীপ! শোযদনা ফংলগনি। অনৌবা দ্বীপ অদুগী মমিং নিংথেম্না 'নুবাবী আইলেন্দ' হাযদুনা থোপ্পগ্রে। অমবু ওইববসু, ঐনা ঐগী ইচা

নিংথেমগীদমক খুৎশেমগী ওইববসু, সুবমিলা কোটেজগী এলাকা অসিদা নুবাবী আইলেন্দ অমা শোযদনমক্কী শেমলগনি। মসি ঐগী ব্রাশকনি।”

মযাম্না খুবাক খুবকখি।



ব্রেক মচা অমা!

ইমাসি নুবাবীগী লেকচব মবক থংলদুনা দাজুনা অচা-অথক, চা পুথোবক্তুনা যেনবা হৌবকই, মথং মথং।

“মযাম পূম্নমক! ঙাইহাক মবক থংপা ওইনা চ ফানর্খিসি।” বাবা সুকুমাবনা অসি হাযবগা মচল নুপীদা অমুক ওনশিন্দুনা শমথখি - “সুবমি! নঙদি কোম্না পাযবো। মখা চংথবকউ। ঐনা নঙোন্দ হংনিংবা অমা লৈ। অতৈ নত্তে, অমনবা লাইযেক অদু নঙদি কদাযদৈ ফংলুই? নহালখৈনা কৈদৌবৈ পুথোক্তুবা? কপালিযার্নশিংবু সমুদ্রদা কোযপু পুদুনা মতম মাঙহনখ্রিবদি মবম কবিগীনো?”

“দাদাগী ব্রাখল অদু ওন্নবে।” ইমাসি নুবাবীনা মখা তনা সং হেক্তা শমথবদুনা ঙাংলকই, -- “বাই চন্স অমদগী নংত্রেগা অঙকপা মওং অমদৈ লাইযেক অসি ফংবনি। লাইনুবী দ্বীপকী লাইযেক্কী ব্রাফম অসি অমুক থমজবগা হন্দ ভা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা খবব কাগজ কযাদা ফোঙখিবা পাউ অমত্তং হান্না তমজগে। ওঙ্খ্রেক্লো ফজত্রবা লভ ষ্টোবী অমনি হাযবসু যাই। সুমদৌবনি, খৃষ্ট কুম ১৯৪২ দা সিফাই অমখক্রা মাগী নুংশিজবী নুপী অমদা চিঠি অমা ইজবম্মী। অনীসুবা পৃথিবীগী লাঞ্জাও মনুংগী ব্রানি। সিপাহি অদুনা লভ লেটব ইবগা থাফম্দি লৈত্রদ্রুনা অহাঙবা লীক্লি অমগী মনুংদা চেংনা হাপচিল্লগা ঈশিং চন্দনবা চোংগাং নমশিল্লদুনা মখুমসু চেংনা লৈশিল্লগা পেসিফিক ওসিন্দা লংথবন্না জাংনি। চিঠি যাওবা লীক্লি অদু হন্দত্তা কালিফোর্নিযাগী সমুদ্র মপান্দা ফংদুনা অঙকপা অমা ওইনখ্রিবনি। নুপী অদুনা ফংখ্রে, নুপা অদুদি শিখ্রে।”

“চুম্মী চুম্মী, মেদাম!” প্রেসমেন অমনা মবক থংতুনা শৌগংলকই - “ঐখোযগী পেপবদসু পাউ অদু ফোঙজখি। ওঙ্খ্রেক্লো নুংশিত্রবা লভ ষ্টোবীনি।”

“মত্তৌ অসুম্না!” ইমাসি নুবাবীনা সং হেক্তা মখা লৌথবদুনা হাযবকই - “গঙ্গা সাগবদা হিন্দুগী হাযবা অবে। লৈখিদ্রবা মপা মপুগী উং হাপ্পা চফুনংত্রগা পিণ্ডাইগী তেকশি মচা অমদা ফি অঙাংবনা মখুম খুমজিল্লগা তাওথবকই। কযা অমনা লুপখি। কযা অমনা পন্দুনা লৈহৌবসু যাওই। কযা অমনা ফুমজিনখি। নোংমা, ঐহাক ইথন্তা অমুক সাগব দ্বীপ্তা চংলুই। নিংথেমনা মতম খবগী মমাঙদা ‘সাগব’ থাবা নুঙ যুদ্বী অমা সাগব দ্বীপ্তা উবম্মী হাযদুনা ব্রাবী তৌখি। ঐগী পৃক্লিংদা চিংনবা অমা লৈবকখি। নুঙ যুদ্বী অদুদি লৈবমদ্রে। সাগব দ্বীপকী মতেন্দা সাগব থাবা নুঙ যুদ্বী যুংলন্না নুপা অদু অতৈ কনা নত্তে। নিংথেম মঙাংসনাগী মপা পোকপা মবুঘৌ নিংথেম সাগবসনা ওইগনি হাযবগী থাজবা অমা লৈবকখি। সুকুদানা হেন্না খঙফম থোকই। মহাক্তি

দাদাগী নাত্তা ঙাইহাক লৈতনা লাক্লম্মী হায়বদাই। মহাক্না সুকুন্দাদা লাইনুবী দ্বীপকী মবমদা ৱাবী অমতসু শাবমদত্রা ?"

"ও ! আই সি !" বাবা সুকুমাবনা ঙকচান্দুনা হায়বকই –"পাবুং সনানা ঐঙোন্দা ৱাফম অমদি হায়বম্মী।"

"কবি ৱাফমনো, সুকুন্দা ?" ইমাসি নুবাবীনা য়াম্না খঙনীংনা হংজে।

"সুবমিলা কোটেজগী এলাকা অসে কৈদৌঙেদসু য়োদ্ছোক্নু। হিয়াই লোৎলিবনি। ইপা অমুক লাক্কে, সাগব দ্বীপ্তা চৎলুখিগে অসুম্না পাবুং সাগব সনানা হায়বম্মী। মতুংদি অদুম লাকখিদ্রে।" বাবা সুকুমাবনা ঙাইহাক লেপ্লগা মখা শমথবকই - "মহাক কদায়দা থুপত্রবগে হাযবসু খঙখিদ্রে।"

"মখাদি নচল হায়জগে।" ইমাসি নুবাবীনা চংথবকই - "পাবুংসনা, সাগব দ্বীপ মতোন্দা অবোইবা য়াহিপ তানখি। মফম অদুদা কুন্দু-কুসুম কৌবা মতৈ মনাও অনীখক লৈ। বাংলাদেশতগী চেল্লকপনি। পাবুংসনাগী মনাই মশলনি। মতম খবা পাবুংনা কুন্দু-কুসুমগী অর্তিথ ওইদুনা লৈখি। লাইবক থিবদগী মহাক গুপ্তীবনা লাত্তুনা শিখ্রে। পাবুং সনানা পামজবস্না মতুং ইন্না সাগব থাবা নুঙ য়ুম্বী অদু য়ুকতেক্লগা গঙ্গা সাগবদা লংথখি। কুন্দু-কুসুমগা নিংথেম ইমা ইচাগা থেংনবা মতমদদি ওইদবা ৱাবী অমা লীখি। ঐনা অসুম তকখৎপদৈ অচুম্বা খোবকই।"

"অচুম্বদু কবিনো, সুবমি ?" বাবা সুকুমাবনা মচলবু থাগৎপা ওইনসু হংজে অমসুং হায়বকই -"ইকুংদি নঙবু তবাইনা খল্লুই অদুগা নঙদি মহাসুবমি ওইবমলে। আই এম প্রাউদ ওফ য়ু। প্লিজ গো ওন !"

"সুকুন্দা ! ঐবু থাগৎপীনু। মীনা মচল মবুং থাগৎনৈ হায়খিনি। ইথৌ অমা ওইনা তঙাইফদনা লাইনুবী দ্বীপ অমদি নুবাবী দ্বীপকী লিখুন অমসুং নুংলোন থিবা তাখি। চিট্ট্রাগোং কোপব প্রোটকী মতুংইন্নদি লাইনুবী দ্বীপকী লোংফম অসি চুমগনি হাযবগী সেন্ট পাবসেন্ট থাজবা অমদি ইশাদা ফাওজখি। অদুবুনে, নীংজিং মাঙজিংনবা অমা অসুম লৈবকখি। সাগব দ্বীপ্তা কর্বগুম্বা অমা লোৎলমগনি হায়দুনা থাজবকই। মদুমক চুমলমলে। পাবুং স্নখ্যা পোৎলোইবগী উং অদু চাউতকপা চক্ষু অমগী মনুংদা হাপচিল্লগা লাইয়েক অসিসু য়াওনা সাগর দ্বীপ্তা ফুমদুনা লৈবম্বনি। চক্ষু মচা অমনসু মখুম খুল্লম্মী। মসিনি অঙকপা ৱাবী। হৌজিক্তি শোয়দনা লাইনুবী দ্বীপ ফংলগনি। নিংথেমগী নীংজবা থুংলগনি। ঐসু চৎক্লগনি অমুক, ঐদি...।"

ইমাসি নুবাবীনা তাবক্কদৌবিবা ৱাবোই অদু ঐহাক খঙই। ঐনা নোকফেৎ তৌবগা সং হেক্তা নোৎশিনখি - "ঐদি নাইতেম তহৌববী সী বাদনি।"

"নিংথেম ! নঙসু ইমাগী দায়লোগ চিনফা পুবেদনা।" ইমাসিনা নোৎশিল্লকই - "অদুবু থবক্তগী পোত্থাবগা লৈবগনি অমুক. .।"

"কদায়দা ? কনাগী মনাক্তা ?" ঐনা অমুক হংজে।

"নুবাবী মহন্দা লৈগে হায়বা নত্তেদা।" ইমাসি নুবাবীনা মবৌ লৈনা হায়রকই, "লৈফম অদু কোন্না হায়রগে। হৌজিকম্মক লাউথোকপদি ঙনমল্লি।"

পুন্সি লুৱাংনা ওকশিল্লকই - "ইমাসি নুবাবী ! ঐদি খঙঙিদো নঙগী লৈফম।"

"হোয়নহৈ লুৱাং মায়চৌ !" ইমাসি নুবাবীনা য়াম্না খঙনীংনা হংলকই - "হায়য়ু, হায়য়ু, চুপ্পা য়েংগে।"

"অদুবুবো, ইমাসি !" পুন্সি লুৱাংনা সং হেক্তা ফেঙ্গিল্লকই - 'দিলকী দুনিয়াদা !"

মযাম অদু খূবাক প্রোদোক প্রোদোক খুবকখি।



"দিলকী দুনিয়াদা !"

বাবা সুকুমারনা মথংদা শোঙ্গবগা ভাবমেন ইত্তা অদনা লুৱাংদা সং ওনশিন্দুনা হংঙি, "লুৱাং মায়চৌ ! দিলকী দুনিয়' হায়বা অনৌবা দ্বীপ অমসু লৈবব্রনে ?"

পাইবক লৌশিং লৈত্রবা লুৱাং মায়চৌনি। ইক-আ তৌবকা লৈতে। লৈতেন য়াংত্রপোৎনি। খুদক্তা হেক্তা ওকাশিন্দুনা খুমলকই - "বাবা ! ইমাসি নুবাবীদি মতম পুম্বগী ওইনা ঐগোম কপালিয়ানশিংগী দিলকী দুনিযাদা নীংশিংদুনা লৈহৌবনি হায়বনি। থোইদোক্না নিংথেমগী দিলকী দুনিযাদসু ইমাসি নুবাবী ওইনা অদুম লৈবগনি হায়বনি। নুবাবী মহলদা লৈত্রবসু যাই। এম আই বাইট, মেদাম ?"

"হৈত্রপোৎনি, মাই লুৱাং মায়চৌ হায়সিমা।" ইমাসি নুবাবীনা অসি হায়বগা নোকফেং তৌজে, মখাদি তাখিদ্রে।

"মেদাম ! ৱাচোই ৱাবীসু য়াম্না নুংঙাইবি। থোইদোক্না, সাগব সনাগী লাইয়েক ফংবগী খোঙচং অদুসু নুংঙাইজে।" ইহান হাৎনবদা ৱাহং হংখিবা প্রেসমেন অদুনা মখা শমথবদুনা হায়বকই - "মখা তবা অসিদি লাইনুবী দ্বীপকী লাইয়েক্তা উবিবা খোংনাং বটপাম্বীগী মশা অমদা মীগী শব্দ পোলাং অমা থৌবী য়ান্দুনা শিখিবদৌনা উজে। মসিগী ওইবম্বা য়াবা লিখুন খবদং হায়বীবা ওম্বা ?"

"ভেঁৰ ইন্টরবেষ্টিং কোইসন ! ঙসাইদৈ কনাসু হংলক্তে। কপালিয়ানশিংসু উদ্রা কৈনো ? অমবু ওইববসু, ঐ হাযজগে।" ইমাসি নুবাবীনা শমথবকই - "মসি চিট্টাগোংসনাগী শব্দপোলাং ওইবম্বা য়াই। ঐনা অসুম খনবৈ ৱানি। মাগী মশানৌ নুবাবী ৭ তূ শিখিবম্বা য়াই। অদৈদি মাসু থৌবী যান্দুনা শিজখিবা ওইগদ্রা হাযদনা খনজে। মসিনা তাকপদি নুবাবী ৭ অদুগী শব্দ পোলাংসু যুম্মদুনা লৈবমগদ্রা নীংঙি। হৌজিক্তি মদু পূম্নমক মশূ ইরুংঙে নিংথেম মঙাংসনানা থিদৌবি। 'নিংথেম পুয়া' কৌবা লাইবিক অমসু লোৎতুনা লৈবমগদ্রা হায়বগী থাজবা লৈ। খৃষ্ট কুম ১৯৭০ গী জনুয়াবী তাং অমদা ঐহাক্না নিংথেম মঙাংসনাগী মমাসি লাইনুবাবীগা অবোইবা ওইনা উম্নখি। মদুদা 'নিংথেম পুয়া' কৌবা কোর্বেক অমগী মতাংসু পল্লম্মী। নিংথেম চিট্টাগোং সনানা নুবাবী ৭ কা খুচ্ছোকখিবা দ্বীপ অসিদা মশূ ইরুংঙে নিংথেম মঙাংসনানা অমুক হন্না নুবাবী

মহল কৌবা সঙ্গাইবেন ফজবা অমা শাবগা নুবাবী ৭ কা লৈমিন্নগনি হায়দুনা মঙজা ও অমা মঙজবি। মমাসিগী চিট্টাগোং লাতমদসু পল্লশী হায়বি। অদুবু.. ।"

ইমাসি নুবাবীনা মখাতাবা তৌদনা চপ লেপথোকখি। খ্বাই ময়ামসু তুমিন তুমিন লৈনখি। ঙাইহাক্তি চেক যোক লাউখিদে।



"অদুবু কৈদৌবা, সুবমি ?"

বাবা সুকুমাবনা মচল নুপীবু মমীৎ কুপ্তনা য়েংজবগা খঙনীংনা নোংশিল্লকই - "নঙগী বায়ৈ কিশি কিবী অসিনবু হলা য়াদেহে। নঙগী বাখলদা চিট্টাগোং লাতমগী নুংলোন অদু কবিনি হায়দুনা লৌবিবনো ?"

"মঙাং !" ইমাসি নুবাবীনা ঐবু কৌবগা হায়বকই -"লাইনুবী দ্বীপকী লাইয়েক অসি লৌখবো। অদুগা নুবাবী মহলগী নমুনা লাইয়েক অদু যেৎলু। ময়ামগী অয়াবসু লৌহৌরসি। সুবাং, খুমন নবানীসু য়াওকলাও।"

"ফগনি, বেগম সাহেবা !" ঐনা নাসোন তপ্না হঙ্গৎচৈ।

"ঐবু নপাই বেগম সাহেবাবো।" ইমাসি নুবাবীসু নাসোল তপ্না ওকশিল্লকই, "নুবীকাসি কনানো হাযবা হৌবেন অহিংদি খঙলগনি। কনানা খঙবা প্লাষ্টিক সজবী . .।"

"হা ! কনা ওইদৌবিবা...?" ঐনা হংঙি। পাউখুম ফংখিদ্রে।

বাবা সুকুমাবনা খঙহৌদনা লাউবকই -"মমা নচা অমুক সুক মুক তৌনবিদুনা ময়ামদা অমুক কবি মিত্রং তৌসি হায়নবিবনো ?"

"সুকুদা নঙসিমা ! ঐগী অনীংবদা ব্রেক ফাবকনুবা।" ইমাসি নুবাবীনা মকুংবু চৈবপ তৌবগা শমথবকই -"নহাক্না ঐবু কৈবীবনি। ঐনা তৌবা অসুম য়েংঙু। পুথোক্কদৌবিবা অসি ইচম চম্বা নত্তে, মতম চংনা হোৎনখ্রবনি। ইমা ইচা তাম্নহৌদ্রবদি মীগী মমাঙদা চোপ্লোইদ্রো !"

"মদুসু চুম্মী। চংথবো চংথবো।" সুকুদা নোকচৈ - "তৌবসু সুবমি ! মতম কুইববগী মতুংদা ইবুংনা নোবমেল তাববী ইচলবু উজবা অসিদা হায়ফম খঙদনা নুংঙাইদ্রে। ঐনা নঙবু উম্নবা লাকপা মতমদা ঐনা বাহং মশীং খঙদনা হংজখি। নঙনা পাউখুম অমতসু পীখিদে। অদৈদি, নঙসু নঙনা খোকপা তৌবো হায়দুনা ঐসু শাউবগা লৈকবে। হৌজিক্তি, ফববা দোস্তব অমা থেংনববদে ইচল নুবাবীগী অনৌবা মপোক অমদা উজবসিদা নুংঙাইমনখিদুনা ইবুংসু লক্ক জনীংবনা লৈতাফম খঙদে। মথংসিদি চুপ।"

"থেঙ্ক য়ু সুকুদা।" ইমাসি নুবাবীনা নুবাবী মহলগী লাইয়েক অদুদা মথুং থিল্লদুনা মখা তনা ঙাংলকই - "অদুগা, কণালিয়ানশিং অমসুং গ্রেসমেনশিং ! প্রপোজ নুবাবী মহলগী লাইয়েক অসি হায়যেংতং য়েংবীয়ু। উংকল দেশতা বেজ তৌদুনা লৈবা মমিং চংলবা মধ্য প্রদেশকী

সুবজিৎ দুবেনা যেকশনি। তৌবদি, চিট্টাগোং লাতমগী নুংলোন অদু ঐনা শব্দেক্ত্রে অক্লবা মতুংদা ওইবকপা মওংনি। অহানবদা, নুবাবী মহলদা লৈগদৌবিবা দোক্তব নিংথেম নঙগী মত অমত্তং পাম্মী। নিংথিজনা ফমলগা যেংঙু ..।"

ঐহাক দিসপ্লে বোর্দ মনাক্তগী থোবকলে। লুৱাং, খুমন অনীসু দ্রোইং অদু মওং তানা থেংপা লোইবদুনা থোবকলে। ঐখোয হান্নগুম্না ফমলে। ঐনা নুবাবী মহলগী নমুনা অদু মীৎ কুপ্তুনা যেংঙি। মত পীদ্রি।

"ফেন্টাষ্টিক ! আই লাইক ইট।" বাবা সুকুমাবনা অসুম্না হৌবপ তৌনা লাউজবগা ঐঙোন্দা ওনশিন্দুনা অমুক হংলকই - "নিংথেম ! নঙদি কবি খল্লি ?"

"বাবা অমসুং ইমাসি অনীগী অপাম্বা অদু ঐগীসু অপাম্বনি।" ঐনা খুম্মী অমসুং মখা তনা হায়দোকখি - "ঐদি ইচম হেক চম্না খল্লুই। ইমাসিগী দিজাইন অসিদি শেনসু যাম্না চংগনি অর্থ অমসু ফোঙদোকপদৌনা তৌই।"

"শেনগী ৱাদি কবিসু খল্লুনু।" বাবা সুকুমাবনা শমথবদুনা হায়বকই "ঐগীদি পাবুং সাগবসনা, নঙগীদি নবুধৌনা মফম অসিদা মশক থোকপা হোটেলসু ওইবা যাবা বিল্ডিং অমা শানীংবগী ৱাখলসু ফোঙদোক্লম্মী। মাগী অমত্ত গ্রইজববা মশৃ ইবুংঙো নহাক্কী তুংগী যাইফনবা অমদি নঙগী মীবোন মৈথাঙনা বাংত পাদনা হিংজহৌনবগী ৱাখলসু ফোঙদোক্লম্মী। ইপাদি নঙগী নুবাবী মহল হায়বা অদু অচৌবা হোটেল অমদুম ওইহননীংঙি। ইনকমসু লাক্কনি, খ্বাইগী সেন্টর ওফ এট্রেক্সনসু ওইগনি অদুগা নঙগী তুংগী মীবোনসু নিংথিজনা খুদা লৈতদুনা লৈহৌবা যাগনি।"

"সুকুদা ! নঙগী ৱাখলদো যাম্না ফজে।" ইমাসি নুবাবীনা হায়বকই - "শেঙ্খোক লম্বীসু ওইবা যানবা, নিংথেমগী নুংদা লৈবিবা ৱাখল কয়াসু নচলনা খওজবদগী দিজাইন অসি তৌজবনি। নখোযদি ঐনা কোক থাদবগা পুথোবকইবা নমুনা অসিদি মুম্না যেংবীদে। « ⁚ , থুপচিনব্রগে।"

"ঙাইখোদা, মেদাম !" অহল ওইবপ তৌববা প্রেসমেন অমনা ইমাসিবু খাম্বা ওইনা হায়বকই "ঐদি ঙসাইদগী কুপ্না যেংজবগা ৱাখল খল্লিবনি। যুমশাবোন অসিনা ফোঙদোকলিবা অসি কবিনো ? মদুগী শমতকপা ৱাফম খবদং থম্বীযু।"

"নিংথেম ! নঙসু যাম্না কুপ্না অমুক্তংগা যেংবো।" ইমাসি নুবাবীনা মখা তনা নোংশিল্লকই - "চিট্টাগোং লাতমদা পল্লিবা 'লাইনুবী ৭ যুমদিনজৌ, নুবাবী মহল শাউ' হায়বা পাউবৌ পাখোং অদুগী তোঙানবা ৱাহঙ্খোক অমা সিম্বোলাইজ তৌবিবনি। প্রকৃতি পুকম্বকী মশক অমসু ফোঙদোক্লিবনি। নখোযগী পেনা অমসুং চৈজীংনা পা পী অনীবু সিম্বোলাইজ তৌবদৌনা লাইযেক অসিদসু ওবিজিন ওফ লাইভ, একোর্দিং টু লাইভ সাইন্স অমসু উৎলিবনি। নখোযগী যুমশাবোন মশক অমসু ইমানদি উৎলে হায়দুনা খল্লি। নঙনা পামদ্রগা অমা যেক্লবসু যাই।"

ইমাসি নুবাবীনা যেক্লগা পুবকইবা লাইযেক অদু ঐনা কুপশিম্না যেংলগা নুংখম্নে (চিংলাই মকোক পানবা চাউববা হিজাউ নংত্রগা জহাজগী মযাইচবুক্তা লাইট হাউস মানবা মহল অমা !

নুবাবী সাগবগী নুবাবী দ্বীপ্তা, মহল শাবগী অর্থ ফোঙদোক্লিবা হাযদুবা ? ওইগনি শোযদনা। অদুগা অকোযবদা মহল মচা মচা তবক অমসু। হৈকো, ইমাসি নঙসে। নহাক্না নুবাবী মকোক ওইদুনা মফম অসিদা লৈনীংবগী বাখল অমসু ফোঙদোকলিবোই। ঐনসু নঙবু থাদোকপে বাদি লৈত্রেহে।)

"নচাসু যাজবে, ইমাসি !" ঐনা নোকফেং তৌবগা পাউখুম পীজে – "তোঙানবা অর্থ হনববু ওহ্ল্লেক্লে হৈত্রে। সঙ্গাই ৭ শাবগা নুবাবী ৭ পু তেঙান তেঙান থম্মু হাযবা ওইবেকো।"

"নিংথেম ! মদুমক হেক খনবসু লানগনি। নঙবু নুবাবী ৭ লোম্লু হাযবা নত্তেদা। যেংঙেই, ইমা শন্দোক্লে অক্কো। খ্বাই মযামসু তবীযু।" ইমাসি নুবাবীনা মখুৎ অ পাযবিবা পোইন্টিং বোদ অদু থিল্লে থিল্লদুনা শমথবকই – "ঐগী নমুনা অসিদা বঙ্গসনানা হিথক্তা নুবাবী ৭ পুবগা চৎখিবগী বাবী অমসু ফোঙদোকর্সিববনি। হিযাইদা খিল্লিবা নুবাবী মহল অসিনা নুংলোন অমনি। মফম অসিদা নিংথেম নুবাবীগী লৈফম ওইগনি। দোন থিক্ক অদনবাইজ, নুবাবী হাযদি ঐ নচ্চদেকো। ঐবুদি নোংমা নীনি লৈবগা পাইথ্রনি।"

মযামদো বা লা ওনা অমুক্তংদা নোকখি।

১৩

"হে সমুদ্রগী উচেক !"

ঐনা ইমাসি নুবাবীবু অসুম কৌবগা হঙ্গৎচে "শাযোন লাংওন হৈববী ইমা সিদবী ! নহাক পাইখিব যাবোই। লাইনুবী দ্বীপ অমদি নুবাবী দ্বীপ পুথোকপদা অচৌবা থৌবাং লৌবিবী মিস সুবমিলা সেন, অাই মিন ইমাসি নুবাবী নহাক্কী মুর্তিবু লাংতুনা থমফম অমত্তংদি নুবাবী মহলগা কম্পেক্সতা থমজনীংঙি। মফম আসদগী সুবমিলা সেন অমদি সুকুমাব সেন অনীগা মমিং মুৎথংখিবা সুকযা হেক যাবোই। ইমাসিগী দ্রোইং অদু নচানা যাজবে। মখা তাবা মোর্দাফকেসনদি নচানা তৌগনি।"

"হোয হোয !" ইমাসি নুবাবীনা মচেক যৈবদুনা ঙ লকই "ঈচানা নুংশিবীবগা ইমাগীস দাদাগীসু খুভম মচা অমমমতং থম্বীগে হাযববদি তঙাইফদনা যাবা তার্বনি। নৎত্রনে, সুকুদ ?"

"ঐ খঙদে খঙদে।" বাবা সুকুমাবনা নোকফেং তৌবগা হাযবকই "নমা নচানা থোকপা তৌজবো। অদো সুবমি ! নঙগী দ্রোইংদা উংলিবা মহল মচা মযাম অদুগী মমংদি কবি কবি থোনদৌবি ?"

"ইমাসি নুবাবীনা পোইন্টিং বোদ থিন-থিন্দুনা হাযবকই "লাইনুবী শঙলেন, লাইনুবাবী শঙলেন, নুবাবী লোজ, নুবাবী হোসপিটাল, নুবাবী নর্সিং সেন্টব, নুবাবী বেষ্টুরেন্ট, নুবাবী লাইব্রেবী অসিনচিংবা মমিং কযা থোনজনীংঙি। নুবাবী খবগসু মফম মতমগী মতুং ইন্না চোংথংলকপা যাই। মদুদি নিংথেমগী ব্রেন্দা লৈবমগনি। মসিনি চিট্টাগোং লাতমগী তোঙানবা অর্থ। নিংথেম্বু নুবাবী ৭ লোন্দুনা যুমদমৌ হাযবা নত্তে। শেম্লোক লম্বীসু ওইনবা, মীযামগীসু

কান্নগদবা যুম ৭ থমদুনা নুংঙাই যাইফনা পাঙ্গৌ হাযবনি। মপুংদা, মফম অসিবু নিংথিজনা শেমগৎলু, লমলেম ওইহনগনু হাযবা অসিনা ঐগী পাউজেলনি।"

"অস! ইমাসি নঙসিদি লাইনিহে!" ঐনা হবাওবা উংতুনা ফেঙদোকই অমসুং শমথদুনা হার্যাখি - "ওয়েল্ক্রেসু ব্রেন থেফট তৌবা হৈখ্রে। ঐগী নীংজবা পুন্না নহাক্না কমদৌনা উথ্রিবনো?"

"এনি বে।" বাবা সুকুমাবনা মবক খংথং থংতুনা হাযবকই - "নমা নচা নখোয অহুমগী ড্রিম প্রোজেক অসি যাম্না ফজবে। নুং পানগী তেঙান তোঙানবা অর্থ কযাসু পুথোক্তুনা ফজববা লাইযেক অমা পুথোবকলে। মঙফাওনবসু ওইবসনু। প্রেসমেনশিং অমদি কপালিযানশিং মত খবদংদি পীবিবন্মু।"

"বাবা! ঐখোযদি ফজবে হাযদুনা খঞ্জে।" বোহিত বোসনা কপালিযানশিংগী মহুৎ শিন্দুনা হাযবকই - "থোইদোকপা কমেন্ট পীজনীংঙাই লৈত্রেদা।"

"ঐখোযসু অদুম্না খঞ্জে।" অহল ওইববা প্রেসমেন অদুনা মযামগী মহুৎ শিন্দুনা ওর্কশিল্লকই - "তৌবতবু পেপবগী প্লান অসি থুনমক মীংনা উবা প্রোজেক্ট অমা ওইবসনু হাযনা বাফম অসিমতং থমজবমগে।"

"থেঙ্ক যু ওল!" ইমাসি নুবাবীনা মযাম পুম্নমকপু থাগৎ বাহৈ পীবদুনা শমথবকই, "ঙসিগী ওইনদি মতাং অসিদা লোইশিঞ্জবে। মতুংসু অমুক কৌজবক্কে। মফম অসিদা অঙকপা পোৎশক খবা লৈবমগদ্র খঞ্জে।"

"থেঙ্ক যু মেদাম এন্দ কপালিযান্স ফেমিলি!"

প্রেসমেনশিং অদুনা অসুম্ন হাযবক্তগা হনখি। কপালিযানশিংদি অযুক্কী চাকলেন চাবগা নুংথিল ফাওবা লৈবম্মী। হনখিবা কুইদ্রি।



নুমিদাংনি।

চহী হৌবা নুমিৎকী নুমিদাং! নোংচুপলোমগী চৎনবী অমদি কলচবনা পাকশন্না শন্দোকপা হৌবক্লবা কেস্টেল এবিযাগী মচি মচিদা নীলখোংবা কযা তবকই। ঈশৈ নোংমাই, জগোই শাদুনা যৈবা থিনবগী মখোল কযাসু তাবকই। অনকপদা, অবাপ্পদা হেক্সী নিযু ইযাব হাযদুনা লাউনবসু কযানি। নুংঙাইপ্রপোৎনি, ঐখোযগী লৈবাক। ঙবাংসু চহী লোইবগী অহিং চুপ্পা লাংখি। ঙসিসু চহী হৌবগী অহিং চুপ্পা লাংদৌবিবনি। ঐখোযগী চহী হৌবগী কুম্মৈসু অদুম যাওদৌবিবনি। মতম যাওনগী লাইচং অসিদা, ঐ ইশাসু খক নাম্বোকপদি ঙমদে। মপান থোকনীংলকই। থোকপদি যাদ্রি। পুংলৈ খেল্লৈ যেংদবা যাদে। চিট্টাগোং ইমাসিগী মনাক্তা চংকে খল্লি। মাগী লৈফমদি খঙদ্রি। ইমাসি নুবাবীনসু অক্তি। ঐনসু হংবা হঙ্গোইজখি। লাইনুবী দ্বীপ থিবা হৌবগী নুংঙাইববা নুমিৎনি। চহী হৌবগীসু নুংঙাইববা নুমিৎনি। অদুবুনে, পুক্লিং অসে লৈতাফম

খঙখিদে। ওস্থোক্রা বানা কা মনুংদা ফমদুনা লৈবা তাখি। লাইরিক পানীংবসু পোত্তে। ঐহাক উংজানৈ হাযবা তাই।

"নিংথেম!" ইখঙ খঙহৌদনা ঐবু কৌবকই। বাবাগী মখোলনি। মখা তানা হাযলকই, "ঙ সাদ ইপা নিযু ইযাব দেশী পার্টি চংলুখিগে। নঙগীদমক নুংঙাইবা ফোংদোকলুগে।"

ঐনা প্রপ প্রপ চেস্থোক্লুনা বাবা সকুমাবগী মমাঙদা লেপলুই "বাবা! ঐসু খাউক্লুনা ই ওইনা লাকউবা?"

"নো নো! প্রদিনদাসনা নখোয লাক্লনু হাযবন্মী।"

"ওবাংদি ঐখোয কর্ণফুলিযানশিংনা থবা থিংলাগে। অদুবে, বাবা লেঙবীরো, ঐদি অসুম লৈহৌবগে।" ঐহাক লুখম খোৎলি।

"নঙবু, নিযু ইযাব দেশী বার্ক্তা অমত্তা লৈবদ্রা?"

"ঙবাং নোংযাই। তুং ফাওনা বিং ... রিং ইনা শক্লু। সুপ চনগে। ঙসিং ওইনাদ বিচ পানংগী কুম্মে থবা যেংগদবা মঙাইবে।" এনা খুম্মী।

"অবে অবে, ঐ চংলুখিগে নমাসি অঙাওবী অদুসু হনা পাখাকপায়ু। দাদ লাংবা যাম্না ... মরুবনি। মাব সমুদ্র মপান্দা মথক্ত থক হাদোক্লু। ঠেক কিম ন ফ হাব।"

"হান্নি, বাবা! কবিম ত্রা নুংশা থিশাক্ল।"

"হাই, সুবর্ম! ইবুং চংজে।" বাবানা ইমুং লমযাইদগী চাকশাঙলোমদা ওনশিন্দুনা লাউজাখ "নথক্তা ত্রা উবি ফৈবি সমুদ্র মপানদা চংখনুকে, নিংথেম থাদোক্লু। বিচকী কুম্মেসু কম্ম ঙাক্তেনি। নম্মা নচা যেংমিংক।"

"হোয হোয খঙঙে, দাদা!" ইমাসি নুবাবীনা চাকশাঙদগী খুমলকই অদুগা প্রপ প্রপ চেস্থোবঙুনা মবুংগী মমাঙদা লেপ্লগ। নোংশিল্লকই "অদুগনে সুকুদা! এদেন্দা অঙকপী নুপা যাম্না থুংলবনিকো। মতং চাদনা ফবক লাক্লু। নিংথেমগী দম্মা তাডনি।"

"নিংথেম! ঙন্না ঙবাং আহং কৈদৌখ্রবগে?" বাবা সুকুমাবনা এঙেল্দা থোক ওনশিন্দুনা ভকথংলকই "ঙহ! বেগম সাহেবা অমা দেংনৈ চাদ্ববা? কৈদৌবৈ থাদোকখ্রি?"

"অস! ইমাসি! ঐনা মতদা চেইবোন লোনাখবদুবু অওইবা ওইনা ভেক থাজেদকো।" ঐহাক লুখম খোৎতুনা খাণ্ডি।

"অমব ওইবে, ঐ চংলে চংলে।" বাবা সুকুমাবনা অসি হাযবন্নগা যাম্না মোন্দা নুংঙাইনা সুবমিলা কোটেজন্দগী মপান থোকখ্রে। মাঙ্গোলদগা মখা যৌখ্রে।

ঐসু মতুং ইন্নবগা থোক্লগে হাযদুনা মায লৈথোবকই। খোঙথাং অনীবু থাংফাৎত্রে। চপ লেপ্পা অখি। মায অমুক ওনশিল্লকই। বেঙ্গল টাইগ্রেস মাযযোক্লবা তাখি।

ইমাসি নুবাবীনা হংলকই "নিংথেম! নঙনা কদাযদানো? নপাবুংগী কুম্মে অমুক যেংলুগে হাযবিব্রা?"

"কুইবোইদা, বাবা থিন্দোকপীকগে তৌবনি।" ঐনা খুম্মী।

"এঃ সুকুদাসিবু অংগোবো ? চংত্রসনু, চাকসু লোইদৌবে।" ইমাসি নুবাবীনা নীংখোম রাহৈ খবা মখা তনা থেৎচিল্লকই - "নত্তে, নঙবু চংকনি হায়দাইনে ?"

"লৈফমদি অকসু তাকপীদনা।" ঐনা ওইনশল্লি।

"ফবে ফবে, ইমা ইচা চংমিন্নসি। ঐসু চিট্টাগোং নমাসিবু উন্নীনীংবনা লৈঙমদ্রে।" ইমাসি নুবাবীনা ওকশিল্লকই।

"অদুদি, চংলসিদনা, ইমাসি!" ঐনা নোংশিল্লি।

"চাক চাথোক্লগা মেন তানা চংসি। বাহাদুবসু গার্দ ওইনা পুসি। ইহে! দাদাগী অযাবদি লৌহৌদ্রে।" ইমাসি নুবাবীনা ঙাইহাক লক্ক তৌবগা শমথবকই - "চংলু নিংথেম! নপাদে প্রামিট অমত্তদি লৌকচো। সাগব দ্বীপ্তগী অথুবা পাউ অমা লাকই হায়যু।"

"চিট্টাগোং ইমাসিবু সাগব দ্বীপ্তা ?"

"ইহে! হেক্তা হায়জিল্লু হায়বনি।" ইমাসি নুবাবীনা মখা তানা কোথবকই - "মতাং মতাংগী ওইদবসু ঙাংবা তবনি, নিংথেম! অভিসাব চংপা হায়দুদি ওইদবা ঙাক্তা ঙাংনবিবনি।"

"হোয, হোয অশেং-অশেংবদো হায়জক্কগে।" ঐনা অসি হায়বল্লগা সুবমিলা কোটেজদগী চেম্প্লোবকই।

কদায, বাবা সুকুমাব ?

মহাক্তি ওস্থেক্রসু মখোঙ যাংত্রপোৎনি। মাগা রাকিং চংমিন্নবা ঙর্মখিদে। ঐনা হেক্তা লৈথৌঁই। ঙসিসু আ যৌশিনথ্রে। এদেন অমসুং সুবমিলা কোটেজ থোইনা লাপ্পা মফমসু নত্তে, কৌবদা তান্নবা মফমনি। চাউবাক্লা মিটব চাম্মাবোমদং লাপনৈ। মহ'কপু তান্নদুনা অপনবা শীনিংদ্রে। অদুমকপু, ইথক্তা সুবমিলা বিচতগী এদেনগী বিচ তম্না চংপদি লেপখিদে। ওস্থেক্রসু নুংঙাইত্রনা এলাকানি। অমস্বদা, অঙানবদা পাখঙ নৈশাবী, হনু-হনা, ঙুব' জুবা খৃৎশাল্লবদুনা চংমিন্নে। মঁচ অমদা কোন্নবদুনা লৈবন্দসু কোঙ্গাইনি। কন্সাসু হন্না যেংনদে। মতমগী ফেসননি। নিযু ইযাব দেগী ঈশে নোংমাই শক্তুনা জগোই শাবম্না কযাসু থেংনকই।

ঐগী পৃক্লিং, মদোমদা থোইনা খোইজংখিদে। এদেন্দা লোম্না হার্যাজর্নাসবা খল্লুই। প্রবিনদানা কবি অনৌবা মখেল অমা লাংলিবগে হায়বদো খঙনিংলকই। অদুবু, তঙইফদনা হল্লকপা তাখি।

"ছোটে সবকাব! ছোটে সবকাব!"

দীপক বাহাদুবগী খোল্লাওনি। ঐবু কৌব-কৌবদুনা চেশিল্লকই। ইনাক্তা চপ লেপলৈ।

"কৈদৌবে, দাজু ?" ঐনা পাখংনা হংঙি।

"চিঠি! বুবকা উন্নী নুপী অমখক্লা পীবস্বনি।"

"কবস্বা মতমদা ?"

"হৌজিক্তনি। ইমাসি নুবাবীনা ছোটে সকবাব কৌক হায়দুনা থোবকপদা থেংনবনি।"

"কদায কদায ?" ঐনা দীপক বাহাদুরগী মখুৎতগী চিঠি অদু অপ লৌবগা ইমিং ইথা মুন্না যেংঙি।

"ছোটে সবকাববু হৌজিকম্মক লাকউসু হাযবম্মী।"

"মফমদি ?"

"চিঠিদা পল্লব্রা যাই।"

"নুপী অদু মথন্তা লাকপ্রা ?"

"হোয, মথন্তা উখি।"

"লৈহৌবিব্রা ?"

"লৈহৌদ্রে, মোটোব বোট অমা তোংলগা চৎখ্রে।"

"কদোমদা ?"

"সাগব দ্বীপলোমদা থৌখি।"

"ইমাসি নুবাবীদি খঙহৌব্রা ?"

"খঙহৌদে। ইমাসিদি ইমুংদা টিভি যেংদুনা লৈহৌই।"

"টৌর্চ যা ওবিব্রা ?"

"যাওজবি, ছোটে সবকাব!"

"মৈ কাপ্লকউ।"

ঐনা খুদক্তা চিঠি খাউ অদু শেগাযবগা চিঠি অদু লৌথোকই। যাম্না শাংবা চিঠিনি। থাবকপা মীগী মমিং ফজনা ইবম্মী। শোযদ্রে, চিট্টাগোং ইমাসি হিংলি হাযবা অসি শোযদ্রে। ঐনা লৈজবী থাবদুনা লাউখি "ইমাসি! চিট্টাগোং ইমাসি! নচা লাকচবগে। কেকু! ফোং ফোং!"

ঐহাক ইশমচাইবগী খামফম তানা চেল্লকখি। বাহাদুরনা ইতুংদা তান্নবকখি।



কেকু! ফোং ফোং!

হৌজিক্তি কেকু ফোংলে। চিট্টাগোং ইমাসিগী কেকু ফোংলে। মহাক্কী চিঠি ফংলে। মহাক হিংলি হাযবা শোযদ্রে। ঐবু কৌবি, ঐবু লাকউহাযবি। ঙসিমক হৌজিকম্মক। মাগী লৈফম, দ্বীপ অমগী মমিং পল্লকই, লাইনুবী দ্বীপ! ঐ কোক শুওই। মহাক্কী যাবা মতুং ইন্না লাইনুবী নংত্রগা নুবাবী দ্বীপ থিবগী শুওবিবনি। ফল অফাংত্রে। ইমাসি নুবাবীনা ঐবু চলাক তৌবগা খুৎশেমগী দ্বীপ অমা শেমদৌবি হাযনা খল্লিবনি। মদুসু ফৈ। লৈতৌবসু ফনা যাংনা চংশিনখ্রে। সুকং থোওদি থেংনদ্রি। অদুনদি চিট্টাগোং ইমাসিনা লোৎলিবা মফম অদুনা অশেংবা লাইনুবী দ্বীপ ওইদৌবিব্রা ? অদুবু, মফম কদাযদনো ? কমদৌনা থিকানি ?

লাইনুবী দ্বীপ ' মহাক্কা নৌনা থোনজবা মমিং ওইরবগদ্রা ? মদুসু ওইবা যাই। মহাকসু লাইনুবী অমনি। মাগী লৈফমবু লাইনুবী দ্বীপ খোনজবা নৎত্রগা কৌজবা যাই। মসিনা অমুক হেন্না চনুমহল্লি। অনৌবা দ্বীপ ওইবগদ্রা ? বঙ্গ সাগবদা লৈবা দ্বীপ অচৌবা, দ্বীপ মচা কয়াগী মমিং চিনফম পুবিবনি। খৃষ্ট কুম ১৮৮১ গী সর্ভে রিপোর্টকী মতুং ইন্না বঙ্গ সাগবদা দ্বীপ ২৯৮ নি। হৌজিক্কী দ্বীপ ২৬৫ নি। দ্বীপ ৩৩ মাংত্রবনি। খবমখৈদ অমুক ইনথং লকপা যাই। মবক অদুদা চিট্রাগোং সনানা লৈবগ লাইনুবী দ্বীপ নৎত্রগা নুবাবী দ্বীপ যাওবমলগনি। মসিদা চিংনীংও ই লৈতে। দ্বীপ অমা লুপখিবা, দ্বীপ অমা যংবা নৎত্রগা ফ ওগৎলকপা গযবা অসিস যদু অমনা থোংনৈ। চিট্রাগোং ইমাসিনা লৈগিবা দ্বীপ অসিসু অনৌবা অমা ওইবগ্গা যাই। অতোপ্পা মমিং অমা শোযদনা লৈবমগনি খল্লি। মদুগু থিকবা তবান। ঐসে দ্বীপ যান্না ফংদৌবিব্রা খণ্ডদে। দ্বীপ হাযবগা 'ইন্নব সিম্বল' অমসু খঙনবিবানদো। চিট্রাগোং ইমাসিনা (ঐভোন্দা দেঙব ওইবকপগী) অদু বা লাইনবী দ্বীপ অমসু খুদোল তৌদৈজাংল ? হোযদহে, লৌবা তবান। চির্সিগী মপোল অসে কুপ্পা অমুকসু পাবা তবান। মুৎসিবা মৈত্তালদা অর্থ শেংফাংতবা যাওবি।

"দাজু ! কেটেজদা চংলসি। নত্তগা টোর্চ লাইটক বেটবীদু শিন্দোকপা যাদ্রে ?" ঐনা চিং পানা পানা বাহাদবদা শাউবপ তৌনা হ যাখ "চংলু, তদন মঙা তবা ফাক।"

"তদন হাযাদ কুথেং কাবেং জুগুু।" বাহ দুগনা ইপং হেক পংজনা হাযবকই, "পাইব উদেদা ছোটে সবকাব।"

"চংসি, মৈত্তালদা অমুক মুয়া পান্সাস।"

"ছোটে সবকাব চংবী বম্মু, ঐহাক বেটবা লৈব খগে।"

"শেল যাওবিব্রা ?"

"যা ওবি যাওবি।"

"থুনা চংলু, থুনা লাকউ। নহাক্কা ইমাসি নুবাবীগ নিংথিনা লৈবম্মু। ঐহাক হৌজিকমক চংপা তাবি।"

"অহিংসিদা ! মযমদি ?"

"অহিং ওইদ্রিদন।" ঐনা অসি হাযবগা মখা তানা শমখি "এগী। চিট্রাগোং ইমাসিগী মমিং শিজিংনবগা কনা গুপ্পী অমনা ঐবু কৌথিব্রা হাযবসু চিংনব লৈ "

"অদুদি, ছোটে সবকাব .. ?"

"চিংনকনু, ঐ কনাসু কিদে, নিংথেমনি।" ঐনা ঈচং থৌনা হযাখি "নিংথেম মঙাংসনা ! ঐ ইথক্তা চংকনি। থিকগনি লাইনুবী দ্বীপ ! চির্সিদ মী অমা লাক্কনিসু পল্লি।"

"ছোটে সবকাব ! খবদি চের্কশিনবীযু, ঐগী খুগ্রি অসে পুবীখো।"

"পুবোইদা দাজু ! ঐ কনাসু কিদে।"

"ছোটে সবকাব ! ঐহাক লোন্না তুং ইগুগে।"

"কবিসু খল্লুনু। ঐহাক কোটেজদা চংলমলগে। ইমাসি নুবাবীদা পাউ পীবমগে। মঙোন্দা তাক্লমদে হায়দুনা য়াবৌখিনি।"

"জি!" দীপক বাহাদুব চেনবোই চংপোই তৌদুনা চংখ্রে।

ঐসু পন্থবমদ্রে। সুবমিলা কোটেজ তম্না চংশিল্লে। ইখঙ হেক খঙহৌদনা খংপ্রেক খংগে তৌকই। কোট্টেল প্লেনগী ষ্ট্রিট লেম্প মখোঙদা অমুবা মুক্তি অমা উবকই। মথ ক্তগী ঙাম্বুবকপা নঙালদা ময়েক শেংনা উবা ফংলে। নুপীবা নংত্রগা নুপাবা ? মদুদি খঙদ্রি। বুবকা উপশিন্দুনা মশক লোংপা অমা লেপুনা লৈবম্মী। ঐ খ্বাই লাওই। মনাক্তা চংশিল্লি।

"কনানো ? নুবীকাসি নংত্রা ?"

"ছোটে সবকাব! ননাই ঐহাক নুপীকাসি নচ্চদে।" নুপীগী খোপ্পেলনি, নুপাদি নংত্রে।

"হাইস! খোঙ্গেল ওল্লিবা কবিগীনো ?" ঐনা ঙাইহাক খল্লগা নোংশিল্লি - "নঙদি স্পাই ওইবা কয়া কুইবে ?"

"ছোটে সবকাব! তপথবীয়ু।" নুপীগী খোঙ্গেল অদুনা হায়বকই - "ইশকসু উদনা ইশক খঙবীত্রা ?"

"কনি খঙদনি। ঐনা অমুক্তং তাখিবা খোঙ্গেল ঐনা অমুক্তং সহুম ফংখিবা মনম, কৈদৌঙৈদসু কাউদে, মীশক হেক্তা খঙবা ঙম্মী।" ঐনা নোকফেং তৌবগা মমিং পন্দুনা কৌই,

"কুসুম!"

"চুম্মী, ছোটে সবকাব! ঐ কুসুমনি, সাগব দ্বীপকী কুসুম।"

"নঙদি কৈদৌবা লাকপনো ? নিয়ু ইযাব দেগী খুদোল পীবা নংত্রগা খুদোল লৌবা লাকপ্রা ?" ঐনা মাগী পাউখুম ঙাইবা তৌদনা মখা তানা অমুক নোংশিল্লি - "নঙবু কুন্দুগা খাযনবগা মুসলিমদা অমুক ওংলব্রা ?"

"খায়নদেদা, ছোটে সবকাব!"

"অদুদি কৈদৌবে বুবকা উপশাল্লি ?" ঐনা অসি হায়বগা মখা শমথখি - "ঙবাংসু মফম মবাং খঙহৌদনা বুবকা উপ্পী অমা লাভ্লা ঐবু ইজৎ মাঙহনবীবপ্লে।"

"ঐদি নচ্চদে, হুজুব!" কুসুম্না মখা তানা খুমলকই - "ঐবু ইশক খঙহনগনু হায়বম্মী।"

"নত্তে, নঙবু কনানা থাবকপনো ?"

"ছোটে সবকাবগা লাকমিন্নৌ হায়দুনা থম্লীবম্বনি। ঐ ইথম্ভা লাকপসু নত্তে, কুন্দুসু য়াওবকই।" কুসুম্না খুম্মী।

"মহাক্তি কদায়দা চংখ্রে।"

"মাজিগী মোটোব বোট থৌদুনা চংখ্রে।"

"মাজি হায়দি কনানো ?"

"চিট্টাগোং লাইনুববী! ইমাসি ললীতববী।"

"হা! নঙবু চিট্টাগোং ইমাসিনা থাবকইবা?"

"হোয়, ছোটে সবকাব!" কুসুম্না ইত্তপ হেক তপ্ন হায়বকই - "ইমাসি লাইনুববীগা ঐখোয়গা হান্নদগী খঙনবকই। ছোটে সবকারগী অপোকপীনি হায়বদি ঙবাং অয়ুক্তমক খঙই। বাই চান্দ অমদে সমুদ্র মপান অসিদা ইমাসি থেংনৈ, ববী কয়া তৌখি।"

"ঙবাংসু নহাক্না মতেং পাংখিব্রা?" ঐনা খঙনীংনা হংঙি।

"তঙাইফদনা পাংজখি। ঐখোয়দি মনাই ওইবকই। পাবুং সাগব সনাসু ঐখোয়গী সাগব দ্বীপ্তা লাক্লগা শিখিবনি।"

"মদুবুদি খঙলে। ইমাসি নুববীদগী তারে।"

"ঙাকপীগনি, ছোটে সরকাব!" কুসুম্না শমথবদুনা হায়বকই - "মীবক তাল্লক য়েংলগা, নুবীকা বেগমগী চিঠি পীরম্বা অদুসু ঐনি, সনাগী খুদোপ থাদবম্বসু ঐনি। ঙসিসু ইখোল ওল্লগা দাজুদা চিঠি অমা পীখিবনি।"

"চিঠি ফংলে কুসুম! মৈঙালদা পাগে চংলকপনি।"

"পাবীয়ু ছোটে সবকাব!"

"কুসুম নঙ চংলো, বাহাদুব লাক্লগনি।"

"কদায়দা লৈবম্মুগে, ছোটে সবকব?"

"ঐগী মোটোব বোট খামফমদা লৈবম্মু।"

"জি ছোটে সবকাব!" কুসুম্না অসি হায়বল্লগা সুবমিলা বিচ তম্না চেল্লুখ্রে।

"হাই, কুসুম! অতে লায়বি।" ঐনা খঙনীং নীংশিংলতুনা লাউখি - "নুবীকা নে' - কনানো? নঙগা কমদৌনা থেংনখি? চিট্টাগোং বেনুকা হায়সিনা কনানো?"

পাউখুম ফংখিদ্রে। কুসুম্না পাউখুম পীবকখিদ্রে। মহাক্তি শোয়দনা খঙফম থোকই। অদুঙৈ, বেদ সন হোটেলগী টেবলদা ঐগী টোস ওকখিবী নুপী! দোলানগী মিহুৎখোঙদগী অমদি সমুদ্র মপান্দগী ফোটো কয়াসু নমখিবী নুপী! চান্দিপুর বিচকী লাইট হাউস মতোন্দে ঐবু খামদুনা লাউবকখিবী শকলোংপী নুপী! ফোটো কয়া নম্বদা অমদি শেমদোক শেমজিনসু হৈবী নুপী! মহাক অদু চিট্টাগোং নুবীকা নংত্রগা বেনুকা? ঐঙোন্দা চম্মবা অমা লৈবকলে। শেন মযেক অমত্তংগী মনীং মমাঙ ওইদৌবিববা?

অহিংগী নিংথিবী শকহেনবী ফজবী, অহিংগী অতিথি; অহিংগী ঙবাকপী! বান্দেমখোইবী কুচুদা শায়োনবী, নিংথেমগী নুববী! ওইনীংবা নুপী ওইবসনু। চিট্টাগোং ইমাসিগী য়াথং অমদি ঙাকখ্রে। মসিদা ঐগী কবি অশোয়বা লৈকগনি? অদুবু, অসুম চিংনবকই। ইমাসি নুববীগা শকমান্নবী পুংবা (ট্রিইন) অমসু লৈবিগদ্রা? হৌজিক্তি বেনুকা নুবীকা! ইচম হেক চম্না খন্দোকপা য়ারোইদৌবি। কুচু ওল্লবী নুবীকগী মায়খোংগী শকফম, মিস সুবমিলা সেনগা চপ

মাম্নখি। মদুনা ঐবু ঙাওহনখিব্রা ? খোঞ্জেলনা চিট্টাগোং ইমাসি ! অদুগা নুবাবী সাগবদি কনাগী...? বেনুকাগা নুবীকাগা কবঙ্গা শবক্তা ..?

ইস ! কয়াদা লুববা পাখোংনো ? হে বঙ্গ সাগবগী মচানুপী ! নঙবু কনাগী অনৌবা মপোকনো ? মতৌ কবম্না যেফটোগী হেন্দ টেল ওন্নত্রিবা ? কয়াদা হৈনা উশিন তৌত্রিবা !

নুংঙাইদৌবি ! নিংথেম নুবাবীগী অনৌবা মপোক !



"নিংথেম !

ইমাগী নিংথেম ! ইমা ঙিংলি ! ইনক হেক নক্লা লোংলি। ইশক ওল্লে, ইমিংসু হোংলে, লাইনীং লঙ্বীসু ...! নহাক ঙকপ্রা ? শোয়দনা ঙকফম থোকই। ইমাগী শিনফমসু হোংলে। ঐ হৌজিক্তি লাইনুবাবী ওইদ্রে। লাইহিংচাবী ওল্লে: নুতমথী ওইবগনি। খঙব্রা, মবন্ন কবিগীনো ?"

ঐ শ্বাই লা ওই ! চিট্টাগোং ইমাসিগী চিঠি; অঙকপা চিঠিনি। কৈদৌবে লাইহিংচাবী ওল্লিবা ! মতম অসুপ কুইবসি, কদায়দা লোংলুবিবা ! মিহুন তিং তিং চোংঙি। অর্থ লোংশিন্দুনা থম্বা ব্রাফম অহমথক পল্লি—ইশক ওল্লে, ইমিংসু হোংলে, লাইনীং লঙ্বীসু ! মবমবু কবিগীনো, ইমাসি ? পূক্লিংদা অসুম্না খল্লদুনা ইমীংনা চিঠি মখা পাথজ্জে -

"ইমাবু শিবসনু হায়দুনা বঙ্গ সাগবগী ঈবোলনুংদা লংথরম্মী। ইখোঙ ইখূৎ হোংখিদে; জ্ঞান মাঙখিবা ওইবমাল্লে। ঈবাক্রবগী মতৌগুম্না ঈশিং খবা য়ানুংদা চঙলকই। অদৈদি, লৌশিং খংলাক লাকই। ঐহাক শিবা য়াদ্রি খল্লকই; নিংসা স্বব তৎনিং তৎমাং তৌবদুনা ঈনুংদগী ফাওগৎলকই। ঈবোইবা হৈবীনা ঈশিংদা শিবদি হৌনত্রদো ? শা-ঙানা লাকপা নৎত্রগা নোংলৈ নুংশিৎতা লাকশিন্দুনা শিবা অদুনা তোঙানবনি। ইমাসু লম্বা লৈত্রনা ঈবোইবা হৈবীনি। নঙবুসু ইমানা ঈবোইবা তম্বীখিবদো, নীংশিংলিদনা ? মখোয়নদি মদু খঙদ্রমাল্লে। মখোয় কনা, কনানো হায়বদো লৈখিসনু।

অহিংদনি ! নোং নুংশিৎসু তৌই; য়াম্না কনবদি নত্তে। লাইগী নোংদমনি হায়বসু যাই। লাইদা হেক্তা থংজনবসু নত্তে। মপা চান্নকবনি। ইনক হেক নক্লা হি মচা অমা হোঞ্জিল্লকই। ঘুমতী মচা অমা য়াওবা হি ওইনা উখি। মুসি মুসিবা থাউমৈ লালটেন অমা য়ানবসু উই। নোংমীৎসু খংফাক হেক ফাক্লকই। মঙাল অদুদা হিবোই অমনা ঐবু উখিমাল্লে। ইখঙ হেক খঙহৌদনা ববব টিয়ুব কিশিল্লবা থৌবী লিশাং অমা লাক্নুনা লংলকখি। ইমাগী থব্রায় অসুম্না হিংলকখি। চিট্টাগোংগী ললীতাবীনা 'সিষ্টব আইবেলা' ওল্লকপগী শাংলবা ব্রারী কয়াসু, মবক্তা লৈত্রে। অদুগা, হৌজিক্লা ইমা কদায়দা লৈবি খঙদব্রা ? ইমানদি নঙবু লোম্না লোম্না কয়ারক য়েংজখি। ইমাগী লৈফম, লোংখিগে মতম খবা।

নিংথেম!

অমুকসু পেন্না কৌজগে, ইমাগী নিংথেম! তস! অদুনিদনা, ইমা পেল্লে। ঐগী ইচানবু লেম্না মাঙবা হৌনব্রা? ইমানা তশ্বীখিবা যোগগী মহৈ ফংলবিনি। নঙগী নুংমীৎতা যোগগী বিন্দু ওইদুনা লাৎচখিবা ইমাগী মুর্তি! হৌজিকসু লেঙদনা লৈবিকো? হুম! ইমানা থাজবা খবা ব্রাৎলপ তৌবে। মমা নীংবা মচাশিংনা পাখঙবু ফাবক্লবদি মমা নুংশিবগী, মমা নীংবগী চাং হল্লবকই। মসি অচুম্বনি। 'ইমাবুদি ইতূনা হেল্লি' হাযবা অসিসু খনমখে চুমদবদি নত্তে। নঙনা ইমাবু কাউথ্রে হাযবৈ পাহোম্বা নত্তেদা, তাইবং - লোনচংকী হৌনশা খবদং পনবনি। ওই! ইমাসু খঙদবোই নীংব্রো? নঙ হৌজিক ঙা ওবি, নৎত্রদো? নঙগী লাইবক মনুংগী ইমি মনাক্তা কনা কনানো শকহেনবী ফজবী নুপী অহুমখক্কী মমি তাশিল্লবেদো। ইমানা থিক থিক নোকচৈ। ফজেনে; লাইপুংবা তনুসি-তবাবী! ইমৌ নুপী ওইবদা হেন্দোক্লা মতিক চাববীনি। ইমাগুম্বী ফজবী অমদুনা কনানো? হি! নঙদি যাম্না ঙক্কৌবিকো! হোযদহৈ, অহম্মক হেক খোপচিল্লো!

কেকু ফোং ফোং!

ইমানা হাযখিবা বাফম কাউদ্রিদনা . ঙবাং অযুক অঙনবদা ইমা হিংলি হাযদুনা পাখোং ফোংখ্রে। ইমাদি নঙগী নত্তৌদো নুংঙাইবনা, মচি মকম অমদা লোম্না যেংজ. নঙনা ইমাবু কোইথি থিবদো . ইমাদি নেপালীগী কোখুম ফিজোল শেৎলগা লাকই। শকলোৎ অনোক উষ্পী। নঙনা যোগিনী অমা তাম্নবদো .. ইমাদি নুংঙাইবনা হাযফম খঙখদে; ফিনুংদা থিক থিক নোকচৈ। ইমানা কবিগী শ্বাই মা ঙখিবনো খঙব্রা?

ইমাগী ব্রাশক অমা লৈবি। ইশক উৎপা যাদ্র। ইমাগী ব্রাশক! নঙনা থবক ওইনা পাঙথোক্কদবনি। হৌজিক্তি ঐগী ইচা দোক্তব ওইবে। পাউ-চেগী অহানবা লামাযদা, নঙগী ফোটো হেক উবা মতমদা, তু খ্যাও! মীৎতগী পি তাখিবা খঙহৌদে, নুংঙাইবগী পিবাংনি। ইমাগী নীংজবা থুংলে। নঙগী বাবা সুকুমাবগী মফমদা ইমানা তৌবিমল খঙবা উৎচনকই হাযদুনা তশ্বীযু। কবম্না মাগী লমন শিংদৌবিবা!

ইমানা, ঐগী মী কযা থাদোক্তুনা নঙগী পাউ ঙাইহাক লৈতনা লৌই। নতুং ইম্নদুনা যেংশিন্নবা মীসু থওইনা থাবিপোৎনি। ইমানা নঙবু অসুক্কী মতিক কুপশেম্নজখি। নঙসু ফজনা ব্রাশক ঙাকই। বেদ সন হোটেলগী সমুদ্র মপান্দা মখোঙ থোংনা চেনবা লাক্লবী তবানু-তবাবী অনীগী মফমদা নহাক্লা লমচৎ কমজাও হুনখিদে। নঙনা মবানীবু ফজনা থেমলগা কোলেজগী হোস্টেল যৌনবা থিনবিখি। পাউ তাবনিকো। ইমানা চাউথোকচৈ। নহাক্লা নিংথেম অমা ওইবগী ফজবা লিচং ঙাকখি। নঙগী তবানু-তবাবী লাইপুংবা অদুসু শিংঙিনে। কোকখুম্বী অনীদো মবানীনি, থাদোইসনা নত্তে। খবা ব্রাংতক উবী অদুনা তবাবীনি। মচেদগী হেন্না ব্রাংনবা হাইহিল শূ ইঞ্চি মবিদা খোঙনেৎনবগা থোবকইবনি। নঙদি কোম্না খঙবা ওইবিনি। অদুগনে নিংথেম! ইকায নুংশি যাম্নখিবী নুপীদো, নুপীদো. .এবা, অতৈ নত্তেদা, থাদোইসনা! মদুনা কনানা কমদৌনা নঙ ফাক হাযদুনা

থাজিল্লকইবা। ইমাদি শুকচবনা। তৌওমখ্রেদা, [illegible] সগা নুপী। কৌনিংচিং লাকপা থাবিকে। লাকচসনু, তঙাইফদ্রবদি থাদোইসনাবু হেক লৌশিনবিয়ু, ইং [illegible] যাবি। [illegible]গী [illegible]নৌবা শা[illegible]গি চাউথোকহল্লু, খোপচিনবদ অকায়ব [illegible]লতে।

অতৈ ইনাইবু হেক লাযবি, লাইট হাউস মতোনদৈ [illegible]উবকপীদা . . [illegible] খঙ্রা। ইমাগা শোন শাবা হৈগ্রবী নুপী অমা লৈ। ইমাগী লাইবাব চৎপীনি। মানুসু, ইমাগা [illegible] ইদাগী ইমৌ ওইগে খল্লিবনি। মহাক্না [illegible] কবিখিন্দনি। নুমিৎতুদা [illegible]গী বাশক কাযবম্বা যাই। নুপী [illegible]দি [illegible] প্রপোৎনি। মপোৎ [illegible]কশিনবা হৈবগী মতিক, মফম মতম [illegible] খুদোংচাবা ফং[illegible] পী[illegible] কপসু পাম্মুদবানি। ইমা[illegible] অসে ক[illegible]গেন। মমনা [illegible]চাদ [illegible]ঙাইফদনা পাউজাক পি বনি হায়দুনা হল্লু। [illegible], ইববনি Men are lusty than women but women are sexier than man

হয়ে। ই[illegible] খনশনা অমা, ফবে ককথৎ নবোই। ইম[illegible] নওগী woman behind [illegible] I mean to say that the hand that rocks the cradle rules the world [illegible]বা অদ নীং[illegible] হাযবনি। মহাক্না মীকো[illegible] অমা ওইবকপা[illegible]বা নুংঙাইলা [illegible] যেো[illegible]কানা[illegible] ইবাহৈ লৈতে। ইম[illegible] পাউমা থাম্মা লৈখ্রপো[illegible] [illegible] [illegible] কদবা [illegible] খঙ্জীননা খঙই। ইমাগী লোৎফম্বদা [illegible] এবযাদা [illegible] মদ[illegible] অহূপ কইনা [illegible] ইমা[illegible] [illegible]দৌবে লোৎলবা। চিদি ইবদি [illegible]ঙাহবনেই। [illegible] চিট্টাগোং গার্ডিয়ান [illegible] যেটেগা কোহান যোওখ্রবনি। [illegible]ইবক ফে। ইমা[illegible] শকবে। [illegible] পাস তৈ[illegible] নুমিৎ[illegible] ঙাইজবকই।

পাবিক্কা হাং[illegible]দাকপ[illegible] পাউ[illegible]ক জবগা, অহিংদগী থোবকই সুবমিলা কোটেজদ লাল্ল[illegible]। ইথন্তা [illegible], মী কথা [illegible] ইং, লাপুক্লা লৈহনাব। নওবু কৌথোক্লব মা [illegible] থোয়নবকই, অ[illegible]নত্তে, ইম[illegible] খোন[illegible]বা তৈনাদো। অদু[illegible] থেম। ই[illegible]দে[illegible] [illegible], [illegible] বক খুন্বী নুপী অনীখক [illegible], মুসলিমগী বুবকা ম[illegible] দ[illegible] লোৎপীনি। ইমদি মুসলিমগী বুবকা উগ্গী উবা [illegible], কিজবনা, মি[illegible] তিং তিং। পূক্লংদা চিংনবা হৌবকই। ক[illegible] [illegible]ক্লগবা [illegible]যদুনা [illegible]খিদে। পান্থৈ অমনবু ওইববসু, ইচাব ঙাবাকপী, [illegible] হাংপীা[illegible]দগী [illegible]দবা যা[illegible] খল্লকই। [illegible]থেম [illegible]পঙগনু। নওগী যেক্লবা যাম্মা লৈবনি। নওব হাং[illegible]কে তেমশিংবীসু লৈ[illegible]নি। [illegible]দা ঙাওজবিসু [illegible] লৈবনি। চৌ[illegible]জকসু চেব শল্লু। নত্তে, নওনা পাবিক্কা হায[illegible]কপা নুমিও লাকউ হায়দ[illegible] নমিৎ থা[illegible]বী কন্না কন্না লৈবগে। নওসিদি মতা[illegible]। মতম খবদি [illegible] লৈনুং কুম্মদা লোৎতুনা থমদব যারোইদৌবি। ফৈ খঙ্গনি, লাইনবী [illegible]কা লৈমিহনগে।

ইমাগী পূক্লিং যাম্মা শাংতক্লখি। হোটেল এদেদা লমদনবা তাখি। ইমিংসু হোংবা [illegible] মাধুবী থাপা। ঐগা লাইবাব চৎপীদো তৈ শিংখ্রজাৎনি। মানু থাদো ক্লনা হাল চাল যেংহনখি। ইমাসু থৌবাং অমা পাডথোক্লগে খনখি। নওবু ওকপগী পাটি অমা [illegible]দৌবি হাযবসু খঙলকখি। ইমা ইচা উন্নগী খুদোংচাবদি ফংখিদ্রে, ফংনসনু। [illegible]গী নুংঙাইববা কুম্মৈ পূন্নমক, ইমানা লৈবিবা কা মনুংগী টিভিদা লাইভ শো যেংবা ফংজখি। ইথন্তা নোকচৈ,

কযাসু পেঙ্খি। নপাবুং লাবা সনা কযাম, মানত্র, খোৎতনা হেক হৈজিনহৌবে। মদুদা ঙাওজবী নুপী অমসু লৈবদাই ? ইনাসু খঙদবেই নীংব্রো ? মাসু অদুম ঙাওজসনু! মতম চাবগা হেক খোপচিল্লু. হৌজিক্তি যাদব। ফবসু লৈত্রবনি। ইমানা নঙোন্দা লাইনুবী ও যুমদিনজৌসু হাযখিদনা নখুং থেজুনা মশীং পাশিল্লু ইমাগী নাক্তা অমা লৈবে, মখিদ শোযবা যাববোই।

নিংথেম! নঙসু লাইমদি মথেং চাদেহে। নুবানী লোত্তুবী তৌন হাযদুনা হেক্তো ঙাওবি- ফৈবি লাংখৎলকহ। মাই প্রবিন্দা হাযদুনা মখোল অমা নুংঙাইবিবা। ইম বুসু যাওবীযু হাযদুনা অযা- চেদ সাতস লৌখিপোৎনি। ইমাসু হেক্তা সহি তৌপোকখি গেম ওফ জোকপু ওইববসু, ইচবু কনাকা তাবানি। মম অমগী থৌদাংব ওইববসু, মিত্রংগী কুইম ওইববসু মতং ম তংগী নশানৌগী বোলসু লৌবা তাবানি। মমেদ মাং অয়াপ্পী কাবকই। ইস! মাধুবী থাপাগী মিংদ নবাব লেট্রিব ফ ওবক্রন্দদি কমদৌনা ? তু হ্যাও! সদুগদি. ইমাদৈসু হেম্না চালু ওইববা অহিংগী ভাবকপী অতিথি অমা কদোমদৈ হাউজিনদুনা যাওখ্রিবা! ইমাদি ঙকপনা হাযফম খঙাখদ। হৈখু, হেপ্রে নুবীক বেগ! ইম মহাক্রা চেন্দুনা অদুম পুশিনদুস উহৌই। এঃ নঙন মন্দপাশি, অদুম মাং তম অমা নুংঙাইবিবা! ‘নুবীকাস, মংখোলক . ক হেটোং লেদকাখ।

হি! তি! নিংথেম নঙদি পাম্না ওকহনা! নহান্দখে নুমিৎ পদতবু ও হৌদ নুবীক বেগমগা লেপ্না পাউ চৎনবিবোই। নাখু, চিটাগং নুবীক ওইসিবু কনানো নিংথেম ? নচেমস নুবাবা, হঙ্গেনসনাগী অবোৎপা মমিংলা, তা! নব নাদ কমদৌনা পাউ চৎনবিবা ? তে তে! ইমাসু খঙদবোই নীংব্রো ? চিট্টগোং নুকাগা নচে শকমায়বী সাদ ওইবিনি। নঙগী তসাবীদৌনা হৈশিংবীনি। নাক নুবীকা অনীসু লাইপুব মচীন মন থানি। নখুৎ থেক্তুনা তুশীং পাশিল্লু!”

ঐহাক চিঠি পাবা খংলেপ লেপ্পী। ইমাগী চিনকোই মতুংইন্না খুৎ শা মখং মথং থেক্তুনা পাশিঞ্জে “অমা, অনী, অহুম. মবি সুবে ইমাসি! পুংবা অদিং সু ফবেদা।”

ইচীনদগীসু খঙহৌদনা হাযদোকখি।

১৫

“হৈ! পংবাদা ঙাওব!”

চিট্টাগোং ইমাসিনা ইঙ্গমঙদা লেপ্পুনা চৈবকপদৌনা তাবকই। ঐহাক শ্বাই লাওই। তুং হন্না যেংথোকলুই। কনাসু লৈবমদে। চিঠিদা অমুক মীংযেং থম্মী। চিঠিদা চৈবকপা ইমাসিগী বাহৈনি।

“ইমানা নঙবু চৈবা নত্তেদা। চহী অসুপ কুইবা অসে নঙবু কৈদা শোযখিগদগে হাযদুনা শেন্নবকই। নঙগী মবীক চুন্নবা থবক থৌওংগী রিপোর্ট অমা পীনিংদুনা ইবনি।

মতাং চাবিঙৈদা ইহৌদবসু য়াদে। নঙগী পাবী পুবিগী অশেংবা লীক্লমসু ঙসিদি খবদং পলহৌবগে।

নিংথেম ! নঙসে নিংথেম লাবা সনাগী মীংনা উবা শায়োন অমনি। মীনা কানাপনি ভাংনবা ময়ামদো অমত্তা থাজকদ্রু! ইমাগী মঙদা নপাবুংগী হোলি স্পিরিট পাইশিল্লকখি হায়বদো তশেংবনি। নঙসে মপাবুংগী থব্রায়না হঞ্জিল্লকপনি হায়বা অদুসু চুমগনি। অদুবু নিংথেম ! ভাবজিন বার্থ হাযদুনা খ্বাইনা থাজনবিবা অদদি নত্তে। মদু কৈদৌঙৈদসু ওইথোকপা যাবা নত্তে। দোক্তব নঙনা হেন্না খঙফম থোকই। মমা অমনা মচা অমদা হায়ফম থোক্তবা বাফম ওইববসু, দোক্তব অমদা পেমেন্ট অমা ওইনা পাউ তম্বদি যাইদনা ? ঙসিদি, টেলব মতেক অমতং কাপহৌবগে। অদুঙৈ চিট্টাগোং লাইনুবাবী শঙলেন্দনি। য়াম্বুং লাবানা ঐগী হকচাং শোকলোই হায়দুনা ব্রাশকখি। মহাক্রা কা মনুংদা থোঙ লোনশিন্দুনা লৈখি। চিট্টাগোং লাবীনা মমৈথংদ কাব ফিবেপ লৌখি ? অহিং ৭কী বাবী লাংখোক্তনা যাদবনি। সুকুদানা ঐবু কৈদৌঙৈদসু লৌবিববোই হাযবা খঙলকই। অদদি ঐসু কাব পাশ্নে তৌবা তাখি ? লাবী ঐনা য়াম্বুং লাবগী ব্রাশক থুগাইখি। ইশাদা পকপা চিং পূন্নমক লৌথোক্লগা খংলাউ লাউখি।

"যাম্বুং ! য়াম্বুং . ! তাংজ লীন্দু ! তাংজ লীন্দু ! ইবুধৌ লাইপাখঙগী পফাল অমনা ঐবু তান্নবে, ঐবু তান্নবে ।"

তস ! অদৈদি নিংথেম লাবাদো অফিং অফাই ওইনা থোঙ থংদোক্লগা চেপ্লোবক্লে "কাবি হাযবা লাবী ! ইবুধৌ লৈনুং লোয়ম্বনা ঐবু শাউবিজাংলা .।"

"হোয়নে, য়াম্বুং . . !" লাবী ঐনা য়াম্বুং লাবা তম্না চেনশিল্লগা হেক্তা য়েংশিনবনিদনা . !

তাইবং লোনচংকী মতুংইন্না লাবা-লাবী নুমিৎ ৭নি লৈমিন্নখি। দোক্তব বাবু ! নহাক কনাগীসু ঈযান চঙদবা মচানি। অদুবু, নহাক লাইগী মচানি। লাবা সনাবু লাইপাখঙ হায়বগা খঙনৈ, হান্নসু হায়খ্রে। লাইপাখঙগী মচা, নিংথেম মঙাংসনাস লাইগী মচা নত্তববা ? মখাদি পনদ্রবসু য়াবে। নঙসু 'মমা মশক খঙলবা' মতমদা তাইবং লোনচং খঙল্লক্কনি। ইহে ! নপাবুংনা কায়নবমদাইদা হায়বম্বা ব্রাফম অমা ঙসিসু খঙনীং নীংশিংলকই -

"লাবী ! হৌজিক্তি ব্রাশক কায়খ্রে। লাইবক্তা তম্বা হায়বদুনি। ফবে, ঐহাক সুবমি লৌকবগে। নবানীমক পুংবা ওইনা লৈমিন্নবা তাবে, য়াইদনা ?"

"য়াই ! সুবমিনবু য়াববদি, ঐসু যাই।" ইমানা খুমখি।

নিংথেম মঙাংসনাগী মমা অমা ওইনা নহাকপু অমুকসু চৈজগে। হৈ, পুংবাদা ভাওবা ! নপাবুংনা খনখিবা ব্রাখল; নঙোন্দদি কমদৌনা লৈহৌবিবা ? মসিগী হৌবকফম লৈগনি শোয়দনা। নহাক দোক্তবনি। ওইনীংবা ওইবসনু ! নঙগীদি ফংদৌবেদনা, তবানু-তবাবী ! চেনখিনকো, মমানা অতোপ্পা ফাইবোক পুংবা থিদুনা থাজখিদৌবে হায়দুনসু তায়। হোয়দহৈ, ইচাগীবু ব্রাৎপা লৈব্রা ? মবানী নৎত্রবসু বেনুকা-নুবীকা লৈবি। হৌজিক্তি নহাক লুহোংবা য়ারে; কৈদৌঙৈ হোংসিগে ?

অইতে লাবাবি, নিংথেম ! নঙবু ঙাওবো ' নঙনা ইমাবু সুকুদাদা থাজবে হায়দনা এদেনগী অহিংদা লাউথোকপদু হেক তাবদা ইমা দিখ প্রেব খংই, ইশূংগী বিমোট তাখি, তু খাও ! হেক থংনবা মিকুপ্তা ইমা শার্টন্দি নঃদদনা, থিক থিক নোব চখি। মচা অমনা ফোটি ফাদন অমা ফংনবা মশাকু ন্যাদান পীদুনা থাজনা তচি ইমাদি মংদৌনা থোকই, নৈনা লুপ্তাবী এইহৌবকী মমা অমনা ভংঙাইফদবা মভাংদা মচা পীশকদ্রিং গোকপীনবা অনৌবা মুমনাই তৌরিবদি পীক থন্না লৈত্রে। নঙগী থৌ ওং তাসিনা অনৌবা রেকোর্ড অমা থমগে খল্লিব্রা '

"অদো নিংথেম ! নপ বুং সুকুমারনবু যাগদ্রনে ?"

১৮

"ইমাসিনবু যাববাদ কবাসু যাবক্নি"

ঐহাক চিঠি পাবা হংলেপ লেপ্লা। ..।সিগি অথাব। লৌনীংদুনা ইটানদগী খঙ.তিনা হায়দোকাখি "যাবব্রা, ইমাসি ?"

পাউখুম ফংদে।

চিঠিনবু পাউখম পাবা হৌনব ' মশাগী পাউখুম যাং বম্না যাই খন্দনা হংদিং হৌশিংঙ্গা লাইনুবীন। সং.হওব 'ম মচাং খেদোক্লা হৎবকাল।

"নিংহেম ! নঙগী কুম্মে।

এদেনগী অহিং ! ইমাসু যাম্না নুংঙাইজখি। ইচাবু মীযাম্না ওকপিবা, ইমাসি মাংলুদ্দ পি মতুম মতুম. .। ফোংনা মপান থোবক্লুনা ইচাবু যেংজবদি ঙম্মখিদে। খঙব্রা মন্ম কবিগীনো ? ইমাগী মাথংগাং উববদি নহাক সংলগনি। মশিংগী মন্মসু লৈখিসনু। নহাকপু রেটব থাদুনা কৌনগী তাগ্রাসু ফংখিদ্রে। অদুনু নমি ইমি উংবে হায়দুনা পেনজে।

ফকনাইংনা নুপী এনা, মঙক্তগী লীক পাবং হক্তোক্লগা ইচাগী ঙকশমদা থোনবীবদো, কযাসু নুংঙাশত্রে। নহোংনগী কন্যানা কুন্দে পাবং হক্কুম্মী। মাদি ওইনবু তৌবিজাংলে ' নুপী অদু কনানো ? মশক্লা ফংশিবা ! মম্নিংদবু ও ! শ্রীমতী থানিলসনা। নীংশিংঙ, নীংশিংঙে। কবি লমগী সনানো ' মহৌশা, থাযনা মমাংঙৈদা হাযবা তাবে, চিট্রাগোংদা উখিগুম তৌই। উখি, চাখ। মাসু চট্রাগোং নিঙোলনি ' মমা মচা মণিপুব থোকখিবদৈ হল্লকখিদ্রে। লানগাযবমদাইদা অমুক, মপামদা লাকখিগুম তৌব্রা ? অং, অং, লাকখি। মাসু যাওই। মাসু যাওই . ।

ইমাদি থানিলসনাবু ইমৌনুপী ওইজনিংঙি। নঙদি কবি খল্লি ? চহীদুদ্দি নঙোন্দে তংখায হল্লম্না যাই। অদু ওইবসু, চিট্রাগোং কলচবদা, মমা গুপ্পী, মনেমগুপ্পী, মন্দোলগুপ্পী, মচেগুপ্পী লৌবদা অথিংবা লৈতে; খোইনদুম লেম্লবম্মী। তৌনদি মী খবদং খুছোকপা

লাকখিবনি। খুঙ্গাও লৈচোউনবা চংনবম্বনি। নিংথেমকোন্দা 'ঈশেং যোকপগী' চংনবী অমসু লৈবম্মী।

নিংথেম ! ইনশিনবদি নত্তেহে। মাদি তনৌ হেক তনৌবদনা, বযাসু ফজনা উত্রে। ব দোমদৈসু পাইশিল্লকলিবা ! এঃ নবানীগী মীৎযেং নাযেংনা মবোল অমা অর্থ লৈবব। ' পুংবাবু চপ হেক চাই। ইচাসু থৌ নৌজবৈ ঝানি, চাউবৈ কনবনিনা ফজনা হেক্তা মপৃং মবৈ ফাবনা লাইপাখঙ হাযবদো ওইববনি। মঙোন্দৈ নঙনা ঝাংবসু হেন্দোকত্রে। এমা মচা মান্দ্রে হাযমী নিংথেম ! মহাক্কা ইচাদা জগোইকা তম্বীবদনা .. ওত্থোক্লা যেংবা নুংঙাইত্রে। মহাক্তি পৃংবা কাইহৌববী মৌ ফজবীনি হাযবসু তাহৌবে। নবানী চিংবান চিবোন ঙাংনবদো ... ইমাসু তাদবোই নীংত্রো ?

নঙসে থাথা যাবোইদৌবিকো, নিংথেম ! ইমানা নঙোন্দা চিনকোই অমসু হেক পীথোকত্রে। হোযদঔ, নিংথেম ! নুপাদি ১০গী মপুনকাসু হাযনৈ। অদুবুনে, নমিংদা লোট্টবী ফাওববী মহাকপু নঙগী মক্দপ পুক্সিদা কংথোক্লে হাযদুনা কবিগী এ উথোকখিবনে ? মদুদি অমা যানিংদে। থানিলসনানসু নুবাংদা লৈনিংঙেহ। পাম্বে অমনবু ওইববসু শ্রীমতী থানিলসনাবু ইমাগী ইমৌনুপী ওইনা পুবকউ। মচানুপী তবানু তবাবী লৌদ্রবসু যাই। মবানীগী মহুৎশিনবী ওইনা মেনুকা-নুবীকা কৌবী ফাইবোক পুংবা লৈবে। শ্রীমতী থানিলসনাবুদি ইমৌনুপী ওইদবা যাদে, অমুক নোংশিল্লবা অসিনা। এনাগী যাথং অসি পাঙথোক্তবা যাবোই। ইমানা শকখিবা বাশক অমা লৈ।"

ইস ! ঐ চিঠি পাবা অমুক লেপ্পী। ঐগী ঝাখল চমখ্রে। ঐগী ইমিংদা লোট্টবী ফাওখিবা নুবাদ মযামদো চিট্টাগোং ইমাসিনা মী থাদোক্লুনা ফানগা পুখ্রে হাযখি। অযুক অঙনবদা ইমান্দা নুবাবীনা পাউদমখি। অদুগা কদোমদা নাথেখ্রবা ! হুম ! ইমাসি পুংবাগী মবক্তা হিদন এচেন্দা অমা লৈবেসে।

ইথন্তা অমুকসু খল্লকই (অস ! চিট্টাগোং ইমাসি লাইনুবাবীগী বাখল অসিবু কনানো ? ইমাগী ঝাশক ! ইমাগী যাথংনি হাযদুনসু তৌহৈদবা থবক অদুবু কবম্লা পাঙথোক্কনি !)

ঐসু কদাযদৈনো. ইনেমসি থানিলসনাগী মতৌ যেংনীংদুনা কাইহৌকই। মহাকসু লাইশমঙনি। ঐনা মাবু তবানু তবাবীগী মমানি হাযবা খঙখ্রবনি, কেলেন্দবদা উখ্রবনি। তশেংনমক মহাক্লা ঐবু চাংযেং তৌবা লাকপবু ওইবিগদ্রা ? ঐনসু মাগী নুংলোন খঙনবা হোংনখি। মঙোন্দসু কৃপাব-কব কমপ্লেক্সকী এফিনিটি লৈতবদি নত্তে। অদু ওইদুনসু মচানুপা অনীমক ঐঙোন্দা থাজবে হাযদুনা লাউথোক্লম্লে। অদুগা, চিট্টাগোং ইমাসিনা তবানু, তবাবী থাদোক্লগা মমা থানিলসনাবু ওইনা মমৌ ওইনা পুবক্কদবনি হাযদুনা অহকপা যাথং পীবি। ঐবু কমদৌসিবা ? নত্তে, মবানী যেংথিনবগী মবমসিবু কবি ওইবিগবা ?

হোযদঔ, থোক্লবা লাক্লসনু। অমুকসু খন্দোকখি। থানিলসনাগী ফিবেপ্তি হোংদোকত্রে। চিট্টাগোং ইমাসিগী চিঠি ! ওত্থোক্লসু মবৌ থাংনা ইত্রে। অমসু, অমসু

কোইশোক-কোইৱাম তৌদুনা ঐবু চাংয়েং তৌদৌবিত্রা নৎত্রগা কবি .. ? লোইৱা নাইদে চিট্টাগোং ইমাসিগী থাঙয়ান চিঠি !



"নুংঙাইকো !

ইচাগী শায়োন কুম্মে। ইমানা , নোংমা শোযদনা থেংনগনি হাযখিবা নিংথেমগী নুবাবীসু থেংনবেদনা ? বঙ্গ সাগবদা ঙাওবীদো ! ওষ্ঠোক্লসু নুংশিত্রবী ইতানি। মাগী লৈখংখিবা মকোক্তো মওং চুম্না লৈথবীযু, মদু নৎত্রবদি মহাক অমুক ঙাওবগা চংখিগনি। নঙনা মহাকপু ইমাসি নুবাবী কৌবীবে হায়বসু তাবে। নবানীগী কুম্মে, ইমানা দুববিন থাবদুনা ৱবাদে উত্রে। কযাদি মওং তাত্রে, নবানীগী জুবা। মপোক অমগী নিংথেম নুবাবী অদুম্মক হেক মাল্লদনা .. ইচাদি মপোপ মতাংসু ফজনা হৌখিবনি, মপূং মবৈ ফজনসু ফাবে। নঙদি ফুট তকক য়ৌনিংচিং ৱাংবদৌনা উবে। নুবাবীদৈসু ইচানা ৱাংবা হেন্দোকত্রে। নবানীসু মমা মচাবু মানদ্রেদা। সুবমিদি কবি লাইৱাবু শান্নবনো খঙদে, হৌজিক্লবু তেন্না নৌথোবকএ, চহী ২০/২১গী লৈশবীদুম মাল্লকএ। মানদ্রনে, নিংথেম ? মাদি অনৌবা আশাগী মঙাল অমদা মকে শেমদুনা অসুম লৈবকপদৌনসু তৌত্রা খল্লি, অঙকপা ফংনা ফজদ্রনে ? ইহে ! অতৈ ইবাইবু লাযবি, হৌজিক ফাওবা নুবাবী সাগবগী নুবাবী দ্বীপ ফংদ্রিত্রনে ? অপঙবো ! ইনক হেক নক্লা লৈবনিনে, ফংগনি শোযদনা। কাউবত্রা, ইমাগী চিনকোই ? নিংথেমগী নুবাবী ফংলবদি লাইনুবী দ্বীপসু ফংলগনি। নশানা অচুম অবানগী ৱাবেপ লৌজবো। ময়েক শেংনা চিট্টাগোং পাখোংসু ফোঙজবো।

নিংথেম্না নুবাবীবু সুমহৎলিত্রা ? নুবাবীনা নিংথেমবু ঙাওহল্লিত্রা ? নচীন চুম্না চুম্মা খুম্মু। ইমাদি শাথীবী ওল্লবনি। নুবাবী হিপোং অমা ফাবগা কৈসুম মীফা ওইহনবা ঙম্বানি। আদি কালদসু নুপী ফাবগা লৌবসি অকন-অথৌ শক্লবম্মী। দেবব্রতনা মনাওনুপাগী নুপী ফাবীখি। ইমাসু ইমৌ নুপী ৭তি ফাবীগে খল্লি। নুপীতনা নুপীতবু ওৎ- নৈবনি হায়নৈ। ইমাদি মখোযবু চৈবাক পীগে তৌবা নত্তেদা, য়াম্না লুনা তৌবীগনি। ইচানা পাম্বমখৈ ফাবীগে হায়বনি। তৌবতবু নুপী মবিখক্তি অহকপা চৈবাক পীখিবনি, মদু হেক ঙমদ্রিমখৈ ইশক উংখিবোই। মসিসু ইমাগী ৱাশকনি। খঙত্রা, মবমদো ? চিঠিদা ইববোই। কনা কনানো হাযবা অদো, ফোটোগা কোম্নদা উংকে।

নুংঙাইদৌবিজাৎনি, নিংথেম ! নুপীশিং অদুসু নঙোন্দা ফজনা হেক্তা ঙাওবিজাৎনি। ইবাই হেক লায়না খুদুম চনবা ঙমলগনি। ইমানা কৈদৌখি খঙত্রা ? নঙগী নমিং থাব-থাবগা নুংশি চিঠি অমমম থাজিনখি। ফজনা হেক্তা ইত্রপোৎনি। মদু পাব-পাবগা মখোয ঙাওবমগনি। নঙগী পবিক্ষা হায়দোকপা নুমিৎতা লাকউ, উন্নসি হায়দুনসু মতম পীখিবনি। ইমাগী এক্সন খবমখৈদি মায় পাকত্রে। মখোয় অহমদি ইমানা নমিংদা থাজিনখিবা (অমনবা) চিঠিশিং পুবগা লাকখিমাল্লে। অদুবু ওষ্ঠোকপনি ! ইমানা মখোয়বু ফাবদি

ঙমহৌদ্রে। কমদৌনা কনাগী খুজিল থৌবাংনা মাঙখিবনো হাযবসু খঙহৌদ্রে। চিট্টগোং লাইনুবাবীগী মথূৎতগী কযা কুইনা লোৎপা ঙম্বগে যেংসি। মখোযন, নঙবু শোযদনা থিবকখিগনি। ইমাগী নাক্তা মথং মথং থেমদুনা নৌদুনা পুবকউ। থৌবাং তৌদুনা থমলে, তেজাপ বটল মবি।"

তেজাপ বটল মবি! ঐহাক শ্বাই লাওই। চিট্টাগোং লাইনুবাবীনা লাইহিংচাবী! মবমবু কবিগীনো, হা! ইমাসি?

"যেংঙোই নিংথেম! ইমা ইচা অমুক্তংদি উন্নবা পাম্মী। ইমানা নহাকপু যাইফ পাউজেল পীনিংঙি। নঙগী ননাক্তা যাম্না লাকনীংঙি। অদুবু, সবান্দা কোটেজদদি লাকনীংদে। সুবমিলাগী মমিং থোন্দনা শাখিবা কোটেজদ ইমাগা খোঙ্গুল তাহন্নীংদে। ইমাগা সুবমিলাগা নুংশিনদবা অমদি যেংথনবগী মবম অমত্তা ?সাখ্রে, পূম্নমক চমথোক্ল খ্রবনি। হৌজিক্লদুম হেন্না নুংশিনবক্তে হাযবা যাই। মহা অফা ওবীদে, মবত্তা অমুক উন্নখ্রে। ইমা হিংলি হাযবা মহাক খঙখ্রবনি। ইমাগী বাবী পূম্বস মখোন্দা লীখোকখ্রবনি। ইমাগা মাগা উন্নাখিবগী বাদি, মহাক্লা নংঙোন্দা হাযনিবোই। ইবানীগা ঙশক্লগি।

লাংমদি, ইবানী পূম্না ইমৌনুপী ত্তবানু ওবাবী ওকমিনববসু যাবিজাৎনি। তৌজক্লা ওইনদি ইমানা সুবমিলা কোটেজদা লাক্লনা ইশক উৎসববোই। নংসু মবমদা শঙলেদনা! সকুদাগী মং মদ ঐগী ইশক উৎনিংদে। ঐবু যাম্না নুইর্জথিবীনি হনখিগনি। নহাক্লা মাগী সেবা নি খিন্না তৌবিযু। মাগী লমন শিংবা কাউনে। ইমাবু মঙোন্দা নৌনা লুহোংবীগু হাযবা নংত্রকো! নমায ঙাওনু, মতুংদি ঙা ওবি হৈফোবগী থবক তৌবনুকো।

নঙদুম .। ফাবে, মখাদি ইববোই। ওসি নুমিদাং ইমাগী নাক্তা লাকউ, ফোটো মবিদো মশক উৎলগে। ইমানা নংগোন্দা গোল্ড মেদল অমসু পীনাংঙি। মদু পীগে হাযদুনা লাক্লম্বনি। মীনা নোক্লবীগদ্রা খন্দুনা পুবগা চৎলে। ইমাগীদি ইচম চম্বনি। ইনাকখুনবা থানলসনাখোযগী মতৌদ ইমানা তম্না ঙমজপোৎ নত্তেদো। মাদুম ইমাগী ইমৌ ওইবদিকো নিংথেম নংসু ইনাক খুন্দৌবিজাৎনি। মাদি মবানসু হন্দোকপীনমলে হাযবদাই? মাপু খোপচিনবা কাউগনুকো। কবিম ত্রা হেক অকাযবা লৈত্তে। ইমাগী লাইবাদো কাউগনু - হং হং! কুকু! চুচু! থৌ থৌ! মদু শোল্লগা কউনা শোকপদা দোষ পূম্নমক কোপনি। নকোক নোন্দুনা খুনমজৌ! খঙদে, খঙদে নিংথেম! নহাক তৌর্জিঞ্জ অঙাং নংত্রে, দোক্তেব ওইবে। নঙনা ফৈ, ফত্তে খল্লগা তৌজবো। ইমাগী খূর্জি ঙসিদগী থাদোক্লগে ।

"নিকিনিক নিকিনিক নাযুম নাযুম . . অম্বাবতী শ্বা!" নবুধৌ কিথ্রমপুনগী লাইবা অসে নীংশিংলদনা? নমীং পাঙথোক্তনা কোযযেং যেংলগা থিজবো।

তু! যেংঙু! সুবমিলা বিচ মযাদা বুবকা উপ্পা নুপী অমা শোযদনা লাক্লনি। ইমাগী মীনি। মখোযনা তৌখিব গুম্না ইমাসু বুবকা উপ্পীগী মতেং লৌবে। ঙাওবৈ ফৈবি, নঙগী হৌনবী; নুপী অদুগী মাযখুমদি হাইগৎলুনু। নঙনসু মশক খঙবীনি। মাগা লাকমিন্নৌ। মহাক্লা তাকপা লম্বীদা মোটোব বোট থৌবকউ। ইমানা খূনীং মোদোন কাংদুনা নঙগী মাযকৈ যেংলমগে। নঙবু তবাম্না ওকলমগে।

নিংথেম ! ইমা চৎলে চৎলে !

নিংথেমপোকপী,

চিট্টাগোং লমীতাবী।"

ওহ্লোক্লসু শাংখ্রে; চিট্টাগোং ইমাসিগী চিঠি। মুন্নদি পালে। ফজবা পাউতাকসু যাওবি। যানিংদবসু যাওবি। জ্ঞান মাঙবসু যাওবি। মনাক্তা চৎপদি তাবনি। মেন তানা থেমলুবা তাবনি, মলাইনা ইংথজখিনি। অদুক হাক্লা নুত্তমথী ওইবা ইমাদি নত্তে।

চিঠি পুপচিল্লে। ঐনা সুবমিলা কোটেজ তল্লা লাউবন্মী -"ইমাসি ! ইমাসি নুবাবী ! চিট্টাগোং ইমাসিনা নচাবু লাকউ হায়বি। নচা চৎলুখিগে। নিংথিনা লৈবীবম্মু, তল্লা হঞ্জবক্লে। ইত্তুং ইন্নবক্কনুকো ।"

পাউশ্বম ঙাইহাখদে। ঐহাক সুবমিলা বিচ তল্লা চেম্বুবগা মে টোব বোটকী খৌর্বা থাদোকই, খুদক্তা তোংখৎলি। কুসুমসু তোংখৎহাল্ল। বেটবী সেল লৈবা চংখিবা বাহাদুরনা লাপুক্লা লাউবকই – "ছোটে সবকাব ! পেটবী সেল পিবদা আ যৌকলে ঐদু লাকচগে।"

বাহাদুর পুনা লাবা খোঙচৎ নত্তে। ইশমচাইবগী খোঙচৎ তৌবে, মমাং পংলা থৌনাংলকই, যাংনাদি থৌদে। সাগব দ্বীপকী মাযকৈ পাংলব ই।

২০

মঙ ! অহিংগী মঙ !

মঙ কযা মঙখি। নোংঙাল্লমদাইদা মঙখিবা মঙ, সাগব দ্বীপকা মতোন্দ কপালিযানশিংগী কেম্প মনুংদা মঙখিব মঙ ! অচুম্বগী মশক ওইবক্কদৌনি। মঙ অমসুং পুক্নি থাদোক্লবা যাদনা মবী থমা লৈনৈ। মঙবু, মঙনি হায়দুনা খন্দোকপা যাদবা মতম লাকই। ইঙ্গিৎ পীবনি হায়দুনা লৌবা যাই। মঙ খুদিংমক অশ-ফগুগী ফল লৈ। তুংদা থোক্লগদবা থৌদোক কযাবু মাঙজৌননা মঙদা উবসু কোঙ্গার্ন। মাইবা মাইবী কয়া মফমদসু মঙতাক থা তাক্লন্মী হায়নংচিংবা কযা লৈবি। হায়াজনপান হায়কবা যাবা নত্তে। "থিয়োবি ওফ বিলেটিভিটি" হায়বা অসিগা মঙগ মবী লৈনৈ। মঙদা, মঙখিবা থৌদোক, তশেংনমক চুম্লকপা যা ওই। মদুবু মঙফা ওনবা কৌনৈ। উঙমদবা শক্তি অমনা মঙ মঙহনল্লি। ঐখোন্দসু ফনা যাম্না চুমখিবা লৈ। ফত্তবা মঙ ওইববদি, থৈদোক থৈজিন তৌনবা তোংনবম্মু যাব্রা খল্লি।

সাগব দ্বীপবা মঙ অদুদা কুসুম মানবী নুপী অমা উখি। কুসুম ওইনা (স্বয়ং) ফাওনক্লে। শকহেনবী নিংথিবী কযাসু মথং মথং থেংনখ্রে। গেম ওফ জোক ওইলবসু ঐগী ইমিংদা লোট্রবী ফাওখিবী নুবাবী কযাবু মফম চানা চানা থা ফুথোকখ্রে। মঙগী ফল থৈদোকখ্রে। মখোয যানবা যানদবা অদুনা তোঙানবা ব্রানি। ঐখোন্দগী দমা খবদি ঙাকথোকখ্রে হায়দুনা খনবা যাবে। অদুবু খঙদে কবি থোক্লগবা ? নুপীশিং অদু হৌজিক্লা মাঙখ্রে হায়বি। চিট্টাগোং

ইমাসিগী চিঠিদা পল্লি। ইমাসি নুবাবীনা নাবোন্দবু শিংচেপ থাবিব্রা ? অমবু ওইববসু, ইমাসি পুংবাগী মবক্তা শীংনবনি খঙদে, অঙম তান্নবনি খঙদে, কৈনো অমদি লৈবে। ফজনা হেক্তা ময়েক শেংলে। অমনা ময়ামদো ফাজিনবা, অমনা ময়ামদো কনবা ! মসি শোয়দনা ওইগনি। মদু নৎত্রবদি মবানী থৌবী চিংনফম থোক্তে। টগ ওফ ব্রাব ! খঙনি, থৌবী ময়াইদা থদৎপীগে। লুদি লুবিদা, 'লীন চৈশ্' শান্নবা তাবিব্রা ?

চিট্টাগোং ইমাসিগী চিঠিদা বাবা সুকুমারগী কোৎচি অমদি কোৎলি। মহাক মশানা য়াবগুমসু তৌরি। বাবা সুকুমারসু ঐনা পীবা খুদোল লৌগনি হায়দুনা ব্রাশকখ্রে। ঐনা কবি পীগদৌবি হায়বা মাদি খঙলমখিবোই। ছৌবিং ছৌবিংদুম লাওবকই। মহাক্রসু ঐঙোন্দা খুদোল অমা পীগনি হায়দুনা ব্রাশকখি। য়াম্না লৃবিজাৎনি। মপানথোংগী চোইত্রং পাত্রংনা তোঙানবনি। মচলনুপী মিস সুবমিলাবু ঐঙোন্দা খুদোল ওইনা পীথোবক্লবদি কমদৌবা ? অনৌবা রেকোর্ড অমদি শোয়দনা ওইবগনি। ঐখোয় মবিগী লভ ট্রাইয়েংগল ! 'স্কোয়াব ওফ লভ' হায়বা অদু তাবকপা য়াবি। হৌজিক্তি, চাল চল্লি হৈতবা য়াদ্রবনি। চিট্টাগোং ইমাসিনা মবোল অমা ইনশিনবা হৈবিবা !

ঐবু কৈদৌসিথা ! যাম্নমক থুনা ফিবেপ অমদি লৌদবা য়াদ্রবনি। শ্রীমতী থানিলসনা ! ইমাসিগী মক ওইবা টাবগেটনি। নাম্বোকপা পাক হেক য়াগদবা মান্দ্রি। কেবী সিষ্টবগী মবমদদি চিট্টাগোং ইমাসিগী চিসিদা বাহৈ মচেৎ অমতসু পল্লক্তে। মবী মতানি হায়দুনা ঙাকপীদৌব্রা ? ঐ ঙকই ! থানিলসনবুদি হেক্তমক অপান্নদুনা মখৃদোম্বী থিল্লগা তাকলি ঐগী ইনেমসি (ইনেমবোক) ওইবকপা যাবিবী নুপীনি। অদুগবু হৌনবিব্রা ? ইমাগী যাথং, মচা ঐনা ঙাক্রে, কদায ? ঐসু ফাগী ফগী নুবাবী ৭তি লোনগনি হায়দুনা লাউথোকখ্রে। মমৈদনে, অনীদং ! মসিবুদি শোয়ববোই।

ঐগী ব্রাখল উংজানবি। সুস্ত্রংদা মোটোব বোট থৌবি। খঙদে, কদায়দা চৎলিবা ? ইনাক্তা বুবকা উশ্নী কুসুম ফর্মলি। ঐহাক স্লান তাবকই।

কুসুম্না হাযবকই —"ছোটে সবকাব ! লম্বী ওন্নবে। সাগব দ্বীপ্তা নত্তে, অতোপ্পা দ্বীপ অমদা চৎকদবনি।"

"এবা কুসুম ! নমায়দু হাইগৎলু । নঙবু বেগমলা ?" ঐনা মাথু চৈহৎপা ওইনা শমথখি - "ঙসাইনা মায়কৈ তাকপা য়াদ্রো, নখুৎ থিল্লু, কদাযদনো, কবি দ্বীপুনো ?"

কুসুম্না বুবকা মায়খুম হাইগৎলে। মাগী মশক উবে, নোকমি নোকমি তৌবদুনা হাযবকই - "লাইনুবী দ্বীপ্তা চৎকদবনি।"

"লাইনুবী দ্বীপ !" ঐনা ঙক্নুনা অমুকসু নোৎশিল্লি- "কবন্দা লাইনুবী দ্বীপ ?"

কুসুম্না খুমলকই — "ইমাসি লাইনুবাবীনা তোঙান্না থোনজবা মমিং ওইবনি, চৎকদৌবিবা মফম অদুদি খঙই। বাংলাদেশকীসু ওইদবা, ব্রহ্মদেশকীসু ওইদবা দ্বীপনি। মেনগ্রোপ পাম্বীশিংনা কোইশিন্দুনা হৌবা, আদা উমংদৌনা উবিবা অসিনি।"

" হেরা ! অসিদি লোবী আইলেন্দনি।" ঐনা খুম্মী।

"হোযনে, হোযনে লোবী আইলেন্দনি।" কুসুম্না মখা তানা হাযবকই - "হান্নদি সম্থালি দ্বীপ কৌবম্মী। দুম খবদং লৈবম্বনি। হৌজিক্তি যাম্না চাউখংলে।"

"চিট্টাগোং ইমাসিদি মফম অদুদা কমদৌনা লৈবমলিবা ?"

"মদুদি খঙজদে, ছোটে সবকাব!" কুসুম্না খুম্মী অমসুং শমথবকই "দ্বীপ মতোন্দা মন্দিবসু, চার্চসু, হোসপিটালসু, স্কুলসু পনবা বিল্ডিং অমা লৈ। মদুদা লাকউ হাযবম্মী।"

"মদুবুদি ঐসু খঙই, কুসুম! অদুম মবিনক চংলুবে। চিট্টাগোং ইমাসি থেংনবকখিদে। লৈবমগনি হাযবসু খল্লুদে।"

"কুন্দু ইবানীসু ইমাসিগা থেংনবা কুইদ্রি।"

"কুসুম! সম্থালি দ্বীপ্পু লোবী আইলেন্দ কৌখিবগী মবমদো নঙ খঙব্রা ?"

"খবদি খঙই, ইমাসিদৈ তাজখিবনি।" কুসুম্না মখা তানা হাযবকই "সুমদৌবনি, ছোটে সবকাব! ঙসিদগী চহী তবামঙামুক্কী মমাঙদনি। নোংমা, অহিং মমৈদা, খৃষ্টান ধর্ম্ম শন্দোকপা কাঙবুগী ষ্টিমব মচা অমা বঙ্গ সাগবদা যাংনা থৌবকখি। ব্রহ্মদেশতগী লাকখিবনি। মফম অদুদদি খৃষ্টান ধর্ম্ম শন্দোক্নবা যাবা নত্রেদে। বুদ্ধিষ্ট লপ্পোইর্বাশিংনা মখোযগী লাম্মীশিংদা তাক্নুনা তান্নবকখিবা ওইবমাল্লে। মখোয মী মচাগী খোঙচৎনি। মবি অমদি লাম্মীগী নোংমৈ মকনা শন্দুনা ঈশিংদা তদুম তাহৌবে। ষ্টিমব থৌবিবা অদুদি উপা নাচিন্না হিংহৌবে। ব্রহ্মদেশকী লাম্মীসু হুপ্রে। ঙমখৈ লাপ্পোক লানশিনগী অহিংবা হবসু লৈবদৈ ওইবমাল্লে। ষ্টিমব অদু মাযকৈ সলাগ খঙদনা থৌবক্নুনা সম্থালি দ্বীপকা চাংচপ অমদা ব্রাইশিন্দুনা পনখি। শাথিনা কাযবা খেংপাদ তৌখিদে। মথম্না হিংহৌবিবা নুপা অদুগী মমিং দোক্তব লোবী কৌই। মিসিন্নবিগী যাম্না হৈবা দোক্তবনি। মহাক্না সম্থালি দ্বীপ অসিদা অনৌবা মঙাল অমা পুবকাখ। সম্থালি অযাম্বসু খৃষ্টান ওনখ্রে। মহাক্না অতৈ ধর্ম্ম অতৈবু তাথিবদি তৌখিদে। মমৈদা দ্বীপ অসিবু লোবী আইলেন্দ হাযদুনা খঙনবকখিবান। খুন্দাবিবা পূম্বসু লোবীযান হাযবগা খঙনৈ। মফম অসিদা ভাবতকীসু ব্রহ্মদেশকীসু পৈশা অনীমক চংনৈ। হৌজিকসু লৈবাক অমত্তনা খোপচিনদ্রি।"

"দোক্তব লোবীবু হৌজিকসু হিংলিব্রা ?"

"মমাঙ চহীদা লৈখিদ্রে। অনৌবা মিসিন্নবি কাঙব্ অমা লাক্নুনা মহাক্না লীংখৎলম্বা স্কুল, হোসপিটাল চলার্যবি।" কুসুম্না ঙাইহাক লেপ্লগা শমথবকই- "অদুবু, লোবী আইলেন্দদি ইমাসিগী মরা চংলি। মহাক্না পাম্লি হাযবসু যাই। খ্বাই পূম্নমক্না মহাকপু লাইনুবী কৌনৈ। খৃষ্টানশিংনদি সিষ্টব আইবেলা কৌনৈ, হোলি মাদবসু কৌই। মিসন স্কুলগী ওজা মকোকসু ইমাসিনা ওইবি।"

"নুংঙাইদা! ঐগী চিট্টাগোং ইমাসিগী মপাউ তাবদা।"

"ঐখোযসু যাম্না নুংঙাইবে, হৌজিক্তি।"

"কুসুম!" ঐনা মাবু খংকৌ কৌবগা অমুক হংঙি- "দোক্তব লোবীগী মচা, মশূ, নুপী, অঙাংদি লৈব্রা ?"

"অদুক কুপশিন্নদি খঙজদ্রে, ছোটে সবকাব!"

"কুসুম! অসুম চিংনবকই।" ঐনা ঙাইহাক খল্লগা হায়দোকখি - "ইমাসিগী মরা মপাউ চহী কয়া তাকদ্রবনি, শিগ্রে হায়দুনসু পাউ লাকগ্রে। ঐতনদি হিংলমখিনি খল্লকই, হিংদুনসু লৈবমলে। মঙ চুমলে অদুবু হৌজিক্তা মোংফমদে হিয়াং অথৌবী ওন্দুনা হিংগৎলকলে। নহালখৈনা কৈদৌবে লোংলিবা! মবমবুদি খবা খঙলে।"

"ছোটে সবকাব! মবক থৎনা বাফম অমতং ...।" কুসুম্না সৎ হেক্তা চৎথবকই, " দোক্তব লোবীনা ইমাসিগী মথবায কনবীদুনা লায়েংবীখিবনি হায়বগী বাবীসু তাজে।"

ঐনা নিংসা স্বব শাংনা হোন্দোক্লগা হাযদোকখি- "অস! কুসুম! ঐগী চিট্টাগোং ইমাসিদো দোক্তব লোবীদা অমুক ওংলম্বসু কনানা খঙবা ... অদুবু হিংলর্মলিবা অসে লাইবক ফবনি।"

"ছোটে সবকাব!" কুসুম্না ঙাইহাক লকক তৌবগা যাম্না কিজনা হায়বকই, "চিট্টাগোং ইমাসিগী বাফম অসিনা অতোপ্পা অমনি। মবক থৎনা বাফম অমতং হংজগে হায়ববু . . শাউগদ্রা ?"

"কৈদৌবে শাউদোইবা, হায়মু তাসি।"

"অদুবুবো ..." কুসুম্না বৌতক তৌনা হাযবকই - "তল্লেদা, ছোটে সবকাব শাউদৌ মাল্লি।'

"শাউবোইনে, হাযযু কুসুম!"

ঐনা তকশিল্লি। কুসুমদি তুমিন্না লৈগ্রে। লোবী আইলেন্দসু নকশিল্লক্রে। মোটোব বোটকী খোঙজেল খংযাং যাংখৎলি। দ্বীপ অসি অহুম মবিরক্তি কোইবমগে খল্লি। নহালমখৈসু ঐগী প্রাক্তিস তৌফম ওইবিবা মফম অসিদা চিট্টাগোং ইমাসি! ইনক হেক নক্লা লৈবেদনা লাইনুবী দ্বীপ! লৈবমগনি, অঙকপা বাবী অমা।

নুংঙাইদৌবি, ইমাসি পুংবাগী লাড়াই!



"ছোটে সবকাব!"

কুসুম্না ঐবু কৌবগা হায়বকই-" য়ৌদৌবে, মোটোব বোটকী খোঙজেলদো খবা তপথৌ! বাবী শাবসু নুংঙাইতে।'

"কবি বাবী লৈবিবগে ? নঙনা হংগে হাযদুবা ?"

"ফবে, শাউবোই হায়ববনিনা হংলগে।" কুসুম্না বামাঙ য়ানবা ওইনা বাফম অসি থমলগা শমথবকই- "অতৈ নক্তেদা, 'ইবাচ' হায়সিবু ছোটে সবকাবখোয়গী নিংথেমলোন্দা কবিবু খঙনবগে ?"

"নঙদি কনাদে তায, কুসুম ?" ঐনা খঙনীংনা হংঙি।

"অদুবুবো, ছোটে সবকাব!" কুসুম্না ঙাইহাক কোখবগা হাযবকই- "ইমাসি নুবাবীনা নহাকসে মাগী ইব্রাচানি হাযবম্মী।"

"অস! ইমাসি নুবাবীনা অদুম্না হেক হাযবম্না ?"

"সত্যনা সাক্ষী! হাযবম্মী" কুসুম্না খুম্মী।

"কুসুম! ইব্রাচাগী অর্থ অনী সুই।" ঐনা মখাতানা শন্দোক্নুনা হাযখি - "কনাগুম্বী নুপী অমগী মবানা অতোপ্পা নুপী অমা লৌখিদুনা পোকপা মচাবু নুপী অহল অদুনা নৎত্রগা লোন্নবী অতোনবী অমনা নুংশিদবদগী 'ইব্রাচ' হাযবদি ইব্রাগী মচা হাযবগা খঙনৈ, অশম্বীদা ইব্রাচা! অতোপ্পা অমনা, মমা নৎত্রগা মমা গুম্বী লৌবা নুপা অদুবু নুপী অদুনা মবা মচা হাযবদি ইব্রাচা কৌনৈ, ইশাবী ইব্রাচা হাযদুনা নুংশিনা কৌনবসু যাওই। ইচাগুম্না ইবা মচা হাযবদে ইব্রাচা হাযবদি ইব্রাসু, ইচাসু অনী পুনবদগী মিংগৌবোন অসি থোবকখিবজাৎনি।"

"অদো, ছোটে সবকাব! অপোপকপী মমাবু মচানা লৌবা অসিবু যাত্রনে ?" কুসুম্না নোৎশিল্লকই

"অস, কুসুম! কবিগুম্না শোযবদে নৎএগা মশক খঙনদবদগী থোকখিবা লৈবমগনি। মমাগুম্বী লৌবদি পীকথন্না লৈখ্রে।" ঐনা নোকফেৎ তৌনা চৎথখি "ঐসু অমদুম লৌসিবা খল্লি।"

"যাইদা যাইদা! অদো ছোটে সবকাবদি ইমাসি নুবাবীগী কবম্না ইব্রাচানো, ইশাবী ইব্রাচা ওইদৌবিব্রা ?"

"অস, কুসুম! নঙদি কবি খল্লি ?" ঐনা থৌদুনা হংঙি।

"ঐখোযগী কোটেজদা নবানী পূম্না অহিং লৈমিন্নজৌ হাযদুনা কুন্দু ইবানীদি হিদা তুমখি।" কুসুম্না লকক তৌবগা চৎথবকই- "মদুনা তাকপদি নঙসে মাগী ইব্রাচা অনীমক ওইবমগনি খল্লি।"

"কুসুম! অহিং অদুদা ইমাসিগা ঐগা কোটেজ মনুংদা লৈমিন্নখিদে, শেবানবা বাখল খনগনু।"

"ঙাকপীগনি, ছোটে সবকাব!"

"ঐ শাউদেদা কৈসু।" ঐনা ঙাইহাক খল্লগা মখা শমথৈ- "ঐনা ইমাসি নুবাবীবু লাইবেম্বী অমদৌনা খল্লি। মহাক্তি মকোক বেবা খবা লৈবীনি। মাগী নুংঙাইনবা ঐসু চোইত্রং পাত্রং শায়ে। মঙোন্দা লাযনা অমা লৈবি, মাগীসু বাশক অমা লৈবদৌনসু উই। ঐনা ফজনা লাযেংনবা হোৎনবি। অদুবু কনানা খঙবা .. মমৈথংদা ঐসে মাগী ইব্রাচা অনীমক ওইবকপসু যাবিজাৎনি। অদুগা, মহাক্না ঐগী ইতুমাসি! মসিসু নুংলোন লৈবা নিংথেমলোননি।

"কৈসু কাযদে, ছোটে সবকাব! ঐদি মাবু উদ্ধাব তৌহনিংঙি। চিন্নদনা লৈমন চন্দুনা মাঙহনখিবা পাম্মুজে।"

"হাইস, কুসুম ! নঙসু মাগী মীচঙ ! কপালিয়ানশিংনসু মাবু ফোঙনা লুহোংঙু হায়দুনা ইনশিল্লি। ঐ ঙাওদৌবি। চিট্টাগোং ইমাসিনসু ইমাসি নুবাবীবু মমৌ ওইনীংবগী বাফম পল্লকই। ঙসিসু, ঐবু কৌবক্লি। মোংফমদে হিংগৎলক্কবী চিট্টাগোং ইমাসিনা ঐবুসু মাগী করি কবম্বা মিসন্দা খুৎলায় ওইনা শীজিন্নদৌবিবা... পুক্লিংদা চিংনবা খবদি লৈবে। অদুগনে, কুসুম ! সাগব দ্বীপকী অবোইবা অহিং মমৈদা ঐনা মঙ অমা মঙখি। নহাক মানবী নুপী অমগা চিট্টাগোং ইমাসিগী মনাক্তা মোটোব বোট থৌদুনা চৎমিন্নবম্মী। ঙসিদি, তশেংনমক চুমলবে।

"ইস ! অওইব্রনে, ছোটে সবকাব ?"

"তশেংবনি, থাজৌ কুসুম !"

"অতে ব্রাদি ঐ খঙদে।" কুসুম্না নোৎশিল্লকই- "ইমাসি নুবাবীগা ছোটে সবকাবগা লুহোংবগী বাফম অদুমদি ঐসু শৌগৎচবি।"

"ফবে, চিট্টাগোং ইমাসিগী অবোইবা বায় অমা লৌখিগে। মাগী নীংজবা অপাম্বা কয়া লৈবমগনি। ঙসি, ঐগী নুংঙাইববা নুমিৎনি। ইমাসিগী নীংজবা অমসু ঐনা থুংহল্লে। ঐহাক শিববসু পেল্লে অদুবু শিবদি শিখিবোই। ঐগী ইমাসি পুংবা পুন্না লৈমিন্নহনগে খল্লিবনি। মবানীগী মুক্লবা শীংনবা ঐনা তেমশিনগনি; অনীমক্কী ব্রাশক থুংহনবা তাই।"

"ছোটে সবকাবগী পুন্সিসে য়াম্না নুংঙাইবক্কদবা মাল্লি।" কুসুম্না শমথবদুনা হায়বকই- "ইমাসি অনীদো অঙাং ওইবিঙৈদগী মতা শান্নবকই হায়বসু খঙজবে।"

" হৌজিক্লা অনীদো মনি মমৌ নৎত্রগা মচন মনিং ওইবকপসু য়াবিজাৎনি।" ঐনা ওকশিল্লি।

"মচন মনিং হায়দি ...?" কুসুম্না হংলকই

"অদুবুবো, ঐনা চিট্টাগোং ইমাসিবু ইমাসি নুবাবীগী মবুং পাখঙ শবী সুকুমাবদা লুহোংবীগে খল্লি।"

"অস ! ছোটে সবকাব ! মদুদি অমুক্তা থোক্লিবা থৌদোকনিদনা।"

"ঐনা অপোকপী ইমাবু থাজদুনা লুহোংবীববদি থোকলেদনা।"

"অদুগা, ইমাসি নুবাবীদি ... ?"

"কুসুম ! নঙবু ইমাসি পুংবাদে নখুৎ ওয় য়েৎ তিংথোক্কুনা শেন চাকব্রনে ?"

"চাদেদা, ছোটে সবকাব !" কুসুম্না ঙাইহাক খল্লগা তেনশিল্লকই - "কবি অমত্তা অকায়বা লৈতে হায়দুনা হঙ্গৎচবনি। মীওইবগী চৎনবোল, মীওইবনা শেন্দ্রনি। মফম মতমগী মতুংইন্না, হোংদোক হোংজিন কয়া তৌব্রপোৎনি। তিংখৎ যুদৌসু অমত্তা লৈতে। ইমুং অনীগী তৎলুববা মবীসু হেন্না চেৎশিল্লগনি।"

"এঃ নঙদি চিট্টাগোংগী পুয়া পুম্নমক খঙলব্রা ?"

"ইমাসি নুবাবীনা শিৎশিৎনা লীবম্মী। মপোক অসিদদি থুংনবা ওইসনু অনৌবা শায়োনগী নিংথেম নুবাবী !"

ঐহাক্না ফাক ফাক নোকথোকই। মদু লোয়রগা শমথখি - "ইমাসি পুংবানা নঙবু খূৎলায় ওইনা থাবকশগী মবম খঙলে। ঐগী কুম্মৈ অসুম য়েংঙু। নুংঙাইহবা মিংগী কয়া থোক্লবা য়ারি। বাবা সুকুমারদা ঐনা হবাইপা অমুক কৌবা তাবিব্রা ? অদুগা মহাক্না ঐঙোন্দা হশেনচা ! ইমাসি নুবাবীনা মতা হবেম্মদা হনম্মা ! সি. .সিবু ... কুসুম !"

"ছোটে সবকার ! ঐদি ইমাসি অনীমক্কী লাইবাব চৎশীনি। পাউ পুথোক-পুশিনবুদি খবা তৌজবে। অনীমক থোক্লবা ওইবসনু !"

"ফবে ফরে, কুসুম ! লাইবক খেল য়েংসি।"

"তু ! তু ছোটে সবকাব ! মাঙদা লৈবে লোবী আইলেন্দ ! চীংথক্তা মন্দির উবে।"

"ফবে কাখৎলসি, কুসুম !"

লোবী আইলেন্দগী মফম চাবা অমদা মোটোব বোট থৌজিল্লে। কুসুম্মা মাঙ থাবদুনা চৎলি। ঐনা মতুং ইল্লি। ইনক নক্না মফম অমদা মোটোব বোট অমা খামদুনা লৈবা উবকই। চিট্টাগোং ইমাসিনা তোংখিবা অদু শোয়দনা ওইগনি খল্লি। মোটোব বোটকী হিবুক্তা মমিং থাবি - 'লাইনুবী' ! নহালখৈদি উখিদে। হ.নী নৌনা লৈবা মাল্লি।

দ্বীপ মতোন্দৈ টোর্চ লাইট কাপথবকই অদুগা নুপা অমনা লাউবকই- "কনা কনানো মখাদা লৈরিবা ? কৈদৌবা, লাকপনো ?

কুসুম্মা খুম্মী - "লাইনুবীগী মনাইনি।"

"কাখৎলকউ ! কুসুমলা ?" মথক্তগী নুপা অদুনা হংলকই- "অমদি কনানো ?"

"দাদা ! ঐ কুসুমনি।" কুসুম্মা মখা শমথখি- "লাইনুবীগী মচা দোক্তব নিংথেম মঙাংসনা য়ৌবক্লে।"

"সলাম, ছোটে সবকাব !" মথক্তগী নুপা ব্রাচমেন অদুনা হায়বকই- " লোবী আইলেন্দনা অদোম্বু তবাম্না ওকচবি। লেঙখৎশীবকউ। কুন্দুসু কুমথগ্রবনি।"

কুন্দু য়ৌশিল্লকই। ঐঙোন্দা সলাম কৎলি। ব্রাদি ঙাংদে। ঐদি ইমাসি উনীংবনা মিন্থন চোংখি। চেনখৎলি। ইতুংদা কুন্দু কুসুম ইল্লকই। থুনমক মন্দিবগী মমাঙদা লেপলুই। মন্দিব থোঙ লোন্দুনা লৈবম্মী।



থোঙ থিল্লি।

কুসুম্মা চঙশিন্দুনা থোঙ থিল্লি। মন্দিবগী থোঙ থিল্লি। থোঙ হাংদোবক্তে। ফনা কুইনা থোঙ হাংদোবক্তে।

"কুসুম ! মন্দিব মনুংদা কনা কনানা লৈ ?" ঐনা হংই।

"লাইনুবী মথক্তা লৈ।" কুসুম্মা খুম্মী।

"লাইনুবী তৃপ্লম্না য়াই।" কুন্দুনা পাংশিল্লকই।

"ওইনবিবনি, তূন্নম্মোই।" ঐনা খুম্মী।

" ছোটে সবকাবনা অমুক্তং কৌবীযু।" কুসুম্না হাযবকই।

ঐগী থবাক্কী মিহুন তিং তিং চোংঙি। মতম কুইববগী মতুংদা ইমাসিবু উজবা ফংলগনি খনবগী নুংঙাইবসু অঙকপনি। নিংসা স্বব ফাওবা চনীং তানা হোনখিদে। ঐ ভাব তাবকই, থোঙ থিল্লক্কনু, মহাক্পু নুংশিনা কৌবকউ হাযবনি। ঐনা মন্দিবগী সিডি কাফমদা লাইবক কৎলে। নোনখৎলগা লেপলে। নিংসা স্বব ফাথবগা কৌজে - "ইমাসি ! পলেম ইমা অপোকপী ! নচা লাকএ। নচা নিংথেম মঙাংসনা লাকএ । মতম কুইনা থিবক্তে হাযদনা নচাবু বাবৌবিব্রা ? কেকু ফোং ফোং ! নঙদ কেকু লোৎপা হৈবীনি। হৌজিক্তি ফোংলেদনা। নঙগী চিনকোই ভুংইম্না নচা নিংথেম দোক্তব ওইবে। লাইনুবী দ্বীপ থিবা লাকচবে। থোঙগা নাতৈ কাংবীবো, চাবগী পৌবোল শৎপিবো। পীনবিযু যাইফ পাউজেল !"

"হো ! অদুনিদনা ইমাগী নিংথেম !" নুংশিববা ইমাসিগী খোঞ্জেলনা মনুংদগী মখাতান হাযবকই "মীকৌবোন, লাইকৌবোন যাওদনা থোঙ থিল্লগা নমাবু হৌদোকপা হৌনব্র', অপঙবে' ! অদুবু, ইমা শাউদে। থোঙগী পৌবোন থাদবনি। ইঙ্গোক্লগা চঙলকউ নথন্তা।"

ঐনা থোঙ ইঙ্গোকই, শাবাক যাক্লা ইঙ্গোকই। কবিসু উদে, পুম্মম মম্মা। মনুংদা মৈ থান্দে। চিট্টাগোং ইমাসিগী মশক উবসু ফংদে। মন্দিব মনুংদা কবি লাই লাৎলি হাযবসু উদে। ঐহাক খোঙ থাংজিন্দুনা মন্দিব মনুংদা চঙশিল্লগা লেপ্পী অদুগা কৌজে "ইমাসি ! চিট্টাগোং লাইনুবাবী ! নুংশিববী চেংলৌ শক্তম উৎপীবো।"

"পুন্সি হাযবদো অসিনি নিংথেম ! অমম্বদা পোৎ থিবনি।"

"ইমাগী নুংশিবা মনম নীংশিংজবি। অমম্বদা পুন্সিবু থিজগে।" এনা খুম্মী।

"কুন্দু কুসুম ! নবানীনা যাম্না বাবিবে।" অমম্বা মবক্তগী ইমাসিগী খোঞ্জেলনা হৌবপ্পা হাযবকই " নবানীবু ইমানা থ'গৎচবি। মীথুংশঙদা নুংঙাইনা পোখাজক, হযেং নোংঙাল্লগা হল্লু, ইমানা নবানীগী অবামল, অথেমপোৎ পীখিগনি।"

"ফগনি ইমাসি!" কুসুম্না খুম্মা।

"ইমাসি, ঐখোয চৎচবে।" কুন্দুনা পাংশিল্লকই।

কুন্দু কুসুম চৎখ্রে। মবানীগী খোঙথাং তাবকই। ঐদি মন্দিব মনুংগী অমম্বদা লেপ্পুনা লৈহৌই। ঐনা খল্লি, মসিনা ইমাসিগী কবম্বা চাংযেংনো ? মহাক্কী পাউখুম ঙাইজখি। খঙহৌদনা মাগী যাথং তাবকই, মশক্তি উখিদে।



"থোঙ লোনশিল্লু, নিংথেম!"

"লোনশিল্লগে, অপোকপী!"

ঐনা মায় লৈথোক্লগা থোঙ লোনশিল্লি অদুগা মখা তানা অমুক হঙ্গৎচৈ, "ইমাসি ! চেংলৌ শক্তম নিংথিবী, ইমীৎ থীৎনা য়েংজগে, খূয়া থম্বাল শোক্লুনা, ইকোক নোম্না খুকমজগে। নচাবু থৌনা হাপ্পীয়ু, য়াইফ পাউজেল পীবিয়ু।"

"নুংশিদা, ইচাগী য়াব্রাসে।" শকউদবী চিট্টাগোং ইমাসিনা হায়রকই- "নঙবু ইমাগী মনম খঙই হায়বদাই ... ইমাবু থিবকউ। নহাক্কী ট্রেনিং হৌববনি। ইমাগী খূৎতা পায়বিবা সনাগী মেদল অসিবু পুল্লিবা চগো মনুংদা নঙক লীৎশিল্লকপা ঙম্ব্রা য়েংজৌ।"

"অতৈ লায়বি, ইমাসি ! ট্রেন্নিং হায়বদি কবিনো ?"

"অমম্বগী মশক ওইববা পুক্নিগী শাংলবা লম্বী অমা নহাক্লা চৎকদৌবি। ইমানসু নঙোন্দা অকি তুজুংনিংঙাই ওইববা থবক কয়া শিন্নগদৌবি। মিসন অমনি হায়দুনা লৌবসু য়াই। নহাক্কী খোঙচৎ অদু, মায় পাক্কদৌবিব্রা নৎত্রগা মায়থীগদৌবিব্রা হায়বা অদু ইমানা চাংয়েং তৌবিবনি অদুগা সাখিনা অমসু খঙনীংলি। চঙশিল্লকউ, নীংহন্নগনু।"

ঐঙোন্দা মনম খঙবগী, মনম নমদুনা পোৎ থিবগী অঙকপা শক্তি অমা লৈজৈ। ঐনা চহী ১২/১৩ সুবকপা মতমদা ইমাসিনা ঐবু মথানুংদা কোনশিন্দুনা তুমজখি। মতম অদুদা চুশিনখিবা ইমাগী মনম ! কবিগী কাউকগদগে ? ঐনা মনম নমদুনা চঙশিল্লি, অসুম চঙশিল্লি। নাতোন চিংখৎলি, সুৎ সুৎ। ঐনা অঙাং ওইনিঙৈদা খঙখিবা অমদি নমখিবা মনম অদু ফাওবক্তে। মতম অদুদা, ঐনা হায়খি- "ইমাসি ! নঙনা অমম্বদা লৈববসু নহাক্নি হাযবা হেক্তো খঙগনি।" ইমাসিনা ব্রাফম অসি কাউবম্মোই। অদুনা মাগী মনম ফাজিল্লিব্রা ? ওইবম্বা য়াই। অদু ওইদুনসু নুংশিববা মনম অমা ফাওবকই। পংঙিদা হে নুপী ! নোবাব মপালগী নুংশিবা মনম ! যাম্না শান্না চৎলি। মনম অদু নমলা -নমলগা পাম্বী হৌবিবা মফম থিবা ঙম্মী। লৈনম্না লৈবাংগী য়েক্লবনি হায়নবসু লৈ। লৈনমনা খোইমুবু কৌবনি। ঐদি লৈহি চূপ্পা লাকপা খোইমু নত্তে। ইমাগী নুংশিবা মনমবু থিবগা অমম্বদা কেকু ফোংগদৌবিবনি। ইমাসিসু মাগী হান্নগী মনম লোৎনবা হোৎনবি। মচা ঐসু মনম খঙগনবগী স্পিসিয়েলিষ্ট অমনি। এদেন গাবদেনগী পার্টিদা শ্রীমতী থানিলসনাগী, বোক্তিত বোসকী অমদি দোক্তব মেনকা বোইগী মনম খঙদোক্লগা থানিলসনাবু দাক্স পিয়াব ওইনা খনবা ঙমখ্রবনি। হৌজিক্লা, অমম্বদা লোৎলিবী ঐগী অপোকপী ইমাসিগী মনম নমলগা 'ব্লাইন্দ হিট' (চক্ষু খুগায়বী) তৌগদৌবিবনি। ঐ খঙদে, ইমাসিনা পামলিবসি কবিনো ? ফাগী তৌনীংলকই, তৌবসু তৌখি-

"ইমাসি ! নঙসে ফনদি শিংঙি খনবনি অদুবু হোবৎপা অমদি লৈবেদো, খঙব্রা কবিনো ?" ঐনা থৌদোক্লুনা হংজে।

ইমাসি শিংব্রবীনি, খুমলক্তে। স্বব হোনবসু তাদে।

ঐনা অমুকসু নোৎশিল্লি - " মৈঙাল মচেৎ অমা উদ্রবা অমম্বা মবক অসিদা ফিঙৌ শেৎলিবদুবু শিংঙে খল্লিব্রা ? উবে, উবে, ফিঙৌগী সাড়ী।

ইমাসি খুমলক্তে। ঐহাক চঙশিল্লি। কা অদু য়াম্না চাউবা তাই। খূৎনা লাম্বদা অহাঙবা ঙাক্তা থেংনৈ। মন্দিবগী অহানবা কা অদু, লাই লাৎফমসু নত্তে। মীয়াম তিনফম ওইগনি।

মান্দোপকী শরুক অদু মনুংদা থম্বা মওংনি। লাইশঙ মান্দোপ পূনবা মন্দিব অদু নোংপোক ওন্দুনা ফাংপা থোঙজা ওনগী ঐহাক চঙলকপনি।ঐনা চঙশিল্লিবা মাযকৈ, নোংচুপনি। ইমাসিগী খোঙ্জেল নোংচুপলোমদগী লাকখি। মহাক্কী মমায় নোংপোক ওল্লগা ফল্লাং নযাদা লেপ্লমগনি। মনুং চঙফমগী থোঙবাদা ঙাবম্বা যাই।

ঐসু ফনা যাম্না চঙশিল্লে। খে ঙথাং মশীং থীজে। ঐনা মন্দিব মনুংদা হেক কার্নাশিনবগা লেপখিবা মযম অদুদগী মচি লেঙখিদে। ইনক নক্লা তাবম্বা ইমাসিগী খোঙ্জেল লাপথোর্কখি, অসুম অসুম। মহাক মনীং হন হন্দুনা চংখিবগুম তৌই। মহাক্কী মওং মতৌ কবিনো হাযবা ভাব ভাখিদে। ঐসু চেন্শিনদে। মহাক্কী যাথং হেক ফংবগা চঙশিনবা হৌখির্বনি। খোঙকাপ ১৭ শুপ্রে। অদু ফাওবা মশা থেংবা ঙমখিদে। ইখঙ হেক খঙহৌদনা চুম খোংবা তাবকই। হনক নক্লা ফল্লাং অমা লৈবে হায়বা খঙলকই। চিংঙৈনা, নুংশবা মনম অমা, নকশিন্না ফাওবকই।

"ইমাসি! ইঙান হেক ঙাম্না উবে।" ঐনা মখাতানা নোংশিল্লি "নুংশবা মনম লোংপ্রা হাযববু পোন্দস পাউদবগী মনম ইনক• ম্লা ফাওবক্লে ... ফাবগে ফাবগে, কেকু ফোং ফোং!"

অঙাং ওহাবাংঙদা, ইমা ইচা কেকু লোংপী শাম্নাখিবা অদু খঙনীং নীংশিংলকই। অমকসু হাযদোক খ "কেকু ফোং ফোং।" ঐগী টাবগেট চুমলে, খূৎ মাব মাবগা খোঙথাং মবি থার্গজিল্লি, চপ লেপ্লী। খোঙকাপ ২৪ শুবে, ইখূৎ অনানা ইমাসিগী লেংজুম অনীদা থেংলুই।

"সে সে সনাগী মেদল!" ইমাসিনা ঐগী ঙকশমদা লৈ পবেং অচৌবা অমসুং অথেনবা অমা হুক্রদুনা হাযবকই "ইচানা শিংবা হেনম্লে। নঙনা ইমাগী মনম খঙখি হাযদুনা পোন্দস পাউদব থাকবে। নঙগী ননাতোনসিদি মঙকপনি।"

"ইমাসি! নঙগা গোল্ড মেদল অসিবু ...।"

"ইমাদি লাইববীনি, মোবগোল্ড পবেংনি, নিংথেম!"

"নচানা হবা ওনা লৌভ্র্বি।" ঐনা অসি হাযবগা ভুংদা খোঙকাপ অমা হন্দোকই, নোম্থবগা মখোঙ শোকই "খুরুমজরি ইমাস!"

ইমাসিনা ঐবু লেংজুম পাযবগা চিংখৎপিবে। মথানদা চেজেৎ কোর্নাশিল্লি, হিক হিক কপ্পা। ঐসু মাবু কোর্নশিল্লি। ইমা ইচা ঙাইহাক কর্পমিন্নে। ইমানা ঐগী হকচাংগী মনম চিংখৎ চিংখৎতুনা নম্মী।

"ইচাগী হকচাং মনমসিদি আজ কাল চঙলেদনা।" চিট্টাগোং ইমাসিনা ফাগীওই কবিওই, মখা তানা ঙাংলকই "এদেন গাবদেনগী নুংশিববা মনম মথক্তা অনিসনাগী মনম খঙহৌদনা নমলকই। লাইশমঙদো, কদাযদৈসু ফাওবকইবা!"

"ইমাসি! অনিসনা হাযদি কনানো?" ঐনা খঙনীংনা হংঙি।

"কোয়া ৱবী তৌসি। লমশাং লাকপগী ইচা ৱাবমলগনি। অহিং ওইবক্রে, ঙাইহাক তৃমজকলাও।"

ইমাসিনা বা থৈখিবা অদু মমুৎ তানা খঙনীংলকই। এদেনগী কুম্মৈ ইমাসিনা ঙম্মক উত্ৱবনি। শ্রীমতী থানিলসনাগী মমিং অমা ইমাসিগী মচিন্দগী তাবা ফংলে, অনিসনা! অদুগা লাইশমঙ! মিংলেন অমসু। ইমাসিগা অনিসনাগা কবি মলোম লৈনবিবা! হংনীং হংনীংনা তুমিন্না লৈবা তাখি। অদুবু, চীন লেপ্পদি যাদে।

"তৃমত্রসু যাবেদা। ইমাসিগা বাবী শাদুনা নোংঙানবা ঙাইবসি। খঙনীংবা হংজনীংবা কযা লৈবি।" ঐনা অসি হাযবগা মখা তাখি - "অতৈ লার্যাব ইমাসি! কা অসিগী মৈসিবু থওইনা থানদ্রিৱা? মপান্দসু পুস্মম মমহৌই।

"ঙসি অসি দোক্তব লোবী লৈখিদবা নুমিৎনি, ঞাতিমায অর্মদি মেমবতী কযা ইকোয কোযনা থাল্লম্মী। ইমানা নহাকপু তবাম্না ওকপীগে খল্লুই।" ইমাসিনা ঙাইহাক খল্লগা হাযবকই - "হেক থংনবা মিকৃপ্তা মুৎথৎপনি। ইমানা নঙবু অমম্না মবক্তা চাংযেং অমা তৌনীংলকই। তৌবসু চহী নিপালগী মতুংদা ইমাগী ইশক অসি ইচানা উববদি শোযদনা অকি তৃজুংনবগনি হাযদুনা মুৎথৎপনি।"

ঐনা পাখৎনা হংঙি "কৈদৌনে, কৈদৌনে, ইমাসি নঙগী নিংথিজবী মদ্দখোপ থম্বাল, কৈদৌববগে অপোকপী!"

"ইমাগী ইশক ওল্লে, ইখোলদি ওনবা ঙমদ্রি।"

"অদু ওইবসু, অমুক্তংদি উহনবীযু নঙগী নুংশিবা চেংলৌ শক্তম।"

"ফবে, ইমাগী ফিজি পাযবকউ; মনুংগী কাদা চঙলসি। কালিমাবু হন্না খুকমজৌ। লৈনুংগী কাদা নপা নপুগী লাইসু লাৎলি, ইবাৎ থৌনি পাঙথোকচৌ। ইমাসিনা অসি হাযবগা মন্দিবগী থোঙ অদু ইম্বোকই।

ইমাসি মনুং চঙখ্রে। ঐনা শীক্লিবা মচা অমদৌনা চিটাগোং ইমাসিগী ফিজি পাযবগা মতুং ইন্নে।



টেক!

টেক লাওবা মখোল অমা তাবকই। মৈঙাল অমা উবকই। ঙকত্রপোৎনি, ঐগী চিট্টাগোং ইমাসি! মাদি লাইটব অমা পাযবিজাৎনি। মৈঙাল অদুদা হাইফেৎ উবকই, চাউববা কালিগী মুর্তি অমা! ইমাঙদা খিন্দুনা লৈবে। ইমাসিনা, লাইমাঙদা যুংদুনা লৈবা মোমবতী অচৌবা অমা চুখৎলি। মথংদা অমুক মিদিযম সাইজগী মোমবতী তককসু চুখৎলি। মন্দিব মনুং অদু ঙাম্বোবকলে, হাইফেৎ ঙাল্লি।

"ইমাগী অংগো ! ফিজি থাদোকউ।" ইমাসিনা হায়বকই - "মা কালিবু নপূক্রিং চঙনা খুকমজৌ। ইমাসু নঙগীদমক থৌনিজগে।"

"ফগনি, ইমাস!"

ইমা ইচা খল্লাং লেপমিন্নদুনা মা কালি খুকম্মী। ইনাক্তা নাকচেপ ওইবপ লেপ্লবী ইমাসিগী মশক উবা ফংখিদে। মকোক খুম্মী, মাযগী নাক যেৎ উবা ফংদে। ইমাসিনা থোল্লিবা ফিজোল, সাডীনি, অমুবা সাডী ! মঙদদি অঙৌবা ওইনা উখি। মসিমা ওন্নবে।

"মা কালি খুকম্মু হাযবনি, নিংথেম !" ইমাসিনা হায়বকই- "নাকচেপ্তা ইমাবু লোন্না যেংলক্কনু। ঐগী ইশক উববদি নহাক খংগনি হাযদেনা, তেজাব !"

"অদো, ইমাসি ! লাইখুকম্না লোইবে।" ঐনা মখা শমথদুনা হায- "পূক্রিংদা মা কালিবু চিংশিন্দুনা খুকমজবে। নচাবু ঙাকপীযু; শেনবীযু, থৌনা পীবিযু হায়জবে। অতে কবি অমুক নিখোগে।"

"হে, মা কালি!" ইমাসিনা মখূৎ লোন্নবদুনা থৌনিজে - "পঙলবা ঐগী ইচানা নিজবিনা অসিমক পীনবিযু। কালমৃতু অপমৃতু পূম্নমক ঙাকথোকপিযু। ফত্তবা কযাবু মাঙহন্নবগীদমক ইমা নহাকসু শকলোন হোংখি। নচা ঐহাকসু ইচাবু মথৌ শঙনবা থৌনা হাপ্লবা শকলোন হেংংজগে। অবান-অহূই কযাবু ঙাকপিযু, হে মা কালি!"

ইমাসিগী থৌনিবোল ফজে। অবোইবা শব্দক অদুগী নুংলোন খঙনীংলকই। মহাক্তা লোৎচবিবা মাযথোং অদুসু যেংনীংবগী লাংতক্রে। কাথেকপা নৎত্রগা লেপ্রোসি ! ঐনা খঙনীংনা হংঙি- "ইমাসি ! শকলোন হোংজগে হাযবদি কবিনো? ভেববীগী কপলা নৎত্রগা নহাক্কী মাযথোং অদুবু কবি তৌববগে, হা ! ইমাসি !"

"মৈঙালদা উবগা খঙগনি। মনুংগী কাদা চঙলম্মু, মা কালিদা কৎপা মোমবতী অমা পাযখৎলু।"

"ইমাসিদি চঙলোইদ্রা ?"

"নহাক হান্না চঙলম্মু, ইমাগী কা লৈবনি। এবাংথংবা কাচিন্দা উপু অশাংবী মকক অমা লৈবনি। মদু ইম্বোকউ, লৈনুং কাগী কুমথফম লৈবনি। লৈনুংদা চঙলম্মু, নপা নপুগী লাই লাৎলিবনি। লাইফমুং লৈবনি। নুংঙাইনা পোত্থাজক। ইমাদি কালিগী পুজা লোইবগা লাক্কে। নহাক্তা মীথোই মীহেনবা অমা ওইবক্তগা ইনাক্তা লাকপা নুমিৎতা ইমানা ঈ কৎকনি হাযদুনা ব্রাশকখি।"

"নশাগী ঈ কৎপা!" ঐনা অঙকপা পোক্তুনা হংঙি - "অদুক তমথীবা ব্রাশক্তি ইমাসিনা কৈদৌবৈ শকখিব্রা ?"

"নিংথেম ! ব্রাবী যাম্না লৈ। নহাক উহনবা যাদে। ঈ কৎপগী থৌবম। ঐদি অঙাওবা জগোইসু শাখিগনি। ইমাগী নুংদা চাকলিবা মৈবী অদুনা নঙোন্দা মৈথাঙ পীবগা চাকথেকহনগনি নুপী কযাবু। ইমাগী থৌজাল ঙাইবকখিগে, ঈসু থকখিগনি। লোন্না য়েংহৈদে, ইমাগী য়াথং ঙাকউ, চঙব্রো।"

ইমাসিগী মওং মতৌ, ঐহাক লোয়া য়েংনীংলকই। অঙকপস্ পোকই। মহাকপু তান্ত্রিক ভৈববী ওল্লব্রা ? মশাগী ঈ কংতৌবিব্রা নংত্রগা হুমেং বলী কক্লগা ঈ থক্তৌবিব্রা ? কৈনো অমদি তৌগদৌরি ? ঐগী ইমাসি হিংচাবী চঙলববা ? অকিবদি কবিসু পোকখিদে। পান্থে অমা পুথোক্তুনা মাধু লায়েংবা তাই। ঙাইহাক অদুদা মাগী অনীংবা খিংলুবদি ইতিক নত্তে। ঐনা অঙাং ওইবিঙেদা উখিবা মাগী শকলোন অমা লৈ। নোংমা, নুমিদাং মহাক্লা থাঙপাক পায়দুনা নুপী অহুম মবি, তান্নখিবা থৌদোক অমা লৈখি। মদুগী ব্রাহৌ কবিনো হায়বদি খঙখিদ্রে। হৌজিক্তা ভাব তাবকই। ঙসিদং নীংশিংলকই। মহাক্কী মতিক মগুণ খুন্না খঙই। মহাক লাইন্ গাবীনি; লাইপাখঙগী লাইতুকোৎনি। চিট্টাগোংগী লাইনুবাবী শঙলেম্দা ইমা ইচাদং লৈবকখি। মহাকপু খ্বাইনা উমং লাইবেম্বী অমা ওইনা কিনবর্ম্মী। ঐনা খঙখি, উখিদবা থৌদোক খবা মহাক্লা লেংখলি। ফবে লোংচবসনু। ইমাগী যাথং ঙাকপদি মচা ঐগী ইথৌনি।

ঐহাক পম্বুবমদ্রে। ইখুৎতা মোমবতী অমা পায়বগা কালি মুর্তিগী মনীংদা লৈবিগা থোঙ অদু তম্না চঙশিল্লে। মনুং য়ৌবে। মহাক্লা তাকখিবা উপু মকক অদু তম্না চঙশিল্লে। ঙাইহাক লৈবগা থোঙ অদু মপান্দগী চিংশিন্দুনা লোনশিনগ্রে- ক্রোক ক্রাক মখোল তাখি। ইমাসিনা ব্রাইখু শো লোনখিবা মাল্লি। ঐ কবিসু খনখিদে। লৈনুং কাদা তপ্প. তপ্পা কুমথবে। ইখুৎতগী মোমবতী খুজ-খুনাম্লোক্তগী তাথোকগ্রে। মৈ ফুৎ মুৎগ্রে। অা লৈখা থৌদ্রে। সিডী থাক থার্কতি উহৌই। ওহ্লোকপা হায়দুনি, ঐসু লাইটব নংত্রগা টোর্চ লাইট অমতা পুবক্তে। খুদোং থিবা থোক্লগা শিংঙি হায়বদুনি। মোমবতীগী মনম থিবগা কুমথবা তাবনি। সিড়ী যেংলোমদা খুৎপাযফমগী পান্থে অমদি থেংনৈ। মদু পাযব পায়বগা কুমথবে। ঐনা পুক্লিংদা ইমাসিবু অমুকসু পাগংলি। ঐনা হেক চঙলকপগা মহাকপু থিহল্লি। লৈনুং কাগী অমম্বদা অমুক থাক্তিন্দুনা ইপা ? পুগী লাই থিহনগদৌবি। ইবাৎ থৌনি পাঙহনগদৌবি। লাইফমুং থিবগা পোখাকবা তাবনি।

পুম্নমক অসিবু কবি কবম্বা চাংয়েংনো ?



লৈমায থৌবে।

ইশাদা কবিসু পাখৎপা লৈখিদে। অমম্বদা পোংথিবা তাবনি। খোঙফম চানা লৈমায়দা লেপ্তুনা ঙাইহাক খল্লি, নাতোন চিংখৎতুনা মনম নম্মী। ইখুৎতগী নাম্ভুখিবা মোমবতী মৈখাক্কী মনম ফাওবকই। মৈখু চৎফম লৈতবা মফমদা মুৎখিবা মোমবতীগী মনমদি ফনা কুইনা লৈ। খোঙ য়েংনা মাব-মাবদুনা চঙশিল্লি। উচিন-নাচিম্না খোঙদোন্দা থেংনবে; ইশা নোম্বুবগা খুঙ্গংলি। অমুক লেপখৎলগা চঙশিল্লি ' ইখুৎনা অমম্বা অহাংবদা মাব-মারদুনা চঙশিল্লি। মৈখেৎতি কদায়দা ? ইখুৎতদি মোমবতী পায়বি। ঐ ঙাইহাক লেপ্লগা

খল্লি। চিট্টাগোংগী লাইনুবাবী শগুলেন নীংশিংলকই। লৈনুংদা কা লৈ। কাগী ময়াই চবুক্তা লাইনুবাবী অমদি লাইশাখওগী মুর্তি লাৎলি। লাইফমুংনা মুর্তিগী মনীংদা থাই। লাইমাওগী নাক য়েৎতা ইকোয় কোয়না কা কয়ামকম লৈ। লাইমাওদা ফাওগৎ-ফাওজিনগী থোঙ অমদি কৈবাক কাখৎফম থম্মী। মফম অসিদদি তায়োম্নে। কৈবাক কুমফম্না লৈথক কাগী অরাং চুথেক্তা থম্মী। থমনিংবা থমসনু। লাইগী মুর্তি অদুগী লৈফম হান্না পুথোকপা তাবনি। লাইগী মায়য়োন নোংপোক নৎত্রগা অরাং ওনগনি। ঐখোয়গী ইপা ইপুগী লাইদি মখা অমদি নোংচুপ ওল্লগা লাৎনদে। ঐনা বাখল মুন্না তৌবগা কা অদুগী ফৈজে ওইবগ্না হায়বদি মৈবম ওইবগ্না চঙশিল্লি। ঐনা খল্লি সুকং হায়বা অদুবু অসুম্না মমলিদ্রা ? অমম্বা নত্তনা মঙাল মচেৎ অমতা ফংখিদ্রবনি। লৈমায়দা অবং অবাক্কী পোৎ-চৈ লৈবম্বা য়াই অদুবু অমত্তসু উবা ফংখিদ্রে।

ইখঙ হেক খঙহৌদনা মঙাল অমা! ঐহাক শ্বাই লাওই। অমম্বদা লংত্রিক লংনা উবা হৌদোং মমীৎলা ? নত্তে, মকু মমীৎসু নত্তে। অমুকসু কুফেৎ কাফেৎ মঙাল অমা। ঐহাক লৌশিং লাকই। ইমুংদা পায়শিল্লকগা পায়থোকফম লৈতবা তন্দন অমা, নুমিৎ কয়ানি মকম লমদন্দুনা লৈবা থেংনবে। সিল্লিং মথক্তা নপ্পুনা কুফেৎ কাফেৎ শান্নবি। মদুনদি কবিসু অমম্না কোকহনবা নত্তে, ঙাম্লোবকপা ঙাইবগা মুৎখিবনা হাল্লি। মথক্তা য়েংখৎতুনা লৈকই। কা অদুগী পোৎথম লাকথম, খঙবা, উবা ঙম্বা নত্তে। লৈখাদা অমুক মীৎয়েং থম্মী। মৈখেৎ মক অমা খেৎতুনা চাকহনবদি ঙাইহাক ঙাল্লি, পোৎথি লাকখিবা য়াই। তন্দনগী মঙাল তিৎ লাওবী অদুনদি কৈদৌকনি! অদুসু মথক্তনি। লৈখাদা ওইববদি খবসু শাফবা য়াবনি। ঐনা মায় লোংখৎলগা তন্দন অদু স্বনা কামখৎলি। ঙাইহাক লৈবগা তন্দন অদু নিংশা স্ববগী সহ্নম ফংবদগী পাইথবকই। ঐনা তাপ লাওনা ফাজিল্লে। খুৎতুম তাশিল্লগা মনুংদা থমলে, খুবক্কী অহোবদা কুফেৎ কাফেৎ থোবকপা মঙাল অদুগী মত্তেংনা মমি সামি খবমখৈদি উবা ঙমলে। খুৎ নাম্মনা মাব মাবদুনা চঙশিনবদি লেপখিদে। খুদক অদুদা খোম্লাও অমা তাবকই - কৈবাক কুমথফমদগী ইমাসিনা লাউবকপনি।

"নিংথেম, মোমবতী মুৎত্রব্রা ?"

"মুৎশ্রে, ইমাসি!" ঐনা খুম্মী।

"ফবেদা, মনুংদা মৈখেৎ লাইটব মোমবতী পিক থন্না লৈবনি, থিয়ু।"

"চিংনবিকনু, নচা নিংথেমনি, ফংনবা থিজগে।"

"তস অদুনিদনা! ঐগী ইচানবু শোয়বা হৌনব্রা ?"

ইমাসিনা মখা তানা হায়বকই - "অদুগনে, নিংথেম! নুমিৎ ৭নি লৈনুংগী কুফাদা নহাক লোৎতুনা লৈগদবনি। মপান-ইপান থোকফম লোইনা লৈবনি। হয়েং অমুক অঙনবদা ইমানা নঙবু হৌদোকপা লাক্কনি। কুফাগী থোঙ লোনশিল্লগেকো; কাখৎলকপা য়াবোই।"

"ইমাসি! অসিবু কবন্বা চাংয়েংনো ?" ঐনা লাউখৎলি- "নুমিৎ ৭নি চবাসু হেল্লু হায়বিব্রা ?"

"চানবা হিংবা নত্তে, নিংথেম!" ইম্যাসিনা মখা তানা হায়বকই - "হিংনবা চাবনি। ইচাবু কবিগী চবা হেলহনগনি। মনুংদা লাইনুবী অমা লৈবনি। মহাকপু থোংহল্লু। নুমিৎ ৭নি নবানী লৈমিন্নৌ।"

"লাইনুবী! কুফা অসিদা লাইনুবী হায়বদি তাইবংনুবীবা নৎত্রগা তশেংনমক খোয়ুমনুবীবা?"

"খণ্ডদে; খণ্ডদে নহাক থিয়ু। মসিনিদো, নিংথেম! নপাবুং নিংথেমলাবা সনাগা ইমাগা চিট্টাগোংগী লাইনুবাবী শণ্ডলেন্দা নুমিৎ ৭নি শো লোনশিন্দুনা থমখিবদো। লাইমতুকোংপা অমদি লাইমবা ফাবগী কলচব অদুনা মবম ওইদুনা মমৈদা ইমা ইথন্তা হিংহৌই। অমবু ওইববসু, ইমানা লমন খুমদুনা নণ্ডবু লাক্লবা নত্তে। মতম খবদি নহাকপু লোৎতুনা থমদবা য়াদ্রে। ইমাদি লাইশমণ্ডশিংদো কিজে। হৌজিক্তি নহাকসু লাইপাখণ্ড ফাবে। তাল্লোয় তুইন তমজবো, গুসিদগী ইমানা অয়াবা পীববনি। নত্তে, নণ্ডবু ণ্ডবাং অহিং নুবিকাসিগা .. অদুওইবসু, নিংথেমকোনগী চৎনবী মতুংইন্না নমা লৈমবেল সিদবী হান্না খুকমজৌ। ঈহনবগী থৌবম পাণ্ডথোকউ, লাইমিং লৌহল্লু, খোল্লাং হল্লু। পুম্পি নুংশাংনা হিংবা ওইজৌ। থিয়ু থিয়ু, অমম্বদা লাইনুবী থিয়ু। অদুগা নিংথেম! লৈনুং কাগী মখা থংবা নাকলদা ছবি ৭ খক ফিখুম্নদুনা থেৎলিবনি। নহাক্লা মায়খুম হাংদোকউ। কনা, কনানো হায়বদো মশক খণ্ডব্রা য়েংঙু। ইমানা পমলিবা অমদি ইমানা শকখিবা রাশক কর্বিনো হায়বদো নশানা লেপথোকচৌ, ইমাদা মবম হৎলক্লু। কোন্না রাবী লীগনি, ইমাগী য়াথং অসি নহাক্লা পাণ্ডথোকপা ণ্ডমদ্রিফাওবা ইমা লোৎখিগনি। নহাক্কী ননাক্তা কৈদৌণ্ডেদসু লাকওই। তৃম্মো, তৃম্মো, নুংণ্ডাইবা মণ্ড মণ্ডজদুনা নুংণ্ডাইনা পোখাজৌ। ইমাসু তৃম্মুবগে।"

ইমাসিনা তৌরিবা থৌওং, ঐহাক জ্ঞান পুবা মাণ্ডই। কবি তৌগদগে হায়বা খণ্ডখিদে। ইমাসি কাখৎখ্রে। কুফাথোণ্ড থাদবগী মখোল তাখি - ক্রোক ক্রাক, রাইখু শো লোনশিনখ্রে। ঐহাক লাংদা থুবে। ইখৃৎতগী তন্দল থাদোকখ্রে। অমম্বদা লাইনুবী থিবগে খল্লকই। ইম ৭.. য়াথংদি পাণ্ডথোকপা তাবনি।



কুফেৎ কাফেৎ!

লৈনুংকাগী অমম্বা মবক্তা তন্দন পাইবি-কুফেৎ কাফেৎ। ঐগী খোণ্ডথাং লেপ্পা তৈনা চণ্ডশিল্লি। কা অদুগী ময়াইদা লেপলিব্রা খল্লি। রাখলগী পাদমনি। মনীং পাংনা অমুক চণ্ডশিল্লি। তন্দন অদুসু মনীং পাংনা পাইশিনখি। পোংশক অমদা তপ নপখি। ফক্লাং ওইবিদ্রা খল্লকই। ঐসু ণ্ডাইহাক লেপ্পী। তন্দনগী কুফেৎ কাফেৎ মণ্ডাল অদু খণ্ডউ উবকই। ঐহাক শ্বাই লাওই। লেপ্তুনা লৈবা নুপী অমগী লাইবক মপাদা তন্দন অদু নপতুনা লৈদ্রে। ঐ নুংণ্ডাইবনা লুতোন শাৎলি। অমুকসু খল্লি, অসুক রাংবী নুপী! রাংবা য়াই কাংথক অমদা লেপ্তুনা লৈবগী মওংনি। ঐনা কৌদুনা য়েংনীংলকই, কৌবসু কৌকই—

"হে ইমা শকলোংগী ! লাইনুবী হায়না কৌজগে। ইমা মশক খণ্ডজগে, ইপা মশক খণ্ডনবা। ইকোক নোন্না খুকমজবি।" পাউখুম পীবক্তে। খোঙ্গাংসু হন্দোবক্তে। ঐসু চংশিনবা লেপ্লে। তন্দন ঙাল্লিবা মফম অদু য়ৌবে। খোঙনা থাক থাক নাইবা সিড়ী অমদা থেংলুই। থাক অহুম কাখৎলুই। খুৎ য়েৎনা মী মকোক অমদা তাপ পায়কই। কন কন লাওই। মুর্তিনি খণ্ডলকই। লাই লাংফম ফংলে। কাঙথক্তা লেপলিবী নুপী অদুসু মুর্তিনি, মী নত্তে হায়বা খণ্ডলে। মখোঙ মযা ওইবপ্পা মুর্তি অমসু খুক খুদক কুন্দুনা লৈবে হায়বসি শোয়নিংঙাই ওইদ্রে। ইখুৎনা কাঙথক অদুদা তাপ তাপ কোইমা মাবদুনা য়েংঙি। লৈ মনম ফাওলকই, লৈ চবুল থেংনৈ। মুর্তি অদুগী মখোঙ থেংনৈ। মথং মথং মাকই। উচিন-নাচিন্না মৈখেৎ উপু অমা থেংনৈ। নুংঙাইবনা হায়ফম খণ্ডখিদে। খুদক্তা মৈখেৎ খেৎলি। ইখুৎতা পায়বিবা মোমবতী অদু চুখৎলি। মৈখেৎ অদু ফুবিৎ খাউদা হার্পাচিল্লি। মোমবতী অদুগী মৈবী অমসুং মৈঙালদা মুর্তি অদু য়েংঙি, ময়েক শেংনা উবা ঙমখিদে। মোমবতী পবেং পবেং মুর্তি অদুবু খিল্লিবা কাঙথক্কী অকোইবদা য়ুংদুনা লৈবা উবকলে। ইখুৎতা পায়বিবা মোমবতী অদুনা মৈচম ওইবগা মথং মথং চুখৎলি। জাতিমায় কয়াসু লৈবম্মী। মদুসু চুখৎলি।

মৈঙাল ফজনা ফংলে। মুর্তি অদুগী মখোঙদা খুৎনা শোক্লগা লাইবক কৎলি। ঐহাক তং হন্দুনা কুমখবকই। লা পুক্লা লাইমাঙদা লেপ্লগা ইখুৎতা পায়বিবা মোমবতী অদু ব্লাংনা থাংগৎলি। মৈঙাল মবক্তা মুর্তি অদুগী মওং মতৌ ফজনা উবে। মায়খোং অদু অহিংবী নুপী মাল্লি। চিট্টাগোং ইমাসিগী শকফর্মানি। মমীৎ নাতোন চীনবান অমদি খদাং চপ মান্নে। ঐনা অসুম য়েংথবকই- খৌবী চবম , লেংজুম পাম্মোম, থয়ীন চীন্দুব্বী, খোইদৌ অদুদগী ইমাসিদবী ! কনানবু শাখিবা মুর্তিনো, মশাদা ফি অমত্তা থোংদবী মওংনি। নুংদা হকপসু নত্তে; প্লাষ্টিক ওফ পেবিসনা শাবা মাল্লি। পৈবপ তৌনা খিনবনি। ওয থংবা মখোঙনা নুঙখাল মথক্তা থাংগৎলি। ফৈগন মথক্তা মখুৎ ওয় থম্মী। যেৎ থংবা মখোঙনা ফৈগন শাক্লপ তৌবগা লেপ্পী। মখুৎ তিংথোকই। ফৈগন অনী কাবক্তা খুকক খুদক কুল্লগা খুনীং শৌবদুনা মখুৎ লোয়বগা ইমাসিদবী খুকমলিবা অদুগী মকোক্তা মখুৎ য়েৎতি তিংথোক্লগা মকোক্তা থম্মী। ইচম চন্না খন্দোকপা য়াবা মুর্তি নত্তে, নুংলোনগী লাইনীং লম্বী তাকপা মুর্তিনি। ইমা মশক মুন্না খণ্ডু। ইমাবু নীংজৌ। ইমাসিদবী খুকমজৌ হায়বা অদু উৎপনি।

ঐনা খল্লকই, অসি ওইবে, লাইনুবী ' ইমা উবে। ইমা সিদবী মশক খণ্ডলে। ঐসু খুউ লৈতানা খুনীং শৌরগা ফমদুনা খুৎ লোন্নে, খুবাক ময়াইদা মোমবতী চপশিন্দুনা থল্লগা) মৈ কৎলি, ইমিৎ উইশিল্লগা খুকমজে - "হুং হুং ! কু কু ! চু চু ! থৌ থৌ !"

ঐ থৌনিবা লোইরে। ইমাসু নুপীনি। ইমাবু মহুৎ শিল্লিবা ফি থোংদবা মুর্তি অদুদা মতম কুইনা য়েংদুনা লৈবা চুমদে। ঐহাক মখা পাংনা চঙশিল্লি। মোমবতী অহুম থানবা য়াবা অবোংবা কেন্দল ষ্টেন্দ অমা পায়বগা মখা পাংনা চঙশিল্লে।

ঐগী মঙদা উখিবা মফম অদু ওইনা তৌবম্মী। তাংবল অমা ময়াই চানা খিন্দুনা লৈ। মথক্তা নুপী অমা ফম্মী অদুবু ফিডৌনা মকোক্তগী কুপশিল্লি। ঐনা ফিডৌ অদু চিংখৎলি। ইস ! ইমাসিগী মুর্তিনি ! ফিডৌ শেৎলগা মখোঙ য়াম্বদুনা ফম্বগী মওংদা শেম্বনি। মসিনা পাম্দা উবিবা ইমাগী শক্তমনি। ঐনা নোম্বুবগা মখোঙ শোক্তুনা খুকম্মী। অমুক হৌগৎলি।

মুর্তি অসিগী মনীংগী ফক্লাংদা ফুট অহুমগী স্কোয়াব ওইবপ তৌবা ফোটো তবেৎখক ফ্রেম চন্দুনা মথং মথং থেৎলি। মমায অদু থৌবী তিংলগা চিংথোক চিংশিন যাবা মওংদা ফিনা খুমলগা থন্নম্মী। ঐহাক মিহুন তিং তিং চোংঙি। ওযবোমদগী মায়খুম হাংবা হৌকই।



মাযখুম হাংবা হৌবে।

ইহান হানবা ফ্রেম অদু শকযেং মিংশেল ওইবম্মী। ইমি উজে। মথং ফ্রেমগী মাযখুম চিংথোকই। ইস ! ঐহাক তু চুংঙি। চিট্টাগোং হৈবীসনাগী ফোটোনি; মম্মিংসু থাবম্মী। ইকুই কুইদনসু থেংনখিবনি। মশক মতৌ বাশি গুণ চেনবীনি।

খঙনীং হেক নীংশিংলকই- বালেশ্বর লেদিজ কোলেজ হোষ্টেলগী ব্রার্দেন, যৈবীসনা! মসিনা মিংথোল ওইবম্বা যাই। টেলিফোন্দা খঙনব্রে। ঐদি ইনেসি কেবী ওইববোই খল্লুই। ওইবমদ্রে। তবানু-তবাবী থিনবা চৎপদসু উন্নকবে। মহাক্লা লাইপুংবাবু চৈবা খোৎপা তৌখিদে।

"হাই ! অঙাওবা ! নঙ ওইবে লাইপুংবাগী লাই পাখঙ !" ঐবু হেক উবমক্তদা ব্রার্দেন অখৎপী অদুনা ঐবু মুন্না যেংলদুনা মখা শমথবকই - "ইচাদি ফজনম্মেদা ! নপাবুং নিংথেম লাবা হেক মাল্লদনা . ঐবু খঙদ্রনে ? ঐসুনে চিট্টাগোংদে লান চেল্লকপনি। উৎকল দেশ যৌবক্তুনা ব্রার্দেন ওইবা ফংজখি। ঐবু ইমাবোক কৌনে, ইমাবোক থোকই। মিংগৌদো হৈনদ্রগা মাসি কৌগেবা, মাইবেম কৌগেবা; কৌনীংবা হেক কৌবো।"

ঐনা মহাকপু মুন্না যেংলগা লৈতোন্দা তোংদুনা লৈবা ব্রাহে অমা খঙহৌদন' হায়দোকখি। "মেদাম যৈবীসনা ! তবানু-তবাবীসে বিচ মেলা গ্রাউন্দা মমান্নবী মযাম্না হুন্দোকপিবমদুনা থিঙ্গ্রবকপনি, মখোযবু চৈবাক পীবিগনু।"

"এঃ কৈদৌ চৈদোইবা ! ইমৌদুম থোকএ। ঐনসু লুনা তৌজত্রপোৎনি; মমাসু ইনাওনুপীনি। ফবেদা নখোয শকখঙ-মাযখঙনবা।" যৈবীসনানা হবা ও তযাম্বা উৎতুনা শমথবকই – "অদুগনে, নিংথেম ! ঐগী ইমিং হৈবীসনা হাযবনি। ঐদি ফাগী-ফবাং খবা তৌগল্লি। নঙনা ফোন তৌবকপা অদুদা খঙহৌদনা খুমখিবনি। ঐসে ইকজদনা হৈবী তৈবগা কেবদা ইমিং চৎলি, শ্বাইনা হৈবীসনা কৌবীখি। ইমিং অশেংবদি অমিতা সনা কৌই, অমিসনা হাযবগসু খঙনে। লাইপুংবাগী মমাবুনা অনিসনা ! হৌজিক্লা থানিলসনা, পুর্নিমাসি ... এঃ নিংথেম ! মিং হোংদোক হোংজিনগী শাযোন অসিসু নুংঙাইজাৎনি।"

"মাসি ! হৈবীসনাবু, যৈবীসনা কৌবগী মবর্মসিবু ... !" ঐনা লকক তৌবগা মখা তাখিদে।

"সুমদৌবনি, নিংথেম ! ঐসে নুপাদৌনসু হৌবকই; উ কাবসু হেক্তা কাবজাংনি, মী খবা যৈনগল্লি, অদৈদি যৈবীসনা হংযদুনসু থোনবিবনি।"

"যাম্না নুংঙাইজে, মাসি থেংনজবা।"

"তবানু-তবাবী চঙশ্রো যাবে। মতুং মনাওদি বিচতা চৎত্রসু খ্বাইদা হেক হেক উন্নজৌ।" হৈবীসনানা তবানু-তবাবী তানশিনবা ওইনা শমথবকই- "অতোপ্লসু অমত্তা নত্তে, ফ্রি অদুম থাবীগে।"

"থেঙ্ক যু মেদাম, আই মিন মাইবেম !

তবাবীনা থাগৎপা ওইনা হাযবকই- "অদুগা য়াম্নুংসু বাই !"

"থেঙ্ক যু মেদাম, মাসি ! ঐসু চৎচবে।"

"চৎলো , চৎলো, নিংথেম ! মবক মবক্তসু অদুম কোইথোবকউ, নোং ফাদোকসু চাক চাবো লাও।" যৈবীসনানা লাউহৌই।

"ফগনি , মেদাম যৈবীসনা !" ঐনা খুম্নম্মী।

বার্দেন সনা অখৎপীদু থিক থিক নোকহৌই। ঐসু থিক থিক নোক্তুনা হল্লকখি। যৈবীসনা ! মিংথোল অসিগী বাবী অমা, লৈবমগনি শোযদনা।



ইস ! অমুকসু ।

যৈবীসনাগা থংনদুনা থেৎলিবা ফোটো ফ্রেমগী মাযখুম ফি সৎ হেক চিংথোকলুই, তু খ্যাও ! চিট্টাগোং ইনেসি কেবীসনাগী ফোটোনি, মমিংসু থাবি। কবিসু লুনা খল্লক্লে। মথংগী ফোটো ফ্রেম অদুসু পন্থবা তৌদনা মাযখুম চিংথোকলুই। চিংনবিবা মীশক অদুম্মক চুম্মে, চিট্টাগোং ইনেসি কোম্বী সনা; মমিংসু থাবি। মথংগী ফোটো ফ্রেম অদুসু মাযখুম চিংথোকলুই। অতৈ কনা ওইবমদ্রে, চিট্টাগোং ইমাসিনা মমৌ ওইজনীংলিবী খ্বাইদগী তনৌবী শ্রীমতী থানিলসনা ! মমিংসু থাবি।

ফোটো ফ্রেম মবিগী মাযখুম হাংদোকপা লোইবে। অনী লেমহৌবি। মিহুন তিং তিং চোংলকই। লাইনুবী অমনবী মবি অদুগীদি থোইনবু হর্কাচন্না খল্লুদ্রে। ঐবু লুনা তৌজন্নবী ঙাকনি। ঐনা ফংসন অমা পাঙথোক্তুনা বার্ত্তন তৌবদা ঙম্মমক লাকখিগনি। ইমাসিনা মাযখুম হাংদোকচৌ হাযদুনা থেৎলিবা ফোটো ফ্রেম অনী-কনা কনাগীবু ওইবিগবা ! পূক্লিং যাম্না লাংতক্রে। তবানু-তবাবী ওইবমগদ্রা খল্লি। অবোইবা অদুনা কনা ? তবাই তবাইবী নত্তে; ঐগী চিট্টাগোং ইমাসি ! ফ্রেম নম্বর ব্রান, মিংশেলনি। মথংগী মবিনা মাগী

যেক্লবী। মথংগী অনী অদু থুনমক খঙনীংলকই। অমুকসু হাংগদবা কিবকই; পহ্নদুনা লৈবা যাবসু নত্তে। চিট্টাগোং ইমাসিনা অবোনবা থোঙ অমদৈ ঐবু য়েংলমগনি। খঙহৌদনা লাউবকপসু যাবিজাৎনি। মিসন্নবী কাঙবুনা শাবা বিল্ডিংনি। হিদন কেমেবা, লাউদ স্পিকর, মাইক্রোফোন অসিনচিংবা কয়াসু ফক্লাংদা লোৎতুনা লৈবমগনি। হাযবিমক্তদা, হয়া হে হাযবদুনি; ঐহাক খংপ্রেক খংই।

"নিংথেম!"

ঐবু কৌবকই। ফক্লাংদা থেৎতুনা থম্লা লাউদ স্পিকর অমদগী নীল্লপ তৌবা খোল্লাংগা লোযনন' তাবকই। ইমাসিগী খোঞ্জেলনি। মথাতানা নোৎশিল্লকই "নখুৎ নীক্লনু, নিংথেম পুথিবগী মশূনবু অদুক পাংদবা। ফ্রেম অনীদো হাংদোকউ, কনা কনা থেৎলিবগে যেংজৌ।"

"যাথং অদুমক ।" ঐনা অসি হাযবগা লেমহৌবিবা ফ্রেম অনীগী মাযখুম ফিশিং অদু সৎ সৎ হাংদোকই। কদায, কনাগীসু ফোটো থেৎলমদ্রে; শকযেং মিংশেল ঙাক্তা ওইবমলে।

ঐহাক নে হেক তাবকই। ঐগী ইমি মিংশেল মনুংদা তাবি। সাগব দ্বীপকা এহিংদা মঙখিবা মঙ ! খবমখৈদি তাযোন্নবে। ইমাসি নুবাবী উখি, তবানু তবাবী উখি। অতোপ্পা নুপী অমসু। অদুগসু, অমত্তা থেৎলমদ্রে। মিংশেল অমা হায়্রান। চিট্টাগোং ইমাসিগী বান্টেদ লিষ্ট ঐহাক স্রান মাঙই। ঐবু মহাভাবতকী অর্জুনদৌ মদি মতা হাৎলু হাযবিব্রা নৎত্রগা কবি . . ? ইনে ইন্দোল ইমাবোক মরি অসিবু সি সি ! চিট্টাগোং ইমাসিবু 'হিংচাবী' হাযদুনা চৈনীংলকই।

ঐ ঙকই ! চিট্টাগোং ইমাসিনা চল্লিবা পাখোং অমসুং ইঙ্গিৎ। ঐহাক ভাব তাবকনল। মাগী অকোযবদা ফোটো ফ্রেম তবেৎনি, অহুমনা শকযেং মিংশেল। ঐনা পামজবা, নুংশিবা নুপী অহুম থিবগা (মখোযগী) ফোটো থেৎচৌ হাযবগী ইঙ্গিৎনি। কযাদ শিংথ্রবীনো ? নুপী মবিদি মাগী মনাক্তা পুব ক্লনা খৎশিন্নৌ হাযবগী ইঙ্গিৎ ওইদৌবিব্রা নৎত্রগা কবি . লব্রাই শাৎলি ! ইনে, ইন্দোল, ইমাবোক মবিবুনা মাগী অবোৎপী মমৌনুপী ওইনা কুফাদা থম্মু হাযবিব্রা নৎত্রগা তেজাব . ! মসিবু হৌনবিব্রা ? ঐহাক কোক ঙাওবক্লদৌবে। কবিনুংগী অপোকপী ইমা উন্নবা লাকচকবা ! পৃক্লিংদা মওল মওল খল্লকই। লৈনুং কুফাদৈ নাম্থোক্লবা পাম্লেসু লৈতে। মথক্তা রাইখু শো লোনশিনখ্রে।

"নিংথেম ! ইমা হিংচাবী নত্তে।" ইমাসিনা হেক থংনবা মিকৃপ্তা হিক হিক কপ্পদুনা শমথবকই — "লাইশমঙ মবি অদো ইমানা তাকু নেক্লগা ইবাই লাযনা ফাবা ঙম্মী। মদুমকসু হেক থোকহনবা পামদে, ইনাক যৌবক্তিৈঙদা তাকুশিং অদুনা নমজা নমথেক তৌদুনা ইজৎ মাঙহনখিবা যাই। মদুমকসু থোকহন্নীংদে। নঙতনা মখোয মবিবু ইজৎকা লোযননা থেমদুনা পুবকপা ঙমগনি। তেজাবতি ইমানা হৈবগা মৈ চুগনি অদুগা অহিংগী সমুদ্রদা লংথগনি। মদু হেক নৎত্রিমখৈদি ইমাগী থনুংদা ওমদুনা চাকলিবা মৈ অসে খক

মুৎখিবোই। হৌজিক্কি ভাব তাবেদনা, ইমানা লোৎপগী মবম। ইমাগী মাযথোং ইচানা উববদি অকি ভুজুংনবগনি! ইমাগী নিংথেম! ইমাবু মখোযনা, মী হিংচাবী ওইহনখিবনিদো।"

ঐগী ইনে, ইন্দোল, ইমাবোক! অদুক তমখিল্লবা! ঐহাক খংশাউ শাউনীংলকই। মৈথাও চুবকই অদুবু ইংথবা তাই। ওাইহাক খল্লানে। পাক হেক্তা পাউখুম পীবা যাখিদে। ইমাসি নুবাবীনা মখোযবু কনল্লবা? চিট্টাগোং ইমাসিগী খৃৎনেক কাওবু অমনা নুবাবী ৬ ফাদুনা ফুল্লেসু হার্যখি, অদুগা নুবীকাসিসু! ইমাসি নুবাবীগী লৌ অমা লৈজখিসনু। মাবু চংহাৎ হাৎপা যাবা মতাংসু নত্তে। অপোকপী ইমাগী মীচংদা হেক্তা তোংশিনবসু যাবা ওইদ্রি। ইস! 'তু চুংঙি! তেজাব হৈবগা মৈ থাবা! মফম কদাযদা . . মৈসু চুদৌবিবা' মখোয মচন-মনীংশিং যেংথিনবগী মবম্লা কবি? অচুম অবানসু খওদনা ইমানা হাযবে গাযদুনসু তৌহৈদবা থবক অদুবু কমদৌনা পাওথোক্কনি! ইমাসিগীসু মবাল লৈবল্লা যাই। কমদৌনা হঙ্গৎসিবা?

"ইমাসি! নচা লাইবক যেংজগে।" ঐনা খুম্মী।

"নিংথেম!" ইমাসি হিক হিক কপ্পা তোকখ্রে। মখা তানা হাযবকই "ইমাগী মঙাংসনা! যিংগৎখনু। মুন্না তাখো, ইমাবু যাম্নুং লাবাগী লাইতুকো ওইহনখিবা মখোযগী থৌবাংনি। হৈবীসনানা মপৃংনি। মহাক্লা মাইবীদ' শেন পীজবগা ইমাবু অতম্লদুনা তান্নবগা নমদুনা ফাহনখর্বনি। ইনে চর্তুবিনা কোন্না হাযদোবকপনি। হৈবীসনানা সুকুদাবু যাম্না পামজখি। সুকুদানা যাখিদে; যাম্না খিনা চৈবীখি। মসিসু মবম অর্মনি। কেবী-কোম্বী অনীনা কৈদৌবে যাওবকইবা? মবম লৈবমগনি। যাম্নুং লাবাদা ওাওজবী খবসু যাওবনি, অতৈ নত্তেদা অনিসনা! অদুনা মাসু তেংবাংবী ওইবক্তুনা খৃৎ শেমখিজাৎনি। কেবী-কোম্বী অনীসু শাগৈগী ইচল থোকপীনি; কবিসু থোইনবু খল্লুদবনি। নওবু লুনা তৌবীখি। মসিনা অহানবা তার্ক্কক্রি। অমিসনা, অনিসনা মচীন-মনাও, তবোম্পীসনানি। ঐগীদি অমনা শাগৈগী ইচেনি, অমসু শাগৈগী ইনাওনুপীনি। ওইনীংবা ওইসনু। হৌজিক্কি যাদবা অমুক লৈফম থোক্রে।

ইমানা ননেসি পুংবাবু মশম ফোইদৎতুনা মযাম মমাওদা ফুখিবদো, নওসু উহৌইদনা? মসিনা অনীসুবা পন্দুপ হৌবকপনি। নওগী বাহৌগীনি, মখা শাংথবোই। ইস! ইচা মাওলমগনিদা! অদুবু মতাং চানা কলহৌবে। ইমানা নওবু সুকুদাগী মনাক্তা খৈদোকল্লবা মতুংদা, বাখোক খবা থোকখি। মৈবীকপীদগী মৈজাও হৌবকখি। হৈবীসনাবুসু ইমানা ফুদেকখি। মনমদা দাগফমদুম লৈবম্না যাবি। মদুসু নওগী বাহৌদগীনি। মখোযনা, নিংথেম মঙাংসনা, নিংথেম লাবা সনাগী ঈ নত্তে; নিংথেম সাগবসনাগী ঈথাও-পুথাওচানি হাযদুনা বা বা জা জা শন্দোবকই। ইমা শিনীংলকই। ফনা যাম্না শেংদোকচৈ। কনানসু থাজবিখিদ্রে। পাবুংম্নাখ্য সাগবসনাসু চিট্টাগোং থাদোক্তুনা চৎখ্রে। মসিনসু লোইবা নত্তে। ইমাবু হল্বোইবীনি, লমলক লুথুব্বীনি অসিনচিংবা কযা হাযজিন্দুনা লৈকাইদগী তাম্বোবকই। সমুদ্র

মপানগা তাইনবা মুসলিম খুল্লক অমদা মতম খবা লোৎতুনা লৈবা তাখি। মতম অদো লান চেন্নবসু হৌনবক্কে। ইমাদি চেন্নরোই হায়দুনা লেপপ্লিবদুনি ... নীংশিংলিদনা নিংথেম ?"

"নীংশিংজবি, ইমাসি ! মখা চৎথবীবকউ।" ঐনা মবক থৎতুনা খুম্মী অমসুং হঙ্ংচৈ- "অচুম্ব অবানগী পবিং অদু মুন্না তাজবগা লীন চৈশূ থাজগে।"

"লীন চৈশূ য়াবোই, নিংথেম !" চিট্টাগোং ইমাসিনা খোল কল্লপ তৌনা ঙাংলকই - "লীনসু শিসনু চৈশূসু তেকসনু ! ইমানা মখোয়বু সুক সুক নৈথৎলগা তেজ্জাব হৈজিনগনি হায়বিসি; মখোয়গী ফজবী মায়খোং মাঙহনগনি। অদুদসু নত্তে ...।"

"মখা ল্বাৎলি চৎথবীবকখো, অপোকপী !"

"তাউ, নিংথেম !" ইমাসিনা মখোল হিক্লপ তৌনা মখা চৎথবকই -- " নোংমা অহিংদনি। নপাবা নুপীবা খণ্ডখিদে। বুবকা মনুংদা শকলোৎপা মীশক মবিখক ফক্লোংগী থোঙ নমখায়বগা চঙলকই। ইমাদি নুংঙাইনা তূমলূবনি। মিকপ থংথোক থোকই অদুবু হৌগৎপা ঙমখিদ্রে। ইশা পূন্না থক থক নির্কখি, লোইবেদনা খনখি। মখোয় মবিনা ঐগী থোঙ খূৎ পুনখি, চীন্দা ফিবুল নমখি। লাঞ্জাবা লাকপা কাঙবুনি খনখি। ইফি ইবোল মফম মবাং খণ্ডখিদে। মখোয়দো ব্রা অমত্তা ঙাংনদে। ইচাগী মফমদা পাউদম্বা ওইববসু অম ল্লা লোৎতনা হায়দোক্লগে হায়ববু ...।"

ঐনা নিংসা স্ত্বব শাংনা হোন্দোক্লগা ব্রাথৈদুনা হঙ্ংলি - "ইমাসি ! নচা খণ্ডজবে, লেপ্পীবো। বুবকা উপ্পা মবী অদু নুপাবা নুপীবা অদুতং হাযবীয়ু।"

"হায়গনি, ঙসিদি শেংনা শেংনা হায়গনি।" চিট্টাগোং ইমাসিনা মখা শমথবকই, "ইমাবু য়ৈথৎখি, য়ৈথৎখি, য়ৈথৎখি .. মুসলিমগী ইবুং ইপ্পাশিং নত্তে হায়বা খঙলকখি। মখোয় মবি ব্রা অমতা ঙাংনখিদে। ইমা জ্ঞান অদুম মাঙখ্রে। ইশম ককথৎলম্মী, কোন্না খঙলকপনি। মীৎ পাংথোকপা ঙমখিদ্রে। ইফি ইবোল অমত্তা ইশাদা থোংলমদে হায়বসু কোন্না খঙলকপনি। ইমায়দা তেজাব . শিনুংদা মৈসু জুক জুক ... এঃ নিংথেম ! পলহৈদবা ব্রানি। মৈচাক মৈশাকা খণ্ডখিদ্রে। অদৈদি সমুদ্রদা .. নিংনিং লাউবা খোঞ্জেল অমদি তাবগুম তৌখিমাল্লে . . মতুং ইথং থংবী অদুনা হঞ্জিন্দুনা লাউবম্বা ওইবমাল্লে।"

"ব্রাহৈ পবেং অদুসু হায়দোকপিবকউ, ইমাসি !"

"ইচে লাবী ! ঐদি য়াওদেকো, ঐদি ঙসিদং ধাকাদৈ থুংলবনি। কোইকসি হায়দুনা পুথোবকপনি, ঐনা খামজবনি. ।" ইমাসিনা ব্রাহৈ পবেং অসি পল্লদুনা মখা তাবকই — "থানিলসনাগী খোঞ্জেলনি। অপঙবীশিং অদুনা অবোইবা লিখুন অমদি থল্লম্মী, নিংথেম ! ইমানা শায়দাংফম ফংলবা মতুংদা ব্রাশকখি। ইচা নিংথেম পাখঙ ফাখিসনু . মখোয়বু নমদুনা ইমৌ ওইগনি অদুগা ঐনা তেজাব হৈগনি, মৈ চুগনি । ইমাগী ব্রাশক ! থবক্তা ওথ্থোকউ, নিংথেম !"

"ইস ! ইমাসি .. !" ঐহাক মখা তাখিদে।

নোকপা মখোল তাবকই, চিট্টাগোং ইমাসিনা মথব্রায় তাজনা নোক্ল নোক্লদুনা হায়রকই—"য়েংঙোই নিংথেম ! ইমাদি পেন্নবা নোক্লীংলকএ। অদুঙৈ ইমাগী চীন্দা লাই

তোংবদৌনা নিংথেম নঙোন্দা লাইনুবী ৭ য়ুমদিনজৌ হায়খিবদো ... লাইশমণ্ড মবি অসিসু মশীং চনবদা য়াওদৌবিমাল্লে; ঙক্লনে অসিবো ! ইমাদি মুৎতৌববা চিট্টাগোং নিংথেম শাগে চাউথোক্লবা চুম্নতা হায়খিবনি ... হা হা হা ! পেন্নবা নোকখিগে।"

ঙাইহাক লৈবগা নোকপা নেমথখি। পুমচীক অমুক চীকখ্রে। ঐহাক ব্রাবেপ অমত্তা লৌবা ঙমখিদে। শারিঙৈদা য়েহৌবসু নত্তনা ইংথরবা মতমসিদা কবম্না মৈ হৌগৎকনি ? পৃক্লিংদা খাঙঙমদবা চৈনাখোল অমা ফাওবকই; মিহুন তিং তিং, শাউনীংবগী চাং বাংখৎলকই। ইংথবদি তাই। তৃন্নিবা মৈগী চীং ! খঙদে, কৈদৌঙৈ কবম্না পোকখায়হনগনি ?

"ইমাসি নুমিৎ ৭নিদং মতম পীবিয়ু, নচা খনখিগে।" ঐনা অসুম্না ব্রাথল্লগা মখা তনা হঙ্গৎচৈ - "পৃক্লিং ফাথবীয়ু। চিট্টাগোং ললীতবী হিংলি হাযবা অসে ইনেমসি থানিলসনা খঙব্রবনি, মথং মথং পাউ ফাওনবম্বসু য়াই, মাধুবী থাপা কনানো হায়বা মখোয়নদি খঙলমদবা য়াই, অদুবু উচি মখুন্দা চঙনব্রগনি। ইমাসিগী ব্রাশক নচাদি খঙদবনা চিট্টাগোং ইমাসি, পাখোং ফোঙলবে হায়দুনা শকতাক ব্রাবোলদা হায়দোকখ্রে। নহাকপু সুকুদাদা থাজবগী ব্রাফমসু লাউথোক্লল্লে।"

"হোয়নহৈ, নিংথেম ! ইমাগীসু অশোযবা অমা লৈখ্রেদো অদুবু লাইশমঙশিং অদুনা নহাক্তি কবিসু খঙলম্মোই হাযদুনা লৈবমগনি। খ্বাইদগী শিংবীদি থানিলসনানি, আর্ট এক্টিংনা মবোল অমা হৈবিবা, এদেন্দে শ্বাই মাঙখ্রে, ইমাগী মীনা ফাবা ঙমহৌদ্রে। অদুগা, নিংথেম, কেবী সিষ্টবদি . ?

(ইমাসি নুবাবী ! হৈখ্রেদকো, পোবম পোমিৎ য়াংপা। ঙাকথোকপনা হৈবিবা ! নঙবু থাগৎতবা ঙমদে। নুবাবী তককপু নঙনা কমদৌনা কদায়দা লোৎস্ত্রিবা ?) ঐনা পৃক্লিংদা অসুম্না খল্লগা চিট্টাগোং ইমাসিগী মতৌদুম যেংগে খন্দুনা হঙ্গৎচৈ - "ইমাসি ! নচাগী চিনকোই ঙাকপদসু মতেং পাংবীয়ু। ঐগী ইযাম্বা মক্প বোহিত বোস অমদি চাক সিনহা অনীগী মফমদা থাজব্রবা ইনেসি শুংবাবু ময়া ঐনা অমুক মুনবসিবু নিংথেম অমগী লিচৎলা ...?"

"হি ! ইচাদি ফিবেপ লৌবা হৈখ্রেদা। ইমাদৈসু নঙনা শিংবা হেনখ্রেদো ! পংঙিদা ! ললীতবী।" ইমাসিনা ঙাইহাক চোম্বুবগা নোকফেৎ তৌবদুনা হাযবকই - "ইমাবু অঙাওবীবো, ইচাগী চিনকোই ইমানা ঙাক্কনি। ফবে, ইমাগী ব্রাশক অমা হন্দোক্লগে, ঐনা মখোয়দা তেজাব হৈকবগা ইমাগী মায়থোং ফজবদো ওইয়ু হায়বা য়াববোই। ননেসি ব্রানাই খঙদবী অনীদো নঙনা অওং অউন নীংথিনা তম্বীবগা লুহোংবীখ্রো, যাবেদনা ?"

"থাগৎচবি, ইমাসি অপোকপী ! যাথং অমা ঙাক্লেকো।" ঐনা অমুক হঙ্গৎচৈ, "নহাকসু নুপীনিদো ...।"

"ওই ! খঙঙে খঙঙে !" চিট্টাগোং ইমাসিনা য়াম্না পেনজবগী মওংসু উৎপা খোঙ্খোক্লা শমথবদুনা ঙাংলকই- "মাই মনেম ওইদৌরিবী থানিলসনাগী হাকন চঙদৌবিবোই.. হোয়নে হোয়নে, মাবুদি অদুক হাক্ল মবাল লৈবদি নত্তে, লীক্লম পীবম্বীনি। ব্রাশক অদুমসু হন্দোক্লগে; মাবু নমান্নবদা থাজবা অদুমদি ইমা য়াবা ঙম্মোই।"

"ইকুবোক ওইদৌবিবা নোবিন সাহেবকা হুন্নিন্নবা শিগ্গগে, লুৱাংদি ইশা অমগুম্বনি।" ঐনা হঙ্গৎচৈ।

"তস ! অদুনিদনা নিংথেম ! " চিট্টাগোং ইমাসিনা পেগ্গবগী মওংদা অমুক শমথবকই "যাবে যাবে, নুংশি হাজেন্নববী অঙাওবীদো নিংথিনা খুন্দা লৈতাহল্লু। মমা অহমগী মনুংদা ননেমসু অথোইবী মমা অমনি হাযদুনা চিট্টাগোং নিংথেমশিংনা খুকমনৈ।"

"অদো ইমাসি !" ঐনা অমুক লৈশি লৈথোন্দুনা হঙ্গংলি - "ইমাবোক যৈবীসনাবুদি . ।"

" হা ! কৈদৌবা নিংথেম ?" চিট্টাগোং ইমাসিনা যাম্না পাখৎচবগী মওংদা খংহায় হাযবকই,— "মাবুদি নঙগী ওইগে হাযব্রা ? ইশলনা পোকপী ইচে ওইবসু মাবুদি তেজাব হৈদনা তোকখিবোই; হযেংমক চৎলু, নুমিৎ ৭নি ঙাইবা যাদ্রে; মখোঙ শোক্তুনা খুকন্নগা ইমাগী নাক্তা শোইদনা পুবক্কদবনি, মখাদি ইমা তৌগে।"

"ঙাইখোদ, ইমাসি !" ঐনা থেমজিনবা ওইনা হঙ্গংলি "নচাদ বব অমতসু পীববোইদ্রা ? পবিক্কাদসু মকোক তাবিবা নচাদা সুপ্লক্তগী সনাবৈ পবেং অমত্তং থোনবিবগা কোক্লবসিবা ?"

"ছি ! লুইদা নিংথেম ! ইচানা পাম্বা বব নিবো।"

"শোযদনা পীগদ্রা ?" ঐনা নোৎশিল্লি।

"নিংথেম ! ইমাসু চিট্টাগোংগী লাইনুবাবীনি। নঙনা নিবা পূম্বা পীগনি। তৌবতবু সুকুদাগা লুহোংবগী ৱাফম অদুমদি যাবা ঙম্মোই।" চিট্টাগোং ইমাসিনা ঙাইহাক খল্লগা শমথবকই-- "লৈবাক শাৎনা কনফার্ম বেচেলব অমনি হাযদুনা খঙনখ্রবা মীশক অমনা হৌজিক লুহোংলুবদা ফজবিব্রা ? কনফার্ম বেচেলব ওইনা হিংলিবা অমদি শিখ্রবা কথ থাজনিংঙাই লৈখিগদ্রা ? অদুইসু মথক্তা, ইমাগী মাযথোং অসি উবগা সুকুদাসু অকিবা পোক্লগনি। মাযথোংনা মকনিকো, নিংথেম ! সুকুদানা ঐবু নুংশিববসু অপাম্বদি লৈববোই, মশানসু যাবকওই। ইমানসু যানীংদ্রে।"

"ফবে, নচা মাযথীবে।" ঐনা নোকফেৎ তৌবগা অমুক হঙ্গংলি - "ভাবতকী লোননা মমাবু থাজবা, লুহোংবীবা যাববসু নচাগী ৱাবেশ অদু কেন্সেল তৌজবে।"

"হো, অদুনিদনা নিংথেম ! মপা মপু কৈবাক থাবা মচা হাযবদো।"

"অদো, ইমাসি ববদি নিজদ্রিকো।"

"নিবো নিবো পীথোক্লগে, ইমাসু তৃমনীংলে।"

"ইমাসি ! হৌজিক্কী মতমদা নুপী মশেল যুম্বান্দুনা লৈমিন্নবা অসিসু ফোঙনা যাবে। থাযনদি লোন্না লৈনবম্মী ! হৌজিক্তি ভাবত্তসু আইন শেমদুনা অতাক ফোঙনববনি। কবিসু অথিংবা থমদ্রে ..।"

"এঃ যৈবীসনাবু ... ?"

"ইমাসি ! নচা দোক্তবনি, থোইদোক্লা শিনুং লোনচংকী তোঙান- তোঙানবা লাইওং লাযনা লাযেংগী মবমদসু কৃপ্না থিজিল্লুববনি।"

"বব অদুমদি পীথোকপা ঙমজবোই, নঙনা পুবকপা ঙমদ্রবসু, তাকু নেক্তনা ফাবগা তেজাব হৈদুনা মৈ থাখিনি। ব্রাশক অসিমদি হন্দোকখিবোই। অতোপ্পা বব অমা নিযু।"

"অদুদি নচা চংচবগে বব অতৈ নিজবোই। নচাসু পুন্সিগী লুহোংলবোই।"

" হে ! তাৎহৈবা ! লুহোংদ্রসু নুপী থিবদি যাইনে। ঙবাংসু নঙবু .... ।" চিট্টাগোং ইমাসিনা নোক্লপ তৌবা খোঙ্খোক্লা ঙাংলকই।

"অদু ওইবদি ইমাবোক যৈবীসনাগা নচাগা ফোংনা লুহোংবীযু, ইমাসিনা নমৌ ওকপীযু।" ঐনা নোংশিল্লি।

"তাইস ! শিংঙিদা নিংথেম ! অদুবুদি লাইগী মচানিদনা।" চিট্টাগোং ইমাসিনা ঙাইহাক খল্লগা শমথবকই- "হৈখ্রে হৈখ্রে, নমাবোক অঙকপীদু কমদৌনা কনবীগে হাযবিবনো ?"

"মাদু ফোংনা লুহোংবীবগে।"

"নঙোন্দা নৎত্রবদি বব অদু পীথোক্লগে।"

"বাশকউ, ইমাসি !" ঐনা তর্কশিল্লি।

"লাই পাখঙনা সাক্ষী ! ইমা ব্রাশক্লে, নহাক্লা নিবা বব শোযদনা পীবগনি।"

"ইমাবোক যৈবীসনাদৌনা তৌবা নুপী অমা খঙনকবে, মমিংনা বিদিসা কৌই। ছাত্রি অবিবীনি, হোষ্টেলদা চঙী কযা লৈবক্লবীনি। মবানী ফোঙনা লুহোংবীবগে হাযবা বাফম অসিমক্তং নচানা নিজণে।"

"তথাস্তু ! ইমা পেল্লে, নঙবু ইচা ওইনা ফংজবা ! ইমাগী ব্রাশক পুন্নমক ঙসিদগী হন্দোক্লে। ঐহাক মী ত্রিংচাবী ওইববোই। চিট্টাগোং ইমাসিনা ঙাইহাক লেপ্পগা নোকফেৎ তৌবা খোঙ্খোক্লা লোযননা নোংশিল্লকই- "অদো নিংথেম ! ইমানসু নঙোন্দা খুদোল অমা পীগে খন্দুনা থমলি; মসিমদি নহাক্লা লৌদবা যাবোই, সুকয্যা যাবোই, অতৈ নত্তেদা .. ।"

"হ ! কবি খুদোল !" ঐহাক ঙকচানৈ, কুইনা পচ্ছদুনা লৈবা যাবদি নত্তে, সৎ হেক্তা নোংশিল্লি "ইমাসি ! ঐদি ঙন্নোইকো ঙন্নোইকো . . ।"

"হনুবী নত্তেদা, কৈসু !" চিট্টাগোং ইমাসিগী খোঙ্খাং খোঙ্গ্রেলনা লাউদ স্পীকবদগী পাইথোবক্তনা নীল্লবে - "নুবীকাসিসু নত্তে। ইমানা খ্বাইদগী থোইদাজবী নুপী অমা লোৎতুনা থম্বা কুইবে। নঙগী নুবাবী মপৈ অমা সুবমিলা কোটেজদা থমগে থমজৌ, ইমানা থিংলোই। ঐগী ইনাক্তা ইতেং পাংনবা ইমৌ অমদি থমগনি।"

মিহুন তিং তিং; ঐহাক ঙাইঙমখিদে। খুদক্তা হঙ্গৎলি- "শংবানবী নুবীকাসি নত্তে হাযবা . . অদুদি কনানিনা ?

"গুদ নাইট নিংথেম!" চিট্টাগোং ইমাসিনা ৱাবোই পাউমেন পীবা ওইনা লাউবকই, "হৌজিক্তি চাংয়েং তৌবা লোইরে, নুমিৎ ৭নি শায়োন কুম্মে শান্নজৌ; লাংওন লাংদাই শিন্নজৌ। নুংঙাইনা পোখাজরো; লেঙশিল্লো লাইফমুংদা। তু তু! নতুংদা লৈবে, নতুংদা লৈবে ...।"

ঐহাক্না তুং হন্না য়েংথোক্লুই। কদায়, কনাসু লৈবমদ্রে। ঐহাক পিং লাউই, শাউকবদি য়াবা নত্তে। হৈশিংঙ্গবী ইমাসিনি। কেকু লোৎতুনা লৈবমগনি, নুবাবী অমা! অদুবু কনা ওইবিগবা!

"হাই হাই, বেনুকা!" চিট্টাগোং ইমাসিগী খোল্লাউ অমুকসু তাবকই- "চিট্টাগোংগী লাইপাখণ্ড চণ্ডগ্রবনি। নবুংঙো নিংথেমবু তবাম্না ওক্তুনা নিংথিজনা লৈমিন্নৌ। ঙসিদগীদি নহাকসু বেনুকাসি মিংথোন ফংজবা ওইয়ু! নুবাবী মিংথোলদি নিংথেমবু থিন্দোকহল্লু।"

ঐহাক শাউবা নেমথখি। অহিং লাইবেম্বীগী মথানুংদা পোখানীংলকই। কোয়েং য়েংলুই, কদায়দনো লাইফমুং!



ইমাগী ৱাশক!

অকিবগী মশক ওইববা ৱাশক; চিট্টাগোং ইমাসিগী ৱাশক পুন্নমক! মচা ঐনা ঙাকথোকপ্রে। অপোকপী ইমাগী য়াথং অতৈসু ঙাকপ্রে। নিংঙাই চাউবী ইমানি। ঐবু কবি চিংথহৌবিবা? মহাক্না হায়বমখে পাওথোকপ্রে। নুরাবী মহল শাউ হায়খি; মদুসু শাপ্রে। হৌজিক্তি মীয়াম্না হংলিবা ৱাহংগী পাউখুম পীবা তাই।

নুবাবী আইলেন্দগী নুবাবী মহল! নুবাবীগী য়োংফমদা শাবা নীংশিং মহল অমদি নত্তে। চিট্টাগোংগী 'সিম্বোলিক বিদল' অমদগী থোবকপা মমিংনি। ঐনা অঙাং ওইবিঙেগী নৌববা ৱাখলদা, মমি অমা তাহনখি। য়োম্ন্রংগী (ড্রিম ফেন্টাসি) তাইবং অমদা লাইচ্চুহনখি। ঐহাক ইশামক বাজা, মহাবাজ অমদৌনা ফজববা মহল অমদা লৈনীংবগী ৱাখলসু পোকহনখি। নীংজবা অদুমক থুংলে। অঙকপনি! ৱাবী লিশাং অমা, শাংলবা ৱাবী লিশাং অমনি। মদুগী মশা মবেং কয়া, নুবাবীনা কেন্দ্র ওইবি। হৌজিকসু লোইবা নাইদনা চৎথবি। মবম অদুনা মাগী মমিংসু মাঙহনবা য়াদে। কৈদৌবৈসু মাঙহঞ্জর্কনি। ঙসিসু মাবু কাউবা ঙমদ্রি।

নিংথেমগী নুবাবী! বঙ্গ সাগবগী ঈবোলনুংদা লৃপথ্রে হায়বা অসিদা থাজবসিবা? অমুকসু থাজে, অমুকসু থাজদে। মাগী শব্দ পোলাং থিকবা তাবিব্রা? মাগী ঙকশমদা থোনখিবা 'নুবাবী পবেং!', মাগী শব্দ পোলাং অদুগা লোয়নদুনা লৈবম্বসু কনানা খঙবা! অমবু ওইববসু, থম্মোয় লময়ৌববা ওসিনিক বোমাল্কী ৱাবী কয়া, নুবাবী মহলগা থাগোন্নদুনা লৈহৌরি। মীথুং কয়ানা, হেক থুংলবগা, হেক্তা হংনৈ—'নুবাবী

কনানো ? ময়েক্রসু হংফম থোকই। নুবাবী মহলগী মমাঙদা নুঙউৌনা হক্কনা শাবা সম্থালি ফিজেৎ থোনবী নুপীগী মুর্তি অমা খিন্দুনা লৈবি। মসিনা খ্বাই পুন্নমক্কী অহানবা মীৎয়েং শরাইফম ওইবি। অকোয়বদা, অশংবা নাপীগী লোন অমদি লৈসু কয়ানা লৈতেং ওইবি। খ্বাইগী ফাউন্দেসন ষ্টোন য়ুংবগী নেম প্লেটকা মান্নদবা ৱাহে খবসু মুর্তি অসিগী খিনফমদা থাবি -

NURABEE MAHAL

NURABEE HERSELF LAID THE FOUNDATION STONE !

নুবাবী ! কয়াদা ফজন্নবা ৱাহেনো ? ফাউন্দেসন ষ্টোন ইর্নাক্রেন্সন অসিগী তোঙানবা ইন্নব মিনিং অমসু লৈবিবনি। লৈনীংবা লৈজসনু ! মৈতৈগী পুবাবীদা যাওবিবা শাযোন লাংওনগী মিংলেন অমসুং মিংথোল কযামকম লৈবি - লাইনুবা, লাইনুবাবী, লাইনুবী অমদি নুবাবী ! থোইদোক্লা, নুবাবী হাযবা অসিনা তোর্নখিন ওইনা চোংথোক্কনা লেহৌবে। চিট্টাগোং বোগেল ফেমিলিগী 'নুবাবী পবেং' কৌবা সনাগী লীক পবেং অদুগ্গম্বনি। মফম অসিবু মপূংদা নুবাবী কমপ্লেক্স হায়বগসু খঙনবকলে। নুবাবী মহলগী অকোয়বদা নুবাবী মপী অমসুং মাগী মচল মচেম নুবাবী কয়না জগোই বাসকী গোপী ওইদুনা লৈব্রে, লাইনুবাবী শঙলেন, লাইনুবী সঙ্গায়, নুবাবী হোর্সপিটাল, নুবাবী বেষ্টুবেন্ট, নুবাবী গাবদেন, নুবাবী লোজ অর্মদি নুবাবী নর্সিং সেন্টব অসিনচিংবা কয়ানি। কমপ্লেক্স অসিদা যাম্না তোমখিন ওইববা মমিং অনীখকসু নীংশিং খুদম ওইনা লৈবে। সুকুমাব লাইব্রেবী অমসুং সুবমিলা গেট। মসি হেক লানশিল্পকপদা নুবাবীগী মুর্তি ! থোইদোক্লা সুবমিলা গেটতা থাবি -

Welcome to Nurabee Complex !

Be a guest of the night with your own Nurabee !

বেল কম্মিং নোটকী পবেং অসিনসু টুবিষ্টশিংদা সেন্টস ওফ এট্রেক্সন পোকহনবনি। থোইদোক্লা, নৌনা লুহোংলবা পূংবা কয়াগী হোনিমুন পেবেদাইজ অমসু ওইবে। উনশাগী কৈথেল হাংদোকপদি নত্তে। মতম য়াওনগী মতুং ইন্না, অহিংগী ঙাবাকপী খবসু লোন্না থুপ্না পাইশিল্লক্কম্বা য়াই। মদু পুন্নমক উশিল্লুবসু চুমদে; খিংলুবসু য়াবা নত্তে। নুবাবী ! ৱাহে অসিদা মেজিক্কেল পন্নার অমা য়াওবি। নিংথেমগী নুবাবীসু অঙকপা মেজিকসিয়ান অমনি। হৌজিকসু মেজিকসিয়ান অমদৌনা লোৎলিব্রা ? অদুবু কদায়দনো ? মহাক্লা লৈনীংবা মফমদা লৈজখিসনু। মহাক্লা নীংশিং খুদম ওইনা থন্নম্বা দায়বী ! ওম্থোক্লা অর্থ লৈবকলে। হাংলবা লমায়শিং— ইখূৎ অসিনা মেনশিন্দুনা ইয়ু হায়বগী ইঙ্গিৎনি। মহাক লাকখিবা য়াবি, দায়বী লৌবা। ঐসু ইবদি তোকপা য়াদে। নিংথেম পুয়াদা লাচনবা তাই, নিংথেমগী নুবাবী। মহাক মশানসু অয়াবা পীবম্মী। অদুবু কবম হায়না লাচনসিবা ! ঐ ঙাইহাক খঙ্গানৈ। ৱা মচং খবদং ইনীংলকই। খঙহৌদনা মঙাল অমা ফুং ফাওবকই। ইবুধৌ নিংথেমশিংনা ইবম্বা লাতম কয়া পাকবে। নূংলোৎ ৱাহে কয়া চীন্দা তোংদুনা লৈববনি। লোনচন খিবদা থোইনা লুনীংঙাই ওইদ্রে। ঐগী ওইবা ৱাখলদে পবেং খবা গোল্লকই।

ঐগী টেবল থ্রোযাবদা লোংতুনা থমলিবা ইমাসি নুবাবীগী দাযবী লৌথোকলে। ইবোই হেক লোযবা লামাযদা পবেং খবা খণ্ডহৌদনা ইথোকস্রে। হাংলবা লামায মযাম অসে, ঙম্নমক সুপচিল্লগা ফোঙদোক্নে হাযবা যাবে। ইচীম্না পাবদি পাথোক্লবোই। মহাক্না দাযবী লৌবা লাকপদা পাবসনু। ইথন্তা অমুকসু চিংনজে। লাকখিগদ্রা নিংথেমগী নুবাবী ?



"লুপগ্রগে বঙ্গ সাগবদা।"

ইমাসি নুবাবীনা ঙাইহাক লৈতনা ঙাংখিবা রাহৈনি। ঐসু যাম্না পাখংলুই। যাম্নসু থাজকই। মহাক্ন যাম্না তোযনা হাযজবা বাঙাং অমসু লৈ। ওহ্নোক্নসু অর্থ লৈব্রবা বাঙাংনি।

"ঐদি সমুদ্রগী উচেকনি ; নাইতোম তাববী সী বার্দ।"

বাহৈ পবেং অসিসু ঙাইহাক লৈতনা হাযখি। মমৈদদি, বাহৈ পবেং অনী অসিদা ঐনা কবিস্ থৌশাখিদ্রে। মচান্দগী থোকউ থোকউবদা ঙাংবনি হাযদুনা খন্দোকপা মতাংসু যাওখি। ঈবোইবা অমদি ঈকল্পদা লম্বা লৈত্রবী মহাক্না কৈদৌঙেদসু মথন্তা শিবা হৌনদে। মসি ঐগী বাখলনি। হি লার্কশনবা নংত্রগা নোংবৈ নুংশিং থেংনকদুনা খুজি-খুংনাম্বোক্তা শিবদি যাই।

হৌজিক্তি, মহাক্কী বাহৈ পবেশিং অসি যাম্না অর্থ লৈবকলে। মাগী ৩বাওনবী মীংস্না অনীনা ঐঙ্গেন্দা মবৌ লৈবগ্না যেংলগা তঙাংলবা মচিনবান অদুনা ঙাংলম্বা বাহৈ, নোংমসু ইন্দুনা থমলম্বা পবেং ' অচুম্বনা ফাগী তৌখিমাম্লে। নিংথেম লাবাসনানা সমুদ্রদা লুপ্তুনা সুইসাইদ তৌখিব গুম্না ইমাসি নুবাবীসু মতুং ইন্দুনা শিজনীংবগী অপাম্বা অমা লৌখববা ? শোযন্নমক, লৈফম থোকই।

ঐগী পৃক্লিংবু থৌদোক্তুনা মহাক্ন কযাবক হম্না চনখিবা পাথোং ' ঐসু কবিগীদি খণ্ডদনি। নাইতোম তাহৌববী সমুদ্রগী উচেক ' মহাক্কী অনৌবা মপাং নংত্রগা চংজফম পীযু হাযদুনা লাকখিবনি। ঐসু মাগী চংজফম পীখি। মাগা লোযনবদা নুংঙাইববা মপাং অমা ওইনবা হোৎনখি। ঐনা হেক ঙমজবী থাক্তা মাগী পুংলোন্দা জগোই কযা শাজখি। মহাকসু মতাং মতংগী যাম্না পেঙ্গখি। নুংশিববা অমদি ফজববা মিংথোল অমসু থিন্দোক্তুনা মহাকপু ইকাইখুম্নজখি। ঐনসু মহাকপু হাযফম খণ্ডদনা নুংশিজখি।

ঐ খণ্ডই। মহাক্তি মবক মবক্তা অঙাওবী ওইনসু তৌখি। মোন্দ্রং চুবী হেক্তা ওইবকপসু যাওখি। ঐবুসু হেক্তা ঙাওহনখি। ঐনা মসিমসু খণ্ডই ; মহাক্ন ঐগী ইফমদা চাংযেং অমখক তৌবা লাকখিবনি। ঐনসু দোক্তব অমা ওইনা মাবু লাযেংজগে হাযদুনা খনখি। ইবানীগী মবক্তা ইখণ্ড হেক খণ্ডহৌদনা যাম্না হকচিনবা মতাংসু যাওখি। অমুক হেক্তা ফাগী তথোক্লখি। ইবানীগী মওং মতৌ-মীংশিং নাশিংলবা মাগী মকুং ,ঐগীনা বাবা সুকুমাবনা খণ্ডখি। মতম কুইনা রা-লান

ঙংনবা য়ারুদ্রবী মচল নুপী সুবমিলাগী হবাও অয়াম্বা মতৌদা বাবাসু পেঙ্খি। নোংমসু, বাবানা ফগী ওই কবি ওই, হায়খিবা ৱাফম অমসু লৈবি -

"নিংথেম ! নমা নচা নিংথিনা লৈমিন্নৌ। সুবমিলা কোটেজগী লাইনিংথৌ লাইবেম্বী ওইনা হায়বদি য়ুমগী লাই মমা মচদৌনা লৈমিন্নৌ হায়বনিদা। ইপাদি মবক মবক্তা লাক্কে। সী বার্দ অসে সমুদ্রদা লুপখিনিকো। নিংথিনা কুপশেন্নৌ, নিংথেম ! অদুগানে, সুবমি ! নঙসু নিংথেমবু থাদোক্তুনা চংখিগনু। সমুদ্রদা পাইকববসু নহমদা অমুক হেক্ত হঙ্গিল্লকউকো।"

ইমাসি নুবাবীসু ৱাহৈগী তেন কাপথোক কপশিন্নদা লম্বা লৈতবীনি। নোকমি নোকমি হেক তৌবদুনা সং হেক্তা ওকশিল্লকখি — "হোয় হোয় সুকুদা ! নচলনা সমুদ্রদা লুপত্রবসু অমুক হন্না থিবীবক্কনু। মপোক লাংওন অমদা, চীংনুং সনা লোক্তগী পাইবকখিগনি অমুক হন্না, অদুগা. ।"

"পাইবকউ, পাইবকউ ! ঐসু কলেজগী কার্টবদা পাইগ্রগে।" বাবা সুকুমাবনা ফগী ওই, কবি ওইনা অমুকসু মখা তনা লাউবম্মী - "অদুগানে নিংথেম ! নমাসি নুবাবী অঙাওবীদো মচিং মশোন হৌবীনি। লোযনবা লুবনি। হৈনা শিংনা লোয়নৌকো। সমুদ্র উবা য়াদবীনি, মথন্তা থক থাদোক্কনু। সমুদ্রগী উচেক্তি, সমুদ্রগী উচেক্তনা ফগদবনি। নঙদি অনৌবা মপোকনি !"

"ঐসু অদুম্না খল্লি, দাদা !" ইমাসি নুবাবীনা মথৱায় তজনা খুমখি - "মপোক লাংওন অসিদদি নিংথেম নুবাবী ইমা ইচা পুন্না হেক লুপমিন্নখিগে।"

"চিট্টাগোং নিংথেম শাগৈদি হিংহল্লুদা, সুবমি !"

"অদুদি, ইথন্তা লুপচখিগে।" ইমাসি নুবাবীনা খুমখি।

অসুম চিংনবকই। ঐনদি করিসু থৌশাকদে। ফগী তৌবিবনি খন্দোকখি। নোংমা অহিং মমৈদনি। ঐহাক নুংঙাইনা তুমথকই। মঙওই-হা ওইনা সুবমিলা কোটেজগী মমাঙদগী লাউবকপা খোঞ্জেল অমা তাখি -

"নিংথেম ! নুবাবীগী নিংথেম ! ইমা চংলে, ঐবু কৌবকলে। ঐগী মিসন লোইরে। লাইপুংবাগী মমানা ঐবু সুবমিলা কোটেজদা লৈহনগনু হায়বদাই .. ঙসিদগী তিংখং হন্দোক্লগে। ইমাগীসু ৱাশক অমা লৈবি। ৱাশক ঙাকপা তাই। লুপত্রগে বঙ্গ সাগরগী ঈবোলনুংদা, মথংগী মপোক্তা অমুক উন্নবসি . . !"

ঐহাক মিকপ থংথোক হেক থোকখি। ফমুংদগী যুক হৌগংলি। সুরমিলা কোটেজদগী সুবমিলা বিচঅম্না চেঙ্গোরকই। কদায়, সী বার্দ ? ইমাসি নুবাবীগী মোটব বোট লৈবমদ্রে। থামম্বা অহিংনি। ঐনা বঙ্গ সাগবদা মীংয়েং থমদুনা য়েংখি - য়াম্না লাপ্না মোটব বোট অমা পাইবদৌনা থৌখিবদি উহৌই।

ঐনা লৈজবী থাদুনা কৌখি - "ইমাসি ! নিংথেমগী নুবাবী ! ঐগী ইমাসি নুবাবী ! নাইতেম অহৌববী সমুদ্রগী উচেক ! নুংশি শামায় লৈরকখো .।"

পাউখুম ফংখিদ্রে। নুংশিং মমাং থাদুনা পাইত্রবা সী বার্দ - ঈথক ইপোম অচৌবা অমনা লাকশিনবগুম তৌনা কুপশিনখি। মশক উখিদ্রে। ঐনা অন্নরুবদা ফংগনি হায়বা থাজখিদে।

মহাক্তি মমিং লৈববী ওসিন এক্সপার্টনি। ঈরুম্মা, ঈবোইবদা লম্না লৈতবীনি। অদু ওইদুনসু, ঐহাক লৈতাফম খঙখিদে। খুদক্তা ঐগী ইশম চাইবা (মোটোব বোট) থৌদোক্লুনা তান্নকই। বঙ্গ সাগবগী লম্মীং তুম্মীং– ঐহাকসু মুন্না খঙই। থিবা য়াবা মফম কয়াদা কোইথি থিকই।

নোংঅল্লকই। ঐগী খোঙচং লোবী আইলেন্দ য়ৌকই। মোটোব বোট থাংজিল্লগা চীংথক্তা কাখৎলুই। মায়কৈ খুদিংদা কোইইরে লৈদুনা বঙ্গ সাগবগী ঈপাক্তা য়েংলুই। লাপ-মীং (দুববিন) য়াওদবনিনা কবিসু উবা যংখিদ্রে। ঐহাক নীংবা কায়দুনা হল্লকখি।

নিংথেমগী নুরাবী ফাওগৎলকখিদ্রে!

চিট্টাগোং রিপোর্টর

অনীসুবা কাতুপ

ইমাসি দবলগী মেজিক

“ইমাসি ! ইমাসি দবল ”

“নিংথেম ! কদোমদৈ মিংথোলনো ?”

“ইমাসি ! নঙসে অমদা অনী পূনবনি”

“হ্বাট দু য়ু মিন ?”



"বাজা সাহেব!"

কদোমদে বাজা সাহেব! ইখও হেক খঙহৌদনা কৌবকই। মিংগৌ অসিনা ঐবু তু চুংহনখি। চহী কয়াগী মতুংসিদা, নৌহৌনা অমুক বাজা সাহেব! ঐ খংপ্রেক খংই। নীংশিং বাখল পূম্নমক, পুমকায, পুমতোয! মিংগৌ অসি হেক তবগা মায হাইগৎতুনা যেংথোক্লই। নুপা অমা লেপলে। ইমাগুদা হাংদোক্লুনা লৈবিবা খোঙজিন মযাদা নুপা অমা লেপলে। পাক হেক্তা চঙশিল্লক্তে। ঐসু লকক তৌই। মহাকপু কৌশিনগনি হাযবা কাউকই। ঐবু বাজা সাহেব কৌবদুনা লেপ্লবিবা নুপা! পাখঙ ওইনা উই, (পানগী বানি) চহী নৌবিবা পাখঙ। মশক ফজে। মতৌ অমসু লৈ। মহাকপু মুন্না যেংঙি, মীৎ কৃপকনি হাযবা কাউকই। মহাক্তি নোকনি নোকমি তৌবি। ঐবু মহাক্না শক খঙবগুম তৌবসু ময়াল্লি। ঐদি নীংশিংবা থোক্তে।

পাখঙ অদুগী মাযথোং! ঐগী ইশকসু হাইফেৎ মানগুম তৌই। কদোমদে, কমদৌনা? ঐ ঙকই। তৌবুদি মপা মচা নৎত্রবসু শক মান্নবা হাযবা অসি যম্না তোযনা থেংনৈ। ঐগী ইচানুপা অহনসু 'টোনি কার্টিস'! (মতম অমগী মশক ফজবা, মমিং চৎপা হোলিউদকী এক্টব) ময়াল্লি। মসিসু অঙকপা অমনি। ফজনা হেক্তা মানথ্রবা জাৎনি। মমানা ইচানুপাবু যাম্না নুংশিজনা 'ইমাগী টোনি কার্টিস' হাযদুনা মবক মবক্তা কৌই। ঐদি নোকনীংবনা, চীন খুমদুনা খাঙজে। টোনিদমক কৌববসু ফদৌবা। কৈদৌবে মীগী শগৈ মিংথৈ নপলিবা! টোনিগী মমা (ঐগী তাল্লোম) তবানুনা মন্ধ লৌবমদাইদা, টোনি কার্টিসপু নীংখিজাৎলা? ওইবন্দ্বা যাইকো! ঐগী শকফমগী মমিনা কদোমদা? ওইনীংবা ওইবসনু।

অসুম্না হাযনবা কযা অমসু লৈবি। মপা অশেংবগী মশক্কা মচাগী মশক্কা চপ হেক্তা মান্নগনি হাযবসু লৈতে। মীবোনবা নৌবিবী নুপী অমনা ইখও হেক খঙহৌদনা অযুক অঙনবদা, ইহান হাম্না উখিবা নুপা অমগী শক্তম! মমাগী পিবুকনুংদা লৈবিবা মচাগী মশক্তা খজিক্তং ওইববসু মমি তাদবা হৌনদে। মীবোনবী মমা অমনা যাম্না তোযনা নীংশিংজবা কনাগুম্বা নুপা অমগী শক্তম! মচাগী শক্তমদা মমি তাই। মসিমসু হাযনৈ। মেদিকেল সাইন্সকী মতুং ইন্না খবমথৈ চুম্মী হাযনবি। লুহোংবা নৌবিবা নুপা নুপীগী কাদা ফজবা

পোষ্টব বেবীগী ফোটো থেৎনৈ। মচানুপা পাম্বনা নুপা পোকই। মচানুপী পাম্বনা নুপী পোকই। মসিমসু থাজনৈ।

ঐগী ইচানুপী অমদি ইন্দিয়াগী ফিল্ম ষ্টাব মধুবালা মাল্লি। মমা ইবেম্মা তাবাবীদি মধুবালাদা ঙাওজবীনি। মাগী কাদা মধুবালাগী ফোটো অমা হৌজিকসু থেৎলি। মধুবালাগী মমিং চৎখিবা ফিল্ম 'মুগোল-ই-অজম' কাপ্পুনা ঙাইহাক লৈতনা য়েংজৈ। 'পিয়াব কিয়া তো দবনা কিয়া' হায়বিবা ফিল্ম অদুগী ঈশৈ, ঙাইহাক লৈতনা ঙংজৈ। ঐনা হেক হেক লকনৈ - "এঃ অনাবকলী শাবী ! ঐদি সলিম নত্তেকো।" নুংঙাইত্রপোৎনি, তাবানু-তাবাবী, ঐগী লাইপুংবা নুবাবী। মসিমসু লৈখিসনু। মহাত্মা গান্ধী মানবা, মমিংসু (শেবান-তুবান) গান্ধী কৌবা মী কয়া পোকই। মমা মীবোনবীনা গান্ধী নীংলমগদ্রা ? পাদোং কাদা গান্ধীগী ফোটো থেৎলমগদ্রা ? ঐগী ইচানুপা নীংখোম্বনা নেপালি দাজু (য়ুমদা লৈবা দিপক বাহাদুব লীম্বু) মাল্লপ তৌই। মমানা মীবোল্লিঙৈদা য়াম্না তোয়না উজবা দাজুগী শক্তম ! ফজনা হেক্তা মানখ্রবা জাৎনি। দি এন এ টেষ্ট তৌদ্রবদি খঙবা ঙমপোৎ নত্তে। মীবোন মৈথাঙগী মবী অমদি শায়োন লাংওনগী বাফম অসিমসু য়াম্না কন্না থাজনবি। ঐগী ইচানুপী থাসনাসু মবেন (মমা পোকপী) শ্রীমতী থানিলসনা মাল্লি। ঐগী ইচানুপী লৈখৎপীসনাসু চিট্টাগোংগী ইমাসি লাইনুবাবী মাল্লি। অদুগা ঐবুদি কনাগী শক্তম মাল্লিবা ? ইবুধৌ সাগবসনাসু মাল্লি হায়। নিংথেম লাবাসনাসু মাল্লি হায। পাগী পুবোল তবেৎ, পীগী পুবোল তবেৎ - মদুগী শক্তম মচেৎ মচেৎ, শৃথাঙ শৃবোন্দা মমি তাই অমদি হকচাং কয়াৎসু মান্নবপ তৌবা শকক য়াওই। মসিমসু থাজনৈ। জেনেটিক্সকী ব্লড লাইন, খবমখৈদি চুমদে হায়বা য়াবিদ্রা ? ঐগী খোঙবী মবাই কাঙবা অসিবু ইমা পোকপী ইবুধৌ কিথুম নহা মাল্লি হায়বি। নুংঙাইজাৎনি ব্লড লাই !

ওইনীংবা ওইবসনু ! ঐগী থোঙজিন্দা লেপ্লবিবা মীথুং অদুগী শক্তম ! মীৎফম হোংবা য়াখিদে। ঐহাক হেক্তা ফজনা মানশ্রে। তাবানু-তাবাবী অনীনা উববদি ঐবু চিংনবকপসু য়াবিজাৎনি। ঐবু লমলক লৃথুম্বা ওইনা খনখিবা য়াবিপোৎনি। পাখঙ মচা অদুগী মমানা ঐবু তোয়না তোয়না (তাবানুনা টোনি কার্টিস নীংশিংবদৌনা) নীংশিংখিব্রা নৎত্রগা পামজখিবা ওইবিগদ্রা ? অসুম চিংনবকই।

"বাজা সাহেব !"

"ঐদি নিংথৌসু নত্তনা কদোমদে মিংথোলনো ?"

"ঙসিদগী বাজা সাহেব কৌবগে।"

"মবমদি .... ?" ঐনা ঙক্কুনা হংখি।

মিকুপ অদুদা খংনীং হেক নীংশিংলকই; নুপী অমখক ! মহাক্লা ঐঙোন্দা পীবম্বা মিংথোল ! পাখঙ অদুনা কনাদে, কমদৌনা খঙলিবা ! চহী কয়া মমাঙগী বানি। মহাকপু নুংমীৎতা খংউ হেক উবকই। নুপী অদুনা ফাগী ওই, কবিওই ঐঙোন্দা য়াম্না তোয়না তোয়না বাজা সাহেব কৌজখি। ঙাইহাক্কুদা অমুকসু খল্লকই, পাখঙ অসিবু মাগী মচানুপা

ওইবিগদ্রা ? মহাক্তি কনাদা লুহোংত্রিবা ! ঈ পাউ অমত্তা তাখিবা লৈতে। অমবু ওইবে মমা ফজবীগী মশক হাইফেৎ মানবা মমি অমসু (পাখঙ অদুগী) মাযথোংদা উবগুম তৌই। খুদক অদুদা, মতম অমগী নুংঙাইববা দাযলোগশিং মখাতানা নীংশিংলকই -

"নোংমদি, নহাকসু ওইবকপা যাই।"

"মীচম ঐনবু কবি দেশকী বাজা সাহেব ?"

"লৈবাক্কী নত্তেদা।"

"অদুদি থম্মোযগী বাজা সাহেব ?"

"মদুসু নত্তেদা।"

"অদুদি, কবম্বা বাজা সাহেব ?"

"অদুবুবো, নুবাবী মহলগী বাজা সাহেব ! মহল অমা লৈববদি বাজা সাহেব অমা লৈবা তাবনি।"

ঐনা নোকফেৎ তৌবগা মতাং চানা নোং শর্নাই "অদুগা, নুবাবী মহলগী বানী সাহেবাদি কনানা ওইববা যাই ?"

"হুম ! ঐদি কবিসু ওইজনীংদে।"

"কদাযদা অমুক লৈকগে হার্যাবিবনো ?"

"ঐদি সী বার্দানি। নাইতোম তাববী সমুদ্রগী উচেক !"

"অদু ওইবসু, চৎখিবা যাবোইকো।"

নুবাবী মহল শাগৎপা নৌবিঙৈগী বানি। মতম খবদি মহাক্তা অশিল সবাং ওইদুনা যাওবম্মী। নুংঙাইববা কুম্মৈ কর্যানি। ফাগী যুগায নুংঙাইববা দাযলোগ কযাসু। অদুগা নোংমা, শ্বাই হেক্তা মাঙখি। মদুগী চৈনাখোল, ওইহৌবি থম্মোয লাইমন !

টেক টেক টেক ..!

মিকুপ পুংজা অমসুং চহী ! টেক টেক কযানা শাগৎলি। সেকেণ্ড হুম্ফু মিনিট অমা ! মিনিট হুম্ফু পুং অমা ! মসিনা ঘড়ীগী খোঙচৎনি। মতমগী খোঙচৎ অমসুং ঘড়ীগী খোঙচৎ, খেয়বা লৈ। চাবী থাদ্রবদি ঘড়ী লেপ্পী। বেটরী শিবসু ঘড়ী লেপ্পী। নুমিৎকী খোঙচৎতি ঙাইহাক্তংসু পোখাবা তৌদে। মিকুপগী পুংজা ! নুংজাদগী নোংমা ! নোংমদগী, নোংমা কযানা চহী অমা !

চহী মবোল মবোল। চহী অমগী মথংদা, চহী কযা। যৌদোক কযা থোকখ্রে। ঐহাকসু চহী নিফুগী লাংভম লাম্লোবক্রে। ঐগী পুন্সিদসু যৌদোক কযা থোকখ্রে। নিংথৌগী ইতিহাসমক নংত্রবসু চাউববা পুন্সি ব্রাবী অমা ইথোকপা যাবে। ইবসু হৌবে। বঙ্গ সাগব অমসুং বঙ্গ সাগব মপান্দসু যৌদোক কযা থোকখ্রে। অঙকপা যৌদোক কযাসু থোকখ্রে। যৌদোকশিং অদু পাউচে কযাগী হেদ লাইন ওইনা ফোঙনখি।

"Miracle in the Bay of Bengal ! Nurabee Island re-discovered !"

মসিনা মপুং ওইবা লীদ নিউজনি। অতেসু কযানি - "Doctor Ningthem Nurabee lost in the cyclone ' Surmila Cottage flew away, Doctor Ningthem back alone ' Nurabee hunting resume on' 'A magic at the sea shore' অসিনচিংবা থৌদোক কযানি। পাউ মচা খবসু ফোঙখি- "Twin sisters Tabanu- Tababi married to one Ningthem Confirmed bachelor Dr Sukumar Sen rest in peace ' Nurabee Mahal at the Bay Inaugurated by Mother Ibela in disguise "

প্রেসমেন কযা লাকখি। পাউ কযা লৌখি। পাউ কযা ফোঙলকখি। পাউচেদা ফোঙখিদবা থৌদোক বাবী কযাসু লৈবি। মদুনা লনাইগী রনি। ফোঙদোকপা যাদবা কযাসু লৈবি। ইথক্তা নীংশিংবদি যাই। অনৌবা থৌদোক বাবী কযাসু খোক্রবা যাবি।

কংগা নাইদে, বঙ্গ সাগর।

৩২

ঙসিসু, পাউমী অমা।

ঐ খঙই, মহাক পাউমীনি। থোঙজিন্দা লেপ্লিলা পাখঙ অদু মঙকশমদা কেমেন যাল্লি। মখুৎতা নোট বুক পায। যেৎথংবা মবেংবান্দা বেগ মচা অমা যাল্লি। পাউমী অইতেসু যাম্না লাকখ্রে। ঐঙোন্দগী পাউ কযা লৌখ্রে। তশেংনা খুমদোকপা যাদবা কযাসু লৌবি। ঐসু লৈথোক লৈশিন তৌদুনা খুমখিবা কর্মনি। মখোয খাইনা ঙাইহাক লৈতনা, তোথনা হংবা থাহং অমা লৈ। মদুগী পাউখুমদি শীবা ঙমদ্রি। ঐসু মদুগী পাউখুম থিবি। ঙসি থুংলবিবা পাউমী অসিনা কবি অমুক হংলদৌবিবা।

"বাজা সাহেব। অমুকসু কৌজবি।" থোঙজিন্দা লেপ্লবা পাউমী অদুনা মখা তানা হায়বকই - "মে আই কম ইন, সাব ?"

"ও সোরি। ঐ ঙাইহাক মংঙুবে।" ঐনা মহাকপু কৌশিনবা ওইনা শমথে, "বানৌবিবা যাদে। লেঙশিনবীবকউ, নুবাবী মহলনা তবাম্না ওকচবি।"

পাউমী অদু চঙলক্রে, টেবল মমাঙদা লেপ্লবে- "গুদ মোর্নিং, বাজা সাহেব।"

"গুদ মোর্নিং। প্লিজ বি সিটেদ।" ঐনা ওকই।

"থেঙ্ক যু সাব।" মহাক অদুম লেপ্তুনা লৌবি।

ঐনা ফমলিবা কা- নুবাবী মহলগী ৭সুবা মথোলগী হোম লাইব্রেরী কমদনি। লময়াই ওইবগা টেবল চৌকি, সোফা - মফম চানা চানা থাই। নাক যেৎতা কা কযাসু লৈবি। ঐগী ইমুং মনুংসু খাইগী মতোন অসিদা লৈ। মখাদগী লিভতা কাখৎপা তাই। পাউমী অসি হান্নসু এপোইন্টমেন্ট লৌববকখিবা তৌদে। ফোনসু তৌবকখিদে। বাহাদুব নৎক্রগা অতে রাটচমেন

কনাসু লোয়নবক্তে। ঐগী ইচাশিংগী মীথুং ওইদুনা মখাগী গেষ্টরুমদা লৈবিজাংলা ! বাখল কয়ানি। খনদবসু য়াদে। মহাক য়াম্লসু ঈচং থৌনা উই। থৌগল্লোন য়াম্না খঙবগী মতৌসু উই। ফনা কুইনা থোঙজিল্দা লেপ্তুনা য়াথং ঙাইখি। ঐহাকপু মমীৎ কৃপ্তনা য়েংজখি।

"বাজা সাহেবকী লাইবিক ময়াম অসিদি ...।" পাউমী অদুনা ইকোয় কোয়না য়েংলুবগা ইমাঙদা ফমথত্রে। অদুগা মখা তানা হায়বকই - "অচৌবা হোম লাইব্রেবী অমনি। ময়ামসিবু ওম্নমক পাবীবব্রা ?"

"পাবা অমসুং তম্বা হায়বা অসি লোইবা নাইবা নত্তে। ফনা য়াম্লদি পাবে। বেফবেন্সকীদমক থম্বসু য়াওবি। ঐগী শিনফমগা চান্নদবা লাইবিকসু লৈশিল্লি। ঐহাক লাইবিক পাবা, ইবা অমদি নৈনবদসু ঙাওজে। অব্রাংথংবা ফক্লাং ময়াদা লৈবিবা অলমিবা অচৌবা অসিদা য়াওবিবা ময়াম অসিনা মমিং চৎলবা প্রোফেসাব সুকুমাব সেননা পীবম্বনি। ইন মেমোবি ওফ প্রোফেসাব সুকুমাব সেন হায়দুনা থাবিবনি।"

"প্রোফেসাব সুকুমাব সেনগী মমিং তাজে। মহাকপু বাজা সাহেবকা কবি কবম্বা মবী থোক্লবগে ?" পাউমী অদুগী বাহংনি।

"মহাক ঐগী গুরুনি, গোদফাদবনি।" ঐনা খুম্মী।

"ইহে ! ইশকপু তাকচদ্রি।" পাউমী অদুনা য়াম্না নোল্লুক্না হায়বকই -"ঐহাক চিট্টাগোংদগী লাকচবনি। হান্নসু উন্নবগী অয়াবা লৌজহৌদ্রে। মদুগীদমক ঙাকশীগনি। যাম্লসু উন্নর্জনিংঙি। মী কয়া কাথোক কাশিন তৌদবা কৈবাক্তা মথং মথং কাজবকপনি।"

"ঐবু অদুক উন্ননিংলিবদি কবিগীনো ?"

"ঐহাক পাউমীনি।" নুপা অদুনা খুম্মী।

"অদুবুদি ঙসাইনা খঙলে। কবি পেপবগীনো ?"

"চিট্টাগোং গার্জিয়ানগী পাউমীনি।"

"নুংশিদা ! ঐগী চিট্টাগোং !" ঐনা শোনজে।

"বাজা সাহেবসু চিট্টাগোংদা পোকখি হায়বদি তাজবে। ঐখোয়সু য়াম্না চাউথোকচে। ইন্টর্ভিয়ু মতেক অমতং লৌজবা য়াগদ্রা ?"

"অহানবদা, ঐনা হায়গদবদি, ঐবু বাজা সাহেব কৌবীগনু।" ঐনা মখাতানা শেংদোকই - "ঐ মীচম্মনি, বাজা সাহেব নত্তে। তান চাবগা ফোলা চাই হায়বদুনি। নোংচুপ বঙ্গগী সমুদ্র মপান অসিদা ইপা ইপুনা লোংপিবম্বা লনগৈ অমা, অদুক ফংজুবৈ রানি। হৌজিক্ত বাজা, মহাবাজগী যুগ লোইব্রে। মীয়ামগী মীহুৎনা লৈবাক ঙাকত্রে। ঐখোয়গী পাবী পুবীশিং মতম অমগী নিংথৌ মচা-মশূশিং ওইবম্মী। থায়নগী হনুমান হায়গুম্বা জাৎনি।"

"ঙাকশীগনি ! নুবাবী মহলগী মপু ওইবদুদা কৌজবনি। তৌবসু, চিট্টাগোংদদি বাজা সাহেব হায়বগা খঙনবে।"

"ইবুংঙো হায়দুনা হেক্তা কৌজগে।" ঐনা অসি হায়বগা মখাতানা নোংশিল্লি – "ঐবু বাজা সাহেব কৌক হায়বদি কনানা ইনশিল্লকই ? নঙবু ....?"

"ঐগী ইমিং নিংথেম কৈফাসনা কৌজে!" চিট্টাগোং পাউমী অদুনা য়াম্না হৈ শিংনা (ঐনা হংলিবা বাহংগী পাউখুমদি নত্তনা) মখাতানা হায়বকই - "মসিনা ঐগী শক্তাক বানি, সাব!"

ঐনা খল্লি, শিংঙিদা নহাসে। কনানো অমনা ফজনা হেক্তা তম্বী তাকশিবগা থাবকপনিসে। মিসন অমা লাকপসু মাল্লকই। ঐনা নোকফেৎ নোকফেৎ তৌবগা ফাগী ওইনা হংঙি - "ইবুংঙোবু কৈ ফাখিববা ? বাবৌবা য়াদে, অসুম হংজবনি।"

"ফাজখিদে, সাব!" নিংথেম কৈফানা নোকফেৎ তৌবগা হায়বকই - "অহল লমনশিংনা ঐবু কৈ ফাহনিংদুনা মিং অসি থোনাখবা ওইনমাল্লে।"

"এনিরে, ঐসু নিংথেমনি হায়বদি খঙলেদনা ?"

"অহোয, অদুনবু বাজা সাহেব কৌজনি।"

"ইহে! অমুকসু বাজা সাহেব।" ঐনা ঙাইহাক খল্লগা শেংদোকই - " ঐদি ইচম হেক চম্বা দোক্তব নিংথেম মঙাংসনা ওইনা তিংজনীংঙি। মিংথোল অদো ।"

"দোক্তব সাহেব কৌবদি য়াইদনা।" চিট্টাগোং পাউমীনা মখোয়গী হৌনবা মওংদা খবা তাখৎলপ তৌবগা মখাতানা নোংশিল্লকই- "সাহেব হায়বা মিংথোল অসিসু পাম্বীদববা ? মতাং মতাংগী পাবুংচা হায়দুনা হেক্তা কৌজবগে।"

"এঃ মদুনা কদোমদে মিংগৌনো, কৈফা ?"

"দোক্তব সাহেবতি ঐখোয়গী পাবুংচা নৎত্রগা য়াম্নুং থোক্লমগদ্রা খল্লি, চপ চাবা মবী মখোঙদি খঙজদ্রে।"

"নত্তে, কৈফা নঙবু . ?" ঐ লকক তৌই।

নিংথেম কৈফানা ঐগী বাহংগী পাউখুম পীবা তৌখিদে। মাগী নোট বুক ফাক্লোকই, মমাঙদা থম্বী। মাগী বেগ মনুংদগী টেপ বেকোর্ডব লৌথোক্তুনা টেবল মথক্তা থম্বী। পাউমী অমগী হৌনবী শেম শানা শানা হায়বকই - "ঙাকপীগনি, পাবুংচা! লনাইগী ওইবা বাবী বাতায়সু খবা শাজনীংঙি। চিট্টাগোং নিংথেম কলচরগী মবমদসু খরা খঙজনীংঙি। খোঙ্গেলসু বেকোর্ড খবা তৌজহৌগে। ঐখোয়গী লিখুন খঙবা মীসি পাবুংচা নৎত্রবদি লৈবক্তে।"

"কৈফা নঙগীসিবু ইন্টর্ভিয়ু হৌববা হায়দুবা ? চা-নুং হান্না থক্তুনা ইপা ইচা ব্রেকফাষ্ট চাখিসি।" ঐনা হৌদোক্লুই।

"পাবুংচা! নচাদি নুবাবী বেষ্টুবেন্টতা ফংজরকলে।"

"ইচম চম্না চা-নুং থকপদি য়াইদনা। অদুগা চাকলেনসু।"

"পাবুংচাগী সঙ্গায়দা চাকলেন অমা ফংজবা হায়বসি নচাগীদি লাইবক ফবনি, বাজভোগনি খনজে।"

"ইহে, মাগী রাজ হায়বসি অমুক পল্লকএদো।"

"অতে লায়বি পাবুংচা!" চিট্রাগোং পাউমী নিংথেম কৈফানা মতাং চানা ইন্টর্ভিয়ু হৌবা ওইনা লুশম লাকপদৌনা সং হেক্তা নোংশিন্নকই- "বাজা সাহেব হায়বিবা মিংথোল অসিবু কনানা পীবন্নবনো ?"

"নিংথেম নহাকসু লাইবোইদৌবি।" ঐনা নোকফেং তৌবগা খুশ্মী- "চঙী কয়া মমাওগী ৱানি। নুপী অমখক্লা ঐবু য়াম্না চম্না নুংশিজনা কৌজবন্নবনি।"

"নুপী অদু কনানো, পাবুংচা ?" নিংথেম কৈফানা সং সং হেক্তো নোংশিন্নকই, "মাগী মমিং মথা ৱাবী ৱাখোঙ খবদং তাকপিবা য়াগদ্রা ? অদুগা মসিমসু হায়বীয়ু, নুপী অদু হিংলিব্রা নৎত্রগা শিত্রব্রা ?"

নিংথেম কৈফাগী ৱাহং যাম্না মবৌ থার্গঙি। য়াম্নসু হৈ শিংনা হংঙি। ইবাই হেক লায়না খুম্নসু যাবা নত্তে। খুমদবসু য়াবোইদৌবি। নুপী অদুগী মশক মমিং তাকপদি কবিসু অকায়বা লৈতে। মহাক হিংলিব্রা নৎত্রগা শিত্রব্রা হায়বদি খঙদ্রিবনি। মফম কদায়দা লোৎলিবগে হায়বসু খঙদে। অসুম চিংনবকই। নিংথেম কৈফা অসিবু মহাক্কী মচানুপা ওইবিগদ্রা ? কনানা খঙবা, চিট্রাগোং বেনুকাগী মচা ওইবন্নসু য়াইসে ' মমাগী লিখুন থিবা লাকপসু মাল্লি। অহানবদা, নিংথেম কৈফাগী মবী মখোঙ, পাবী পুবী খওদোকপা চুম্মী। ঐসু যাম্না হৈশিংনা খুম্না তাবনি। ৱাশকখিবসু লৈ। শাউনখিবদি লৈতে। লমন খুম্বগী বাফমসু লৈবমদৌ মান্দে। মহাক হিংলি খঙহন্নবা চিট্রাগোং পাউমী অসিবু মিসন থাবকলিব্রা ' মসিসু খন্দবা য়াদে। নত্তে, কৈফাসিবু কনাগী মচা ওইবিগবা ' হে হে লৈবেদনা ইবাই হেক লাইববা কাউন্টব কোইসন অমা।

" কৈফা ! ইপাগী নিংথেম কৈফাসনা!" ঐনা মহাকপু নোকফেং তৌনা অমদি নুংশিনা কৌবগা হংঙি - "নঙবু নিংথেম কনাগী মচানো ? নমাসিগী মমিংদি চিট্রাগোং বেনুকা কৌব্রা ?"

"পাবুংচা ! হংগদবা ৱাহং যাম্না লৈবি।" নিংথেম কৈফানা মোমোন মোমোন তৌবদুনা হায়বকই- "ঐগী পাবী পুবীদি অকোনবদা তাকচগে। ঐ কনাগীসু মাঙনবা তৌজবোই ! অতৈ লাযবি, পাবুংচা, বেনুকা হায়সিবু কনানো ? পাবুংচাবু বাজা সাহেব থোনখিবী নুপী অদুবা ? ঐগী ইমাসিগী মমিংদি রেনুকা কৌদে।"

"হা ! কৈদৌবা ? নঙগী নমাসিগী মমিং রেনুকা কৌদে অসিবা ? অদুদি মমিং অশেংবদু কোক হায়দোকউদনা। ইপা ইচা শিংবা মান্নরে। মখা চৎথবা য়াববোই।"

"ঙাকপীগনি পাবুংচা ! ঐগী ইমাসি অপোকপীদি সনাগী কৈবাক কাপ্লে; কোলোয মিংলেন পঙ্গববোই।"

"অদুদি কমদৌনা নিংথেম পুয়াদা লাচনগনি ?"

"পাবুংচা ! নিংথেম পুয়া হায়দি কবি লাইবিকনো ?"

"চিট্রাগোং নিংথেম কাঙলুপকী পুদিন অমনি। ইপানা মিসিং লীক্ক থি-থিদুনা লিখুন কয়া খোমজিনবা হোৎনবি। নঙগী নমিং নথাসু ইরগা পীবন্মু। নত্তে, নঙবু নিংথেম কালিগী খুৎলা ?"

"ফরে, ইন্টর্ভিয়ু হৌবসি, পাবুংচা!"

"হৎনিংঙাই অতে কবি লৈবিবগে ? ঙসাইদগী চৎথবকইবা ইপা ইচাগী অরায-অখুমসিদি ইন্টর্ভিয়ু নত্তবরা ?"

"মসিনা ইমুং-মনুং, শাগে নাত্তৈগী ৱাবী ৱাতাইনি। পাউচেগী ৱাফম্না তোঙানবনি। মবক্তসু চিট্টাগোং নিংথেমশিংগী ইতিহাস শবদংসু হংজবক্নে।"

"প্লিজ প্রোসিদ। শ্তাইখো ঙাইখো কৈফা, চানুং হান্না থর্কখিসি।" ঐনা অসি হাযবগ্যা কোল্লিং বেল নমখি।

"ফগনি পাবুংচা!"

ইপা ইচা ঙাইহাক তুম্মিন তুম্মিনা লৈনৈ। মীৎকা মীৎকা চান্নৈ। মাসু ঐসু নুংগী ৱাখলনা অমমমনি। পানগী ৱাখলসু অমমমনি। ঐনা পৃক্লিংদা অসুম চিংনবকই - "ইমাসি দবলবু চিট্রাগোংদা ?"



"ইমাসি! ইমাসি দবল!"

"নিংথেম! কদোমদৈ মিংথোলনো ?"

"ইমাসি! নঙসে অমদা অনী পৃনবী ইমার্সিনি।"

"হ্বাট দু যূ মিন ?"

"মিংলেন অমা হোংলসি। শাযোন অমা হৌবসি।"

বঙ্গ সাগবদনি।

বঙ্গ সাগবগী ঈপাক্তা। মোটব বোট থৌদুনা চৎমিন্নখি। নীংশিংবা অমগী মকমদা নীংশিংবা অমসু... ওসিনিক বোমান্সকী নুংঙাইববা খোঙচৎ! মিকৃপ অদুদা খঙনীং ৫২৮ নীংশিংলকখি।

"কবি কবম্না শাযোন লাংওন ... ?"

"ইমাসি! নুবাবী দ্বীপ থিবগী খোঙচৎ অমদা .. ।"

"কৈদৌবা, নিংথেম ? ঐদি কাউবু কাউবে।"

"হাযখিবদাই নোংমা, I am ready to be your double mother কাউবরা, ইমাসি ? ঐদি ঙসিসু নীংশিংলি। নঙদি, অমদা অহুমসু পৃনবনি।"

"ওহো! নীংশিংঙে নীংশিংঙে।"

"হৌজিক্তি ইমাসি দবল কৌবা য়াবেদনা ?"

"কৌবীনু, কৌবীনু। ছৌবিং ছৌবিং লাওই। মীনা তাবগা অর্থ লান্না লৌখিগনি।"

"অদুদি কৈদৌবৈ হাযপ্রিবা ?"

"পানগী ৱানা অমনি, নুংগী ৱানা অমনি।"

"হৈদকো নঙসে ইমাসি!"

"ঐদি ইমাসিদবীনি। ইমাসিদবী ওইনা হিংজগে।"

"অদু ওইবসু . . ।"

থাযনগী লৈবাং অমনবী ! নুংশিবা লৈনমদি লৈহৌবি। শকলোন অহুম পূনবা লাইবেন্বী ! নোংমনা ইশানৌ নুবাবী ! নোংমনা ইমা সিদবী ! নোংমনা লমজিংবী ইমাসি ! অদুগা নোংমনা কবি ...?

"হুজুব ! ছোটে সবকাব!" ইমাংদা দীপক বাহাদুবগী মচানুপা জগৎ বাহাদুব চপ লেপলৈ - "তাকপীসি, কবি যাথং।"

"যেংঙোই, জুনিযাব বাহাদুব, ইবুংঙো অসি ইচম চম্বা নুপা নত্তে, বিপোর্টবনি। ঐখোযগী চিট্টাগোংদগী লাকপনি, ঐগী শাগৈগী ইচাসু থোকই হার্যবি। অচা অথক খবা পুবকউ। অদুগা নঙসু মিষ্টন বিপোর্টব অসিগা খঙনৌ, মতুংদা যাম্না কান্নবক্কনি। মহাকী মমিংনা নিংথেম কৈফাসনা।"

"এগী ইমিংনা জগৎ বাহাদুব, ইপাগী মমিংনা দীপক বাহাদুব।" জুনিযাব বাহাদুবনা মখুৎ লোন্নাদুনা মমিং হথা তাকপা ওইনা মখা তবকই- "নমস্তে আব কে সাহেব ! খুকমজবি, বাজকমাব!"

"বাহাদুব ভাই ! ঐবু আব কে কৌবীনু। ঐদি নিংথেমনি, নিংথেম কৈফাসনা। চিট্টাগোং বিপোর্টব ! ঐগী ইপা বাজা নত্তে অদুগা ঐসু বাজকুমাব নত্তে।"

কৈফাগী ব্রা'হ খোনম্মম ! ঐঙোন্দা তিং লাওনা পাম্লি। অদুঙৈ, ঐনা চন্দিপুব বিচতা তাবানুদা হার্যখিবদু খঙনীং নীংশিংলকই। মতম অদুদা কৈফাদি কনাগী গর্ভদা লৈবিজাৎনো ? চিংনবক্তবা ঙমদে।

"সোবি সাব ! নিংথেম অদুম কৌজগে ? অদো কবি কবি পুজবকউগে ?" জুনিযাব বাহাদুবনা মখা তানা নোর্থশিল্লকই - "হেভী ব্রেকফাষ্ট তৌজবক্কে।"

"লাইট ওইবা খবদং যাইদা।" নিংথেম কৈফানা শমথবকই - "বাজা সাহেব নুংশিবীদুনা চাকলেনগী বার্ত্তন অমসু তৌবিবে। অমুকসু পঞ্জবে বাজা সাহেব সোবি পাবুংচা!"

"ফগনি, নিংথেম!" জুনিযাব বাহাদুব থোকস্রে।

"যাইদা যাইদা।" ঐনা নোকফেৎ তৌনা ওকশিল্লি- "কৌনীং কৌনীংবা হেক কৌবো, ইচাসিদি। তৌবতবু নঙসে গাইব্রংগী পো চৎথোক চৎশিনদি হৈকো। মচেক যৈবসু যাম্না হৈ। তৌবসু নহাক্না হাযবিবা অদু ইপাসু যানিংঙি। বাজকুমাব মযুম হাযবা লৈতে। ঐখোয নিংথেমনি, আব কে নত্তে।"

"অচুম্বনি পাবুংচা ! চিট্টাগোংদদি হৌজিকসু নিংথেমমযুম হাযদুনা অদুম খঙনবি। মিংগী মমাঙদা নিংথেম হাপনৈ, সিংহ নৎত্রগা মৈতৈদি হাপনদে।"

"ইপাসু খঙই। মদুনা ঐখোয়গী অচুম্বা শক্তাক্নি।" ঐনা মখা তানা পাংশিল্লি - "নিংথেমময়ুম্বু নিংথেমচাময়ুম হায়বগসু খঙনৈ। মসিগী নুংলোন অমা লৈবদৌনা তৌই। নিংথেমচা নৎত্রগা নিংথৌজা হায়বা অসিদগী খঙনখিবনিসু হায়নৈ। নঙসু পারী-পুবী থিবা লাকপনিনা খবমখৈদি খঙজিল্লু। নিংথৌ চাই হায়দুনা নিংথৌচা সলাই খায়বনিসু হায়বি।"

"য়াম্না নুংঙাইজে পাবুংচা! মখা চৎথবীয়ু।"নিংথেম কৈফানা ঙাইহাক খল্লগা অমুক নোংশিল্লকই-"অদো পাবুংচা! নিংথৌ চাই নৎত্রগা নিংথৌজা হায়বসিগা নিংথেম নৎত্রগা নিংথৌচা হায়বসিগা সন্ধি তৌবদা খবা খিৎ চুশিন্নবা রাংপ্রা খঞ্জে। পূক্লিং লৌশিং য়াম্না ওইজে। রাহন্দোক খবদংগা তাকপীয়ু।"

"নিংবগা তৌবগা মান্নৈ। নিংথৌ নৎত্রগা নিংথেম কৌই। মসিনা ইবুথৌ নিংথেম পুথিবগী রাহন্থোক্নি। ঐখোযগী ইপা ইপু মৈতৌবোন্দগী থৌনা ফবকই হায়বা অসিমা চুমলবনি। চহী কয়া লিশাংশিৎনা কংলৈদা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লকই। খুৎকন-পাঙ্গললি।"

"অদুগা পাবুংচা! মৈতৈগী য়েক শালাই অমদি শাগৈ মিংথোনবগী মতাংদা শিনফম নৎত্রগা লৈফম চাফমগী মতুংইন্না থোনবনি হায়বা তাজে। খুদম ওইনা নিংথৌগী মৈ য়েংববু 'মৈয়েংবম' কৌই হায়নৈ।

"চুম্মী, লাইগা ইশম শমনৈ হায়দুনা লাইশ্রম থোনবৈ রাসু লৈ। লমচৎ কাম্মী, লাইগা ইশম শমনৈ হায়দুনা লাইশ্রম কৌইসু হাযবি।" ঐনা ঙাইহাক খল্লগা মখা শমথৈ- "চিট্টাগোংগী ইবুথৌ কিথুমপুবনা ঐখোয় নিংথেমশিংবু নিংবগা থেমদুনা চাই নৎত্রগা নিংথিনা থেম্বা হৈ হায়দুনা নিংথেম অমদি নিংথেমচা কৌবনি হায়দুনা ইবম্বা লাতম অমা লৈ হায়বি। ঐখোয়সে থেমলোন খবদি হৈ হায়বা তাই।"

"থেমলোন!" নিংথেম কৈফানা মচীন্দা মথন্তা শোঞ্জবগা হংলকই- "পাবুংচাসু থেমলোন য়াম্না হৈব্রা?"

ঐনা নোকফেৎ তৌবগা খুম্মী- "লাইফাবোন, মীফাবোন খববুদি হৈ। গুক খল্লই মঙ্ক ফংঙি। থেমলোন খবসু মখঙনি।"

"গুকদি কনানো পাবুংচা?"

"হাইস! নঙসিসু মহানি, গুক থিবা লাকপ্রা? নুংঙাইদৌবি ইপা ইচাগী ফেস টু ফেস এনকাউন্টব।" ঐনা অসি হায়বগা রাথৈবা ওইনা চৎথৈ- "ঙাইখো, ঙাইখো। ইংনা তপ্না চৎথসি, বাহাদুব য়ৌবকএ, চানুং থক্তুনা ব্রেক মচা অমা থমখিসি। নোংমা নীনিসু লমদনখো।"

"য়াম্না ফগনি, পাবুংচা।" কৈফানা খুম্মী।

জুনিয়াব বাহাদুবনা চা-নুং, অচা-অথক পুবদুনা লানশিল্লকই- "ছোটে সবকাব! অদুগা নিংথেম পাউমী! চা ফানবীসি।"

"থেঙ্কয়ু ছোটে বাহাদুর!" নিংথেম কৈফানা খুশী অদুগা ঐভেন্দা অমুক ওনশিন্দুনা হায়বকই- "ছোটে সরকার! হান্না পাযরীয়ু। নচা তুং ইঙুগে।"

ইপা ইচা হরাও তয়ান্না চা থকমিন্নে। ছোটে বাহাদুর পম্বরমদ্রে, থোঙজিন যৌদ্রে।

"ছোটে বাহাদুর!" ঐনা কৌই।

"জি!" ছোটে বাহাদুর খংলেপ লেপ্লী।

"নমাসি পুংবাদা চিট্টাগোং বোয়েল ফেমিলিগী অথন্নবা অতিথি অমা লাকই, চাকলেন ফজবা অমা সাংঙু হায়য়ু। অদুগা নচল, ননাওশিং চৎথোকখিনু, নিংথেম কৈফাগা শকখঙ মাযখঙনবা ওইনা পুন্না চাকলেন চামিন্নগদবনি হায়য়ু। চোপ্পা য়াদেকো, নঙসু অরাং-অপা যেংশিল্লু।"

"জি! শোযদনবা শীন্নজকগে।"

ছোটে বাহাদুর থোকখ্রে।



"নিংথেম কৈফা!"

"পাবুংচা! তাকপিসি।"

"চা থকপসু লোইরে। নঙনা পামলিবা পাউচেগী রাহং পাউখুম চৎথবসি।" ঐনা যান্না খঙনীংনা নোংশিল্লি- "ইচানা নৌহৌনা ঐগী মরমদা ফোঙবা পামলিবসি কবি কবি মতাংনো?"

"খঙজনীংবা, হংজনীংবদি যামদ্রে। ঙম্নমক রেকোর্ড তৌজগে। ফোঙগদবদি মচং খবদংনি। ফিচর ওইনা চৎথবা য়াবগনা সেবিজ ওইনা ফোঙজবক্কে। অহানবদা, ফোটো অমতং হান্না। ফেমিলিগীসু, হৌবেন অমা লৌজগে।"

"যাই যাই, ফৈবেং ফৈবাং তৌনু, ফজনা কাপ্পু।"

"শোযদনমক!" নিংথেম কৈফানা লেপখৎতুনা কেমেরা এঙ্গল শেম শাবদুনা হাযবকই- "ফজনা লৌজগে। চিট্টাগোং গার্জিযানগী চেমাযদা, চিট্টাগোং নিংথেমশিংগী অনৌবা মীরোনগী গার্জিয়ান অমা লৈবি হাযবসু উৎচবক্কে। অদুগা, পাবুংচা .।"

"অদুগা কৈদৌবা, কৈফা, ? নঙগী রাবোই কোৎচি অসিনবু.. ।" ঐনা মতৌদুম যেংগে খন্দুনা সৎ হেন্তা নোংশিল্লি- " হোযনে হোয়নে, ঐগী ফোটো অদু উবগা মমীৎতগী পি শিন্থুবা ওইবসনু!"

"পাবুংচাগী রাহে পবেং অদুদা পি শিন্থগদৌবিবা ওবজেক্ট অদু লোৎলেদা.. নুপাবা নুপীবা?" কৈফানা নোংশিল্লকই।

"লোংতেনা। মৈতৈলোনগী লোঙ্গন্দদি মমীৎতগী হায়বা ৱাহে অদুদা হিজ ওব হাব আইজ য়াওরিদুনি।"

"এনি বে, কোংচিদা কোংচি। অমবু ওইবে, চিট্টাগোং নুবীকাদি ...।"

"কৈদৌবা, কৈফা ? নঙবু চিট্টাগোং নুবীকা খঙব্রো ?"

"বেদি, ৱান টু থ্রি . . পাবুংচা ! প্রোফাইল খবসু লৌজগে।" নিংথেম কৈফানা তোঙান- তোঙানবা এঙ্গলদা ঐগী ফোটো ফনা য়াম্না কাপখ্রে।

"য়াবেকো।" ঐনা হংঙি।

"য়াবে।" কৈফানা খুম্মী।

"নঙবু ৱাহং খবা ইদুনা পুবকপ্রা ?" ঐনা অমুক হংঙি।

"পুজবকই। পাবুংচাগী পাউখুমদগী ৱাহং কয়াসু মথং মথং থোবকত্রা খঙ্গে। খবসু ইজগে, বেকোর্ডসু তৌজগে।"

"হৌবো হৌবো।" ঐনা তর্কশিল্লি।

নিংথেম কৈফা, চিট্টাগোং পাউমীনা মমাঙদা নোট বুক ফাক্তোকই, মখূৎতা কলম অদুগা টেপ বেকোর্ডবসু থাবদুনা শেম শাবা লোইখ্রে অদুগা হাযবকই- "পাবুংচা ! ঐগী সোর্ট কোদ নেম চিবি হায়দুনা থমজগে। ফুল ফোর্মনা চিট্টাগোং বিপোর্টব।"

"ইপাগীদি ফোঙবা মতমদা কবি মিং থমদৌবি ?"

"নিংথেম অদুম হায়জগে।" কৈফানা খুম্মী।

"বট দিয়াব আব সো মেনি নিংথেম।"

"অদুদি বাসা হায়জৌবা ? আই মিন বাজা সাহেব !"

"ইহে ! মদু হায়গনু হায়বেদনা।" ঐনা ঙাইহাক খল্লগা নোকফেৎ তৌই- "হোয়, ঐসে বাজানি হায়বা য়াই, নুবাবী মহলগী অদুবু বানী সাহেবদি লৈতেদনা।"

"পাবুংচাগী লাইপুংবা লৈবিসিদি বানী সাহেবা নত্তববা ?"

"অদু ওইবসু . ঐঙোন্দা মিংথোল পীবম্বী নুপী অদুবু বানী সাহেবা ওইফম থোকই।" ঐনা খুম্মী

"হৌজিকসু মহাকপু নুংশিবিব্রা ?" কৈফানা নোৎশিল্লকই।

"লৈহৌবি বজনী গন্ধগী নুংশিবা লৈনম ! এনি বে, ঐগী সোর্ট কোদ নেম অদু 'লাপা' হায়দুনা হেক থম্মু" ঐনা হৌদোক্লুই।

"মদুগী ফুল ফোর্মদি ?" কৈফানা হংলকই।

"লাইপাখঙ ! চিট্টাগোং লাইপাখঙ।" ঐনা খুম্মী।

"নচাদি মদু পামজদে। বাজা সাহেব অদুম হায়জনীংই।"

" হোযনে হোযনে, নঙবু থাবকপী অদুগী মনীং থুংজনবা, ঐগী ফোটো উবগা কপচনবা, বাজা সাহেব, অশগ্নীদা বাসা অদুম হাযবো, ইপা যাবে।"

"ও কে, ষ্টার্ট! টেপ বেকোর্ডব থাববনি, পাবুংচা!"



ছৌবিং ছৌবিং লাওই।

ঐগী পূক্লিংদা ছৌবিং ছৌবিং লাওবকই। পাখংপা থূক্কংপা অমদি নার্ভস চংপদি নত্তে। হান্নসু প্রেসমেন কযা উন্নখ্রে। ভি আই পি, এন আই পি কযাসু উন্নখ্রে। তাকু তবাং তৌবা কযাগসু মুকখাযনদুনা উন্নখে, শংগংনখ্রে। ঐহাক কিথি কিকম তৌবা মীতাসু নত্তে। ইপায হৌগংনবা, মীতোপ মীনৌ উন্নবদা হুযাং অনপ্পী কাগনবসু তৌখিদে। অদুবু, খঙহৌদনা মিপাইবা পোক্লকই। চহী নৌবিবা, মীৎশিং নাশিংলবা, চিট্টাগোং বিপোর্টব অসিনা কবি কবি অমুক হংগদৌবিবা। মহাক্তি ঐগী মবমদা যাম্না কৃপ্পা থিজিল্লিবা মতুংদা লাকপনি। ঐনা ইক আ তৌদুনা লৈবসু যাবা নত্তে। কমদৌনা খুমগদৌবিবা! মসিদনি, ঐনা ছৌবিংনবিবা। অদুবু, মাযযোক্লবা তাবনি। হৌবু হৌবকএ।

চিট্টাগোং বিপোর্টব : বাজা সাহেব! নুবাবী মহলগী বাজা সাহেব! ঐহাক চিট্টাগোং গার্জিযানগী বিপোর্টবনি হাযবা হান্নসু শক্তাকচখ্রে। অদোমগী নুবাবী মহল অমদি নুবাবী আইলেন্দগী মমিং তাজবদা অঙকপা পোকচৈ। ঐহাক্লা পোকত্রিবৈঙ মমাংদা ফোঙখিবা, চিট্টাগোং গার্জিযানগী অমনবা পাউচে কযা অমা বেকোর্ড কমদা থেংনজকই। অমনবা পাউচেগী অমনবা পাউ অমদি ফিচব আর্টিকলশিং অদু পাবদা অসুক্কী মতীক নুংঙাইজে। অদোম্মু নুপী অমখক্লা বাজা সাহেব কৌজবগী মতাংদসু পবেং খবা থেংনজে।

ঐহাক্লা মবক খংথং থংতুনা হংনীংলকই (মিষ্টব বিপোর্টবনা পাম্বীবিবা অসি নুপী অদু ঐগী কন্নানো হাযবা অসি নংত্রদো)। হংবসু হংঙি- "মিষ্টব চিট্টাগোং বিপোর্টব! মমিং যাওদ্রনে? নহাক মুন্না পাবক্লব্রা?"

চিবিঃ ঐনা মকওইনা পামজবিবদি নুপী অদুগী মমিং নত্তে। বাজা সাহেবনা, আই মিন নিংথেম মঙাংসনানা, ইবুধৌ নিংথেম চিট্টাগোংসনানা কোনুংবু ওইবে, লোৎফম্নু ওইবে, খুম্ফোক্লনা লৈবম্বা দ্বীপ অমা বঙ্গ সাগবগী চিদাইদা, লৃপখি, ফুমজিনখি হাযবা অসি মীবোন কযাগী মতুংদা, কমদৌনা কন্নাদগী খঙবিখিবনো? মসিগী মবী মখোঙ খবদং মবীক চুম্না তাকপীযু। চিট্টাগোং খুম্ফোকলোনগী শাংলবা ইতিহাস নংত্রগা হিষ্টোবিকেল লীজেন অমদি শোযদনা লৈবমগনি খনজে। মদুসু মবীক চুম্না, তুংগী মীবোন্দা পাউদম্বীবম্নু। মতম যাম্না লৌবীযু। নিংথেম কলচব, মক ওইনা চিট্টাগোং নিংথেমশিংগী তোঙানবা কলচব অমা নিংথেম পুখিবনা শেন্নম্মী হাযনসু তাজে। মদুসু মচা খাযনা, অক্ষবা ফত্তবা কবি কবিনো হাযবা অদুসু তাকপীযু।

ঐহাক খুম্ফম খঙখিদে।

চিট্টাগোং রিপোর্টর নিংথেম কৈফানা হংলিবা বাহং মনীং মমাং ইথৎ থৎলি। অমা লোইহ্রিদৈদা অমসু নোংশিল্লকই। ঙাইহাক্তি চম্মম্রে। নিংথেম খুহ্নোকলোনগী শাংলবা ইতিহাস অমা নৌহৌনা হায়বদি রেকোর্ড হঞ্জিন্দুনা খোংবা তাবনি। তৌবসু ইতিহাসকী রাবী হায়বা অসিমক্তগী মীবোন অমগী মথংদা মীবোন ... মথং মথং হঞ্জিন্দুনা লীবা তাবনি। মদু নৎত্রবদি মমৈ মকোক শমজিনবা য়াদে। ঐনা ঙাইহাক খল্লগা শাংলবা পুরাবী অমা লীদুনা তাহল্লি। নিংথেম কৈফা য়াম্না মুন্না তাই। ইশিনবা য়াবা কয়াসু ইশিল্লি। মবক থৎতুনা হংলক্তে।

পূং অমা!

পূং অমগী মতুংদা পূং অমা। মথং মথং হৌখিবা খঙহৌদে। ইতিহাসকী মতুং তাবকপদা, মহাক্না হংবসি, হংবসি ...খুম্বদা খদাং চোকপা জাৎনি। মাদি চোকথবা নাইখিদে। ঐগী পাউখুমশিংগী খোঞ্জেলসু অমত্তা চিৎথদনা রেকোর্ড লৌশিনখি। অদুক শাংলবা ইন্টর্ভিয়ুদি কনানসু লৌখিদ্রি। মাগীসিদি ইন্টর্ভিয়ু নত্তে। অসুক য়াম্না রাংহং পাউখুম্ন কমদৌনা পাউচেদা ফোঙদৌবিবা! পাবা তাই, চিট্টাগোং গার্জিয়ান! মহাক্তি বিসর্ত তৌবা লাকপা মার্নশিল্লকই। মচংনা শেপবগী। মপূংনা লাইবিক ফোঙদৌসু মাল্লকই। টেপ কয়া শিনম্রে।

দেং .. দেং .. ! মশীং ১১ যৈম্রে। ইবানীসু রাবী শাবা লেপ্পী।



লাইপুংবা লেপলৈ।

ফোঙজিন্দা, লাইপুংবা তনুসি-তবাসি লেপলৈ। পাক হেক্তা চঙলক্তে। বাহাদুর নৎত্রগা মচাশিংদি কদাযদা ? তৌববুদি কৈফা ইবানীসু রাবী শাবা লেপ্পুনা লৈবা মতাংনি। নিংথেম কৈফানা হংখিবা বাহং কয়াগী পাউখুমদি ফনা য়াম্না শীত্রবনি। মহাক্না হংনীংবা কয়া অমসু লৈবদৌনা তৌরি। মাগী নোট বুক অদুদা বাহং খবা শেম্বদৌনা ইবি। ঐসু খবমখৈদি খঙ্গানৈ। চিট্টাগোং গার্জিয়ান ফোঙলকপা মতমদা ফুল টেক্স অদু ঙাইবা তাবনি, পাবা তাবনি। মচং খবদংদি শোয়দনা ফোঙলকনি। বাচোই ময়াম অদুনা মাগী রেকোর্ড ওইনবা লৌজবসনু খন্দোকই।

"চাক পাউ লাকচবি।" তনুসিনা হায়বকই।

"লক্ষ মতুংদা অমুক চৎথবীয়ু।" তবাসিনা পাংশিল্লকই।

"নিংথেম কৈফা! ইপাগী নিংথেম কৈফা!" ঐনা লাইপুংবা তাবসনু মতাগুম কৈফাবু নুংশিনা অমদি হৌবগ্না কৌবগা হায়খি- "আই মিন, মিষ্টর চিট্টাগোং রিপোর্টর! চাক পাউ লাকএ। তু তু য়েংঙু। নমাসি লাইপুংবা ..!"

কৈফা হৌগৎকে তৌই, মমায় লৈথোবকই। লাইপুংবা চঙশিল্লকপনা হাল্লি। অতিথি ওকপা লাকপসু মাল্লি। ঐগী লুশম লাকপা চঙলকপসু মাল্লি। থোইনা কিনীংঙাই ওইদে; মথৃৎতা খাবে চেগাপ পায়বক্তে। য়ুমগী নুপী হায়সিদি ঙকল্লপোৎনি। লৈশাবিঙেদনা ঐনা নোঙ্গে থেমজে, দে দে । য়ুমগী মৌ ওইদুনা মমা হেক ওইরকপদা মখোয়না অমুক লিংখৎলকই, ইমুংগী সাসন পায়খৎলকই। মখোয়গী পুংলোন্দা জগোই শাদবা য়াবক্তে। অদুম ওইনমক লাইপুংবা তনুসি-তবাসি অনীগী থৌগল্লোন অমদি সেবা কবি হায়রুনি! ঐগী ইঙ্গিৎ ইবাং খঙখ্রপোৎনি। মীমাং পোমাংসু য়াম্না খঙই। অহিং নুংলোনগী ৱাফম্না তোঙানবনি। মদুদি য়ুম্বালবা নুপা নুপী খুদিংমক্কী হৌনশানি। মবানীদি ওইহাক্তসু থাদোক্লদে। হৌজিকসু অদুম, টু ইন ৱান! হিবান-হিঙাই পুংবাবোই ওইমিন্নবি। নুংঙাইবা কুম্মৈ কয়া লৈখ্রে। মদুদি নিংথেম পুয়া লাতমদা ওইনা লাচল্লগে। মবানীগী ‘হিমায় লৈথোকচবে’, *‘হিমায় লৈশিল্লকও’ হায়দুনা ঙাংনবা অহিংগী দায়লোগ! ওহ্মোক্লা অর্থ লৈখ্রপোৎনি*

“পাবুংচা!” তবাবীনা ঐবু কৌবকই।

“চবোদা! ঐবু নপাই পাবুংচাবো।” ঐনা চৈহৎলি - “তবাসি, নঙসিমা নুমিৎ হেক খুদিংগী ঐঙোন্দা জাৎ জাৎকী মিংগৌসিনবু . . ।”

মৱা মপুবোইবদা মচাশিংনা কৌই হায়দুনা তাল্লোয়শিংনা ‘পাবুং’, ‘বাবা’, ‘পাজি’ কৌবসি চংনদে। মীনা তাবগা মপাদা ওংশিনবা মাল্লি। থায়নদি ‘মোই পাবুং’ ‘মোই বাবা’, ‘মোই পাজি’ হায়দুনা কৌনবম্মী। হৌজিক্তি মওং অমনি, মতৃনা মৱাদা কোথবদুনা ‘বাবা’, ‘পাবা’, পাজি’ কৌবসি ফেসন ওইববনি। মৱাদা তামোসু কৌনৈ, য়াম্বুংসু কৌনৈ। পাখঙ লৈশাবী ওইবিঙেগী ৱানা তোঙানবনি, মমিং মমিং কৌনববসু কায়দে, পীকথন্না কৌনৈ। মৱাদা ‘তামো’ ‘তাদা’ নৎত্রগা ‘য়াম্বুং’ কৌববদি মচলনুপীনা কৌজবম্বা মিংগৌ মুনখিবা মাল্লকই। ‘মোই তামো’, ‘মোই য়াম্বুং’, মসিনা ফজবা মিংগৌবোননি। ঐঙোন্দসু য়াম্না নুংঙাইবা থৌদোক অমা লৈখি। লুহোংলবা মতুংদসু তনুসি-তবাসিনা ঐঙোন্দা য়াম্বুং, য়াম্বুং কৌবম্মী। নোংমদি, কোকখুম্বী সিঙ্গব আইবেলা (চিট্টাগোং ইমাসি) ফুৎ ফাওবকপা নুমিত্তা হেক তাথোকখ্রে।

“হে, অঙাওবী অনী! নুংলোৎ মিংগৌদি কৌনীং কৌনীংবা কৌজৌ; হৌজিক্তি নবুংঙোদা য়াম্বুং কৌবদো হৌনদে। খঙদে তৌবিসে, মোইয়াম্বুং কৌবসু হেক চান্নাফাংত্রে, মাদি মতোমতা পোকপনি।”

“ইমাসি ! সুম হৈনখিবদো পাক হেক হোংদোকপা ঙমদ্রে, হৌজিক্তি মমাসু ওইদ্রিবনিনা মোইপাবুং কৌবসু হেক হঙ্গোইজে।” তনুসিনা মখা তানা হঙ্গৎচৈ - “কবি হায়না কৌদোইনো হায়বদো খবা তাকপীবম্মু।”

“অতে লায়রি, লাইপুংবা!” চিট্টাগোং ইমাসিনা শমথবদুনা হায়বকই, “ঐঙোন্দসু ইমৌ ওইববী নবানীনা ইমাসি কৌফম থোক্লবনি, অতাবা মীনা সেবান্নবা অর্থদা লৌনীংঙাই ওই।”

"অবোকসি, অজ্ঞাসি কৌবদি হৈনদেকো, ইনেমবোকসি!" তবাসিনা নোকফেৎ তৌবগা নোংশিল্লকই- "হৌজিক্তি নশূসু লৈত্রি হায়জবিবা।"

ইমাসিনা য়াম্লা পেঞ্জবা মতৌ উৎলদুনা হায়বকই- "তবাসি নঙগী নচীন অসি যাংশ্রেহে। হোয়নে, হোয়নে ঐহাকপুদি খ্বাইগী ইমাসি লাইনুবাবীসু হায়বগা খঙনবনিনা ইমাসি অদুম কৌগে হায়বসু ইমৌনা কৌবনিনা য়াবা তাবনি।"

"অদো ইমাসি!" তবাসিনা অমুকসু হেক্তা ফেজিল্লকই- "মোইয়াম্বুংগী মমাসিজ কৌবদি য়েশ্মৌনববা? নিংথেমপোকপী কৌবনা কবি কায়বা?"

"মসিদি মসিদি!" ইমাসিনা মখূদোম্বী থিল্লদুনা নোকচখি- "ঐঙোন্দবুদি নবানীনা কৌনীংবা হেক কৌজবো। নিংথেমপোকপী, মমাসিজ, স্নাখ্যাইবেম্মা অসিনচিংবা কয়া অসিনা কোনুংলোননি। হৌজিক্তি য়েশ্মৌনবগনি; মমাসি, মমাসিজ হায়বা অদুবুদি হৌজিকসু খবমখৈ কৌনবি। অদুসুনে, মমৌনা মনেমদদি কৌনদে।"

"ইমাসি! মিংগৌসি মফম মতমগী মতুংইন্না য়াম্লা লুবিজাৎনিনে।" তনুসিনা খোপচিল্লকই- "অদো, য়াম্বুংদা হৌজিক কবি কৌজৌ হায়বনো, খবা তাকপীবস্মু। সনখ্যা কৌবসু য়াব্রা?"

"ইশম হেক শম্লা.. ।" তবাসিনা অমুক ফেজিল্লকই- "মমা ওইদ্রিফাওবদি ইশাবী নিংথেম হেক্তা কৌজবগে। য়াদ্রনে, ইমাসি?"

"তবাসি! মদুনা নুংলোন মিংগৌনি। হো হো, মতাং মতাংগী হেক কৌজবো, যাম্বুংদি কৌবনু।" ইমাসিনা য়াতেম্না ওইনা নোংশিল্লকই- "অদুগনে লাইপুংবা! "নবুংঙোদা য়াম্বুং কৌদৌ শকক মোই পাবুংচা হেক কৌবসু যাই, মাদি খ্বাইগী পাবুংচানি।"

ঐহাক তিং লাওখি! ইমাসি নুবাবীনসু ঐবু ফাগী ওই, কবি ওইনা নোংমসু 'মোই পাবুংচা' হায়দুনা লক্লখি। তৌবুদি, ঐসে চিট্টাগোং নিংথেম পু অহনগী শূথাং পুবোননি। পিবাবেননি। অহলনসু অঙাংনসু পাবুংচা, পাবুংচা হায়দুনা কৌবীখি। ঐসু য়াম্লা হবাওজাখ।

"এঃ ইমাসি!" মচীন যাংবী তবাসিনা সৎ হেক্তা ওকশিল্লকই- "ইচাসু লৈত্রিঙৈনা যাম্বুংদা মোইপাবুংচা কৌবসিবু ।"

"কবি অমতা হেক অকায়বা লৈতে। ইমাসু নবুংঙোবু মবক মবক্তা মোই পাবুংচা কৌথ্রিপোৎনি।" চিট্টাগোং ইমাসিনা মখা তাশিল্লকই - "খঙদে খঙদে, নবানীনা খোকপা কৌজবো, মীমাং পোমাংদি য়েংঙুকো।"

"ফগনি, নিংথেমপোকপী!" তবাসিনা খুম্মী। অদুগা অমুকসু নোংশিল্লকই, "অদো ইমাসিদি নচা ইবুংঙোদা কৈদৌবৈ মোই পাবুংচা কৌথ্রিবা?"

"অদুদিনে, নিংথেমগী নুবাবীদা হেক হংঙো, তবাসি!"

নুমিৎ অদুদা মনি মমৌ অসুম্না ঙাংনখিবা য়াফম- ওহ্বোক্লা মতাং চাদনা লোইশিনখি। ঐখোয়গী লোনগৈদা অর্থ অনী অহুম সুবা লৈথকলোন, লৈখাবোন অসি ওহ্বোক্লা য়াম্লা লৈথ্রপোৎনি। রবী রাখোঙ ফুমজিন্দুনা থম্বা মিংখৈবোন, মৈচৈবোন অসিসু ওহ্বোক্লা য়াম্লা লৈথ্রপোৎনি। অর্থ লৌশিনবা শোয়ববদি নাতে চাদবা কয়াসু খোকনিংঙাই ওইবকই।

'ইব্রাচা', 'ইতুমা' 'যানিমচা' 'পাযানচা' 'মনে মতুং ইনবা' অসিনচিংবা কযানি। 'ইতে, ইতৈইবুংঙো' হাযবিবা ফজত্রবা মিংগৌবোন অসিবু মবিং মবাং ওইনা খন্নবক্তুনা মতৈবু 'ইবাই' কৌনবকলে। তবাসিনা ঐঙোন্দা 'ইতৈবাই' কৌজে। তৌবুদি, মতৈশিংনা মনাওনুপীদা মিংশৌ চংলকপদে মিংগৌ অসে কৌনখিদ্বা ওইবিদ্রা ? ইহে ! ঐসুনিকো ! তৌবুদি, ঐগীনা তোঙানবনি। মচে লৌবগা মনাওনুপী খোপচিনবা নৎত্রগা ইতে তৈশিনবা নত্তে। অনীমক পূন্না কোইজবনি, অনীমক পূন্না লুহোংফাল ফম্মিন্নখি। অদুনা, মতৈদা 'ইতৈবাই' কৌবসে চৎনবসনু ! হৌজিকসু তবাসিনা (মবক মবক্তা) ঐবু যাম্না নুংশিজনা 'ইতৈবাই' কৌজবিপোৎনি। মহাক্না কৌবদি কযাসু পকচস্ত্রে।

তো ! ঙসিসু অমুক ..! ঐগী নুংব্রাখল কাযস্ত্রে।



"ইতৈবাই!"

তবাসিনা পম্বুবা তৌদনা নোৎশিল্লকই- "সোবি সোবি ! ননাইনুবীনা লানখিবদো ঙাকপীযু। মংদুনা অমুক লৈবীবনু। চাকপাউ লাকচবি। চিট্টাগোং নিংথেম অমা লাকই হাযদ্দা মশকসু যেংনীংমনস্ত্রদুনা চঙজবকপনি, দিষ্টর্ব তৌবা নচ্চদে। কদায কদায ইবুংঙো অসিক ?"

নিংথেম কৈফা ফুক হৌগৎস্ত্রে। লাইপুংবাগী মখোঙ শোক্লা খুকমলগা হাযবকই "খুকমজবি, তনুসি-তবাসি ! ইমাসি অনীমক। নচা ঐনি চিট্টাগোংদগী লাকচবা। ইমিংনা নিংথেম কৈফাসনা। শিনফম্না বিপোর্টব !"

"এঃ নিংথেম কৈফা!" মচীন মখা যাংবী তবাসিনা ইঙক ঙক্তুনা নোৎশিল্লকই "লাইপুংবা ইচীন ইনাওবু তনুসি-তবাসি মিংগৌবগা খুকম্মু হাযবদি নঙোন্দা কনানা তাকপীবকই ? কমদৌনা খঙলুই, নিংথেম ?"

লাইপুংবানা হৌগৎলু হাযবা ঙাইবা তৌদনা নিংথেম কৈফা হৌগৎলকই। মমাসি অনীগী মমাঙদা লেপ্লগা নোকফেৎ তৌবদুনা হাযবকই - "নিংথেম সনা বাজা সাহেবতা ওংলবনিনা সিজ ওইফম থোকই হাযদুনা কৌজবনি। লাল্লবসু ঙাকপীগনি। কনানসু তাকপীবকপা নচ্চদে।"

ঐনা মমা মচা অস্তমগী মতৌ যেংবা ওইনা পাংশিল্লি- "বাইট ! যু আব বাইট, মিষ্টব পাউমী ! লাইপুংবা তাবানু-তববী অনীবু মচাশিংনা তনুসি তবাসি কৌনে। ঐসু মবক মবক্তা কৌই। সিজ ওংঙি হাযদুনা কৌবদে অঙাংশিংসু অদুম তমস্ত্রে। মবানীদি ইমাসি তাবানু, ইমাসি তববী হাযদুনা খঙনদ্রবনি। নঙদি যাম্না কৃপ্না খঙলম্মী। অমবু ওইবে, শকখঙ মাযখঙনবেদনা।"

"যাইদা, যাইদা, তনুসি-তবাসি কৌবদুনা হেন্না নুংশিবদুম পোকচৈ। "তবানুনা ইচম হেক চম্না ওকশিল্লকই—"নুংশিদ্রনে, মোই পাবুংচা, অদুগা তবাসি ?"

তবাবীদি মীৎয়েং শানবী, নুংলোন য়ান্না খঙবীনি। নিংথেম কৈফানা খুমখিবা পাউখুম মহাক পেনফাংতে হায়বসি মাগী মায়থোংদা উবা ফংঙিনি। ঐঙোন্দা হায়বপসু য়েংলগা য়ান্না মবৌ লৈনা, কৈফাদা হংবসু ওইনা হায়বকই- "নিংথেম কৈফা ! লাইপুংবা ইচীন ইনাওবু ইহান হান্না তনুসি-তবাসি কৌখিবী নুপী অমথক লৈ। নুপী অদু কনানো হায়বা নহাক খঙব্রা ?"

"তবাসি ! ব্রা কোৎথনু। ঙসিগী ওইনদি নিংথেম কৈফাসনা অসি ঐখোয়গী অথোইবা গেষ্টনি।" ঐনা অসি হায়বগা মতৌদুম য়েংগে খন্দুনা কৈফাগী মীচংদা চঙলপ তৌনা পাংশিল্লি- "নিংথেম কৈফা ! তবাসিনা হংলিবা ব্রাহং অসে কোক হেক খুমদোকউদনা।"

নিংথেম কৈফানা খুম্মী - "ওইবম্বা য়াই নিংথেমপোকপী মনেমসিজ নৎত্রগা নিংথেময়োকপী মনেমসিজ। মমৌদা মনেমনা নুংশি মিংগৌ অমা নৌনা থোনবা হায়বা অসি চৎনৈ। তাবানু-তবাবীগী মমাঙদা ইমাসি হাপ্লদৈদি মিংনপ ওইনা তনুসি-তবাসি হায়বসিনা হেন্না ফজব্রা খল্লে। পাবুংচানসু মিংগৌ অসি য়ান্না নুংশিনা কৌজবমগনি খল্লি। মদুসু .. ।"

"নত্তে, নঙসিবু কনানো, নিংথেম কৈফা ?" তনুসিনা ঙকনা হংঙি- "ইহে ! মোই পাবুংচাবু নঙগীসু পাবুংচা থোকপ্রা ?"

"তনুসি ! চাকলেনগী মতুংদা নচাগী পরিচয় পীজগে।" নিংথেম কৈফানা নোল্লুক্না হায়বকই- "নুংঙাইববা ক্লাইমেক্স অমসু ওইহঞ্জগে।"

"ফজনা ট্রেন তৌব্রেদা !" তবাসিনা শোঙ্খাংননা শোনজে। নিংথেম কৈফা তায়। খুদক্তা হেক্তা পাউখুম পীবকই- "ঙাকপীগনি; তবাসি ! লেঙশিল্লসি দাইনিং হোলদা। শাগেগী ইচীন ইনাও ময়ামসু শক খঙননীংঙি।"

"চঙঙো চঙঙো, ঐসু লাকলগে ।" ঐনা পাংশিল্লি।

"অমুক উংদুনা লৈবিবনু, পাবুংচা !" তাবাসিনা শমথবদুনা হায়বকই - "ইহে ! মোই পাবুংচা !"

"অতিথিবু হান্না কৌশিনফম থোকই।" ঐনা খুম্মী।

লাইপুংবানা নাক য়েৎ চপ্পুনা নিংথেম কৈফাসনাবু লাইব্রেরী কমদগী পুথোকখ্রে।

ঐহাক নিংসা স্বব চনীং তানা হোন্দোকই। ফুক হৌগৎলে। মখোয়গী মতুং ইন্দুনা দাইনিং কমদা চঙশিল্লি।



পূমলাং লাংঙি !

মৈতৈগী উৎসব মেলাগী চাকল্লুক থাবমদাইদা অমদি চাবমদাইদা লাংবসি হৌনবনি। ঐখোয়দসু, খ্বাইদসু অদুম লাংনৈ। অচৌ-অচৌবা চাকলেন কয়া ফংঙুবে। সেল্ফ সার্বিস তৌজবা বফেৎ সিষ্টেমগী দিম্নব কয়াসু শবক য়াকই। প্লেট পায়বগা মচি মচিদা সঙ্গু সঙ্গু মায়

ওনশিন্নদুনা চামিন্নখি। নুংঙাই-নুংঙাইববা রাবী রাতাই শাদুনা শকখঙনবগী নুংঙাইবসু লৈতবা নত্তে। অমনা অমবু শক্তাক্লে, অচা-অথক ফাওবা যেন্নবা য়াওখি। মতৌ অসুম্না ঐগী ইচাশিংগা চিট্টাগোং পাউমী নিংথেম কৈফাসনাগা পুমলাং হেক লাংমিন্নে। মমা অনীসু যাওশিল্লি। কৈফানা খ্বাইদগী হনগনি। মহাক্তি চহী ২২/২৩ সুবল্লগনি। 'নিংথেম কুপ্পাবা' যেংলুদ্রবসু খঙই। তবাসিসু মসি খঙবা মাল্লি। মচে চুমদ্রিংবী তবোপ্পী অসিদি খঙলমদবসু যাই। খবসু মনুং কনবী, পোমথা হৈথানবীনি। অদুবুনে নুংশিবদি ..'

"ইচাশা!" তবাসিনা মচা মবিমকপু (মহাক্লা পোকপা অনী, মচেনা পোকপা অনী) কৌবদুনা কৈফাবু মশক তাকপা ওইনা হায়বকই- "চিট্টাগোংদগী নযাম্বুং অমা লাকই হায়বদো, মহাক অসিনি। চিট্টাগোং গার্জিয়ানগী রিপোর্টরনি। শাগেগী যাম্না নক্লবা নথক্কী অহলনি। মমিংনা নিংথেম কৈফাসনা! নখোয় মশেল, নশক নমিং তাক্লদুনা থৌগল্লোন উৎনৌ। অদুগা হবাও তযাম্না চাকলেন ফংমিন্নসি।"

দাইনিং টেবলদা ইকোয় কোযনা ফল্লম্বা ইচাশিং মথং মথং হৌগৎলকই, যাম্বুং যাম্বুং হায়দুনা খুকম্মী। কৈফানা চিংখৎলি, হকচাংগী মনম শিন্নবা ওইনা নুংশিনা কোন্নে।

"যাম্বুং! মাই নেম ইজ নিংথেম টোনি কার্টিস।" কার্টিস ইচানুপা অহলনা মশাবু অহানবা ওইনা মশক তাকচবদুনা হায়বকই- "বেল কম টু নুবাবী মহল! যাম্না নুংঙাইজে শকখঙনবা।"

"টোনি কার্টিস!" নিংথেম কৈফানা নোকফেৎ তৌবদুনা হংলকই- "মিং অতৌদি লৈতববা? নিংথেম টোনি হায়বদি যাই। মীগী শাগে কার্টিস অদুনা মিংনপ ওইবসি ইযাম্বদি যানিংদে, মবিং মবাংঙ।"

"খঙদে খঙদে যাম্বুং তনুসিনা থোনবনি। মসিনা হেন্না ইমিং চৎথোকপ্রে।" নিংথেম, টোনিনা মখা শমথে- "ঐসে টোনি কার্টিস নীংলগা পোকপনিসু হায়। ইমিং অমনা নিংথেম নীংহনবা কৌজে।"

"থিদা মসিদি!" তনুসিনা মচাবু চৈহৎপা ওইনা হায়বকই "থাসনাসু মধুবালা মাল্লিসিদি। অদুগা নিংথেম কৈফাসু . . ।"

নিংথেম কৈফানা সৎ হেক্তা নোংশিল্লকই- "তনুসি! ঐবু শেখ মজিবুর রহমান মানব্রনে? ঐসু নোংপোক পাকিস্থাননা বাংলাদেশ কৌববা মতুং, কাইনথংদা পোকপনি।"

ময়ামদো রা রা নোকই; পুমলাং হেক অমুক লাংখি। নোকপা নেমথখি।

মধুবালা মানবী থাসনানা মবক মেনশিনবা ওইনা হায়বকই- "যাম্বুংদি রাঙাং শঙাং যাম্না হৈনা, ফাগীসু যাম্না হৈবমদৌ মাল্লি। ঐগী ইমিংনা নিংথেম চনু থাসনা।"

"ইচলগী অপোকপীদি .. আই মিন লাইপুংবানা পুন্না পোকপিবা? ঙাকপীগনি তনুসি-তবাসি!" নিংথেম কৈফানা মমাসি অনীদা নোল্লুকপসু উৎচবা ওইনা শমথবকই- "মধুবালা মানবী নমোমগী মাযথোং অসিদা তবাসি মানবা মচেৎ অমা উবা ফংঙি। অদুনা থাসনাসি ..।"

"হায়স নিংথেম! নঙবু কিথুম পুববা?" তবাসিনা হংঙি।

নিংথেম কৈফানা পাউখুম পীবা নংখিদে। ময়াদি কাথোকই। খঙহৌদনা উমশিনখি।

মহাকপু মখাতানা ঙাংবগী তাঞ্জা অদু পীখিদ্রে।

"যাম্মুং ! ঐগী ইমিংনা নিংথেম নীংখোম্বা কৌই। লাইপুংবাগী মচানি, কবম্বনা তশেংনা অপোকপীনো হাযবদি হৌজিক ফাওবা খঙদে। ইমা অনীনা তাক্তে। মবানীগী মচানি হেক্তা হায। পাবুংচানসু খঙদে নমা অনীদা হংঙু হেক্তা হাযবীখি।" নিংথেম নীংখোম্বনা শাকংচৈ, মশক তাকচৈ।

"ইযাম্বা পুথোকপা ঙম্লা' যেংগে।" নিংথেম কৈফানা অসি হাযবগা নীংখোম্ববু মমীৎ কৃপ্তনা যেংলুবগা শমথবকই- "নঙগী যেৎথংবা খক্তাইনা পাবুংচা মাল্লি ওযথংবা খজাযনা তনুসি মাল্লি, লেমহৌবিব' ওডেল শেপকী শকক অদুনা তবাসিগী ট্রকচব মাল্লি, ইবাই হেক লাযনা নঙগী খৌবিদ সম্ভু মচা অমা থুংঙি, তবাসিগী খৌবিদসু সম্ভু অমা লৈবগুম উই। অদনা, নহাকী অপোকপীদ তবাসি শোযদনা ওইশমগনি।"

"আইপা!" তবাসিনা ইঙক ঙক্কদুনা হাযবকই "কিজবেদো ! নিংথেম কৈফা নঙদি ঙাইহাক্তং উন্নবসিদা ঐগী হকচাংগী লম্মীৎ তম্মীৎ পূম্বা লোয়া যেংলিবোইবে। ঐদি খৌবি উতোংগী মতাইদা সম্ভু থুংঙি হাযবা খঙলুদে।"

"ঙাকপীগনি, তবাসি!" নিংথেম কৈফানা শেংদোক্লুনা হাযবকই "শকমান্নবী ইমাসি অনীবু কমদৌনা আইদেন্টিফাইদ তৌগদগে হাযবা অমি খঙজনবা সৎ সৎ যেংজখি। মদুদা সম্ভু মচা অদু উজখি। নীংখোম্বগী খৌবিদসু সম্ভু অমা উজখি।"

"ব্রান্দবফুল!" ঐনা মগামগী মতুং ওইবপ্পা কুম্মৈ যেংনা লেংনা খুনাক খুবদনা কৈফাবু থাগৎলি– "নিংথেম কৈফা নঙসে লাইবোইদৌবি। লাইপংবা অনীগী খেয়বা আইদেন্টিফিকেসন মার্ক অসে ঐসু অহানবদা খঙলুদে। মবানীনা ঐবু অপঙ শীখিবা মতাং যাম্না যাওব্রপোৎনি। কাইনথংদা তবাসিগী সম্ভু অদু উবকখি। মদুদগী খঙবা ঙমখি।"

"যাম্মুং, থেঙ্ক যু ! ঐগী অপোকপী তবাসিনি হাযবা খঙজবে।" নীংখোম্বনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা হাযবকই "ইনাক্তা লেপ্লিবী, ব্রা ঙাংগন্দবী সখি অসিনা, তবাসিগী মচানুপীনি, মমিংনা ।"

"ঐগী ইমিংনা লৈখৎপীসনা হাযদুনা থোনবী।" নিংথেম চনু লৈখৎপীনা মশক তাকচবদুনা হাযবকই- "যাম্মুংনা ঐগী মিং ফজবা অমতংদুম থোনবিবম্মু। ঐসে খববুদি লৈখৎলি, অদৈদি মিং অদুম ওইশ্রে। ওথ্রোক্লা পামজখিদ্রে।"

"নিংথেম কৈফানা লৈখৎপীবু মুন্না যেংলগা হাযবকই- "ঙাইখো, ঙাইখো, ইবুংনা নঙগী অনৌবা নমিং অমা শোযদনা থোনবিবমগনি। নহাক কনা মানবগে হাযবা অদু নীংশিংখিগে। নঙসে . ।"

"ঐবু কনা মানবগে, যাম্মুং ?" লৈখৎপীনা হংঙি।

"নঙগী শক মানবা ফোটো অমা উখিগুম তৌই।" নিংথেম কৈফানা ঙাইহাক খল্লুবগা খংহায হাযবকই- "নুপী অদুগী মমি নঙগী মাযথোংদা হাইফেৎ তাবি। নুপী অদুবু ...।"

নিংথেম কৈফানা তৌবিবা মতৌ - যাম্নসু নুংঙাই। যাম্নসু ফ্রি ওইথোকই, কবিসু কোইদে। মযাম অসিগা হান্নদগী মুন্না শকখঙ মাযখঙনববদৌনা তৌখ্রে। মবক মবক্তা ফাগী যুগায তৌদুনা মযাম্নু নুংঙাইহল্লি। মহাক্লা লৈখৎপীসনাগা হাইফেৎ শক মান্নবী নুপী

অমা পুখোবক্রবা হোৎনবি। ঐদি পাখৎপা অমা য়াওই। ঐতর্নাদি লৈখৎপী অসি কনাগী শকফম মানবগে হায়বা খঙই। অদুবু কৈফাগী লাইফাও ঙাইবা তাখি।

"যাম্নুং ! ঐবু কনা মানগেনে ?" লৈখৎপীনা অমুকসু হংঙি।

"অদুবুবো .. ইনেসি নুবাবী ! চিট্টাগোংগী ইনোসি নুবাবী।" নিংথেম কৈফানা অসি হায়বগা মখা তাবকই- "ফজনা হেক্লা মানগ্রজাৎনি। অদুনা নঙগী নামিংদি কেনুবী হায়না থোল্লগে। যাম্নসু কেজনা উই, কে ময়েক্লা পকচগনি।"

"ইনোস নুবাবী হায়বদি কনানো ? হা ! নিংথেম কৈফা ?" তবাসিনা যাম্না খঙনীংনা মখা তাবদুনা নোৎশিল্লকই- "ইমাসি নুবাবীবু নঙগী ননেসি থোকপ্রা ? মাবু হিংলিব্রনে" মহাকপু হৌজিক চিট্টাগোংদা লৈবব্রা ?"

"ইমাসি নুবাবী হায়বদি কনানো, তবাসি ?" নিংথেম কৈফানা অমুক ওকশিল্লকই- "নুবাবী পবেং কৌবা সনাগী লীক পবেং থ্রমগী মমিং তাজে। লীক পবেং অদুবু ইমাসি নুবাবী কৌব্রা ?"

"নত্তেদা কৈফা ! নুবাবী পবেংগী বাদি ঐখোয খঙদে। চিট্টাগোং সোয়েল ফের্মালিগী যাম্না মগুণ লৈবা সনাগী লীক্লাং ওইবমগনি।" তনুসিনা মবক থৎতুনা অমদি মনাওনুপী তবাসিবু পাংশিনবা ওইনা শমখবকই- "ইমাসি নুবাবীবু নঙগী ননেসি থোকপ্রা হায়বনি। হৌজিক্লা অমুক ইনোস নুবাবী হায়দুনা খঙনবত্রা, হায়বনি ?"

"ইনেসি নুবাবী, কেবীসনাদি মশক খঙই।" নিংথেম কৈফানা মখা তানা খুমলকই, "ইমাসি নুবাবী হায়বদি মশক খঙজদে। কেবী মানবী ইচলনুপী লৈখৎপীবু কেনুবী থোনবসি যাবীবেকো ? থোইসনা হায়দুনসু থোনজগে, যাম্না অথোইবী ওইনসু উজে।"

"যাবে যাবে, যাম্নুং ! ঐ ইশানা যাজবে।" কেনুবী মিংথোল ফংলবী লৈখৎপীসনানা হবাওজনা কাপ্তেমলকই "চাক চানবা তৌবসি। ঙসিদি যাম্না নুংঙাইবা নুমিৎনি। ইমিং অনৌবা অনীসু ফংলে। শাগেগী যাম্নুং অনৌবা অমসু ফংজবে। কোম্না অমুক বাবী তৌবসি।"

"হোয হোয, চাকনা মর্কনি, পুক খোঙৎলক্লে। ইকোয কোয়না ফমলসি।" থাসনানা পাংশিল্লকই।

নিংথেমকোনগী ইচাশিং, মর্মাসি অনী, পাক চাউববা দাইনিং টেবলগী অকোযবদা ফম্লব্রে। ঐসু চংশিন্দুনা ফমলে। মাগী মাগী অপাম্বা চাক এঞ্জাং লৌখদুনা চাক চাবা হৌব্রে।

চুপ ! মযাম অদো চুপ !



ঐদি উংজানৈ।

চাক চানা চানা মবক মবক্তা কৈফাবু যেংঙি। ইপা ইচা মাযযোক্লদুনা মপাসু তাকবে। মাসু মমায় হাইগৎ হাইগৎতুনা য়েংলকই। নোকফেৎ নোকফেৎসু তৌই। মীনোক মীৎয়েং চন্নরিবা পাখোং ! মা ঐর্তনি খঙনবিবা। মাগী মমা মপা অশেংবা কনানো হায়বা অসি হৌজিক ফাওবা তাক্লি। অসুম চিংনবকই। অসুম চিংনরকই। মাগী অশেংবা পাবী পুরী

অমদি মমা মপাগা নম্মীন্নবা ফোটোবু ওইববসু অমত্তা উখিদ্রি। মাগী আই কার্দসু উখিদে। মশানা, মশাবু নিংথেমনি শকতাকচখি। চিট্টাগোং পল্লকপদা ঐসু শ্বাই লাওখি। মীনুংশি অমসু পোক্লকই। নিংথেম ওইবমগনি হায়দুনা অদুম থাজকই। কনানা খঙবা, শাশিন্নবা নিংথেম ওইবল্লবদি কমদৌবা ? হৌজিক্তা খল্লকই। ঐনদি মাবু নোংমা নীনি লমদনখো হায়দোকল্লুবে। মহাক্না অসুম লৈথববদি অকায়বা লাকদ্রা হায়দুনা খল্লকই। অদুবু থেংথশ্রে। মহাক্না হংখিবা ৱাহং কয়াগী মবক্তা নুবাবী পবেংগী মতাং য়াওখি। মদুগী খুদোংচাবা লৌবগা ইনেসি নুবাবী অমদি ইমাসি নুবাবী অনীগী মতাংদা চমন্নবা ৱাফম অমা তনুসি-তবাসিগী মফমদা থমখি। ইনেসি নুবাবী, কেবীসনাবু নিংথেম কৈফাগীসু মনেসি ! ঐগীসু ইনেসি। লুইদা, কৈফাগী পাখোংসে। মখা তানা হংবসু কিশিল্লকই। থৌদোক্তুনা খবদি হংনীংলকই। য়া কাথোকপদি ঙমখিদে। ঐনা পামজববা ছানা থোংবা মতম অচৌবা অমা অনী হূর্কচিনবদা ঙাইবি।

"নিংথেম কৈফা !" তবাসিনা কদোনদৈনো খঙহৌদে, কৈফাবু কৌবগা মখা তানা হায়বকই- "মোই পাবুংচাদি ছানা থোংবা য়াম্না পামজবনি, তু য়েংভু, মতম মতম চাবিসে।"

"খঙজে। পাবুংচাদি ছানা থোংবা য়াম্না পামজে হায়বা খঙজে।" নিংথেম কৈফানা নোকফেং তৌনা খুম্মী।

"অদো, য়াম্বুংদি পামদ্রা ?" নিংথেম টৌনি কার্টিস এলাইজ নীংহলবনা নোংশিল্লকই।

"অদুগা নহাক্তি পামদ্রা, নীংহনবা ?" নিংথেম কৈফানা ওকশিল্লকই - "শোয়দনা পাল্লমগনি খল্লি। অতৈ লায়বি, নঙগী নমিং অসে অর্থ অনী থোকই, কৌবা নুংঙাইতে। ইয়াম্বনা নিংথৌবী থোল্লমগে অদুগা নীংখোম্বা নহাকপুনা নিংথৌবা কৌজগে। নিংথেম পুয়াদা অসুম্না লাচনবনা ফজগনি খল্লি।"

"থাগৎচবি য়াম্বুং, মিংথোল অদো লৌজবে।" নীংখোম্বনা ওকশিল্লকই।

নিংথেম মচীন মনাওগী দায়লোগ - ঐদি শ্বাই শ্বাই লাওই। নীংশিং ৱাবী কয়া চিংথোবক্কে তৌই। সুবমিলা কোটেজদা অদুঙৈ চাখিবা ছানা থোংবা- মহাও অদু খঙনীং হেক নীংশিংলকই।

"য়াম্বুং ! ঐহাক ছানা থোংবা পাম্মী হায়বা কমদৌনা খঙই ?" নিংথেম টৌনিনা মযাম্বুং কৈফাদা হংঙি।

"নঙগীদি মতম মবিদুম সুশ্রে, টৌনি !" নিংথেম কৈফানা ঐঙোম্দা মমায় হাইগৎতুনা য়েংলগা হায়বকই- "তৌবসু ইয়াম্বগী নিংথৌবী ! চিট্টাগোং নিংথেম কোল্লপ, মক ওইনা নিংথেম সাগবসনাগী ইমুংগা বাঙ্গালী ইমুং অমগা য়াম্না নকুবা মবী অমা থায়নদে লৈনবকই হায়বগী ৱাবী তাজে। বাঙ্গালী ইমুং অদুনা ছানা থোংবা অসি এল্লাং লান্নবদা পীবকখি হায়ব্রা, থোংবা তন্বীবম্মী হায়ব্রা, ৱাবী অমসু তাবা ফংঙি। হুয়িল্লর আইলেন্দগী ছানা থোংবা, সুবমিলা কোটেজগী ছানা থোংবা, চিট্টাগোং লাইনুবাবী শঙলেনগী ছানা থোংবা, মমিং চৎলি। জি কেগী লাইরিক্তা হাপচিনবা য়াই। রোম্যান্টি শি কৌববসু য়াবা জাৎনি। ঙসিনা, নুবাবী মহলদা তনুসি-তবাসি অনীনা পূন্না থোংমিন্নবা ছানাগী মথেল। পুন্নমক

অসিগী তোঙান তোঙানবা মথেল, নঙোন্দসু লৈফম থোকই। কবি হায়নি হেবিদেটবী মথেল অমা ওইবকই। অদুবু, ইয়াম্বদি কয়া পামফাৎতে। মবমদি, ঐহাক নিংথেম সাগরসনাগী ফেমিলিদা বিলোং তৌদে।"

"লুইদা, কৈফা নঙগী মনীং-মমাং থৎপা পাখোং।" তবাসিনা শমথবকই- "নত্তে নঙবু চিট্টাগোংদা নৌনা খুন্দাবকপা কর্ত্তাগী নিংথেম সনাবা নৎত্রগা নবসিংহগী নিংথেম সনাবা ?"

"চিট্টাগোং নিংথেমনি। কর্ত্তাগী সনাসু নচ্চদে, নবসিংহগী সনাসু নচ্চদে।" নিংথেম কৈফানা মতিং লৈনা খুম্মী।

"অদুদি নমিংদং নিংথেম কৌবে ব্রাবা ?" তবাসিনা অমুকসু নোৎশিল্লকই - "The guest who came to dinner" হায়বা ব্রাবী অমদুম নীংশিংলকই। নঙবু, নঙবু . ?"

" কৈনোনে, তবাসি !" ঐনা মরক থত্তুনা পাউমেল্লি- "চাককৌবগা ওইনম থাদোক্লুনা অতিথি তানগে হায়বিব্রা ? ইংথৌ, ফিংগৎকনু।"

"ঙাকপীগনি তবাসি !" নিংথেম কৈফানা নোকফেৎ নোকফেৎ তৌবগা হায়বকই - "নিংথেম কৈফানা কেদৌঙৈদসু য়েক্লবগী ইমুংদগী ঈশিং মবীক অমা ফাওবা থকখিদে। নুবাবী মহলবু ঐগী ঈ মবী অমতগী ইমুং মনুংদৌনা খনজে। The guest who came to dinner গী শক্তম লাংবা লাকপসু নচ্চদে। ব্রাবীদো নচাসু পাজবে। নচাদি কোয়না চৎপা পাউমীনি। নোংমা থেংনকই, নুপী অমখক ' বালেশ্বরগী মন্দিরদা, উসব অমা ফংলুই। মীয়াই চল্লবী নুপী অমগা থংনদুনা ফম্মিন্নকই। এঞ্জাং মথেল মথেলগী মতুংদা ছানা থোংবা য়েল্লকই। মদু হেক উবদা ' নুপী অদুনা মথক্তা শোঞ্জে- 'নুংশিদা ছানা থোংবা ' মহাক য়াওদ্রবা নুমিৎ অসিদা ছানা থোংবা চাকদুনা কবি মহাও লৈগনি। ঐসু চাববোই।'

নুপী অদুগী ফজববা ব্রাহে তাবদা ঐগী থম্মোয়দা থূক লাওখি। নুপী অদুনা মপি শিঙ্গবগা হিক হিক কপ্পী। ঐনা ব্রাহং কয়া হংনীংখি। মতাংদি চাদে। উসব লোইবগা মচি অমদা নুপী অদু উন্নদুনা ইন্টর্ভিয়ু লৌজখৌই। রিপোর্ট অদু ফোঙদ্রি। ঙসি, ছানা থোংবা উর্বসিদা পাউদমজর্বনি। চিট্টাগোং বোয়েল ফেমিলিগা ছানা থোংবগা লৈনবা মবী অদু খঙজখিবনি। নুপী অদুনা লীরম্বা ব্রাবীনি। ঐবু লান্না লৌবীগনু, তবাসি !"

নিংথেম কৈফাগী ফজববা অমদি ফুমজিল্লবা অর্থনা পীক থল্লবা ব্রাবী মতেক অদুদা ময়াম পুম্নমক তুম্মিন-তুম্মিন লৈনখি। ময়াদা চাক হুক্কনি হায়বা কাউনখি।

"নুপী অদু ঐ মশক খঙই। ইমা শাউদেদা, পি শিঙ্গবক্কে তৌই, কৈফা !" তাবাসিনা শেংদোকচৈ।

ঐহাক্তি লৈতাখিদে। মিহুন তিং তিং । খুদক্তা বালেশ্বর চৎনীংলকই। মদুমকসু ফোঙদোক্লবা য়াদ্রি। ঐঙোন্দা ছানা থোংবা পীজখিবী নুপী অদুবু অঙাওবীদৌনা হৌজিকসু হিংলিবা !

"নিংথেম কৈফা !" ঙসাইমখৈ তুম্মিন্না লৈরম্বী তনুসিনা কৈফাবু কৌবগা হংলকই- "ইমাসি নুবাবীবু হিংলিব্রা ?"

নিংথেম কৈফানা ইতপ হেক তপ্না নোৎশিল্লকই- "তনুসি ! ইমাসি নুবাবী হায়বদি কনানো ?"

তবাসিনা তাপ ওক্লনা খুম্মী - "King maker ! I mean to say Royal virgin Mother, the woman behind who created Ningthem Mangangsana as Raja Saheb of the Nurabee Mahal "

নিংথেম কৈফানা হায়বকই- "But, She is no more, I mean to say !"

"কবি হায়বা কৈফা !" ঐহাক্লা ইখূৎতগী চামচ অদু খংথা থাদবগা য়াম্না লাংতক্লনা নোৎশিল্লি --- "মফম কদায়দা . .. কনানা মাগী চিতাদা মৈ চুখি ? কনা মৈ কোয়খি . ? হায়য়ুনে কৈফা !"

"রাজা সাহেব !" নিংথেম কৈফানা ঙাইহাক লৈবগা হায়বকই- "চিট্টাগোং গার্জিয়ানগী খূৎথাঙদা পাউখুম পীজবক্লগে। ঙাইবীয়ু, মতম খবদং। দিন্নবগী ক্লাইমেক্স মতাং অসিদা থমজনীংঙি। চাক চাবিঙৈদা অশি-অনাগী রাবী শাহেদে হায়বম্মী। লোইশিল্লসি।"

"ফবে ফবে দিন্নব লোইশিল্লসি।"ঐনা অসি হায়বগা খূৎ-শা হামদোক্লে, চান-য়া শেংদোক্লে। দাইনিং কামদগী প্রপ প্রপ থোরকই। লাইব্রেরী কমদা চংশিন্দুনা হান্নগুম ফমথৈ। নিংথেম কৈফাদি ময়ামগা লৈহৌবি। তবাসিনা কৈফাদা তকখৎনীংবমখৈ তকখৎচসনু। ঐদি কবিসু থৌশাবীদ্রে। মখোয়গী রাবী তাকদ্রবসু য়াবে। মফম চানা চানা শমজিননা তারানি। মিসিং লিঙ্ক ! চিট্টাগোং বোয়েল ফেমিলিগী মিসিং লিঙ্ক ! নিংথেম কৈফা অসিবু কনাগী মচা ওইবিগবা, বেনুকাসিগী মচা শোয়দনা ওইবমগনি। মদুই নুপীদুসু নিবা কনব্রপোৎনি। ঐসু হেক খুদোংচাবা মাঙহনখিদ্রে। ইমাগী যাথংবু ঙাক্লবা য়াব্রদো !

ফৈ খঙনি, কৈফা থোরকখিসনু। ঐবু ব্রেক মেল তৌবা লাকপা ওইবম্বসু য়াই। তৌনীং তৌজৌনা। নিংথেম ঐখোয়দি পৃকচেল য়াম্না চাউবজাৎনি। নিববদি পীবা তার্দ্ৰ মদুদা, ঐগী কবি ইবাল লৈকগনি ?

ঐগী পুন্সি অসিদা ওন্নবা অমদি লৈগ্রব্রা ? হৌজিকসু চময়বা অমা অদুম লৈহৌবি। বেনুকাগী হকচাংদা নুবীকাগী মঙক ! ওইথোকপা য়াবা নত্তে, ফোটোদদি ওইথোকপা য়াই। তঙাইফদনা অহিং ফিজং মকমগী লিখুন পূম্নমক চিংথোকপা তাই; শাবাক ফাক্লনা য়েংদ্রবদি বেনুকা-নুবীকা অনীগী খেন্নবা পুথোকপা ঙমলোইদৌবি। কদোমদগী ফাইবোক পুংবানো ? মখোয় অনীমক্কী মশক চপ মান্নৈ, কুচুদি খেন্নৈ; অদুগা হৈয়াদি ... ?

নীংশিলকই, লোবী আইলেন্দগী লাইফমুং !



"রাজা সাহেব !"

ঐহাকপু অমুকসু কৌবকই। অমুকসু খংপ্রেক খংই। নীংশিং রাখল কায়খ্রে। লাপখ্রে, তামখ্রে... অদুবু, লাইফমুংদি লৈহৌবি ! ঐসু হান্নগী ফিভমদা হল্লিরকই। ঐগী মীৎয়েং,

কৈফাদা থম্মী –"কৈফা নঙবু বেনুকাসিগী ....?"

"সোবি পাবুংচা! রাজা সাহেব অমুকসু কৌজপ্লে।"নিংথেম কৈফানা ঐগী ৱাহংগী পাউখুমদি পীবা তৌদনা নোকফেৎ নোকফেৎ তৌবদুনা শমখবকই- "ইমুং মনুং ৱাবী ৱাতাই কুইনা তৌজকবে। অমুক চঙজরকপা য়াবগদ্রা?"

"কৈফা, যাম্না ওফিসিয়েল ওইগুমসি, হেক্তা চঙলকউ।" ঐনা নিংথেম কৈফাবু কৌশিল্লি -"ৱাহং খবা চিথহৌবব্রা?

"অহোয, পাবুংচা!" কৈফা চঙলক্তুনা ইমাঙদা ফমলবে। হান্ন গুম্না টেপ রেকোর্ডরগী সুইচ টেক নমখিবগা লোয়ননা হাযবকই - " কোইসন সেট্রবনা পীবকপা ৱাহং খবা নাম্বহৌবে।"

"কোইসন সেট্রব হায়দি, কন্নানিনা?" ঐনা খঙনীংনা হংগ্রি- "নমাসি বেনুকাসিবা?"

"পাখৎপীকনু পাবুংচা! বেনুকাসিসু নত্তে নুবীকাসিসু নত্তে!"

"কৈফা! নঙগী কোৎচি অসিনবু .।" ঐনা নোকফেৎ তৌবগা শমথখি, "যাবে যাবে, ঙসিদি নঙনা হংনীংবা ৱাহং হংলো, হাযদোকপা যাবামখৈ লোইনা হাযদোক্লগে।"

"এঃ পাবুংচা! হাযদোকপা যাদবা বাসু লোৎলিব্রা?"

"চীনবানগী ৱানা চীনবান মনুংদা, থম্মোযগী ৱানা থম্মোয মনুংদা, খবদি লোৎপা ভাবনি, কৈফা!" ঐনা অসি হাযবগা ৱাহৈ কোৎচি অমসু নোৎশিল্লি - "অদুগুম্বি চিংক্লু মাযচৌ খোংনাংথাবনা মশক উহন্দনা মাঙবা ওন্বগী লাইব্রা অদু মাগী মাযনৌশিংদা তন্নীখিদে। মতৌ অসুম্না, নঙগা বালেশ্বরদা প্রসাদি খুনমিন্নখিবী নুপী অদুনা মাগী অশেংবা মমিং তাকলব্রা?"

"অস! পাবুংচাগী মেমোরিসিদি .. ।

"অদুইৱাদি চহী ৪০ মমাঙগী ইপিসোদ কযাসু নীংশিংবা ঙমগনি?" ঐনা ইতিং উৎলপ তৌনা হাযদোকখি।

"ঙাকপীগনি! মবক্তুদা ইপিসোদ মতেক অমদি কাউথ্রমাল্লে খনজে।" কৈফানা নোকফেৎ তৌনা নোৎশিল্লকই।

"হোযনে হোযনে . ।" ঐনা ঙাইহাক লকক তৌবগা শমথখি - "চিট্টাগোং চীংজিনগী সমুদ্র মপান্দা, নোংমা চহী অহুম মবিমুক সুববা অঙাং অমনা ঈমায তম্না বোল লংথবকপগী থৌদোক অমখক থোকখি, ঐগী মোটোব বোট্রা তাবকখি, ঐনা তাপ ওক্লগা লংখৎপীবম্মী .।"

"অঙাং অদু ঐনি পাবুংচা!" নিংথেম কৈফানা খুম্মী।

"হা! নঙনি হাযবা .. ?" ঐনা ঙকচান্নদুনা নোৎশিল্লি- "কন্নানা ইনশিন্দুনা বোল লংথখিবনো?"

"অমবু ওইববসু, ঐহাক, ঈশিংদা ঙাওজবী থঙ্গোং নুবাবীগী মচাদি নত্তে, পাবুংচা!

হৌজিকসু, ঐগী অপোকপী ইমা কনানো খণ্ড্রি।"

"হাইস!" ঐনা নোকফেৎ তৌবগা মতৌদুম য়েংগে খন্দুনা হায়দোকখি, "ওইবল্বা য়াই, থন্বাল নুবাবী, কমলিনী! ই! মাসু মচা হন্দোকপী ওইবেকো।"

নিংথেম কৈফা য়াম্না মব্দ চঙবা, মমীৎ মনা য়াম্না শিংবা, মীতেক মীবৌসু খঙবা পাখঙনি। পোমিৎ পোমাং থৎ থৎতুনা হংবসু হৈ। ঐগী নুবাবী মবিগী মমিংদি হায়দোকল্রে। তশেংনমক রিপোর্টর ওইদৌবা মীতানি। মহাক্না মখা তানা কোৎশিল্লকদবা ব্রাহং - ঐহাক খঙডি। মাসু ফজনা হেক্তা ওৎলে পালে তৌদৌদ্রি। ঐসু ঙমজবী থাক্তা খুমদৌবিবনি।

"পাবুংচাগী নুবাবীসি য়ামল্রবোই!" নিংথেম কৈফানা সৎ হেক্তা মফৈ ফুজিল্লকই, "ইমাসি থন্বাল নুবাবীনা নম্বব কয়া সুবীনো? থন্বাল নুবাবী কৌবগী মবম অদু হায়দোকপীবা য়াব্রা? ব্রাফম খবা হায়বীয়ু, বাজা সাহেব!"

কৈফানা মাইক্রফোন মচা অমা ইচীন ময়াদা ইনশিল্লকই। ফেস টু ফেস ইন্টর্ভিয়ু অমুক চৎথখি।

রাজা সাহেবঃ মিষ্টব চিবি! নঙনা মদুমক হংলক্কনি হায়বা ঐহাক খঙই। কমলিনীবু থন্বাল মাল্লি, থন্বালদৌনা ফজে হায়দুনা থন্বাল নুবাবী কৌবা নত্তে; মখাদি শিনুংলোননি, ষ্টোপ। অতৈ ব্রাহং চৎথবকউ।

(ইখঙ তেক খঙহৌদনা ভৌবোক ভৌববী নুপী অমগী মফেগন্দা যেকপা ঙাংলৈনবা মচুগী ফুগায়না শাৎলবা থন্বাল চান্মা নিপালগী টেটু অমা! ইমীৎতা শং শং উবকই। মদুসুনে অঙকপী নুবাবীনি। সিম্বোল ওফ সেক্সুয়েল এফিনিটি হকপসু হৈগ্রে . তৌবসুনে, পম্মীনি হেক মাল্লদনা.. । অদুবু হায়দোকপা য়াবা ব্রাবো, হায়দোকওই।)

চিট্টাগোং রিপোর্টরঃ ঙাকপীগনি। পার্সনেল লাইভতা ইনকাউন্টর তৌজবদি নচ্চদে। পাবুংচাগী খুদুং ইনগে হায়দুনসু খঙদ্রে। ঐ গুম্বা চমলবা পাউমীনা বাজা সাহেব ওইবসু ইতীক চাদে।

রাসা ঃ তৌবদি মিষ্টব চিবি ! পৃথিবীদা ফাওবিবা গ্রেটমেনশিংগী পুন্সিগী মকম্মদা 'বুইমেন বিহাইন্দ' হায়বা অসি অয়াম্বনা লৈবম্বা থেংনৈ। Napoleanনা হায়বম্মী, "There is a woman behind every successful man" নুপীশিং অদুগী লমজিং লমতাক্লা, নুপাশিং অদু মশক নাইবা ওইহনখিবসু কোঙ্গাইনি। ঐহাক গ্রেটমেন অমনি হায়বগী ব্রাফম নত্তে। ঐনা অঙাং ওইবিঙেদা, ঐগী অপোকপী চিট্টাগোং ইমাসিনা মোল্দ্রং অমা চুহনখি। লাইনুপী ৭ য়ুর্মদিনজৌ হায়দুনা বব পীখি। ঐসু নুপী য়াম্না লোননীংখি। So, I have to obey the command of my mother কমলিনী ফজবীদো, ঐগী নুবাবী নম্বব মবিসুবীনি। হৌজিক্লা, কদায়দা, মদুমসু ঐ খঙদ্রে। কায়নবা খাইনবা হায়বা অসি নুংশিবগী শকলোন অমনি। নঙসু নোংমা খঙলক্কনি, নুপী লোনগে হায়বসুনে ...।

চিরি ঃ য়াম্না নুংঙাইজে, য়াম্নসু সাহিত্যিক ওইবা পাউখুমনি। বাজা সাহেবসু হৌজিক্তি লাইপুংবা নুরাবী তনুসি তবাসি অনীনা সুমহৎখিদুনা .... শগোল নুবাবী, লৈকম নুবাবী,

থঙোং নুবাবী, থম্বাল নুবাবী, পালিকা নুবাবী, পালিনী নুবাবী, কেতুকী নুবাবী অসিনচিংবা নুবাবী ৭পু পুমকাউ হেক কাউবীবব্রা? নুবাবী মযাম অদুবু অহিং লমদনবী ওাক্তবা ?" - 'নুবাবী ৭' কৌবা পুযা অমা লোৎপীবিব্রা ?

বাসা ঃ (নোকফেৎ তৌনা) হাইস মিষ্টব বিপোর্টব ! নঙনা হয়েং চিট্টাগোং গার্জিযান্দা ফোঙলকপা মতমদদি নুবাবী পবেংগী মমিং অদো পল্লক্নু, তনুসি তবাসি অনীনা পেংনববদি যুম কাযনবনিকো। নত্তে, কৈফা নঙসু পুংবা থিবিব্রা ?

চিবি ঃ বাজা সাহেব ! ঐদি কনফার্ম পেচেলব ওইনা লোর্ম্পিন প্রোফেসব সুকুমাব সেনগী মতৌ ওমগে থঙবি।

বাসাঃ মদুসু ভেবি গুদ ! অদুবুনে, মিষ্টব বিপোর্টব ! মীযাম মমাঙদা ফোঙনা লুহোংখিদবা নুপা নপী পুক্লমক্কী পুক্সিগী তাবুনুংদা অনোৎপী, অবেৎপা অমমমদ হেক্তা লৈবম্বা, মাযাম্লসু মখোযবু থাজদবনি।

চিবি ঃ সাব সুকুমাবগীসু অবোৎপী লৈবম্বগা থদম ফংবীব্র' ? মতক্লা কনফার্ম পেচেনব ওইথিবক্সিনা কবিগীনো ?

বাসা ঃ 'চংনবা লৈ, লোবী আইলেন্দা দুম নুপা অমা লেম্ম কোইবপ্পা থল্লি, খৃষ্টানগী সিষ্টব অমা ওইবম্বস যাই। নোংমা, ঐনা বঙ্গ সাগবদা মোটোব বোট বেসকী প্রাক্টিস তৌদুনা থৌবিইঙদা, লোবী আইলেন্দগী মতোৌন্দে এবং চেকশিল্লু হাযদনা লাউবর্কাখিবা খাংবদা অমা তাখিবা লৈ। বাবা সুকুমাবগী খোঙ্গেলনি। বাবা সুকুমাবনা বোম্বেদগী চম্লক্পা লোবী আইলেন্দ কমদৌনা লৈবমলিনা ! বাফম অদু ঐনা মঙোন্দা হংবদি হংখিদ্রে ... থোক্তে। মহাক এগী গোদথাদবনি। ঐনদুম মাবু লুহোংদীনবা হোৎনাখ, মহাক্লা নাখিদ্রে। নুপী অদুনসু মমৈদদি যাখিদ্রে।

চিবি ঃ মবক থংনা নুপী হাযদি দুম নপী অদুনা ?

বাসা ঃ বাবাগী দংবীদা সিষ্টব আইবেলা কৌবী নপী অমগী মমিং থেংনে, ... দা খঙলকপনি। পবেং থবসু ইবম্মী I got a call from Sister Ibela of Lorry Island' মথাদি কবিসু তবমদ্রে। মরমী চুম্নগা ইমুং মনুংগী ওইবা বাবী ... যাই। ... খৃষ্টানন্নি, ... হিন্দুনি। মদপ মপাং ওইবম্লা যাই চিংনাদ পেতৌবে। অদুনা কৈফা ! চহি মতাং চাবিইঙদা পোংনা লুহোংং, ঐনসু ... তৌবকউ। I me in to say men and women must be married either openly or secretly In fact I d nt believe the single men and women ঐখোযগী চিট্টাগোং নিংথেম পুযাদস লুহোংখিদবা নিংথেম অমা থেংনৈ, মমিংগা ইবুংসি নিংথেম। খাইগী ইবুংসিনি, মমিং অশেংবদি লোৎলম্মী। মাগী মকম্বী কথাগী মমিংসু যাওবিপোৎনি।

চিবি ঃ ইবুংসি নিংথেমগী ববী থবদ, তাকাপবা যাগদ্রা বাজা সাহেব !

বাসাঃ ঙসিগী ওইনদি নুবাবী কমপ্রেক্সকা বাফমদা চৎথবনা ফবেইদ্রা ?

চিবিঃ আই গোট দি আইদিযা। বাজা সাহেব ! নুবাবী দ্বীপ অর্মদি লাইনুবী দ্বীপ অনীনা। অম ত্রা ওইনা পুনশিল্লগা তৌজিক্কী নুবাবী আইলেন্দ থোনবনি হাযবগী বাফম হান্নসু

তাজপ্নে। ইন্নব সিম্বোলিক মিনিংগী মতাংসু খবমখৈ খণ্ডজবে। হৌজিক হংজনীংলিবদি নুবাবী কমপ্লেক্সকী মতাংদা লাকচগে। সুবমিলা গেট্রা, রেল কম টু নুবাবী আইলেন্দ নৎত্রগা রেলকম টু নুবাবী মহল হায়দুনা থাবদি য়াবীদব্রা ?

বাসা : হান্নদি অদুম্মা থাসিবা খল্লম্মী। অদুবু মফম অসিদা নুবাবী মহলতসু নত্তনা নুবাবী সিষ্টব কয়াসু লৈবা অদুদা রেল কম টু নুবাবী কমপ্লেক্স থাবসিবু চুমদ্রনে, মিষ্টর চিবি ?

চিবি : য়াম্মমক চুম্মী, বাজা সাহেব ! অদুদা কমপ্লেক্সকী অর্থসি অনী অহুম সুই হায়জবিবা।

বাসা : হোয়নে হোয়নে, ইংলিস গ্রামাবগী কমপ্লেক্স সেন্টেন্স হায়বা অমসু লৈকো।

চিবি : মাখকৈ মবিদা থাজিল্লবা মফম হায়বদি কম্পাউন্দ অমবুসু কমপ্লেক্স কৌনৈ।

বাসা : হো, অদুনিদনা ! মমিং লৈববা পাউচেগী রিপোর্টবনা হৌজিকপু কমপ্লেক্স সেন্টেন্স, কম্পাউন্দ নাউন থিদুনা লৈবা য়াবিপোৎলা ? Report must be brief and easy in language হায়বা জর্নেলিজমগী ইখিক্স অমা লৈবনি অদুগা কৈফা ! Reporter Should be bold enough to approach the Prime Minister or the President of a country for getting the proper information for his paper হায়বা ব্রাফম অমসু লৈবনি। মহৈ য়ানবা জর্নেলিষ্ট অমা ওইগে হায়বর্বদি কমপ্লেক্স এন্দ কম্পাউন্দ সেন্টেন্স অসি যাবিমখৈ শীজিন্নকনু, লৈশি লৈথোন, হায়র্বাদ Flowering English সু শীজিন্নবোইদর্বন।

চিবি : এঃ বাজা সাহেব ! হংগে খনবনা অমা ! অদুবু তাকপীবিবা অদু যাম্মা পৃক্লিং লৌশিং ওইজে।

বাসা : ঐহাক জর্নেলিষ্ট অমদি নচচদে অসুম লাইবিক পাবদৈ থেংনকবা খবদং পাউদম্বনি।

চিবি : নীংশিংলকপা ব্রাফম অমদুম লৈবে। মতম অমদা বাজা সাহেবসু হিন্দুস্থান ষ্টেন্দব কৌবা দেলিদা 'লোষ্ট আইলেন্দ' থোনবা ফিচব অমা ইখিমাল্লে, মবক মবক্তসু অতৈ আর্টিকলস ফোঙখিমাল্লে।

বাসা : হাইস ! মিষ্টব বিপোর্টব ! অদুবু মতম অদুদদি, ঐহাক বাজা সাহেব মিংথোল ফংদ্রি, নিংথেম মঙাং সনাগী মিংদা চিট্রাগোং লিজেনগী মতুং ইন্না হিদন নৎত্রগা লোষ্ট আইলেন্দ অমা বঙ্গ সাগবদা শোয়দনা লৈবমগনি হায়দুনা ইবগা ফোঙখিবনি।

চিবি : অদুবু লৈবমলে, ড্রিম কেম টু হায়বা অদু ফজনা হেক্তা উৎপিবে। হৌজিক অমুক থমজনীংলিবা ব্রাফম্মা, তোঙানবা অমনি। নিংথেম মঙাংসনাগী লোষ্ট আইলেন্দ পাকবদগী ঙাওবক্তুনা নুপী অমখক্সা মঙাংসনা থিবা লাকখি হাযবসু চীক্সাং কযাদগী তাজবকলে।

বাসা : মিষ্টব চিট্রাগোনিষ্ট ! নঙসু মনীং মমাং থৎহংদি হৈহে। চুম্মী, নোংমা নুংথিল নোংথাঙগুম লাকখি, মমিংনা দোক্তব সুবমিলা সেন ! মাগীসু লোষ্ট লভ থিবা লাকপনি। মহাক ওসিন এক্সপার্টনি।

চিবি ঃ মিস সুবমিলা সেনগী মপান্দে নুবাবী দ্বীপ অমদি লাইনুবী দ্বীপ ফংখিবনি হায়বসু অমনবা পাউচে কয়াদা থেংনজখ্রে। মতাকপু নীংশিংবা ওইনা নুবাবী কমপ্লেক্সকী হোজংদা সুবমিলা ৫' টি হায়দুনা বেলকম্মিং নোট থেৎপসু পাজবক্রে। তেনশিন্নজবা ওইনা, রাজা সাহেবকী নুবাবী পবেং হায়জবা তারে, খুদম ওইনা শগোল নুরাবী, লৈকম নুবাবী, থঙ্গোং নুরাবী, থম্বাল নুবাবী অসিনচিংবা ময়াম অসিগী মনুংদা চয়েৎ-চন্নেবা অমা লৈবদে নুবাবী আইলেন্দ মপূং ফ্রসিবু নুবাবী কমপ্লেক্স থোনবীখিব্রা ?

বাসা ঃ এঃ মিষ্টব গ্রামারবিয়ান ' ভেবী ইন্টবেষ্টিং কোইসন। শিনুংলোনগী কমপ্লেক্স হায়বা অদুনা তোঙানবা টার্ম অমনি। মফম অসিদদি নুবাবী ময়াম খিন্দুনা লৈবা উববা নৎত্রা ? লাইনুবাবী শঙলেন্দা শাগেগী লাই লাৎলি, অতেসু কয়ানি, নুবাবী হোসপিটালসু লৈবি।

চিবি ঃ উজবে, পূম্নমক উজবক্রে। লাইনুবাবী শঙলেন্দা শাগেগী লাইনুবাবী অমদি লাই পাখঙগী মুর্তি লাৎহৌই। চিট্টাগোং ইমাসি লাইনুবাবীগী সঙ্গায়সু ওইবমগনি খনজে।

বাসা ঃ অদুবু লাইনুবাবী ইমাসিদি লৈবীযু য়াদে, হেক্তা চংখি। হৌজিক্তা কদায়দা অমুক লৈত্রবনো খঙদে, লোবী আইলেন্দসু থাদোকখ্রে। ওঙ্খোক্রসু ওইনা চাউগ্রবীনি।

চিবি ঃ চিট্টাগোংদা অবোকসি লাইনুবাবী থেংনজখি। লাইগী শঙলেন্দা মতম খবা লৈবম্মী। মঙোন্দগী রাবী কয়াসু তাজখি।

বাসা ঃ নঙগী ট্রেন্নব অসিদি চিট্টাগোং ইমাসি ওইবেকো '

চিবি ঃ অহোয়, অদুম্না খনবীববসু য়াই ।

বাসা ঃ অদুগা, মাগী খোইদাজবী মমৌদি .. ?

চিবি ঃ সনাগী কৈবাক কাখ্রে।

বাসা ঃ ফবে কাখ্রসনু, শিবা নাইবা মপোকনি।

চিবি ঃ বাজ সাহেব ' ঐনা য়াম্না ঙকচবিবা অমদি খঙজনীংলিবদি লাইনুবী শঙলেন্দা শব্দ পোলাং নিপালখক মিংশেল চল্লগা থমলিবা অদুনি। কমদৌনা কদায়দৈ ফংলিবনো ?

রাসা ঃ মিষ্টব চিবি ' খ্বাইদগী মব্দ ওইবিবী নুরাবী কমপ্লেক্সকী পোৎলমদি শব্দ পোলাং নিপাল অদুনি। মদুনা, মফম অসিদা হিদন নৎত্রগা লোষ্ট আইলেন্দ অমা লৈবম্মী হায়বগী লেঙবা য়াদ্রবা খুদমনি। চিট্টাগোং বোয়েল ফেমিলিগী নিংথেম চিট্টাগোং সনা অমসুং মাগী নুবাবী ৭কী শব্দ পোলাং অদু লাইনুবী দ্বীপ মনুংগী কুফা অমদা লৈবম্বনি। ইবুধৌ চিট্টাগোংসনানা লোৎলম্বা সনা লুপা, মণি মুক্তা কয়াসু ফংঙি। নিংথেম পুয়া কৌবা লাতম খবসু খোইক ফিনা য়োমশিল্লগা চফূ মনুংদা য়াওবম্মী। অতৈ পোৎলম, খুজুক খুৎলায়, থাঙ তা কয়াসু ফংঙি। মদু পূম্নমক উবেদনা ?

চিরি ঃ লাইনুবী শঙলেন্দা উজবক্রে। ফোটোসু নমজবকলে। ইবেন্ধৌ নুবাবী ৭কী মমিংদি খঙবীব্রা ?

বাসা ঃ খওই, নিংথেম পুযাদা যাওবম্মী। অদুবু শক পোলাংশিং অদু মশক লেপথোকপদি ওইথোক্লে অদুনা লাইনুবী ৭ হাযবদি সজেন গোদ্দেসেস হাযদুনা থাবিবনি। ইবেঙ্কৌ ৭কী মমিং অদু মালেম লৈশেম্বদা যাওবী লাইনুবা ৭কী মমিং থোল্লম্মী; নুংঙাইগ্রপোর্ৎনি, চিট্টাগোং কলচব। অশেংবা মমিংসু ‘চি’না লোইনা হৌবদৌনা থেংনে। মচীন মনাও ৭নি।

চিাব ঃ বাজা সাহেব ! পুযা মলোলদো চীনফা পুবিববদি খজিক্কং তাজনীংই।

বাসা ঃ তাও, চীন্দা তোংবা বাহে খবা হাযনক্কে। অসুম হাযনা লাচল্লম্মী

‘নিংথেম বঙ্গসনাত্রি।’ নিংথেম চিট্টাকোং সনাসু কৌএ।। বংকা ঈথংতা লোংখিযে।। লাইনুপী দ্বীপ কৌতুং। নৌনা খুম্থোকখিযে।। চিট্টগোং নুবাপী ৭ লোইনখিযে।। নুবাপী ৭তি।। লাইনুবা ৭কা মিংখৈ ওনতনা।। লাইনুপ ওন[illegible]।। চিতানুনা [illegible]পোকপী।। চিতাপীনা যাইপোকপী।। চীনতুম্পীনা হীবৈমা। চিনপৈপনা যাইবৈমা।। চিন[illegible]ৎপীনা হীকপী।। চিকোংলৈনা যাইকুপ্পী। চিদাইপীনা যাইম্না।। লাইনপী ৭তি।। শাথেম লাংওনতুনা।। চাতা-ন ওতা শম্দোকখিযে।। লাইনুপী ৭তি।। হেল্লোয থুৎপনে।। ৭ পোকপীকী মচানে।। নিংথেম চিট্টকোংন।। পাখঙফাবীসু শান্নেযে।। মাইখি [illegible] পুপগী।। মতৌসু তমখিযে।। লাইম্না পুথিপীনা পাখঙফাবা ওনতুনা।। বংক স[illegible] লপখিযে।০।।

চিাব ঃ অস ! বাজা সাহেব ! পুযাবোন অদু তাবদা যাম্মসু নুংঙাইজে। অথ খংদবসু যাওই। অদো, পাবুংচাস্ [illegible]ঙাকপগনি।

বাসা ঃ তঙাইফদনা খুদং ইনবা তাখি, অপোকপা ইমাগী চিনগোইবু হিংতোকইব্রদো। তৌবসু, চিট্টাগোংসনাগী নিংথেম শাগে কোইচাইনব্রে, মিসং লিঙ্ক ওইব্রে পু অহল হাযবদি চিতানু হীপোকপানা পোকপ নিংথেম চিবাইসনা, চিংখেসনা, চিংদোন সনা অথমদি চিট্টাগোংদা হল্লক্তুনা খুন্দাখি। ঐতাক চিবাইসনাগী শৃথাংনি। ইবুঙৌ পুনেন চিংখৈসনা, চিংদোনসনা অনীগী পু খবা মাঙব্রে। অদুনা চিট্টাগোং ইমাশিগী যাথ মতুং ইন্না শাগে চাউথোক্লনা হোৎনবা অসিন যাম্না লাল্লব্রনে ? মিষ্টর বিপোর্টর, অ[illegible] লাযনি, ইপাগী বাবোল মযাম অসি চিট্টাগো [illegible]খানদা লোঙনবা কেলম লৈদ্রনে ?

চিবি ঃ মচং খব লৌখৎচগনি। অতেদি লনাইগী রেকোর্ড ওইনা থমজনিংদুনা বাজা সাহেবকী মতম খবা মাঙহল্লবে, ব্রালৌবিব যাদে।

বাসা ঃ ঐসু চিট্টাগোনিষ্ট নহাক্কা থেংনবসে যাম্না নুংঙাইজে। ঙসিদি হোসপিটালদসু চংলবেই, অনাবা অকবসু কম্না লৈহৌদে, ভুনিযাব মযামসু লৈহৌই। ঐনা শিবদা পুখিদৌবা বাবোৎ নুংলোং মযামদো নঙোন্দা শিন্নবমগে। মখাদি কবি লৈবি ?

চিবি ঃ নুবাবী কমপ্লেক্সতা খ্বাইগী মীংযেং চিংশনফম ওইবিবসে নুবাবীগী নুঙজৌ মূর্তি, লাইনুবাবী শঙলেনগী ফি থোংদবা লাই নুপা, নুপীগী মূর্তি অদুগা অমনা লাইনুবী শঙলেনগী শক পোলাং ৮ অসিনি হাযদুনা খঞ্জে, অবিবা মতমগী কলচবগসু মবী লৈনৈ, অতৈদি শেন্দাল লম্বীবোমদা চংব্রবনিনা হংনীংঙাই লৈজদে। মদুসু তৌদবা যাদবনি। মথং

অসিদি নুবাবী আইলেন্দ হন্টিং তৌদুনা সুকং মনুংদা চঙবা মতমদা, কবি অকি তুজুংপা থেংনবীখি অদুগা কপালিযানশিং পুন্না চঙমিন্নখিব্রা ?

বাসা : নুবাবী আইলেন্দ নংত্রগা লাইনুবী দ্বীপ হন্টিংগী থবক অদো যাম্না নুংঙাইবা পন্দুপ অমনি। লৈঙোই চীংদুম মনুংদা দ্বীপ অমা ফুমদুনা লৈবমগনি হাযবা থাজবদে। কপালিযানশিংগী লমজিং লমতাকপী ওইবিবী সুর্বমিলা সেন, ঐগী ইমাসি নুবাবীনা হিদন আইলেন্দ লৈবমদ্রবসু সুবমিলা কোটেজগী অকোযবদা লৈকোংলগা খুংশেমগী দ্বীপ অম শেমদুনা ঐঙোন্দা খুংশিন্নবমগনি হাযখি। শীংনবা অমগা লোযননা লৈতৌবা লৈকোংপা হৌখি। দ্বীপ অসে মনুংদদি সুনু নুঙ ঙাক্তনি, হোলো আইলেন্দ কৌই, মথক্তগী আ মনুং কাওবা ইকোয কোযনা চাথংতুনা হোবম্মী। হৌজিক্কী সুর্বমিলা গেট লৈবিবা মফম অসিগী লৈখাদা, চীংমায অমা থেংনকই, চিট্টাগোং কোপব প্লেটকী লাইযেক্তা যাওবা ইবুধৌ পাখঙবগী পফাল যেকপা থোঙ অদু থেংনখি। নুংঙাইবনা লুত্রোন শাংখি। ঐনা হং ! হং ! কু ! কু ! চু ! চু ! খৌ ! খৌ ! হার্যবিবা লাইবা অসি অহুন্নক শোন্দনা সুবং থোঙ কপ্রাযকই, অপুম অশা অসিনচিংবা কযাগী মনম মাযোক্রুখি। ঐখোয মাঙ্গ লোইনা উষ্পী। থোইনা নুংশা খিনিংঙাই নত্রে। ঐনা মাও থাই অদুবু ইমাসি নুবাবীনা হাযবকই “নিংথেম ! ইমা মাঙ থাগে। You are the only Uchan Meira of the Chittagong Royal family, ইমাদি শিখিবা যাই, নঙদি শিবা যাদে।” অসুম্না মহাক্না মাঙ থাবগা ফুট মবিমুঙংগী মবাক মযুং মান্নবা থোঙ অদুদা শিং লিংশিনখি, বোহিত বোসনা মৈবা অমা চুখংতুনা মতুং ইনখি, ঐনা অহুমসুবদা টোর্চ লাইট অচৌবা অমা কাপ্তুনা চঙশিল্লি, অতৈসু ইল্লকই। তিন পাঙ, মিবাং মহুম, থেঙ্গু অশিবা অসিনচিংবা কযা থেংনখি. সুনুগী যাকন্নদি অঙকপনি, খ্নল ফুনগে তৌবকই। চাক সিনহানা মনমদা পোবিবা ওসিজ্জেন টেঙ্কতগী গ্যাস থাদোকই। সুকংগী লবাব চেম্বব অদুদগী মথক যৌনবা কাফম লৈবম্মী, দলান মথোনগী উক উব লৈবগা কাবা কৈবাক্তৌনা তৌবম্মী, মনুং অদু পুম্মম মম্মী। মৈবা খবসু চুখংতুনা ঐগী মকপ লুনাং, হাওবা অমদি দাজুনা মতেং পাংলকই। খিবা যাবা, যেংবা যাবা পোংশক কর্যানি, কোল লিক, চফু উযান থেংনে। উক উব লৈবগা কাবিবা লম্নী অদুগী অবোইবা মতোন্দা হাইফেৎ চাউতকপা চেম্বব অমা লৈবম্মী, ওভেল শেম মওংনি। মফম অদুদা ইকোয কোর্যশিন্দুনা লৈবম্মী- শক পোলাং ৮ ! ঐহাক নুংঙাইবনা লুত্রোন শাংলি। মীংতম্না প শিন্নবক্কে তৌই। পাবী পুবীগী অবিবা লিখুন ফংবদা নুংঙাইবোইদবা অসিবু কন্নানো ?

চিবি : বাজ সাহেব ! মবক থংনা কবিগুম্বা অমত্তং।

বাসা : হাযযু তাসি।

চিবি : কৈবাক কাফম অকোযবা অদুদি লেপ্পা চংপা যাব্রা ? অদুগা মথক্কী চেম্বব অদুনা লৈফম ওইবম্বা জাংলা ?

বাসা : সুকং থোঙ হেক লিংশিনবগা অদুম লেপ্পগা চংপা যাবে। মথক্কী চেম্বব অদুদি লৈফম লোংফম ওইবম্বা জাংনি। ইবুধৌ সাগব সনানা লোংলম্বা লাইযেক অমদা, শঙ মচা অমা, দ্বীপ মতোন্দা লৈবা উখি, লাইনুবী শঙলেন্দা মিংশেল চম্লগা থেংপনি। শঙ মচা অদুনা অহানবা যুম ওইবা তাই।

চিবি ঃ খোংনাং বটকী মশাদা থৌবী কোঙ্গোই অমসু য়াম্দুনা লৈবা উজবকই।

বাসা ঃ থৌবী অদুদা চিট্টাগোংসনা থৌবী য়াম্দুনা শিখিবম্বা য়াই হায়দুনা প্রেস মিট অমদা ভাবনা শাবগা লোইশিনখি।

চিবি ঃ হৌজিক্তি মদুগী লংলা লংজিল ফংবীবব্রা ?

বাসা ঃ ঙাইখো, কৈফা! সুকং মনুংদগী অমুক্তং ফাওগংলকখিগে।

চিবি ঃ ফগনি, য়াম্না থুনা ফাওগংপীবকউ।

বাসা ঃ মিষ্টব চিবি! নুমিৎ কয়ানি চঙখিবা খোঙচংনি, ওহ্মোক্লা ব্রাম্রপোৎপি, তৌবসু কৈফা! কবি গুম্বা থবক অমা তৌবদা রিল পব্রাব হায়বা অসি লৈতবা য়াপোৎ নত্তে। ঐখোয়গী খুৎ ৭ য়াম্না থোং মান্নখি। থোইদোক্লা, ঐগী ইমাসি নুবাবী মিস সুবমিলা সেনগী কুম্মৈসু অঙকপনি। খিবা হুম্বসু, কনম্রপোৎনি, ময়ামবু তম্বসু পোকহনখিদে। ঐঙোন্দা রাখল অমা খঙলাক লাকখি। ঐনা ইমাসিদা হৌদোকই, মহাক্রসু যানিংবা উৎলকই।

চিবি ঃ য়াম্না নুংঙাইজবি। চৎথবীয়ু বাজা সাহেব!

বাসা ঃ সুবমিলা কোটেজ মনুংদগী লৈবাক অমুক তৌথৈ, ড্রিল্লিং মেছিন শীজিন্নৈ। ফনা লুনা হুখববা মতুংদা সুকংগী অপব চেস্বব কম অদুগা ফাওদোক্লবা ঙমখি। নুমিৎতুদা নুংঙাইবসি, ঙমখৈ লৈখিদে। থায়নবগী লাইনুবী দ্বীপ লৈ হায়বা অসি ইবুধৌ সাগবসনাদি ফজনা খঙখি হায়বগী প্রমাণ ফংভি। মফম অসি যোম্বোকপা য়াদে, অচৌবা হোটেল গুম্বা অমা থম্লীংবগী ব্রাফমসু পল্লম্মী হাযদুনা প্রেস মিট্রা বাবা সুকুমাবনা ফোঙদোকখি। তৌবদি, ইবুধৌ সাগবসনানা হিংলিঙৈদ দ্বীপ অসে পুথোক্লে খল্লগা ঙমখিদবজাৎনি। মহাক্লা লোৎলম্বা লাইনুবী দ্বীপকী লাইয়েক অদু ইমাসি নুবাবীনা সাগব দ্বীপুগী ফংদুনা পুবকপনি।

চিবি ঃ খোঙনাং বট মশাদা যাল্লিবা থৌবী কোঙ্গোইগী ওইবম্বা য়াবা লিখুন্দি খঙবীব্রা, বাজা সাহেব ?

বাসা ঃ নিংথেম পুয়া ফংলবা মতুংদা লিখুন অদু খঙবা ঙমখি। অহানবা লামায়দা লাইয়েক অমা য়াওবম্মী। খোংনাং বট মখোঙগী য়ুমথক্তা শব্দ পোলাং অমা য়াম্দুনা যেক্লম্মী। মদুনা তাকপদি কনাগুম্বা লমশি অমগী শব্দ পোলাং য়ানশিন্দুনা থমলগা মফম অদুদা মী চঙবা কিনবা তৌবা ওইবম্মী। সুকংগী অপর চেস্ববদা মখোয় ৮না অহানবদা লৈবম্বা তাই। শঙ অদুদগী কাথোক কুমশিন তৌবম্বনি হায়বদা লান্নিংঙাই ওইবোই। কায়নথংদা, নিংথেম পুয়াগী লাতম অমদা অহানবা শঙ অদুগী নাক য়েংতা য়ুম কয়ামকম যেক্লম্মী। মসিনা তাকপদি চিট্টাগোং সনাগী মীবোন অদু মফম অদুদা ফনা কুইনা খুন্দাবম্মী হায়বগী খুদম ফংলে। কায়নথংদা মচা মশূশিংনা চিট্টাগোংদা হনম্রবসু মখোয় নিপানদি লৈহৌদুনা য়ুহাব হাবা অচৌবা অমদা শিখিবনি হায়বা অসে ময়েক শেংলে। অসুম্না লাইনুবী দ্বীপ ফংখি অদুগা ...!

চিবি ঃ বাজা সাহেব ! জষ্ট এ মিনিট ! লাইনুবী দ্বীপ হায়বা অসিগা নুবাবী দ্বীপ হায়বা অসিগা মশা অমত্তবা ? দ্বীপ অনী সুব্রা ?

বাসা ঃ হৌজিক্তি অমদা অনী পূনশ্রে। নুবাবী আইলেন্দ থোনশ্রেদনা।

চিবি ঃ নিংথেমগী নুবাবীনা মফম অসি পুথোক্লম্মী হায়দুনা অনৌবা মমিং অসি থোনখিব্রা ?

বাসা ঃ মিষ্টব চিবি ! লিঙ্গুইষ্টিক মেনিপুলেসনগী মমিং অদুনা হেন্না ফজগদ্রা হায়দুনা থোনখিবনি। নুবাবী সাগবগী নুবাবী দ্বীপ হায়বা লাইফাও অসিদি চিট্টাগোং ইমাসিগী মচীন্দে থোবর্কখিবনি, খিয়ুকো লাইনুবী দ্বীপ হায়বা অসিসু মাগী চিনকোইনি। দ্বীপ অসিগী পুরাবীগা ইমাসি পুংবাগা খক থাদোক্লবা য়াবা নত্তে, অমগীনা বিদল খিয়োবি পুথোকপনি অমগীনা থবক্তা উৎপনি।

চিবি ঃ ফাইনেল্লি, ক্রেদিট গোজ টু ইমাসি নুবাবী হাযবা অসিদা য়াবীনিংলব্রা?

বাসা ঃ ফাইনেলগী মথংদা লাষ্ট অমসু লৈর্গনি। ইমাসি অনীমক নুবাবী ঙাক্তনি। প্রিফিক্স টাইটল থেংপৈ ব্রানি। ইমাসি নুবাবী মিংথোলদে ইমাসি ককথংশ্রে, লাইনুবীগী মিংথোলদে লাই ককথংশ্রে. হৌজিক্তি অনীনা অমত্রা ওইদুনা নিংথেমগী নুবাবী মহল মঙফা ওনখিবনি।

চিবি ঃ থগৎচবি, বাজা সাহেব ! ওহ্লোক্লা ফজখ্রবা ফিলোসোফিনি। মবানীবু ইমাসি পুংবা নংত্রগা ইমাসি দবল থোনবা হেন্দোক্লা মতীক চাই।

বাসা ঃ অচুম্বনি কৈফা ! ইমাসি পুংবাগী মঙান্দগী নিংথেম মঙাংসনানা বঙ্গ সাগব মপান অসিদা খুম্বোক্লনা লৈজবা ঙমলিবনি; অনীমক মীৎনা উবা লাইবেম্বীনি।

চিবি ঃ বাজা সাহেব হাযবা মিংথোল অদুদি কবম্বা ইমাসিনা পীখিবনো ?

বাসা ঃ মসিদি নিংথেমগী নুবাবীনা পীবম্বা মিংথোলনি।

চিবি ঃ নিংথেমগী নুবাবী ! হৈব্রেদকো বাজা সাহেব ! মদুনা কবম্বা নুবাবীনো? বাজা সাহেবকী অবোৎপী বানী সাহেবা অমসু লৈবীবিব্রা ? আই মিন টু সে বাজা সাহেব অমা লৈববদি বানী সাহেবা মকোক অমদি লৈফম থোকপ্রা খঙ্গে।

বাসা ঃ এ: কৈফা নঙদি নুবাবী মহলগী বানী সাহেবা থিবা লাকপা ওইবেকো।

চিবি ঃ লৈফম থোকপা অদুদা হংজবনি

বাসা ঃ কৈফা ! বজনী গন্ধগী নুংশিবা লৈনমদি লৈহৌবি।.. ।

চিবি ঃ অদুগা বানী সাহেবাদি কদায়দা ?

বাসা ঃ লুপশ্রে বঙ্গ সাগরগী ঈবোলনুংদা

চিবি ঃ অদুবু বাজা সাহেব ...।

বাসা ঃ কৈদৌবা কৈফা ?

চিবি ঃ ঙসিগী ওইনদি মতাং অসিদা লেপচবগে। থেঙ্ক য়ু বাজা সাহেব।

বাসা ঃ মিষ্টব চিবি ! মতাংদি চাফাংতে। অদুবু এস য়ু ৱিশ থেঙ্ক য়ু।

চিট্টাগোং বিপোর্টব মপোংমচৈ লোইশিল্লি।



ক্লিং ক্লিং ক্লিং !

ইনাক্তা লৈবি টেলিফোন রিসিভব খিংলকই। খুদক্তা পাযখত্নুনা ওকই "দোক্তব নিংথেম ওন দি লাইন।"

"দোক্তব সাহেব ! ঐহাক সিষ্টব জেনেলানি।" শকউদবা নুপীগী খোঞ্জেল মমনা পাউখুম পীবকই।

"কৈদৌবে, মিস চিট্টাগোং ?" ঐনা পাখৎতুনা হংখি।

"অকবা পেসেন্টকী কেস অমা লাকলে।"

"কবি কেসনো ?" ঐনা পাখৎতুনা অমুক হংখি।

"দিলিভবী কেসনি, ত্রিন লৈবনি, নোবমেল যাবোইদৌবে।"

"হা ! ত্রিন ! ৱান্দবফুল। ইন্দক মবক অসি ত্রিন যাম্না পোকপ্রেদা। মমা মপাশংসে য়াম্না শিংনবে, অনীবক অহুম্রক মৈনীং কুম্না তন্নবে।"

"দোক্তব খবা থুনা অমুকং পেঙবীবকউ।"

"দোক্তব যত্রিনা লৈবা নংগ্রা ।"

"লৈ সাব ওপবেসন তৌনবা থন্নবি।"

"ফবে, ঐসু লাক্কে ।" ঐহাক যুক হৌগৎলি। কৈফাদা অমুক ওনশিন্দুনা হায়খি- "নিংথেম কৈফা ! নঙ লৈবমখো, নোংমা নীনি অদুম লৈথখো।"

"ফগনি, দোক্তব সাহেব ! "

"মিস চিট্টাগোং ! লাইনৌ নুবাবী ! ফোন থম্মো থম্মে।" ঐহাক্তা ফোন পম্নগা প্রপ প্রপ পোবকই।

"মিস চিট্টাগোং ! লাইনৌ নুবাবী !" নিংথেম কৈফানা মথন্থা শোনজৈ অদুগা চাঞ্জা চাদনা তনহং হংলকই "মহাকপু পাবুংচাগী . ?"

ঐ তায অদুবু বাহং হাদুগী পান্থুম পীখিদে। কৈফাবু তুং হন্না যেংবসু তৌদনা কাউন্টব কোইসন অমদি নোংশিল্লম্মী "নিংথেম কৈফা ! নঙগী অশেংবা পাবিচয পীবমদনা চংখিবা য়াবোইকো, নত্তে নঙব কনাগী মগানো ?"

"ইমাবুবা ইপাবুবা ?" কৈফানা য়াম্না হৈ শিংনা খুমলকই।

"অনীমক্কী মমিং তাক্লম্মু।" ঐনা অমুক নোৎশিল্লি।

"সোবি সাব!" নিংথেম কৈফানা মখাতানা হায়বকই, —"চিট্টাগোং গার্জিয়ান্দা ওইনা পাউখুম পীজবক্লগে। অদুগা বাফম অমনা, মিস সুবমিলা সেনগী দায়বী অদু ঐঙোন্দা খুৎশিন্নবিবো। ঐহাক বেনুকাসিগী মচা নত্তে।"

"হা! কবি হায়বা. .!" ঐহাক লুত্তোন শাংলি মখাদি তাবমদ্রে। নিংথেম কৈফানা কা মনুংদা চঙহৌবে। ঐসু পন্থবমদ্রে। লিভ ঙাইবা তৌদনা কৈবাক ওম্না চেনচং তৌই।

ইস! খল্লুবনা অম. .. ঐনা কৈবাক কুমথ বু ২ না খনজে "নিংথেম কৈফাবু ইমাশি নুবাবীগী মচা! অদুগা নিংথেম কৈফাগী মপাদ কনানো ?"

অওকপনি! ঐগী ইমাসি দবলগী মেজিক! অওকপানি! নিংথেম নুবাবীগী লাং থন লাংদাই! অমবু ওইবে, নিংথেম কৈফাবু কমদোনা. কৈদৌঙৈ পোকখ্রিবা ? মহাকপু কনাগী মিবাকল বোব ..!

ঐ খঙদে। মমাতনা খঙগদবা য়ানি। থাইখিবা ভন্থ, পাউখুম অমা।

৪২

"বাজা সাহেব!"

ঙসিসু অমুক্তংগা নুংশিনা কৌজবি। অদুবু ঐদি ন -গী বানী সাহেবা নত্তেকো। অমুক উন্নগনি হায়বসু থাজদ্রে। অনাপ্পদা লৈববসু, লাইবেন মমীৎ মানবা নঙগী নমীৎতো খৎচিল্লক্কনু! অঙাওবানি ঐদি, অঙাওবীনি; নিংথেমগী নুবাবী অঙাওবী! হৌজিকসু ঙাওবিত ফনি। অদুগুনে, ইমাগী ইশাবী নিংথেম! কৌদুম কৌগেদহৈ নুংশিনা! যেংঙে ই নিংথেম! পাপ্পে অমনবু ওইববসু, হৌজিক্ত ঐহাক, ইচাগী অশেংবা মমা অমা ওইজবে। ঙকইনি নঙদি! নঙনা অদুঙৈ পাখিবা 'ইমাসি দবল' হায়বা মিংথোল অদো গাম্না হবা ওনা লৌজবে। চিট্টাগোং নমাসিগী থৌজালদগী ফংবানি হায়বসু যাই। অদু ওইদুনাসু, ঐদি নুবাবীনি, নিংথেমগী ইভবগ্রীন নুবাবী! পনগী য়ানা অমনি। ঐবু ইমাসি নুবাবী কৌখিগেবা, ইমাসি দবল কৌবগেবা ? হৌজিক্ত কৌনীং-কৌনীংবা হেক কৌজগো, যাদবা অমুক লৈত্রে। মঙদসু, তাইবংদসু ঐদি নঙবু তোগনা তেগনা উজৈ। অদুগা নঙদি ? হৌজিকপুদি, কদায়দৈ ঐবু উবীবনি। হো ইবুংঙো শকহেনবা! লাইপুংবা নুবাবীগী মবুংঙো! নুংশিববী ইমৌ অনীদো লুনা তৌবীযূকো। ইমৌ ওকপসু লাকপা ওর্মখিদ্রে। মনেম অশেংবী থোবক্কুনা ওকখ্রে হায়বসু তাবে। অমহানি, ঐনা ওকফমসু থো ক্রুমাল্লে খল্লকখি। খঙব্রা মবমদো ? নত্তে, লাইপুংবা অনীদো কবম্বনা হেন্না নুংশি ? চপ মান্নব্রনে ? মান্নেযে! মান্নবা যাবোইনে।

হাই! চীঙ্খিবো!

নিংথেম নঙবু চৈজবা নত্তেকো। নুংশিদুনা ওইনজবনি। নঙোন্দা নত্তনা কনাদাদ চৈর্কনি। নঙোন্দা নত্তনা কনাদাদ ওইনজর্কনি। হে লাইগী মচা, লাইপাখঙ ! হৌজিক্তি নহাক পাখঙ ওইদ্রেকো। অদু ওইনসু, লাইপাখঙ ওইনা অদুম উর্জাব। নিংথেম মঙাংসনা নহাকপু শকউদবা খোযুমগী হোলি স্পিরিট অমদগী পোকখিবনি, লাইগী মচানি হায়নখি। ঐগী ইচা নিংথেম কৈফাসু, শকউদবা খোয়ুম লাইগী মচানি; লাইগী মচা নীংশিংলিদনা, ঐনা হায়খিবদো - There must be male God behind the female Goddess !

[illegible] লৈদা [illegible] সু লৈদা মাবু [illegible] নত্তে কমদৌনা হায়দৌরবনো ? তাইব, মাসু শক উদব [illegible] ক্রিয়েটর্বনি মসিমা লৈখসু

নুংশিবা ! ঐনা নঙবু নুংশি [illegible] হেক চাথে [illegible] শিজাং [illegible] ওংনৌমানবা ওইনম [illegible], ঐ নহালনা মোবে [illegible] চাখোক্রমগদবনি। ঐনা নঙবু অদুং [illegible] হায়বিসিনি, শেনা [illegible] ঐনা নঙবু নংশিবগী মমি [illegible] কদায়ন তাই, খঙব্রো ? [illegible] ইচা নিংথেম কৈফাবু, [illegible] মঙাংসনা [illegible] শেমগৎপোংনা ঐসে হৈব্রা ? [illegible] মাবু মী [illegible] [illegible] হৌজিক [illegible] ঐস [illegible] সাইঅবি [illegible] হায়বে শাবু [illegible] [illegible]কে !"

"ক্ষোভদ্রৌনা।"

ইচাদগী খঙহৌদনা হায়দো [illegible]। ঐহাক [illegible] পাবসু খংলম [illegible] নিংথেম কৈফা হায়দুনসু, [illegible] হায়নগ। [illegible] পাংখিবসে। [illegible] পা পাক [illegible]। [illegible] লুববা অমা [illegible] মচান, মচ [illegible] লাইবক [illegible] কই [illegible] পেপ [illegible] চিঠি খাউ অমা এমলম্মী [illegible] খাউদা থাবক

WITH LOVE FROM CHITTAGONG

To

RAJA SAHEB OF NURABLE MAHAL

ঐহাক শাই লাওখি !

মঙল [illegible] তিং হেক চোংখি। নিংথেম কৈফা হায়দুনা ইমাসি নুবানী শিঙ্খে হায়জিল্লম্মী। হিংলি হায়বগী মপাউ তাবদা, লুতোন শাংনা নুংঙাইবসু পোকই। খংলাও লাউদুনা মমিং পল্লগা কৌগে তৌকই। জ্ঞান তাবকই, তনসি-তবাসি তাহনবা যাংপোং নত্তে। পূক্রিং ফাথে। খুদক্তা চিঠি খাউ অদু শেগাযবগা হমাং অনম্মী কাবমথৈ পাথবকই, মবক্তা খংপন পল্লি। অঙকপসু পোকই। মহাক্তা ঐবু নুংশিনা চৈববু চৈজসনু খন্দোক্লুই।

অদুবু এনস্য মাবু চৈনিংলকই। শকউনদ্রবা থম্মোয় অনাগী রাযাবলেস কোলাদ ফাওনফম থোকই। থোক্রনে, মমাসি ? ঐগী ইচাগীস্য মমাসি! তস! কৌদুম কৌবগে, ইমাসি দবল!

৪৩

চৈবগী হক লৈবে।

চৈযুন ? ঐস্য চৈবা যাম্না হৈজাৎনি। [illegible]! অদুবুনে, পৎতং [illegible] নুংশিবী! ঐগী মঙলানগী নুবীকাসি! শকলোংপী, [illegible], ব্রেন প্রেংটট (মী অমগী নুং বাখলবু শুবা শুষ্বী) হৈবী! ঐগী বাশেংদোক অসে তানায্‌ -

[illegible] কাগী অহান[illegible] চিঠি ফং[illegible] মতমদা, ঐদ কবিস্য খল্লুদে। পাক্লং বাখল চেং [illegible] লাকখি[illegible]। [illegible] নুপী [illegible] ফোটো থেংপা [illegible] চিঠি ফংলা মতমদা, [illegible] খ্বাইলাওম, ভুখ্বাং চুংখি। [illegible] মঙক [illegible] কোন্টো[illegible], চিটাগং ইমাগী ওইগান [illegible] বকপি। [illegible] ছাত্র ঐ[illegible] লমজিং [illegible] অমসু পাখি। নুবাকা [illegible]। ঐনা [illegible] নিংথেমগী নুবাবী নম্বর [illegible] হায্‌দুনস্য [illegible]খি। ওইফমস্য থোকই। [illegible] মতাক্লা অহানবা, অদোম ফ্রাস ফোবরাদকী থৌদোক [illegible], অমসু [illegible]। [illegible] ইদা [illegible]। হৈ দাযবী [illegible] [illegible] হৈবী, নঙ[illegible] অশংবা [illegible] লাকখিবদো, [illegible] নঙাদ, জৈন। অঙাং ওইরিবৈদগী [illegible]দুনা [illegible] ক্ষা যাংনা [illegible] শেংনমক, অঙোম্বা [illegible] কৌবা নুপী অমা লৈনিব্রা [illegible] [illegible] চপ্প নৈ শনবা হৈবী! ঐ [illegible] [illegible] বিযাট সুমহৎপা! অমনু [illegible], [illegible] কুম্মোদা, নহাক্লা [illegible], লমযৌনা [illegible] নাযিকা (পাত্রল)। [illegible] হাযাখিবদে, কাউজরনে I et me restore m, [illegible] title not as name shake [illegible] me my dear Ningthem!

চম্মা! ঐস নাযক (পাত্রল) ওমনি। চাপ্লু হৈববা নাযক। হকাচনবা, হেনজিনবা ওতব দোজ কযাগী এক্টং তৌখি। নঙগী [illegible] চানবান্দা ঐনা কৈদৌউভদস্য খোঙম্ ওন্দুনা [illegible]খিদে, নঙগী লাইবক্তা নাশিনা চুপাদ। হে লাইশমঙ! ঐগা নঙগা কৈদৌউভদস্য অমত্তা ওইখিদে, মফম কদাযদা, কৈদৌউভ নিংথেম নুবাবী মধুর মিলন ওইখি ? ফোটো পুথোকপা ভুত্রা ? পুথোবকউ, যেংবিগে।

নত্তে, নিংথেম কৈফা, ঐগী ইচা নত্তে। নেভব! নিংথেম মঙাংসনানা কৈদৌউভদস্য মিস সুবমিলা সেনগী মফমদা তাল্লোয ওইবগী লিচৎ চৎখিদে! নেভব!

চিঠিগী মখা তাবকপা ওইনা পাথকই। ইমাস দবলগী খোনফম অদমক্তু ঐবু চৈবা ওইনা তাবকই।

"এই! চীম্ছবো! অমুকসু চৈদুন চৈ..। চিট্টাগোং লাইনুবাবী ললীতা...নিংথেম মঙাংসনবু লাইগী মচানি হাযদুনা ...বর্থ ওইনা পোকপদি যাবগা, মিস পুবমিল সেন, ইভন গ্রীন নুবাবীনা, নিংথেম কৈফসনা পোকপসিবু যাদ্রব্রা ? খুম্মু খুম্মু নিংথেম!"

(ইমাস দবল ভৌ...অফাওবী ফোটোদা ...ওবী! নঙদি চিট্টাগোং ইমাসি ...বীবু শী...দুনা লমন খুমলিবোই। নঙগী দা...বীদ, অবোইবা পবেং ওইদুনা। ইবি...বেংদো নীংশিং...দনা ... যেংহু, বি-প্রে...দয্যুজ তৌববনি As decided by lab.

ঙার্সদি ...না শেংনা হাযদোকলো। ইম...পুংবা নখোয অনী কবি ব্রাবেপ্প্রা ? হেদ ঢেল ওয়াখিবা ফোটো অদো কনাগীনে ? নবানাগী ব্রাবেপ্পো ইখোবকউ: পাবীবগে।)

"শাউখনুদ, নিংথেম!"

চিঠি মপ...ইমা...বা শান্নসি। নং...। অমুকসু কৈর্জবি, ইমাগী ইশাবী ... ম! নঙগী চিট্টাগং নমাসদা হেক হংহু, মা...লা ঙাক্তনি। লাইনাকে...মাসি লাইনুবা...! মহাক্ত্রা ঐগী অঙাওবা, লাংচু ব্রাখলবু কোকহনখি। মহাক্ত্রা ...বাফমদা ...যাব্রদো। ঐবু লাইভ সা...নী দোক্তব (নঙদৌনা অনাবা যেংবা...কো) অমা ওহহনখিবনি। ঐগী ইথৈদি পুক্সিবু থবনি, পৃ...কযাগা চা...যেংসু তৌ...থোক্ত্রা ? নঙসু নমাসিগী যাখ হক্তে ...পা ...খিব্রা ! লেপি আইলেন্দগী অহীং ৭তা নমাসিগী চিনকোই ঙার্ক...বান হাযদ...নঙগা নুবাবী ...কা লৈমিন্নখিদাই ? তস! হাযদনক্তে নুবাবী ৭ অদো, কনা ক...নো ?

নমাস ইবানীগী বা...থ...খগে। শাউনাংলবসু ...শাউজো। পবেং খন। অর্সিদি মুম্না পাউ, বাখল খল্লু। অতেনক্তেদ, ঙাই শেনগা বানি। নঙগী নচা নুপী ...অমদি থাসন। অ...মক ঐগী ইচা নিংথেম কৈফাগী শ...য, হ যবদি ইমৌ ...যাগদ্রা ? 'ঈশেং যাকপা' হ য...চব ম্রদুগী ম...ইন্না...থো... হাল্ল

নিংথেম! ত্র...শাউদুনা চিঠি শেগাযখিন। নমাসি লাই নুবানাগী অ...মমা পুথোবক্তে তৌবনি। ...চিট্টাগোং ললীত বাদো মখেনা লাইরিংচবি ...কখি। নঙসু খন্দুনা যেংঙ্গনে, নঙগী শাগেগি মনে অ..., নমাগী শাগেগী নন্দোন, নমাবোক অনী, মখোয মবিবু মাগী মমৌ ওইহনগনি মতংদা তেজব চৈবগা মৈ থাগনি হার্যবিবা বাফম অদুবু নহাক যানী...খিব্রা ? হোয, মখোয মাবনা নমাসি...। মফমদা ওং নৈবা খ। মখোযবু হাৎতোকপদা মতীক চাই। লমন খুম্বা, লমন শিংবা অর্থ এনী লৈ। ননে, নন্দোলশিং ...দুগী কৃপাদগী, ঐস নিংথেমগী ইভব গ্রীন নুবাবী ওইদুনা যাকহৌবিবনি। মতেং পাংশিন্দুনা লমন খুম্বা যাই। অদুবু, ঐনা ফজবা মতংদা লমন শিংদোকপীব্রে। কমদৌনা যৌব...শিনখি খঙব্রা ? এদেন গাবদেনগী অহিং! গেম ওয জোক! তশেংনমক

থিয়েলিটি শো অমনি; ফাগী ফবাংগী নুবাবী লোট্টবী নত্তে। প্লান পুথোকপদি নঙনি; নঙগী দায়বীদা ইবিবা ক্লাশ ফোববাদকী বাবীদো, ইমানা থবক্তা থোক হেক ওন্থেক্লবা শিনবনিদো। কমদৌই; নমাসিনা লিনসু হাৎপা, চৈশৃসু থুদেকপা পাম্মী। ঐনা লিনসু হাৎখিদ্রে, চৈশৃসু তেকহনখিদ্রে। নঙগী নকোক অদুসু জাৎ জাৎকী রাখল ময়োল চোংফমনি। মফম মতম চানসু, থোকহনবা ওম্মী। কৃগব ফাবসু হৈগ্রে হৈগ্রে। ইহে! ঐসুনিকো!

ফাগী তৌবনিদা!

নঙনা, নঙগী মরূপ মপাংশিংদা থাজবে হায়দুনা লাউথোক্লম্মী নুবাবী ময়ামদো নমাসি লাইনুবাবীনা মী থাদোক্লুনা ফাখিবা নত্তে। নমিংদা লোট্টবী ফাওখিবী নুবাবী ময়ামদো নঙনা কৎথোকপা অদুদি ফজবা লিচৎনি। থায়না নবুধৌ নিংথেমশিংনসু অচানবা মনাই মশল অমদি মরূপ মপাংশিংদা লৈমা কয়াবু কৎথোকপা নৎত্রগা দান তৌবা চৎনবম্মী। মদুবু কনানসু 'ফিমন খুনবা' নৎত্রগা 'তূমন খুনবা' হায়নখিদে। মমল য়াম্লবা খুদোলপোৎনি খন্নবম্মী। নিংথেমকোনগী চৎনবীসে ফজবসু লৈনে। নঙনা কৎথোক্লম্বশিং অদুদি ব্রান্দ নিউ ওাক্তনি; শ্রীমতী থানিলসনা নত্তনা। মযামদো, ইমানা প্রবিন্দাদা ইঙ্গিৎ পীদুনা খৈদোকখিবনি।

নিংথেম নঙগী কপাদগী অয়াকপী ময়ামদো মফম চানা চানা নুংশি বাইথুংনখে। নঙনা শিন্দুনা লুহোংবিগ্রে হায়বসু তাবে। নমাসিগী রাশকসু নঙনা হৈশিংনা থৈদোকহনগ্রে। হো! অদুনিদনা; নিংথেম হায়বদো। নঙ অসিনা হেক হৌদোবকপাসিদি জাৎ জাৎনি। কেবা সিষ্টব লৌখিবা নঙগী নযাম্বা মরূপ অনী, বোহিত বোস, চাক সিনহা অনীদা, মিংগৌদি কবি অমুক কৌবে? অঙাওবা! হৌজিক্তি দাদা কৌকবনু, মামসি কৌববা নৎত্রদো? নঙনা হেন্না মিংগৌবোন খঙফম থোকই। নঙগী মেদাম মেনকা লৌখিবা, নঙগী মরূপ হাওবা খুমন্দদি কবি কৌদৌবি। সাব কৌনে; মহাকসু মশক নাইবা প্রোফেসাব অমা ওইগ্রে হায়দুনা তায়। অদুগা, নঙগী মরূপ উকিল সাহেব পুন্সি লুবাংগা শ্রীমতী থানিলসনাগদি কমদৌগ্রে? ফোবসা! ইমাদি ঈ-পাউ য়াম্না খোমজিল্লি। মসিসু নুংঙাইবা হোধি অমনি। অদুনা, ইচা নুপা নিংথেম কৈফাবু জর্নেলিষ্ট অমা ওইনবা হোৎনজখি। মপাবুং শকলোৎপা নিংথেমগী মফমদসু ইন্টর্ভিয়ু লৌক হায়দুনা থাজিনখিবনি। কমদৌই, নচা নিংথেমদো? হাইফেৎ য়াববা? কৈফা থোল্লিবদো খঙঙব্রা?

ননেমসি শ্রীমতী থানিলসনাবুসু নহাক্লা তাংতা লৈতানা লৈহনগ্রে হায়বা তাবে? নিংথেম! মহাক অবাইবী নুপী নত্তে, ফালতু ওইনা খল্লুনু। নঙবু চাংয়েং তৌবা লাকখিবনি। মর্গা লুবাংগী ওইখিদ্রে। থানিলসনাদি চিট্টাগোং নমাসি হিংলি খঙবদে শ্বাই মাঙখ্রবনি। মাই লুবাং হায়দুসু মমাগুপ্পীদা হেক ঙাওবদনা ... নত্তে মসিবু লায়না অমনি হায়বা অসিবু চুমলজাৎলা? নঙসুনিকো, চুমতাইয়ে। লুবাংদো মমাগুপ্পী থৌবানী অমা লৌবে হায়দুনা তাখি। নঙগদি মখোয়গা উন্নখিদ্রব্রা? নখোয় মায়চৌ অহুম উন্নবগা নখোয় নখোয়গী পুংলোৎ বারী লীথোক্লৌ। নঙগী লায়েং কাওলোন্দদি কান্নববা মচল অমা ওইগদ্রা খল্লি।

লাইবিক ফজবা অমদি ইথোবকউ। অদুগনে 'নিংথেম পুযাগী নুংলোং থম্বাল' অদুদি ফোঙলক্কনু। মদুদি ফোঙদোকপা যাবা কোর্বেক নত্তেকো। ইমাগী রাচোই মযাম অসিবু তানীংলিব্রা ?"



চিঠি পাবা লেপ্পি।

ঐ চিঠি পাবা ঙাইহাক লেপ্পি। নিংসা ম্বব শাংনা হোন্দোকই। ঙাইহাকসু লেপ্পা তাখি, নযেক উবক্লে। ঙসাইমখৈ খঙলুদে। নুমিৎ তাবে। মৈ থানগনি হায়বা কাউবু কাউকই।

টেক, টেক, টেক . !

মৈঙাল মৈঙাল মৈঙাল ! পুমঙাল ঙাল্লকই। ঐনা হৌগৎতুনা কাপ্পবা নত্তে। ঙঙৎনা যেংলুবসু তৌদে। কন্নানা থাল্লকইবা, অদুসু খল্লদে। ছোটে বাগাদুবনা সুইচ কাপ্পা ওইবিনি খন্দোক্লুই অদুগদি কনা ওইবম্মে ঐহাক খংপ্রেক খংখি।

"এঃ ইতৈবাই ! অমম্বা মনঙ কনাই লভ লেটর পনিনো !" ওবাসিনা অসি হায়দুনা টেবল মমাঙ য়ৌশিল্লকই - "চহী ৪০গী লভ জোন অমুক হৌদোর্দ্রা ?"

ঐহাক চিঠি লোৎশিনবা নংহৌদ্রে। কবিগীসু লোৎচনি। মাসদি লভ লেটর নত্তে নিংথেম লোন্দা হায়বগা 'নুংশি কাইহৌ চিঠি' কৌবদি যাই। ওবাসিনা বাহং, পউখুম পীদবদি যাবেই, নোকফেং তৌদগা মঙোন্দা মীৎযেং থম্মী।

"চুম্মা ওবাসি ! মী ওইবগী পুন্সিদা লভ জোন মবি থোক্লা যাহৌদোকই। চহী ২০/২০না কাড়প অমমম শাবিবনি, খোইদনা চহী ৪০গী তাঙ্কক হায়নবিবনি। মথংদা চহী ৬০ ! নোংচুপ লোমদদি চহী ৮০গী মথক্তা লেকাৰ্ডগীদমক লুহোংবসু য়াওই। চহী ৭৫ অসি ফাওবদি কোপল লাইফকী এফিনিটি ফজনা লৈনৈ। অসিসু পেসেন্ট কয়া থেংনবদে খঙবা ঙমলে। চহী নৌনা লুহোংবা ফত্তে হায়বসু সেক্সোলোজিষ্টশিংনা চাংযেং তৌদুনা পুথোক্লবে। মমা ওইবীশিংনা মচাশিংগী মমাঙদা ফিজেৎ ফিকেম হৌরোইদবনি, মনে মন্দোনশিংনা মযাবু অঙাং নবা ওইবিঙৈদা চাংযেং তৌবিবোইদবনি। মমেদা কমপ্লেক্স কয়া ওইবকই। নুপীনা খঙজিনগদবা নুপাগী মীৎযেং নাযেং কযাসু লৈ; শেগ্রাক উংপা, থবক উংপা তৌবোইদবনি। পাখঙ যেন্নৌশিংনা অহানবা চাংযেংফম অসি মৌ নহা, মৌযাই নংগ্রগা হনুবী ফজনীদা যেংনীংগনি। মসি মহৌশাগী পথাপনি। শা-মন্দসু যেংং। অঙাংনা চহী ৯/১০ সুববদি মমা মন্দোন, মচেগা হিপমিন্নহল্লোইদবনি। নুপাদসু নুপী পসু খাইদগী চেকশিনগদবা মতাং অসি চহী ৪০ অমসুং ৬০গী লাংতম অসিসুনি। নঙসু চেকশিনজৌ, বিচতা যোংবা পাখঙ যেন্নৌদা নমীৎকা খৎচিল্লুনু। মখোযনা মমীৎ খৎচিল্লকবসু শৃগৎলুনু।"

"পাবুংচা ! নঙগী বিসার্চকী থিসিস অদু তাকপীযু হায়বা নচ্চদে।" তবাসিনা নোৎশিল্লকই- "অমম্বদা পাবীবিবা ফোটি ইযাব লভ জোনগী লভ লেটব অদুবু চহী ৬০ সুববী নুপী কনাগীনো হঙ্গৎচবনি।"

"সিবনে, হে হে ! পেসেন্ট অমনা থাবকপনি। নঙ পানিংব্রা ?" ঐনা মতৌদুম যেংগে খন্দুনা নোৎশিল্লি "অদুগনে তবাসি ! ঐসু লাইনৌ নুবাবী অমদুম থিবগা অনৌবা নিংথেম নুবাবীগী ইদিসন অমা পুথোক্কুনা চাংযেং তৌসিবা খল্লিজাৎনি। অদু ওইবদি ঐগী থিসিস মপূং ফাগদ্রা খল্লি।"

"এং অং ! নচানুপা নুপী পাখঙ লৈশাবী ফাববা মতম অসিদা ঐদিকো হেক্তা চৎচাখনি।"

"হেবা ! ফাগী তৌবানিদা ! নিংথেম মঙাং সনাদি হিবুক অনীনা উপর্কন্দুনা [illegible], [illegible] পাম্বে লৈজদ্রে। লাক্কা ওইবসনু, লাইনৌ নুবাবি !"

"[illegible] লাক্কোইনো, ইচে ইবানীসু [illegible] [illegible] [illegible] তৌবিবনি [illegible] লাযবি, চা [illegible] [illegible]!"

"[illegible] কদায়দি [illegible] দোইনো ! [illegible] কদায় চৎখ্রে !"

"[illegible] কাখিবনি। ঐ চা লৌজাকগে।"

"[illegible] লাকখ্রৌ, ওইনা [illegible] কৈনো অমা [illegible]। [illegible] পান্ড [illegible]।

"[illegible] [illegible] [illegible]!"

"তবাসি ! ন[illegible] মিংগী অসিনবু !" ঐনা অসি হংবগা শমর্থখি, "[illegible] বুদি [illegible] ওইগান, ঐ [illegible] পাকপা [illegible]। ঐ [illegible] পিটালদা লৈকই ঐনা চাংযেং তৌখিবা পেসেন্ট অমা, মচা নুপা অমগা [illegible] অমগা [illegible] [illegible]। ঐনা সাব [illegible] 'ওভবী প্লান্টেসন' তৌবগা [illegible] নপীব [illegible] অমুক ওইনা [illegible] মায পাক্কে। [illegible] পোকপদা মেল ফিমেল আস [illegible] [illegible]। ঐনা [illegible] তোঙানবা মেল ফিমেল মবিদগী মহিক লৌবগা চটী ৬০ [illegible] নুপা অদুগী [illegible] থাদুনা চাংযেং তৌপা, ওাসদি মায পাক্লে।"

"অদুদি যাম্না নুংঙাইবা [illegible], যাম্মুং ! ইচেদসু তমজকগে, পূম্না চা থকমিংসি।" তবাসিনা ঙাইহাক খল্লগা কোৎচি অমা খংথা [illegible] "অদুগ নে ইতৈবাই ! চাংযেং তৌবনি হাযদুনা খুবাম চাউবদি [illegible]জনুকে।"

"[illegible]দ্রবদি, দোক্তর, সাইন্টিষ্টশিংনা মাগী মাগী, কদি হায়দি হইদসু ইত্রেক্তনা তৌবিবনি।" ঐনা ডাকথোকপা ওইনা খংমী।

"অদু ওইববসু, লিকশল্লু হায়বসিনি।"

"হোযনে, হোযনে চা লৌকবো।" ঐনা অমুক নোৎশিল্লি "অঙকপা চাংযেং মমসু তৌদৌবি, মদুসু লাইপুংথাগা পূম্না তান্নসি, নুপীদা অচেৎপা বা হাযবনু হাযনৈ চেকশিল্লবা মতামদদি নুপীগা বা তান্নৌ হাযবসু লৈবি।"

"ঐঙোন্দা অদুম হাযবো, পাবুংচা!"

"হোয়নে হোয়নে নঙদি লাইবাব চৎপী অমসুনি।" ঐনা অসি হায়বগা মখা শমথৈ- "অদুগুৈ নুবীকাসিনা ফোটো ওপবেসন তৌখিবগুম্না মীকোক অমা লেম্ফুৎলগা মী অমদা পানশিনবা য়াগদ্রা হায়দুনা দোক্তর যতিন ইবানীনা তান্নবি। নঙগীবা নচেগীবা ঙক অমা ককথৎলগা য়েংসিবা ?"

"চবোদা, অদুবু ওইথোকপা য়াগদ্রা ?"

"তবাসি ! ফাগী নত্তে, ওইথোকপা য়াবিজাৎনি। মশানা মনবী, মমায়না নুপী মায় পানবা লৈ। মকোক্রা শগোল, মশানা মী অসিনচিংবা কয়াসু লাই বাবীদা থেংনবি। ক্রোস ব্রিদিংবু ওইববসু শক্তমশিং অদু লৈবমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। খুদম ওইনা, হনুমানগী মমাদো য়োং নিঙোলনি, মপানা লাইনি। হৌজিক্তি মীসু লাই ওল্লবনি, মহৌশাগী নিযম নত্তবা মওংদা টেষ্ট টিয়ুব বেবী অসিনচিংবা কয়া পুথোবক্রে। অলিপুব জুদা নিংথেম জনা কৌবা য়াম্বুং অমা লৈ, ঐগসু খঙনকবে। মহাক্রা শগোলদা চাংয়েং তৌবগা 'মী শগোল' পুথোকপা য়াগদ্রা হায়দুনা চাংযেং তৌবি।" ঐনা অসি হায়বগা তবাসিগী মতৌ যেংনিংদুনা নোংশিল্লি - "নঙগী নঙক্তু চাংযেংগী ওইনা পীনোদনা। কুচমুবী সিষ্টব জেনেলাগী মশাদা পানশিল্লসি হায়ববু কবি খল্লি ? দোক্তব কয়াসু তান্নবে, ওইথোকপা যাই হয়দনা লেপ্পবে। সিষ্টব জেনেলাদি শিবসু য়াবে হাযবে। অনীমক হিংবা গুমগনি হায়বগী থাজবা লৈবে।"

"এঃ নুপী অমদু ঐ ওইয়ু সিনিনে .. ।" তবাসিনা শমথবকই - "যাম্বুংগী বাফম অদু অওইবা ওইনা খন্নবত্রা ?"

"ফাগী নত্তে তবাসি ! ঐখোয় দোক্তব ময়াম মুয়া খন্নবি, লাইবিক কয়া পান্নবি বিসার্চ তৌবিবনি।"

"আইদিয়াদি য়াম্বুংগী ওইবিনি ?"

"হোয়, ঐনা হৌদোক্লুবনি।" ঐনা ঙাইহাক খল্লগা শমথৈ - "তৌবদি নুবীকাসি কৌবী অমনা ঐঙোন্দা পীবম্না আইদিয়ানি। নঙবু নুবীকাসি কাউবত্রা ?"

"য়াম্বুং ! নুবীকাসি হায়সিবু . . ।"

"অদুগুৈ, চহী ২০গী মমাঙদা গেম ওফ জোক্কী অহিংদা নিংথেমগী নুবাবী নম্বব বান তাখিবী অদুনি . নীংশিংলিদনা ?"

"নীংশিংলি। তিম্বুন-নাপুন মানবীদো ! অদুবু, অদুবু ।"

"ঐঙোন্দা থোক তৌবম্লগা অহীং অদুদা অদুম মাঙত্রবনি। মাগী বামীৎ অদুদি খন্নবা য়াবা বাফম অমা ওইবক্রে।" ঐনা খুম্মী।

"এঃ য়াম্বুংগা অহিংগী অতিথি নুবীকাসিগা তশেংনমক লৈমিন্নখিদত্রা ?" তবাসিনা খঙনীংনা হংলকই।

"তবাসি ! মীশক্তা ফোটোগা ওন্নখিত্রা হায়দুনা অসুম চিংনবক্রে। অদৈদি, হিংলিবী মীদা চাংয়েং অসে তৌনীংলকইবনি, ঐনা বাখল অসি খল্লকপা কুইবে। ওইথোকপা য়াগনি।"

"ইতৈবাই ! ঐদি নঙগী বাফমদু ফাগী তৌবিবোই খল্লুই, ঐসু থাজে, শোযদনা ওইথোকপা যাগনি।"

"তবাসি ! অদুদি নঙক থাংদোকউ, ঐদি যাম্না সিবিঅস ওইনা খল্লবনি। হৌজিক্তি, কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌবে, মীৎ শিন্দোকপা যাবে, হার্ট শিন্দোকপা যাবে, ওভবী ট্রান্সপ্লান্ট তৌদুনা মচা পোকহনবা যাবে। অদুনদি নঙক মীংক ওষ্ণাং ওনশিনগী ওপবেসন অসিমক্তংদি যেংনীংলি।" ঐনা শকফম হঞ্জিল্লগা নোংশিল্লি - "নহাক নশানা যাববদি ৩যেংমক বোন্দ সাইন তৌবসি হাযববু ..।"

"ঐদি ঙম্মোইকো, ঐদি ঙম্মোইকো . .।"

"অদুদি নচে কৌবকউ।" ঐনা তর্কশিল্ল।

"যাবোই, যাবোই ইচেগোস যাবোই, শিববসু ২ না নুপা ৭, নুপা লাখ কযানা পাংথোক্লগা সাইন তৌনৌ। ওইথোকপা যাবা ট্রান্সপ্লান্ট মখল অমনি, মায পাকপদি ওইহন্নীংই।"

"অদুদি ইচানুপী থোইসনগা থাসনাগা ওম্বোক্লবা ঙাইদনা . ঐদি চাংগেং অসি তৌবগে লেপ্লে।"

"কৈনোনে, মোই পাবুংচা !" তবাসি ফ্রিং লাউন। শাউগং লকই অদুগা শমথবকই, "ঐখোয ইমা ইচা নংত্রবদি চাংযেং তৌকম লৈত্রবো ? চা পীথকপকা লাযবি, ঐ চংলে।"

তবাসি থোকখ্রে। ঐগী ইথক্তা পিক থিক নোক্লনা লৈহৌই।

৪৫

ইচে ! ইমাসি দবলগী চিঠি।

মতাং কদায যৌখ্রবা ! ইমাগী খুৎনা নর্নশিন্দুনা পমলি। পাবা লোইর্খিদ্রে। মাসু চষী ২০/২০ লৈনগা ঙাওবা হৌখদৌনা তৌবি। মাগী অহানবা চষী ২০গী জোন্দা নিংথেম লাবাসনাগী নুবাবী ! মাগী ৬১ ৪০গী জোন্দা নিংথেম মঙাংসনাগী নুবাবী ! চষী ২০ লোৎলুবগা অমুক মথি ফোঙলক্লে। নহালখৈনা কদাযদা লোৎলুবিবা ? তৌজিক্লা, চিট্টাগোংদা কমদৌনা ? মাগী চষী ৬০গী জোন যৌবকপা অসিদা নুবাবী সাগবগী নুবাবী দ্বীপ্তা মিশুন অমুক চোংলিজাংলা ? মহৌশাদগী চুমদুনা লৈবক্লবনি। সেক্সোলোজিদসু, মযেক লানা থেংনববা সেক্সুযেল এফিনিটি মখল অমনি। মসিবু কনানসু নাম্বোকপা ঙমগোং নত্তে। মকওইনা, পুংবা কাইববশিংদা থোক্লল্লি। অদুগা, ইমাসি দবলদি ? মাগী মতৌ কনানা খঙলুগনি। মাগী চিঠি ইবা যাবমখৈ হেক্তা ইজসনু, লোইনবা পাবদি তাই।

"মোই পাবুংচা !

মিংলেন অসি অমুক কৌজগে। হৈ ! ঐবু ওইজবা থিবী, কেশিনবা, নপশিনবা হৈবী, চলু মপী অমনি হাযদুনকাদি খঙ্গ লাকচনু। ঐগী ইচা নিংথেমগী মপাবুংনি হাযদুনা

কৌথা নপ্তেকো ! 'মোই' হার্যসিনা কোনশিনবা যাবসি যামগ্রে, মোই যম্বুং, মোই তামো, মোই বাজি। 'মোই' হার্যসিবু কনা কনাবুনো ? ঐনা নঙবু কৌবদি অতৈগী নপ্তে, নহাক্তি নচামবিগী অফোঙবা মপানি। ইচবা ইশ্বা মথোযগী যেংদুনা নঙবু মোই পাবুংচা কৌবীবনি, যাইদনা ? ইমাগী চিঠিসে নীংশিং নীংশি ং ইবনি। মমৈ মকোক শন্নদসনু। হেদ টেল ওন্নবসু কৈদৌই হাযবগে ? হেদ টেল পনবদা, ন. দি তিং লা ওর্বনি। ন ওনীং লা ওজৌনা। টৌজিকপ ওম্বাং ওনশিন যাখিদ্রা ? পুলি লাইমন ওইনবনি, হর্কচিগ্না বাখল খঙ্গিন্নুগনু। ফোটোদবু চান্নব খিবগা মঙক্কা মশাগা ওম্বা, ওনাশন যাবৈ ব্রানি। হিংলিবা মাদদি পাক হেক চাংযেং তৌর্কখিনু। হোৎনবদি লেপকনু। নঙগা খবা হেয়া চান্নজবী তবাসিগী মশুক লেচ্ছুংলগা কুচু অমুবী অমদা পানগে হাযদনকা হোৎনবনু।

ইমা খঙলে ! শকমান্নি ফাইবোক পুংবা পান্নবা হাযবা অসি চপ মান্নবা তেঙ্গোৎ অনীদা চপ মান্নবা ছনা থোংবা হাপ্পগুর্বনি, নৎত্রগে ? ওই ! নঙসু চহী ৪০গী দোন হৌবব্রা ? তবাসিগী মশুক ককথৎলগা কনা শিন্দোক্কে খল্লিনো ? ইমাসু লাইনিকো। নশক ইশক উন্নদ্রবসু নঙগী থম্মোয মনুংদদি ঐহাক লৈদ্রিদাই ! নঙনা তৌবা লোইনা উই ইমাগী মাযথোং খজিক্কুং খুইবপ তৌববস ফজবিজাৎনি। নোংচপলোমদদি মাযথোংগী বিংকলদা মী গুওনৈ। ইগুক মসিদুম ককথৎলগা তনুসদবা, তবসিদবা পানাশনবীযু। অদুগা চাংযেং তৌবীযু। নৌরাদবী ইমৌ অনী অদদি শাকপা যাবোইকে। যেংলেই নিংথেম ! চহী নৌবিঙৈদদি ফাইবোক পংবা পান্নবাস মথেল অমগী অপেনবা তৌবমগান। চহী লিশিল্লক্কবদি লভ এন্দ লষ্টিগী চাং হন্থবর্কনি, মহুৎ ওন্থবনবা পোক্কর্কনি। মসি লাইভ সাইকলগী হৌনশানি। মী ওইবগী অপাম্নদি মপান লাইদ, ইবম খুদিংমক্কী বানি। যুম্বান্নবিবা নুপা নুপীগী পুক্কিদা বোবিং চুবকপা মতাং লার্কনি। ইমানা দাযবদ ইনম্বদো নীংশিংলিদনা Routine of life goes on অদুনা নুপা নুপীশিংনা মতম ২বা খাইনবদি নত্তনা লাপথোক্কদুনা লৈনবসু যববা খল্লি। অমুক হাঞ্জং বকপনা নথোযগী প্রমাণ অমসু লৈবদাই ? নীংশিংঙে, নীংশিংঙে হঞ্জিন চাবোক !

হৈ ! ব্রাখল শেবানগনু ! নঙোন্দ কাইহৌজবগা নচদে। ঐহাক্তি নাম মল চৎলগ তৌবি। ইমৌ অনীদা কাযনৌ হাযবসু নপ্তে। মচা চাওববদি থ্রি ওইবা । কদায কদাযদনো কোইবা পুথোক্কুনা পুম্মিবু যেংঙু হাযবনি। দোক্তবনি হাযদুনা নোংগুনবদৈ অহিং ফাওবা হোসপিটালদা লৈথোক্কুনা কৈদৌবিবা .. তৌবুদি শিনযর্মনি।

অতৈ লাযবি, ঐগী দাযবীদো নখূৎ চঙলব্রা ? কবি কবি, কৈবেং তুবেং ইজনুকো। অহাংবা লামার্যশিং অদু মেনশিল্লবোই হার্যবিব্রা ? ফবে, ইবিবনু। অদো ইপিলোগ অমত্তংদ ইবীবা যাই। ঐ খঙই, নঙনা কৈবেং তুবেং খবদি ইবন্নগনি। দাযবীদো ইচা কৈফাদা শিন্নবকউ। নীংশিং খুদম ওইনা থমলগে হাযব্রা ? অদু ওইবদি পবেং খবদং থম্মোযনুংগী বাযাবলেস্তা মেসেজ ওইনা কাম্নীবকউ, ইমীৎ পেয়া পাজগে।"

ইমাসি ! ইমাসি দবল !

নিংথেম পুযাদা নঙগী নমিং লাচল্লে। নঙগী দাযবীগী অবোইবা লামাযদসু ইপিলোগ অমা ইজবে। পাজবক্কে তাবীযু -

"চিট্টাকোংকী ॥ সুর্বমিলা সেন কৌপীনা ॥ উকউংপী ঈথংতা (হুযিল্লব আইলেন্দতা) ॥ ওংখিতুনা॥ নৈশা ফায়ে।। নিংথেম লাপাকী॥ নুবাপী মিংথোল ফংখিযে॥ নিংথেম নুবাপী॥ অনীতি॥ নুংশি হাইথুংনখিতে॥ সুর্বমিলা কৌপীতি। চোইনৌ সনা অশেংপীনে॥ সমুদ্রকী নাইতোম পাইপী উচেকনে॥ মশাপী নিংথেম লাপা সনাগী॥ ওবাযনা নিংথেম মঙাংসনা॥ কীতুনা অমুক পোকএ॥ নিংথেম নুবাপী মমা মচা॥ বংক সাগরতা নুবাপী দ্বীপ থিপা কোই মইল্লযে॥ নুবাপী অবিপীতি॥ ইমাপি নুবাপী মিংথোল ফংখিযে॥ শাইশমঙ মিংথোলসু ফংপীনে॥ শযোন লাংওনসু হৈপীনে॥ বংক সাগরতা লুপখিযে। অসুম্মা বাখৈযে।। নুংলোৎ থম্বাল রাতি অমনে॥০॥"

(ইমাসি ! ইমাসি দবল ! তবীবিরা ? নচানা লাচল্লিবা পুযাবোন অসিবু কমদৌবগে ? নশানা যাবেকো ? মোহব নমজবগে, তস ! নমজে।

যেংঙোই ইমাসি ! নহাক্কী চিঠি ফংদ্রিঙৈদা দাযবীগী ইশিলোগ হান্না ইখিশনি, কবম্বু হোংদোক্লগনি ? হৌজিক্তি নহাক অমুক হিঙ্গৎলকলে। নিংথেম নুবাবীগী অনৌবা ইদিসন অমা অমুক থোক্লবসু কনানা খঙবা !

ঐহাক হৌজিক চমম্লবি। নচানুপা নিংথেম কৈফা পৰ্ণজল্ল কুনা তৎখিবা নীংশিং বাবী কদাগবাইদা অমুক শর্মাজিয়গদৌবিবা ! নিংথেম নুব্যবীগী সেকেন্দ ইদিসনগী বাবী লৌইদ্রিবনি। হৌজিক্তি ঐহাক ক্লাশ ফোবৰার্দ শাম্নজববোই। ফবে, চিংথহৌবা কযাদো নিংথেম পুযাগী নুংলোৎ থম্বাল লাতমদা নৌনা অমুক লেংজবগে।)

"মঙাং মাযচৌ !

হৌজিক্ত নহাকপু মঙাং মাযচৌ কৌবা যাবু যাবে। সুকুদানা পীবম্বা মিংথোল অদো হেন্দোক্লা মবম চাবে। নঙগী থম্মোযনুংদা লোৎলিবী নুবাবী অঙাওবীনা তশেংনা উজে। ঐ খঙঙি, নহাক্লা ফজনা ইবীবমগনি হাযবা। অদুবুনে, মাযচৌ ! ইমাবু লাইশমঙ, অহিংগী ঙাবাকপী হাযবা মিংথৈ অদু পনবা কাউনুকো ! ইমাদি তঙাইফদনা লাইশমঙ অমদি অহিংগী ঙাবাকপী অমসু ওইদবা যাদবনি। ইমানা নঙবু লাইশমঙশিংদগী ঙাকথোক্কনি হাযখিবদো নীংশিংলিদনা ? নঙগী মঙলানগী নুবীকা ! নঙনা থিখৈ খিবগা, কনা ওইবম্মে ? ঙকলিনি ! মবমদো মথং মথং থেংনবকখিনি, অমবু ওইবে, শাফোঙবগী তাঞ্জা অদু খঙহৌদনা থোক হেক লাকখি। নুবাবী লোট্রবীদা ফাওনবসু শিনখি। চিট্টাগোং নমাসিগী থৌবাংসু ফেল ওইহনখি। নঙসু চালু মপীনি। অদুবু প্রবিন্দানা তৌখিবা হাতকী সফাইদি নহাক্লা উখিদ্রবোই।

অপঙবো ! লোট্রবীগী চেকোন খুদিংমক্তা নুবীকা বেগমগী মমিং ঙাক্তনি। ঐগী ইঙ্গিং মতুং ইন্না জোকাব প্রবিন্দানা অতৈ মযাম অদু শেবান তুবান্না কেবী সিষ্টব, তনুজা সিষ্টব, মেনকা বোই, শ্রীমতী থানিদলসনা হাযদুনা পাশিনখিবনি। হৈত্রা, মেজিক ! ইমানা নমদুনা নুবীকা বেগমগী মমিংদা নুনাবী নম্বব রান অদো, থোক হেক ফাওনবা শিনবনিদো। অদুগনে, নিংথেম ! বেনুকা কৌবী হৈথোই শিংথোইববী নুপী অমগী মতেংদগী সুবমিলা সেন্না নুবীকা বেগম ওনখিবনি। বেনুকা কনানো খঙব্রা ? এঃ হৌজিক ফাওবা নঙগা থেংনদ্রিব্রনে ? লোরী আইলেন্দদা থেংনবমগনি খল্লি। এনি বে, মহাক ফিল্মগী মেকঅপ

তৌবা অমদি ড্রেসনচিংবা কন্যাগী দিজাইন্নব অমসুনি। মহাক্লা খাবা শেদ পাক কোকপা জাং নত্তে। এঃ ফিনুংগী টেট্টু যেকপসু হৈথ্রপোংনি, সম্বু নম্বসু। ঐসু খবদি ইবং থাংজৈদো। মহাক্লা হকচাং পূম্বা মচু শংবা মংমদ, ফি মচেৎ অমওা থোংপিদে। মিংশেলদা ইথন্তা যেংজখি, কযাদি ফজপ্রে। সুর্বামলা সেন কৌবীনা শংবানবী নুবীকা বেগম ওনশি হযবা অসি নওবু খওখিব্রা ? নওগী মদপ লুবাং মাযচৌ পুঙ্গিনদি খওগুম তৌখিমাল্লে। নওদি কোয়া খওপা ওইর্বানি। নঙোন্দ যেটে মচেৎ থাজিন্দুনা সিট কর্না বী নুবীকাবু নিংথেম নুবাবী মকোব ওইহনগনি হাযদুনা বাশকখিব্রা মমক ওইববসু, ইমানা তৌখবা পুম্নমক্কী মবম লৈ। তঙাইফদনা, যাম্না তঙাইফদনা, মাযাওল তৌখিবগী মবমদো হৌজিক্তি পজবো।

লৈমবেন সিদকীগী শান লান ৭পু নহাক্লা খওবা ওমখিব্রা ? থৌবাং শিনবা হৈবী নঙগ। নমাসি চট্রগো লাইনুবীগী কপানি। নহাক্লা নঙেন্দা ৭ইনুবী ৭যুর্মাদিনঙৌ হাযদুনা নব থোকখি। নমাসিং মচান্দো কদাযদৈ লাই তোখত্র ! নমাসিনী কেই মদুনা ৬সু মে তাইং অমদা ঙাওকই। নমাসিনা খঙলকই। কদাযদৈ ইনুবী ৭ থিবগা নঙোন্দা পাদনল ? নমাসি লাইনুবাবি নকেক নবাদি লজাংর্নি। ঐসু মাগ পাখোং ফোংগনি হাযদুনা লেপাহ।

ঙাকর্পগনি ! নুপী অঙাওবী ঐবু ঙাকপীগনি। ঐসু মত মতাংগী ওইদবা খবদি শংথ্রে, তঙ ইফদনা উৎপাং খবসু তৌদবা যাব্রদে ? ঐসু পাম্বে অত থিবকপদা, ফুল সুবেস উন্নখি। মাগী পাতাক মতুং ইন্না শাযোন কুম্মা শান্ননাংখি। নঙগী নুংঙোং থম্বালগী পুযাদা নুবাবী ৭কী শাইযেক্ত কমদৌনা যেক্লৌবি ?

হাই, হাই ! চিট্টাগোং লমীতাবী ! হলা বা নুপা নত্তে। তশেংনমক শাইনুবাবীনি। ইহে, ঐদিনা ?"

চিঠি পাবা ঙাইহাক চেংপ। চেংপ হৈশিন্না নুংমীৎ শান্নকই ' চহী কযা মমাঙগী অহিং ৭ ! নুবাবী ৭ ! ঙসিসু কপগী কাউকগনি ? মচু ৭কী নুবাবী ৭ ' নুবাবী শাযোন লাওন ' মঙলা তাইবংলা ? ইমাসি দলং। চিঠি মখাদি কবিবু হাবিগবা ? পাং তাই, ফনবু নুংঙাইহন।



"নিংথেম !

মসিনা লান মমাঙদনি !

পৃথিবীগী অনৈ সুবা লাঙ্গাওগী বা নত্তেকো। বাংলাদেশ নীংতম লানগী বানি। ঐগী দাযবীদা ইবিবা শোক তাবিখ, কাউদ্রি। জনুবাবী ১,১৯৭০ ! চিট্টাগোং লাইনুবাবীগা অবোইবা ওইনা অমুক উন্নখি। মচু শংলবা নুমিৎ অমসনি। নহাক্তি শান্নবা চংখি হাযদুনা লৈবমদে। নমাসি ইবানী বাবী কযামকম শান্নখি। মচং হবদং লৌখৎলগে। ইমাগী সনা মতুম ! ঙসিদি তাবো, নমাসি পুংবাগী বাবেপ।

"সুবমি ! নঙ ফজনা জ্ঞান তাবেকো ?" লাবীনা লোইশিল্লকপা ওইনা হায়বকই- "মতিক চাবা নুপা অমা থিবগা নয়ুম পাল্লু।"

"লাবী ! পুন্সিগী নুবাবী ওইদুনা অদুম লৈজবগে।" ঐনা খুমখি।

"সুবমি ! ময়ুম পান্দবা নুপা নুপীদি শিবগা স্বর্গদে ইম্বুবকই হায়বনি।" লাবীনা মখাতানা নোংশিল্লকই - "অদুগা মপানথোংদসু, মী অযাম্বনা থাজবীদবনি।"

"অদো, লোন্না পানবদি স্বর্গ কাবা যাব্রা ?" ঐনা হংঙি।

"নুপাবু কনানো ?" লাবীনা ঙাইহাক লকক তৌবগা হায়বকই- "গৌতম বোই কৌবা নুপা অমা লৈ হায়দুবা ?"

"অমবু ওইববসু, যাব্রা হায়বা ?" ঐনা নোংশিল্লি।

"অদুদিনে সুকুদাদা হেক হংঙু।" লাবীনা খুন্মী।

"চো, অদুবু ইবুংদ হংবা যাবা বাফমলা ?"

"নত্তে সুবমি ! নঙনা পার্মালিবসে কবিনো ?"

"ঐওন্দা অঙাওবা রাখল অমখক লৈবে।"

"হায়যু তাসি, কবি রাখলনো ?" লাবীনা মমীৎ লংখৎলকই।

"ঐনা চাংযেং অমখক তৌনীংলক্লে।" ঐনা হৈদোকই।

"কবি চাংযেংনো ? হা ! কবি চাংযেংনো ?" লাবী মমীৎ লংখৎলকই।

"অদুবুবো . . !" ঐনা ঙাইহাক খল্লগা সৎ হেক্তা নোংশিনখি- "নিংথেম মঙাংসনাসে ঐহাক যোকচবগে।"

"হা ! নঙসু কেবী সিষ্টবদৌনা অঙাংফাবী ওল্লগেবা ?" লাবীনা ঙাইহাক মুন্না খল্লগা হায়বকই "নিংথেমসে হৌজিক্তি নিংথেম কোল্লপ্তা চঙহন্দ্রবনি, ঐনা যোগ েবাপিগী পাম্বৈনা লাযেংগ্রবনি। অদুবু মব্দ ফংনা মাঙহনর্বদি ঙমদ্রি। মনে অনীসু ঐনা ধুন্দকপ্রবনি।"

"লাবী ! ঐহাক অঙাংফাবী ওইগে হায়বা নত্তেদা !" ঐনা মখাতানা ফোঙদোকখি- "নিংথেম লাবানা, লুহোংদ্রিবী নুবাবী ঐবু মমাসি হায়বা মিংথোল অমা পীবমলে, ঐসু ইচাগী মমা হায়দিকো, মাবু ... !"

"এঃ ঐ ভাব তাবে।" হৈশিংগ্রবী লাবীনা মোমোন তৌবগা সৎ হেক্তা হায়বকই, "সুবমি ! ইশানৌ নুবাবী ! ঐনা কবিগুম্বা শিগ্রবদি নিংথেম মঙাংসনাবু নহাক্না শেন্নবীয়ু, ন উকোনবীয়ু. ঙাকথোকপীয়ু। পাখোং অমা চল্লগা মহাকপু থাবক্কে, নহাক্না পাখোং ফোঙজৌ। পাখোং ফোঙবা ঙমদ্রবদি যাবোইকো।"

"লাবী ! নিংথেমবু, নুবাবী ঐনা কমদৌনা ...?" ঐনা অমুক কোংশিনখি।

যেংঙোই নিংথেম ! ঐসু কোচি কোংপসি যাম্না হৈজে। নমাসি লাইনুবাবীসু লমযৌবীনি। অদুনবু কাইনথংদা অমুক পুংবা ওইবিবনি। অবোইবা উন্নবগী মতুংদসু

অবোইবগী অহৌবা উন্নবা হায়বা অমা অমুক লৈববে। নমাসি লাইনুবীনা পীখিবা বায় অদো, হৌজিক্তি হায়দোক্লগে, নহাক মুন্না তাও-

"সুবমি!" লাবীনা ঐবু নুংশিনা কৌবগা ঙাইহাকসু চোঙ্খবগা হায়বকই, "নিংথেম মঙাংনা হয়েং পাখঙ ফাবকপা মতমদা নুপী তৌওগ্নী খবনা মাবু কোয়তান্নদুনা মওং তাদবা য়াই, হাংখিবসু য়াই, মাদি ফাইবোক পুংবাদা ঙাওবদৌনা তৌবা লায়না অমা লৈবনি অদুগনে মনে গুপ্পী, মমা গুপ্পীদসু মিতাবগী লায়না অমা লৈবা উবে. অদুনা সুবমি ...।"

"লাবী! ঐবু কৈদৌ হায়বনো, শেংনা হায়য়ু।"

"খঙদে খঙদে, সুবমি!" লাবীনা নোকফেৎ তৌবগা শমথবকখি- "ইতা ইবেম্মা নুংশিবী! ঐগী ইচা নিংথেম মঙাংসনাসে ঙসিদগী হৌবদুনা নঙগী ওইনীংবা হেক ওইজবো নচা ওইগেবা, নবা ওইগেবা। ঐনা অয়াবা পীববনি, মদুদা কবিসু য়াদবা লৈতে। নিংথেম পুয়াদসু, নুংলোৎ থম্বাল কৌবা কোর্বেক্তসু 'ইতুমা' শান্নখিবা নিংথেম কয়াগী ব্রাবী থেংনৈ। তৌবদি সুবমি, পানগী বানা অমনি, নুংগী বানা অমনি। মসিবু নিংথেমলোন্দা 'লৈমবেল শায়োন, সনামহি লাংওন' কৌই। লাংওন লাংদাই শিন্নজৌ ... নিংথেম মঙাংসনাগী নুংদা লোৎতুনা লৈবিবা কমপ্লেক্স অসে নঙতনা লাযেংবা ঙমগনি। লায়েংবগী পান্নে অমা ওইনা 'পাখঙফাবী' কল্ট হাযবা অমসু লৈবি। অদুগা নঙসু ঐগী ববদগী মবুকথোক্কী মচা নিংথেম অমা হেক ফংজবা ওইয়ু। মসিনা অবোইবা চিনকোইনি।"

"অস! নিংথেম!

ইমাগী চিঠি মুন্না পাবিকো। য়াম্না নুংঙাইজাৎনি নুমিৎ অদো! ইমাসু ঙাইহাক্তি জিং লাওখি, ইকায়বোই কবিবোই হায়ফম খঙখিদে। অদৈদি, ঐহাক্না ফুক হৌগৎলে, নমাসি লাইনুবাবীগী মখোঙ শোক্তুনা থোক হেক খুকমলগা হোৎতুনা চেল্লক~ চেল্লকপসি ...।

ললীতাবীনা লাওহৌই- "হৈ অঙাওবী! নঙবু ঙাইখোনে, নিংথেমগী নুবাবী অঙাওবী! ফবে ফবে, শংবানবী নুবীকা কৌদুনা শায়োন লাংওন শান্নজকবো।"

নমাসি লাইনুবীনা ঐবু খাম্না তাবমদ্রে। অদুম চেন্ন- চেন্না বঙ্গ সাগব মপান য়ৌবকখি। ঈশিং মনুংদা ফন হেক চোংথদুনা মীৎ উইশিল্লগা অবোইবা ফিবেপ অমা লৌজখি। বঙ্গ সাগবগী মচা নুপী শংবানবী ওইদুনা ফাওগৎলকই। ভাব তাবিকো, নুংলোৎসে।

অদৈদি লাইভ সাইন্স নৈনবা হৌবকখি। শায়োন লাংওনগী ইমিংসু নমাসিনা থিন্দোকখিবনি। নুবীকা! কয়াদা ফজপ্রবা মিংনো, ঐনসু য়াম্না পামজখি। নমাসিগী ব্রাবেপসু ফজে। নমাসিগী পাখোংসু ফজে। মসিবুদি কাইনথংদা নঙোন্দগী তাবনি। ঐ স্বাই লাওখি। অদুবু কবিসু খঙজিন্নদবা শাদুনা নিংথেম নুরাবীগী শায়োন কুম্মে শান্নবকখি। ঙসিদিনেহে, চিট্টাগোং নমাসিগী নুংশিববা খোঞ্জেল অদুমক্না ঙাংলকপদৌনা খোম্বাং য়ৈদুনা নীল্লবি -

"...ফংগনি শোয়দনা, নুবাবী সাগবদা নুবাবী দ্বীপ! নুবাবী মহল শাউ, লাইনুবী ৭ যুমদিনজৌ ...।"

যেংঙোই, নিংথেম! নঙগী চিট্টাগোং নমাসি লাইনুবাবীসে পাখোং চনবা হৈত্রনে? নঙবুসু ঐবুসু মাগী পাখোং অসিনা পুমঙাও হেক ঙাওহনখি। নত্তে, নঙবু লাইনুবী ৭কা যুমদিন্নত্ৰা? মফমদি কদাযদা? নুংঙাইজাৎনি, নখোযগী শাযোন কুম্মে। অর্থ হন্দোকপা হৈত্রবদি সর্ব্বনাশ! চমদ্রনে, নিংথেম?

খঙজবে, তাজবে হৌজিকপুদি। লাইপাখঙ শকহেনবা নঙদি নুবাবী নৎত্রগা লাইনুবী ৯গী মবুংঙো ওইখ্রে হাযবসু খঙদ্রোই নীংব্রো? নঙ নথন্তনা লাইবুংথৌ ৯গী শক্তমবু কমদৌনা লাংবা ঙমখিবা! নঙবু লাইবা যাদু মন্ত্র হৈব্রা? নঙদি মহানি, মহাকামদেব! নঙগী অবোৎপা লাইনুবী ৭ অদুবু কনা কনানো? অসুম হংজবান। লোৎনীংলবস লোৎচবো। লাইপুংবা নুবাবী থাববদি নিংথেমগী নুবাবী ৯ সুবমলগনি খল্লি। নঙনা মঙখিবা লাইনুবা ১০৮গী মঙ! হৌজাক্ত নমফুদা চুমথ্রবোই, ৯না মপুং মশী নি। নঙনা ঙমজবগা 'কমলক - বন্দ ৯৯" থিগে হাযববসু হজৌ। মখোয অদুদি নিংথেম পুযাদা লাচনবা যাবোইকো। - লোৎ থম্বাল পুযাদ ইবদি অথিংবা থমদে।

অদুগনে নিংথেম! নুবাবী মহলগী বনা সক্তেবাদি 'লাইপুংবা নবাবী' মচান হনা ওনা ওইবসনু। মকানানসু ওইযম থোকই। হৌজিকসু হিবান হিঙাই তৌদুনা নুবাবী শাযোন ৭কী শাযোন কুম্মে শান্নজবি হাযদুনা তায। মবানীবু 'নুবাবী পুংবা' কৌদুনা নিংথেম পুযাদা লাচনবায়ু। ঐনসু ওঙ্গোক্না নুংশিজত্ত্রবী ইশানৌ নুবাবীনি। ইহে! ইথোকপ্রে, অমুক ককথৎলবোই। ইমৌ পুংবানি হাযবনিদা। পুন্সি তোলোইনা হিংমিল্লৌ!

ঐখ্রি নিংথেমগী নুবাবীনি, নুবাবী অঙাওবী, হৌজিকসু ঐ ঙাওবিজাৎনি। অদুবুনে, নুংদা লোংপী 'সিদবী' ওইনা অদুম লৈজনীংঙি। নুংলোৎ থম্বাল বানা তেংঙানবনি। নঙগী পঙ্গনী মচু শংলবা অহিং ২! নমাসিগী যাথং ঙাকুনা নুবাবী ৭কা লৈমিন্নখি হাযদুনা তাজাখ। মখোয অদুনা নঙোন্দা কবি কান্নববা পাবা ওস্বাখি? দোক্তর নিংথেম! নুবাবী হোসপিটালগী মেনেজিং দোক্তরনি! হৌজিক্তি নহাক মমিং চৎলবা সেক্সোলোজগী কন্সল্টেন্ট অমসু ওইবে হাযবা তাবে। অহিং ৭কী লাইনুবী ৭না নঙোন্দা পীখিবা গাইদ লাইন মযামদো লোংশিন্দুনা থমগনু। নঙগী পেসেন্টশিংদা অমদি মাস মেদিযাদা মেসেজ অমদি পীহন্নীংই। মতাং চাবদা 'নুবাবী ৭' কৌবা লাইবিক হেক ফোঙদোবকউ।

নত্তে, ঐগী অবোইবা চিঠি অসিবু কমদৌবগে? অসুম অসুম পাথৌকো। লাষ্ট ক্লাইমেক্স অমদি শোযদনা ওইববা যাই। ইহে! অতৈ ইবাইবু হেক লাযবি, নীংশিংলিব্রা সুবমিল্লা কোটেজগী অহানবা অহিং?"

ঐহাক চিঠি পাবা লোশ্লি। ইমীৎ চেজেৎ উইশিল্লগা নুংমীৎতা অসুম অসুম চিংশিল্লুই। ঐঙোন্দা লৈবিবা চিংশিনবগী শক্তি (পবার ওফ কন্সেন্ট্রেসন) অসিসু অঙকপনি। মনুং

মপান ফাওদোক্তুনা পোৎ পুন্নমক শং-শং হেক উবা ঙম্মী। অঙাং ওইরিবিঙেদা চিট্টাগোংগী যোগীমানা তম্বীখিবা যোগ সাধনাগী শক্তি অমদি মঙাল, ফজনা হেক্তা ফংব্রবজাৎনি। ঐনা লাইর্বিক পাবা মতমদা চেমায় অদুগী ৱাংমদা পুক্লিং চোইথোকখিদে। লমফৈ ৱাখল অমত্তসু খনবা তৌখিদে। নুংমীৎতা লোৎতুনা লাৎচবিবা মুর্তি অদুনা মখূদোল্লী থিদোক্তুনা হেক্তা চৈবকপদৌনা খংপ্রেক হেক্তা খংই। হেক থংনবা মিকুপ্তা লাইরিক্কী চেমায়দা মীৎয়েং থম্বা তাখি। অদৌদি, তবানু-তবাবী মচীন মনাওগী মুর্তিসু হেক্তা পাইথোকখ্রিপোর্ৎনি। অসূক্কী মতীক হৰ্কচিনব্রবা ঐগী নুংমীৎকী ভৌবোক হেক ভৌববা ফিজংদা মচু মচুগী মাযথোং থম্বাল .. অহিং পরেংগী ৱাবী - কৈদৌঙেদসু মুৎথৎপা ঙমখিবোই। ঐনা ফংখিবা জ্ঞান পুন্নমক, ঐগী পেসেন্টশিংদা ওইনা পীজবগে। সুবমিলা কোটেজগী অহানবা অহিং অদুসু মক ওইথ্রবা অহিংনি। মদুবু নাখৈবম্বা যাবিব্রা ?



"তস ! কমদৌই !

ঐগী মিসনসু মায় পাক্লে। ঙসিদি ঐগীসু ফংলেদনা, ইচা নিংথেম অমা ! হৈ, নঙন্ নত্তেকো, ঐগী ইচা নিংথেম কৈফা ফংজবে হায়র্বনি। ঐগী ৱাবেপ অমসু হোংদোক্লগে। নঙগী অয়াবা লৌদ্রবদি য়াদে। অতৈ নত্তেদা, ঐনা শিবা মতমদা ঐগী ইবুকথোক্কী ইচা নিংথেম কৈফাবু চিতাগী মৈ চুহল্লগে। নঙ তৌবীবনু কৈসু ! অদুবুনে, ইশাবী নিংথেম ! ইমীৎতা পি চদুম চদুম তাবমখৈ হায়জবি, মৈ কোইবদি ইশাবী নিংথেম নহাকসু য়াওবীয়ু। নহাক নত্তনা ঐগীদি কনাসু লৈতে। ইবুংসু খঙহৌদনা নোঙ্গাব্রে।

মসিমসু তাজৌ, নিংথেম মঙাংসনা ! ঐনা ইবুকথোক্কী ইচাবু নিংথেম কৈফা থোল্লিবদে খঙব্রো ? চিট্টাগোংগী কৈ ওল্লগা শকলোৎপা মপা নিংথেম মঙাংসনা ফাকনবা থোনবনি। ফাগী তৌবনিদা। ঐহাক ৱাবৌজদে।

ইংথখোনে থংলেন মাঞ্জ পাম্মুবা ! ঐহাক খল্লল চাউবী ওইবম্মী। ওইদবসু যাদবনি। ঐগী ইনম্মা ওইগে তৌবম্মা ললীতাবীগা ঐগা কমদৌনা নিংথেম লাবাসনাগী লোল্লবী ওইদুনা লৈমিন্নকগনি ? ললীতাবী নত্তবা অতোপ্পা নুপী অমা ওইবল্লর্বদি ঐসু য়াবম্বা য়ার্বনি। কায়নথংদা য়াম্না নীংঙল্লকখিদে। ঐনা মবম ওইদুনা নপাবুং লাবাসনা সুইসাইদ তৌগ্রে। নমাসি লাইনুবাবীনা লুহোংবগী নিপালনিসুবা নুমিৎতা লুখ্রাবী ! অদুগা, নঙসু লমজা অমদৌনা হিংলকখি। ঐসু অঙাওবী ওইদুনা লৈবকই। ঐনা কেন্দ্র ওইবগা থোকখিবা থৌদোকশিং ! কনানা লানবা, কনানা চুম্বা, মদুমদি খঙদ্রে। ঐঙোন্দা লমন খুম্বগী ৱাখল লৈজখিদে, লমন শিংদোকপগী ৱাখল অমদি লৈবকখি। শীংনগে হায়বগী ৱাখলসু ্লৈখিদে।

চিট্টাগোং নমাসিগী অবোইবা চিনকোই, তরাই তবাইবদি নত্তে। নিংথেম নমা নচাগী কবিগুম্বা মশক নাইবা থবক খবদি তৌগে খল্লকই। নোংমদিনেহে ! ঐগী ইচা অমত্তং

লৈজনীংবগী অঙাওবা ব্রাখল অদো খংলাক অমুক লাকখি। অতৈনা নত্তে, দাদা সুবেসকুমাবগী অঙকপা চাংযেং অদুনা মীৎ পাঙহনখিবনি। অবাইবা ংযেং অমদুম তৌবগে খল্লকখি।

দোক্তব নিংথেম ! দাদা সুবেসকুমাব খঙদ্রনে ? উৎকল দেশকী মমিং চৎলবা দোক্তবদো। নঙসু মাগীদা মতম খবা লৈবম্বদাই ? দাদা সুবেসনা নঙোন্দগী লোন্না কাব লৌখি ? ওই, দানবীব ! অমবু ওইনবসু, দাদাব্রু ঐনা থাগৎচখি ! ভৌজিক্সু মহাকপু ঐনা নীংশিংলকই হায়দুনা তম্বীযু।"

চিদি পাবা খংলে" লৌপ্প।

পক্লিংদা নুংঙাইবস পোকই ! অস ! ঊমাস দবল ! ভুকখ্রেদা নঙে '

নসুন্না তর্কাসি শোন্দুনা মাবু থাগ ংপ। নত্তনা কাব অমুক হায়বগী। হদুগা সাব সুবেস নঙসুনে চাংযেং অমা, মায পাক ববদ মৎ কাপ্পবোই ! দদু, এসু নাঙান্দগী ফজনা তমহৌবে, তম্বা গানা বয়।

৪৮

থেঙ্ক য়ু সাব !

উৎকল দেশকী দোক্তব সুবেসকুমাবগী মমিং পাউ চে কয়াগী অহানবা লামাথদা মাগী ফোটোগা কোন্নন ফোংখ্রাখ। মহাক মমিং চৎলবা গাষ্টনোকোলোজিষ্ট অমনি, টেষ্ট টিযুব বেবী মেকব অমসুনি। নেচুপ লোমদগী টেষ্ট টিযুব বেবী মেকিং প্রোসেস হৌদোকপনি। দোক্তব সুবেসকী চাংযেংদ অকপনি। পৃথিবীগী মনুংদা ওইথোক্লবোইদবা মওংদা, মায পাকশিবা চাংযেংদি, মহাক্না অহানবনি।

চহী ৫৮ সববী থাগী খোঙকাপ লেপখ্রবী নুপী অমবু মমা ওইহন্দুনা নোবমেলদা মচা পোকহনাখ। নুপী অদুগী মমিং মথা খঙই। অমনবা পাউ থৌদোক্লি। মচং অদুদং লৌখৎচগে। মপুক্সিগী মম ওইবা গুমজদবী নুপীনি। দোক্তব সুবেসকীসু নক্লবা মবী মতানি। নুপী অসুনা মচা নুপা অমা যোকচৈ, পাখঙ ফাবক্লনা মনৌস লৈবে। মতম অদুদা, নুপী অদনা কাব ব্রাখলদগী মবুকথোক্কী মচা পোক্লীংখ্রবা ? মাগী ইন্টর্ভিযুসু যাম্না মবাক চুম্না ফোঙনখি। জর্নেল কোপি অদু হৌজিক থিকবা খঙলবোই।

দোক্তব সুবেসকী চাংযেং অদুদ নীংশিংলি। অঙকপা অমসুনি। মনেমনে, মচা মমৌ অহুমগী অযাবা লৌবগা পাঙথোকখিবনি। অতে অতোপ্পা ফিল্ডদা হৈথোইববা দোক্তব কয়াসু তান্নখি। নুপী অদুনা যোকচবা মচানুপা অমদি মমৌদগী মেল ফিমেলগী মহিক চিংথোক্লগা মীযাই চল্লবী নুপী অদুগী গর্ভদা পান্নে কয়া শীজিন্নদুনা ট্রান্সপ্লান্ট তৌখি। নুপী অদু ফনা কুইনা অখন্নবা কা অমদা থমখি। ব্লদ টেষ্ট, বি পি চেক অসিনচিংবা কয়া চাং নাইনা তৌখি। নুপী অদু থা মঙামুক হোসপিটালদা থমখি। ওইবনি খঙলবা মতুংদা (ময়ুমদা)

পোখাহনখি। কাইনথংদা, মপাল শাৎতনা মহৈ যানখিবা অঙাং অদু ইঞ্জেক্সন তৌদুনা পোকহনখি। মিবাকল অমনি। মতুংদদি দোক্তর সুবেসকী হোসপিটালদা চাবোক্তবী কয়ানা পবেং লেংদুনা লেপ্লবখি। মবক অদুদা মিস সুবমিলা সেনসু .. ?



"নিংথেম !

ঐনা নঙবু লেখি আইলেন্দ উখ্রবা মতুংদনি। লাইপাখং ফজবা ! নোংমদ, ঐসু দোক্তর সুবেসকুমারগী পেসেন্ট পবেংগী মবক্তা লেপ্লা যাওকই। ঐগা মাগদি হান্নদৈসু খঙনৈ। মবক মবক্তা ইশা চেক তৌখি। মহাক্তা ওফিস কাবকপদা ঐবু উগোকখ্রে। মাসু ঙকখিমাল্লে। ইনাক্তা চঙশিল্লকই। মহাক্কবু হাংনা কৌবকই।

"গুদ মোর্নিং, সুবমি !"

"গুড মোর্নিং, দাদা !" ঐনা ওক্লুনা খুম্মী

"নহক্তে নঙবু . ।" দোক্তর সুবেসনা নোকফেৎ তৌবদুনা নোংাঙ লাক্তই- "কবি কবম্বা কেসকীনো ?"

"দাদা ! হৌবেন ঐগী সিবিবেল তাবগা কৃপ্না বাবা শাসি। অসুম চাইজগে।" ঐনা খুম্মী।

"হবে হবে ।" দাদা সুবেস লাবেংফমদা চঙখি।

(মিস সুবমিলা সেন ! হে অঙকপী ! অদৈদি সাব সুবেসনা কবি ..ডভ ইস পীখ্রিবা?)

(পাউদনা, চিঠি মখাদো)

(পাজগে, মমাসি ! ইহে, মতম অদুদদি ..।)

(হৌজিক্তি কৌনীংবা কৌবীবো।)

(সুবমি ! মখা চৎথবকউ।)

নুংঙাইকো, নুংরাখল ! অবাপ্পদা অনকপদা নিংথেম নুবাবী অনীগী থম্মোযদি পাউ ফাওনবি হাযবা লানগদ্রা ?

" মোই পাবুংচা ! কৌদুম কৌবগে ঙসিদি। তাবীবিকো। দাদা সুবেসনা ঐগী অপঙবা রাখল চুমথোকপীদুনা মঙাল অমা ফংহনখি। মাসুনে দোক্তরনিনা রাহৈ রাতা নুংঙাইখ্রপোৎনি। ঐহাক যুম পানদ্রি, পাল্লবোই লেপখ্রে হাযবসু মহাক খঙবনি। অহানবদা ফজবা রাহৈনা চৈদুম চৈবকখি -

"সুবমি ! নরা নাইযু, নহাক্কী চহী নিফু সুফাৎত্রি।" দাদা সুবেসনা নর্স অমা অনীগা যেংবা যাবা কয়া যেংলবা মতুংদা শমথবদুনা হাযবকই- "নুপীশিংনা নোবমেলদা চহী ৫০

ফাওবদি মচা পোকপা য়াই। নহাক্তি য়াম্না ইবাং থাংনসু উবি, য়েলহাওসু চেল্লি। অন্টি মালিকাগী মতৌ তমনীংলুনু। মফম মবাং খঙদবা মফমদগী মীথাঙ লৌগনু। অন্টিগীদি য়োকচবা মচা মমৌ গী তশেংনা লৌজবনি, ঐনসু চাংযেং অদু তৌখবনি।"

"অদো দাদা!" ঐনা মবক থংতুনা নোংশিল্লি "ঐগীসু ঐগী এক্স-লভবনা পোক্লম্বা ইচানুপা পাখঙ শকহেনবা অমা লৈজে। ঐনসু খবা. .।"

"অদুদি, যাম্না ফবে।" দোক্তর সুবেসনা মায়থোং মকা লাম্না নোকফেং তৌবদুনা শমথবকই- "নহাক্তি নোবমেলদা মমা অমা ওইবকপা য়াবগী খুদম ফংখ্রঙ। নহাক্তি নশকসু য়াম্না ফজবি।, য়াম্নসু নৌনা উবি, স্বিইথ ২০বু মাল্লি!"

"অদো দাদা, ইচান্দি পোকনীংঙি ইরাদি নাইনাংদ্রে। ঐঙোন্দসু অন্টি মালিকাগী চাংয়েং অদুম্না তৌবা যাবোইদ্রো?" ঐনা অ-ুক হৌদোকলুই!

"হে হে! অপঙবীসিদি!" দাদা সুবেসনা নোকফেং তৌবগা তিং লাওবা রাহৈ খবা নোংশিল্লকই- "নপোংসু নত্তন কৈদৌ লির্কশিল্লিবা ... দোন থিঙ্ক অদবরাইজ। মৈ চাক্লনা মাঙখিদৌ শব্দক, ঈশ্বরনা পীবকপা খুদোল অদু চিংনবা লৈত্তা কৎথোকউ। নঙসু হেবর্নালি ব্লিস ফংগনি, মতাং চাদনা পাম্মুকনু। নঙগী রাবী তাবে। অনৌবা ওসিনিক বোমান্সগী পন্দূপ অমা হৌগৎলু, নঙনা নূংশিজখিবা নিংথেম লাবা সনাগী মচা পাখঙ অদ্দা পাম্বি অমনবু ওইববসু মদুদা কবিসু য়াদবা লৈতে, অন্টি মালিকাগী কেসনা তোঙানবান, নঙদি কূগব-কবকী পিয়ান থিবা যাবি. নো পাপ, পুনাদম ফংগনি।"

ঐহাক তিং লাওখি। নুবাবী সাগবগী নুবাবী ঙ্গীপ্রসু তিং লাওবা মিহুন অমা চোংলকখি। চহী ২০ চুপ্পা নূমদুনা লৈক্ববা নুংলোং থম্লাল! ওইথোক্রবা মওংদা থেঙ্গু মনমদৌনা তৌবকখি। হৌজিক্তি ইনীংবা ইথোকপদা ইকায়কফম কবি লৈবি? দোক্তর অমগী পাউতাক অদু দোক্তর অমদা অমুক পাউ তমজবনি।

"ঐসু মমাংঙৈদা চাংয়েং অমা তৌগে খনখি, দাদা!"

"অদুদি হৌজিক তৌবোদনা।" দাদা সুবেসনা মখা তানা অমুক নোংশিল্লকই- "পাখঙ শকহেনবা অদুদি কনানো?"

"হৌজিক হৌজিক কলকাতাদা মেদিকেল তমলিবনি। লাইবিকসু য়াম্না ফবনি।" ঐনা লকক তৌবগা শমথখি- "মমিংনা নিংথেম মঙাংসনা!"

"হে হে! নিংথেম ওইবে।" দোক্তর সুরেসনা নোকফেং তৌবকই- "ঐ মাবু খঙই। মখোয়গী কলেজদা ঐসু লেকচর অহুম মবিবক পীকবে। মাসু ইনাক্তা হেক হেক লাকই।"

"অদু ওইবদি দাদানা মঙোন্দৈ খবা লৌবীয়ুদনা।"

সুবমি! মদুদি য়াম্না লায়বা রানি, ঐনা চাংয়েং অমগীনি হায়বদা পীয়ু য়াগনি।" দাদা সুবেসনা ঙাইহাক খল্লগা সংহেক্তা নোংশিল্লকই- "অদুই শব্দক মাগা নঙগা নিংথেম

নুবাবীগী অনৌবা ইদিসন অমা ওইবদি কমদৌহ্, ইনশিনবদি নত্তেহে।"

"ফবে দাদা! ঐ লাইবক যেংলগে।"

"যেংঙু, নঙনা মাগা ফিজিকেল বিলেসন লৈনবা পামদ্রে হায়নবসু নঙগী ইংথম্রবা রোমান্টিক মুদ অদু শাগৎলু, নঙসু হ্যায়লব আইলেন্দগী নুবাই হাযদুনা মতম অমদা ফাওখিবা নুপীনি। নিংথেম নুবাবীগী অনৌবা ইদিসন অমা ওইবক্রবা হোৎনখো। মবক্তুদ পাউ পীবকউ। নংথেম মঙাংসনা কৌবীগে, ইবায লাযবা বানি।"

"দাদা! পোৎতুবু কযা কুইনা থম্বা যাবগে?"

"হুঙ্কে! অঙাওবীসিদি! নঙগী অনৌবা শাযোনা কুম্মে অদু ঃ ফদনা শান্নকখো। মঙাংদি খঙহনবা যাদে, ঐনা থোকপা তৌগে।" দাদা সুবে ... খা ... সু তাবদুনা হাযবকই- "মস্তাদা অঙকপা পোকহল্লু। নঙগী নচাগী মপা মঙাংনি হাযব ... কোল্লা শেংদোক্কে।"

"প্রমিস দাদা!" ঐনা হবাওনা ... "শোযবা যাদকো নৈতাঙ্কী ইবুকথাক্কী ইচা নিংথেম অমদি পোক্রবা যাদ্রে। নংথেম লাবানা মমসি হাদে ... মিংথোল, পান্নে এমনবু ওইবনসু হঞ্জিন্দবা যাদে।"

"অদু ওইবগনা ..." দাদা সুবেসনা অমুকসু নোকফেৎ ... তৌবগা হায়ন ... "নংথেম মঙাংসনাগা হেক লুহোংবদি কমদৌই। নঙসু হেবর্নাল ব্লিসকী টেষ্ট অদু খঙদোনপদি ফজন্দ্রা, ইনশিনবদি নত্তেকো। মদুদ শোযনীংঙাই লৈত্রনা পাম্লেনি।"

"অদুদা, দাদা ...।"

"ফোংনা লুহোংদ্রসসু যাইনে।" দাদা সুবেসনা জ্ঞান তাহনবা ওইনা শমথবকই- "নঙনা তৌদৌবিবা চংযেং অদুসু অপোনর্বানি, মপা মশক লোৎপা মচা অমা হাযবদি ভাবজিন বার্থ ওইনা পোক্তৌবির্দনি।"

"হোগনে, হোযদে, ভাবাজন বার্থ ওইনা হেক পোকনার্গঙ।"

"সুবমি! মদু ওইথোকপা যাবগী লিখন হৌজিক ফাওবা ফংবা ঙমদ্রি যীশুগী মপা মমিং হৌজিক্তি ফোংদোবক্কে। 'যীশু লিভ ইন ইন্দিযা' কৌবা লাইরিক্তা যা ওবনি। মতৌশাগী ওইবা মওংদা মমা অমা ওইনবা হোৎনবনা ফগনি। তাঙ্গাম্, ... হল্লবদি লৈ শাৎপা মতমদা হেক্তা লোক্রবা তোৎনবসু ফৈ। মদুদি মিবাকল বেবী ওইনীংঙাইগী চান্স বার্ংঙি। মদুদা ওইদ্রে, নবুং লৈদি।" দাদা সুবেসনা অকোনবদা নিংসা স্থব শাংনা হোন্দোক্লগা কোৎচি অমা লৌশিল্লকখি- "কান্নদে, সুবমি! লিকশিনগনু, লমন শিংদোকখো। হান্না লৌবগা কোল্লা কুম্মে শান্নকগে হাযব্রা নঙগী অপান্না অমা থল্লু।"

"ফবে দাদা! হান্না লাইবক যেংলুবগে।"

"বেষ্ট ওফ লক। বি এ গূদ মাদব!"

"থেঙ্ক য়ু সাব!" ঐহাক যাম্না হবাওনা চেঙ্খোবকখি। পৃক্লিংদসু খনখি। হৌজিক্ক ইস্যিং পাংলে, কৈদৌবৈসু নীক্লিগী ইচা পোকচর্কনি। অদুবু পোকপা তাখি।

মোই পাবুংচা!

ইবাচা নুংশিবা নঙবু, ঐগী ইচা নিংথেম কৈফাগী নচা নত্তে হাযদুনা চেনখিগেবা? নঙগী গুক দোক্তব সুবেস কুমাবদা হংঙ্গু। দাদা সুবেসসু থেমলৌদি যাম্না হৈজাংনি। নিংথেম! নঙোন্দে চাংযেং তৌনবা কযাবক্তি হেক লৌবীখ্রে? অতৈদি ঐহাক খঙদে, অমদি ঐনা কযাদা নুংশিনা পীবুকনুংদ লোৎতুনা থমজবকখি। হোসপিটালগী রেকোর্ড যেংঙু, ঐগী ইচা নিংথেম কৈফাগী দিলিভরীসু দাদা সুবেসকী হোসপিটালদা পাঙথোকখি। ইচাগী মপা মমিং কেপিটেল লেটবদসু ইহনখিবনি- 'DR NINGTHEM MANGANGSANA!'

ঐগী মিসন! মহৈ যানখ্রে। নুপীনা মচা নুপা অমত্তং হেক ফংবগা মবা মপুবোইববু ওইবক্তে হাযবা বাফমসু লৈরমনি। ইমাগী ইশাবী নিংথেম! নঙবু মীবাইর্বদি নত্তে। নঙন নুংশান্দ হৌজিক্কবু হেল্লবি। ঐগী ইচা নিংথেম কৈফাবু লৌশিনর্বিয়ু, মশক খঙবীয়ু হাদুনা থাকৎচবসু নচ্চদে। নিংথেমগী নুবাবী অঙাওবী ঐবুদি মবক মবক্তা নাংশিংবীয়ু। ঐহাক্তি মাযথোং ফিক্কক খুমদুনক চৎপীবা নুপী নত্তে। মাযখোং মক লাম্না হাইগৎতুনা চৎচবি। ঐদি মকন্নীসু নত্তে। ঐদি নঙগী লুহোংলবী নুবাবীনি। ঐবু লুহোংদবীনি হায়খিগেবা? ইস্ত্রা থোল্লিবা নুলবী পবেংনা সাক্ষী! মসিনা পানগী বানি, নুংগী বানা অমনি। নুবাকাসি ওইনা মীযাম মমাঙদসু শকখঙবীখ্রবনি। ভবওকী আইন্দসু মশা মশা যান্নবগা মীযাম হওনা লৈমিন্নববদি কোপল শকনৈ। অদুবু নংগা ঐগা কৈদৌঙৈদসু মথুব মিলন ওইখিদে। হে! মোন্দ্রুং শান্নবা হৈবা! নঙগী নিংথেম পুযাগী লাতমদা ফৈবেং তুবেং ইজনু। পুযা মৈ থাজর্খিনিকো!"

হে মহানুবী! চৈদুম চৈথবগে, নতিক লৈবগা 'নিংথেম পুযা' মৈ থাকলাউ। ফাগী তৌবনিদা। পুযা হাযসিদি নীংশিংলগা ইবা কোঙ্গাযনি। অচুম্বা কযাসু লোৎনৈ। অবানববু অচুম্বা মান্নবসু ইনৈ।

ঙাকপিগনি মমাসি! নিংথেম কৈফাগী মমাসি। ঐগী পুন্সি বাবী, মঙগা তাইপংগা যেৎশিন্নখ্রে। 'ফ্লাশ ফোববাদ'কী তাইবং মনুংদা ওইদবা খবদি হান্না ইথোকখ্রে। অসুম্না থোক্হনগে খন্দুনা ইখিবদো, তাযোন্নবা খবদি যাওখ্রে। মীশক ওন্নবৈ বানি, গৌদোক অমদি থোকখি। হৌজিকপু অমুক শেমদোক্লুখিদ্রা? অদুম লৈবসনু। তৌবসু, সুবমিলা কোটেজগী অহানবা অহিং অদো... ঐসু খঙদবোই নীংব্রো?

("কৈদৌবা, কৈদৌবা নিংথেম?"

শাযোন লাংওন হৈববী নিংথেমগী নুবাবীনা ইমাঙদা লেপ্তুনা হংলবদৌনা খংতা তাবকই - "ওহো! হেদ টেল ওন্নখি হাযবদুবা? চুম্মী নিংথেম! অহানবা অহিংগী নুবীকাদো... তস! হাযদোকখিবোই।"

"কৈদৌবা, কৈদৌবা, মমাসি ?" ইচানথোক্লা হংলুই - "ঙশিন তৌবা হৈবী মাইবী! বেনুকাসিগী মঙক্তা নুবীকাসিগী মঙক! কমদৌনা ফোটো ওপবেসন তৌগ্রিবনো ? নঙগা শকমান্নবী বেনুকাসি কন্নানো ?

"ওই! মাইথকপা! চিঠি মখা পাঘৌদনা।")



"নিংথেম!

ঙাইপুংবাগী মবুংঙো! ঙসিদি য়াম্না হেক্তা ইনীংশ্রে। মসিনা অবোইবা চিঠিনি। ঝাবোই-ঝাচোই কয়াসু মতাংচানা তাশিনবা তাবনি। নিংথেম নুবাবীগী ঝাবী, চনৈনদুনা থম্বা য়াদে। অবোইবা খুদোল অমসু পীবমগে খল্লি, অতৈদা নত্তে, নঙোন্দনি। ঐবু নীংশিংবীয়ু হায়বগী নত্তে। মবমদো মখাদা পল্লক্কে।

অসুম অসুম নীংশিংলকই, ওসিনিক বোমান্সকী খোঙচৎ' নুংঙাইকো, মতম অদো। ঐগীসু ফংলে, লোষ্ট লভ, লোষ্ট টাইটল! নঙগীদি কবি কবি ফংশ্রে ? মবক থৎতুনা পাউখুম পীবিয়ু হাযবা নত্তে। ঐ অসুম ইবক্কে, চুপ্পা যেংঙু। নঙগীসু ফংলে, নুবাবী সাগরগী নুবাবী দ্বীপ! লাইনুবী দ্বীপসু ফংশ্রে, নুবাবী মহলসু শাশ্রে। হৌজিক্তি হিসাব ববাবব!

ইহে! চিংথহৌবা অমা লৈবে। চিট্টাগোং বোয়েল ফেমিলিগী 'নুবাবী পবেং' ঐঙোন্দা লৈবি। মসিমদি ঐঙোন্দা অসুম লৈখিসনু, মৎলগে হায়বা নত্তেকো। ঐনা পীনীংবা মীশক অমদা ঙকথাং লান্দুনা শিন্নবগ্না য়াই। মদুগী চাউববা হক! ঐঙোন্দা লৈ। বঙ্গ সাগব মনুংদগী ঐনা খুঙ্গৎলকই হায়বগী নত্তে। অতেনবা ব্রেক অমা! ঙাইহাক নুংঙাইসিকো, য়াম্না সিবিঅস ওইশিনগনু।

নোংমা, নিংথেম নঙনা ফাগী যুগায়বু ওইববসু ঐগী ঙকশমদা নুবাবী পবেং হুকখি। ঐদি লুহোংবগী কুন্দো পবেংনি হায়দুনা অদুম খন্দোকশ্রে। ফাগী তৌবনিদা। নুংঙাইববা খৌদোক অমা নীংশিংলত্তুনা চিংথোকচবনি। সুবমিলা কোটেজগী মাঙ্গোলদা থোকখিবনি। মোবাইল বিচ কেমেবামেন অমখক্লা লোন্নবু ওইরে, ফোংনবু ওইবে, ফোটো কাপহৌজাৎনি। কাইনথংদা, ফোটো কোপি অমা ঐঙোন্দা থাজিল্লকই, থাজদ্রগা য়েংজবোলাও। ইহে নঙবু কৌবা নত্তেকো। শেবান তুবান খল্লুনু। নঙগী হৌনবী অনৌবা 'ফ্লাশ ফোবরার্দ' অমুক শাগৎলুনু। মদু চুমহন্নবা হোৎনবদা ঐসু কয়া ঝাশ্রে। মতাং চাবিঙৈদা ঙাইহাক নুংঙাইসি হায়দুনা চুম্লতা পঞ্জবনি। নুংশি কাইহৌবকা নচ্চদে। হং হং! কুকু! চুচু! থৌ থৌ! নঙনা হেক হেক শোনবা লাইবা অদো শোন্দুনা বঙ্গ সাগবদা ৭লক লুপ্পুবে, হৌজিক্তি পুমশেং, ঐসে মন্দাকিনী গঙ্গাগী মচেনি হায়বা য়ারে।

ইমাদি নাম মালা চৎলগে হায়দুনা মালা খাউ অমদি নাম মরূ লৈকবে। হৌবমক্তি হৌদ্রি, কন্নাদা গুরু ওইসিগে খল্লি। তঙাইফদ্রবদি, চিট্টাগোং নমাসিদা গুরু ওইবা তাবনি।

নমাসি পুংবা (অনী), হিংমিন্নবসি, পূন্না লাই নীংমিন্নবসি, হাযদুনা অবোইবা য়াবেপ অমসু লৌমিন্নবে। নবদ্বীপ্তা লৈকসিবা খন্নবি। লমসু যাম্না হোংঙি হাযদুনা তায। আখডা মচা অমত্তুং শাবা যাবা লম মচেৎ অমত্তংদি লৈবীযুদনা, ঐগী নত্তেকো, চিট্রাগোং নমাসিগী ওইনা লৈবীযু হাযবনি।

ঐগীদি খবা য়াৎলি, ইচা নিংথেম কৈফা লুহোংবীখিগে। অতৈ লাযবি, ইচা ইমৌগী লৈফমবু লৈজদ্রি। নুবাখী মহলদা ভাবা লৌবগা লৈহনগে হাযবকা নচ্চদে। চিট্রাগোংদা লৈবা ঐখোযগী লম মাঙম্রে। তৌবুদি ইনেনা পীবস্না থযিল্লব আইলেন্দগী যুমদি ভাবা শান্দো ক্ন্ন থমলি। মদুদা ইচ ইমৌ লৈহল্লগে খল্লি। অতৈ ইবাযবু হেক লাযবি, ইমৌ নুপী ওইব যাবী নুপীবু অমত্তা থেংনদ্রি। নিংথেম কৈফাদি মপাবুংদৌনা মর্মাৎ খৎপা খোৎপসু কযা হৈজদবনি, একদম সিধানি। নমৌ নুপী অহল ওইবা যাবী অমদুম খবা যেংবীবকউ। ঙাইখোনেহৈ, মোই পাবুংচা ! নঙগী নুবাখী হোসপিটালদা মিস জেনেলা কৌবী নর্স অমা লৈবদো, মশক উবে। মদু হেক্তা ইমৌ ওইবগে হাযববু কবি খল্লি ? মহাক নংত্রসু যাইদা, নমান্নবশিংগী মচানুপী কনা কনাদি লৈ ?"

"হেবা, ইমাসি দবল !"

ঐনা ইচাৈদ খঙহৌদনা হাযদোকখি "মিস জেনেলাদি নঙগী নমৌ ওইবা যাখিবোই, হেদ টেলগী ওপবেসন তৌখিদৌবিবনি। অতৈ অমা খিখো, খো। এ. লৈবেহৈ, মেদাম মেনকা বোইসু মচানুপী লৈশাবী অমা লৈখ্রবনি। মমিংসু শকুন্তলা খোনবনি। নঙগী নচানুপা নিংথেমদো দুশ্যন্তা শাবগা থাজিল্লু, যাবেদনা ?"

"ঙাইখো ঙাইখো। ইচা ইমৌগী য়াফম অসি অমুক থমখিগে। ইমাগী বাখল ফৈদোকউবে। অবোইবা খুদোলগী মতাংদা অমুক লৈশিল্লগে।

এদেনগী অহিংদা, মাই থানিলসনা অখৎপীদনা নঙোন্দা খুদোল তৈবস্না সনাগী লীক পবেংদো হৌজিক্তা কনাগী ঙকথাং যৌখ্রে ? মাই লীকত্তো ফজবনি, মাগীদি খঙনবা থস্বাল লৈনা যাম্বুবা অদুদা 'শ্রীমতী থানিলসনা' হাযদুনা মমিং অমা পীক্লা হকপনি। নঙদি অদুসু খঙজবম্মোই। ঐদি লীক হুবানবীকা নচ্চদে, মোম্পাক মখাদ অদুম লৈহৌবনি। নঙনা, কনাদা অমুক খুদোল তৌখ্রে ? চৈদুম চৈগে অমুকসু।

হৈ, লাইগী নিংথৌ ! দেববাজদৌনা নমীৎ লিশিং অমা পানগে হাযবিব্রা ? নখোয নিংথেমগী পীথোকপদা হালেংদবা, খোৎচিনবদা অথিংবা থমদবা অদো খিৎ তোক ওগ .. থানিল সনাগী লীকতো, হন্দক্তা মিস চিট্রাগোং তাখিবী লাইনৌ নুবাখী অমগী মঙকশমদা খোন্দুনা লৈবা উকবে। কযা তৌঙম্রবা ! নঙনা চিফ গেস্ট ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌবম অদুদা অখন্নবা খুদোল ওইনা পীবস্নবনি হাযবগী পাউ তাবে। নপোৎনি পীজৌ, কৈসু কাযদে। ঐসুনে কদাযদেসু হেক উকবে। মাই কৈফা হাযদুনা মিস চিট্রাগোং কন্টেষ্টকী ফোটো অদো হেক পুবকলে। মিস জেনেলাগী মঙক্তা থোনবা সনাগী লীক পবেং অদো হেক উবদা মশক খঙখি। ঐনা শাউনীংবসিদি কবি হাযকনি ? তনুসিদা পীগেদি হাযদ্রদনা

... সমুদ্র লান্দুনা কৈদৌ পুবকইবা ? নঙদি, নঙদি হান্না রাখল অমা খল্লগা লাকপা মাল্লি। নোংচুপ লোমদা, রাবেন বেট্টি কৌবা নুপা অমা লৈবনি। নঙনবু হেন্না খঙলমগনি। মিস কন্টেষ্টতা ক্বিইন তবীশিংবু কোইতান তান্নদুনা ঙাওজবা মীশকনি। হৌজিক ফাওবদা মহাক্না পৃথিবীগী অফা ওবী, ফজবী নুপী ১২,৭৭৫ পান্নখ্রে হায়দুনা ক্রেম তৌবগী রাথোক লৈবনি। নঙসু মাগী মতৌ তমদৌবিব্রা নংত্রগা নবুধৌ নিংথেমশিংগী খুদুং ইন্দৌবিব্রা ? নঙোন্দা রাবকচবগী ইতিক নচ্চদে। তৌবদবু কয়াদি শাউনীংখ্রে। ইথৌমক ওইনা মিস জেনেলা উন্নবা চংলে। লীক অদুগী রাবী লীদুনা তাহনখি, মুল্লগা পুবকপদি নত্তে, লুপা ২০,০০০ পীথোক্লম্মী। মাসু হবাও, হবাও লীক পীথোবকই, লুপা ৫০০০সু হল্লকই। হিসাব ববাবব ওইবম্বা অদো, নঙোন্দা লুপা ১৫,০০০ তোল্লবনি, ইশিল্লু।

ইমাগী ইশাবী নিংথেম ! শিংঙু হাদবা নত্তেদা। ঐনা খুদক্তা কবি তৌখি, খঙব্রা ? নুবাবী মচিংদো খংলাক লাকই। সোনাবী অমগী মনাক্তা চংলে, নুঙথং মচা অমা লৌবে, লীকতৃ তাশিল্লগা হেক সুগাযবনিদনা। সোনাবীদা মৈ চঙলগা মতুম তাশিল্ল হায়দুনা শিয়ে। ঙাইহাক লৈবগা নুবাবী মচিং হল্পবক্লে। রাখল অমা খংলাক লাকএ। সনা মোহব অহুম অমগা হাপচিল্লগা ফজববা লীক অমা শাদোকউ হায়দুনা ওর্দব তৌবম্মে, নমুনা অমসু য়েক্লুনা পীখল্লে। লোইবগদি কযা ফজবে। মমিংসু ফজনা থোল্লে। কবি থোল্লে খঙব্রা ?

'লাইনুবী পবেং' থোল্লে। নখোয়গী চিট্টাগোং বোযেল ফেমিলিগী 'নুবাবী পবেং' অদুগদি খেন্নগনি। ঐগী অসিসু নুবাবী পবেং কৌবা যাবদি যাই। ঐগীসিদি যাম্না অখ লৈবজাংনি।নুবাবীনা শাবনি অনৌবা নুবাবী পবেং কৌবসু ফজদে, মিংথান্নবসু পামদে। ঐদি মমিং অসিনা চপ চাবে খল্লে। নঙনা কনাগীসু ঙকথাং লান্দুনা খুদোল তৌবা য়াদনবা নমুনাদা শাবনি। নঙক ফজবা অদুদসু থোনবা যাববোই। কদাযদা থোনদৌবি খঙব্রা ? ঐনা নঙগী পৃক্লিং উবজাংনি। ঐনা শাবিবা অসিদি খ্বাংলীকনি, মবীসু পাকতকই, খৃবীগী খৃজিল মমায় অমুক পাকপা লীকলূ ১০৮ খক ইকোয় হেক কোয়না য়াম্থবনি। অদুঙে নঙনা তিংথৌ মতোন ১০৮ থংখিবদো, খংনীং হেক নীংশিংলক্লুনা শাবনি। খ্বাংলীক ওইববদি নঙনা কনাদসু খুদোল তৌথোকপা য়াববোই। 'তনুসি-তবাসি' অনীনসু লীক অদু উবদা হবাওজবনি, মবানীগী মমিংসু লীকয়ান লীকলৃ ময়াইদা ফজনা হক্লুনা থাবীবে। অদুং মবানীগী নাক-যেত্তা নুবাবী খবগী মমিং হকলি। চিট্টাগোং লাইনুবাবী নমাসিগী মমিংসু হকপা য়াওবি। হৈ হৈ ! পাখংখিনু। ইমানা অবোইবা ওইনা নঙোন্দা খৃদোল তৌগদৌবিবা 'লাইনুবী পবেং' অসি তবাইনা লৌগনু, ফাগীনিসু খনগনু। ইমা লৈমবেল সিদবী সিম্বোলিক বি-প্রজেন্টেসন অমনি। লাইনুবী পবেংগী মওং মতৌ খবদং হায়বক্কে। লীক পবেং মচীন অনী কোংশিনফমদা মমিং অমা হকলি - 'লাইনুবাবী' ! মমা মশক খঙদ্রবদি তাল্লোয় মশক খঙফম থোক্তে। অদুনা মনীংদা থম্বনি। নুংদা লোংপী সিদবী মমানা পোকপীবকপা নুপাশিংনা অনৌবা মচাগী মমা অমা ফংগদৌবিবনি। মমাগী মমিংনা লীকয়ান মমাঙদা হকফদে। মচাগী কুম্মৈ, মমাবু উহনবা য়াদে। অদুনা তুংগী য়াংলেন শক মপাদা তাহনগদবনি। ফজবা নম্বাং অদুদা কোমলপসু শিগদবনি। মদুনা নঙোন্দা কবি পোকহনগনি ?

ইহে ! শোযবে। খ্বাংলীক অর্দুদি কমদৌনা নঙোন্দা যৌহল্লক্কনি। ফবে, থোক্লবা লাক্কনি। উপু মনুংদা যান্দুনা থমলে। যেংবদসু নুংঙাইবে, মীৎপু থক্কৎলি। মমল যাম্লগা মঙালসু কাপথোবকপা গ্রহ ৯গী নূঙ মচু ৯দি লৈনা ৯গী মযাইদা ফজনা ফুৎ থিন্দুনা নপথ্রজাৎনি, নাম্থোকপৈ ব্রা লৈত্রে। নুবাবী ৯গী মমিংসু ফজনা হেক্তা হক্লবনি। বাংলা সোনাবীনা শাবা সনা লুপাগী লৈতেং হাযনবিবনি। 'নংথেম ! খ্বাংলীক অসে থৌবী কোঙ্গোর্হান ' শিনুংলোনগী লাইরানা নহাকপু পুনদৌবিনি। পোৎশেম যাদু যাওবদি নত্তে। হৌজিক্তি কনাদসু খূদোল তৌবা যাববোই। মদু তেক মাঙথিবদ, নতূ লৈমা লাইপুংবা কাং কেক ! ফবে, মবানীগী খূৎথাঙদা খূদোল থ'বক্লগে। নত্তে, নঙগা নুবাবী ৯ নৎত্রগা লাইনুবী ৯গী মমিং অদো মথং মথং পানগা ইবকউ হাযত্রা ' শ্বাই শ্বাই লাওত্রা ' পাখৎলূনু, নিক নেম ওইনা হকত্রবনি 'শগোল নুবাবী, লৈকম নুবাবী, খঙ্গোং নুবাবী, থম্বাল নুবাবী, পালিকা নুবাবী, পালিনী নুবাবী, কেতুকী নুবাবী।"

অদুগনে নিংথেম ! লীকলু মপাক ৯৯ অদুসু মমিং হক্লপা যানর্বাদ শেমত্রবনি। হৌজিক্তা ফংবা পাউ অমসু লৈবু লৈবে।

লাই ইবুংঙো ! নহাকপু লাইনৌ নবাবা অমসু কোইরা হাযদুনা তাবে। চহী ৪০গী লাংভম হাযদুবা ' অং অং মিস চিট্টাগোং তাখিবী মিস জেনেলা হাযবীদো নুবাবী হোসপিটালদগী নর্স মকোক হাপতৌবে হাযবা তাবে। হৈবর্বাদ যাইদা, যাইদা। তৌবত্তবু নিংথেম ! নমত্তগী তিংথৌ ১০৮ দো মপূং শীংদ' ৯ তনি। নুবাবী ১০দি সুবনুদা, নুবাবী ৯দা পল্লোকে। নঙগা অনৌবা নিংথেম পুযাদা নুবাবী ৯৩মক লাচল্লু। লীযান অহাংবা মমার্যাশিংদো মেনাশল্লবনু। নচা-নশ শৃথাংশিংগীসু খবা খাকপিবম্মু। ইমাগী বাফম অসিবু যানাংদব্রনে '

অদুবুনে, ইমাগী ইশানী নিংথেম ' নঙগী অনৌবা নিংথেম পুযাগী নুংলোৎ থম্বাল অদুত্তদি পানীংই। ইনীংবসু ইজনো।"

৫১

"বাজা সাহেব !

অমুকসু নুংশিনা কৌর্জবি। নুবাবী দ্বীপ্তা, নুবাবী মহলগী যাত্রা হনখিবী বানা সাহেবা ! নুবীকাসিদি কৈদৌঙৈদসু নুবাবী মহলদ' লাক্লবোই। অদুবুনে, ইমাগী ইশাবা নিংথেম ' নঙগী নমাসি দবলনা চিট্টাগোং চীংজিনগী বাংলবা চীংদোন্দা লেপ্তুনা নঙগা মাথকৈতবু নুমিৎ খূদিংগী যেংর্জবি। নুংশিনা কৌর্জনিংঙি। হৌজিক্তি বাজা সাহেব কৌবনা চুমলর্গনি খল্লি। অদুবুনে চীনবান চিকশিঙ্গবে। ইচা পাখঙ ফাববী ঐনা হৌজিকপু ...'

অদুগনে ,নিংথেম ' নঙগীসু নচা নুপা নুপী কযা পাখঙ লৈশাবী ফাবে। নাতৈ চাদনা মেলৈ লাংবীবগনু। থাবল ফববা অহিংগী অচিকপা থুগাযবদুনা গীতব খোংলক্কনু, ঐগী

থরায মিকৌবোন ঈশৈ অদে শক্লক্কনু ...

"নিংথেমগী নুবাবী
নুবাবীগী নিংথেমনি
মপোক লাংওন খুদিংগী
লাইনা শেম্বা লৈপুলনি ।"

ঈশৈ অসিবু ভাববাদি ঐ ভাওবকই। ঐহাক লৈবা ভুমদে। নোংমস, ইচা কৈফানা পীক্লিঙৈদা বোল লংথদুনা নঙবু লক্লহনশিবনি, হৌজিক্তি, কৈফাসে তেন কাপ্পা যাম্না হৈখ্রজার্থনি। মখুৎসু চুম্বনা ' নচাগী তেন, ফাগী তৌজনু।

অমুকসু হায়জবি, চিট্টাগোং চীংজিন্দা গীতব থোংলবনু। লশংনা নাকোং মেনশিঞ্জবে। ইহে ' চিংথহৌবা অমা লৈবেদে নঙবু চহী কয় সুববগে '? ঐগী চহীদি হংলক্কনু। ঐদি ওইনাং-ওইনাংবা যাবানি। হনুবীনা লৈশানী ওনবসু ঙম্বীনি। লৈশাবীনা হনুবী ওনবসু ঙম্বীনি। নঙবু লাযেংবসু ঙমগ্রে।, চিট্টাগোং নমাসগী চিনকোইসু ঙাকখ্রে। অদুগা নিংথেম ' দোক্তব লোবীগা নমাসিগা কবিগুম্বা মবী অমত্তা লৈনখিদে। নমাসিদি প্রাবত্রান। ঐদি লৈমবেল সিদবীনি। ওইনীংবা ওইবা যাবান। অযুক্তা পলেম শাযোনবী, অহিংদা এক্লোয থাং ওনবী, পান্দা থোইবী পাম্ভোইবাসু ঐহাকনি, ঐগী শাযোন লাংওন থক্তনি। কচু কুমেং শক্লোন হোংলগা কোলোয মিংলেন হোংবভানে। হৌজাক্ত খঙলেদনা ইমাসিদবা ' মুই ওইনা নীংদুনসু ফংগদবা নত্তে। নমা মশব খঙনবা তাক্লেম ওইনা ওম্বানি। লই অসিবু নীংজৌ ' হৌবকফমসু মহাকনি, ঈতিনফমসু মহাকনি। ইমাসু ইর্তুনা। ইভসু ইমানা ' শেবান তুবান খনগনু। নুংলোন অসিগী বংঙুলোন খঙলেদনা ' লাইপুংবাগু লুনা তৌবীযু। নমা গুম্ন নুংশিবীযু হাযবনি।

অদো, নিংথেম ' লাইনুবী পনেং, থোনবসিবু কমদৌসি হায়বনো ' ঐবু থোম্লু হাযব্রনে ? লৈমবেল সিদবীনা নুবাবী শাযোন ৭ পুথোক্তুনা লাংওন-লাংদাই শম্নবে বাবীদি তাবে। নিপাল সুবা শাযোন্দা কবি লাংওন তৌবা মাবি ' ফাগী তৌবনিদ'। এবুঙৌ পুবেন কিথুম পুবগী 'নুংলোৎ থম্বাল' কৌবা পুযাদো পাদি পাকনুকো ' মদুদা, শাযোন অতৈদি কবি যাওবি"

নত্তে, হৌজিকপু পুন্সিগী অনৌবা ইদিসন অমা অমুক মাই মাই ঙমজববেই। মপোক অমদা অমুক উম্নবসি।

ঙাইজবমগে কৃগব আইলেন্দা '

— কৈফাগীসু মমাসি।"

চিঠি পাবা লোইবে।

ইমাসি দবলগী চিঠি পাবা লোইবে। কৈফাগীসু মমাসি ' কযাদা হৈনা লোইশিল্লিবা ' ঐনা পীখিবা মিংথোল ' মহাক্তা যাজখ্রে। চিট্টাগোং ফাইলদা ফজনা হাপচিনখ্রে। ঐহাক লৈতাফম খঙখিদ্রে। কা মনুংদগী চেম্ভোবকই, খুদক্তা চিট্টাগোং যৌনীংলকই। নিংথেম

কৈফা ! ঐগী ইচা অশেংবনি। ঐনা কৈদৌঙৈদসু ইচা নত্তে হায়দুনা চেনবীগদা নিংথেমসু নত্তে। থোঙজিন্দা লাইপুংবা মচীন, মনাওগা খেংগাযনৈ। ঐহাক হন্না যেংলমদ্রে। ঐদি অযাম্বা মতমদসু কৈবাক্তগী চেঙ্থবনা নুংঙাইজে। হিভ ঙাইগন্দে। ঐহাক চেঙ্খোবকই, নুবাবী মহলদগী চেঙ্খোবকই। বেনবো থোঙদগী চোংথবগা মোটোব বোট্রা কাখৎলি, খুদক্তা স্টার্ট তৌদুনা বঙ্গ সাগবগী ঈপাক্তা থৌদোবকই। চিট্টাগোং মায়কৈ তম্না পাইশিল্লি, পাইশিল্লি - যাংনা পাইশিল্লি। ইহে ! পাস পোর্টতি পুবক্রে। ভমখৈ ঙাকপা লাম্নীশিংনা কোমথোকপা কোচিন তম্না থৌল্লি। লোম্না চংশিনবা তাবনি।

ঐগী থনুংদগী ফুক্কৎলকপা খোল্লাংগা লোযনবদুনা অনীবক খংলাউ লাউখি, "কৈফা ! ইপাগী নিংথেম কৈফা ! নঙগী থৌববা তেঞ্জিন অদুনা ইপাগী থবাক্তা অমুক্তংদি কাপ্পকউ। ঈ তৈববা তেঞ্জিল অদু সৎলগা নমাসি নুবাবীদা উৎলু।"

নিংথেম মঙাংসনাদি শকলোৎপা খোযুম নত্তে, নুবাবীগী নিংথেমনি। চিট্টাগোং চীংজন অসিদা নোংঙানবা ঙাইখিগনি। শকখিগনি নিংথেম নুবাবীগী শায়োন ঈশৈ ! অদুবু মিকূপ অসিদদি ঈশৈ শকনীংবগী মুদ থোবকউ যাদ্রে। ইমাসি দবলগী চিঠিনা থিংলিবা শম্বল অদু থুদেকপগী থৌনা লৈখিদে।

মোটোব বোট মমায লৈবগা হল্লকপা তাখি, ঙাইহাক খাম্মী, ষ্টার্ট মুখৎলি। অবোইবা ওইনা অমুকসু লাউবম্মী- "ইমাসি ! ইমাসি দবল ! শাযোন লাংওন হৈবী, নিংথেমগী শগোল নুবাবী। শকলোৎপী অহিংগী ফজবী, অহিংগী লাইবেম্বী নুবীকাসি ! বিদায ! তলাক অলবিদা ! ঐ চংলে লৈহৌবে . মপোক অমদা অমুক উন্নবসি ... লাকচগে কৃগব আইলেন্দদা।"

ইনক হেক নক্লা খোঞ্জেল অমা তাবকই- "হাই চীঙ্খিবো ! ঙাইখোনে নঙবো ! নচানুপা নিংথেম কৈফা যৌবক্রি। তেন কিরুখিনু। তস ! কমদৌই ? নুবাবীনা কৌবদা নিংথেম্না লাক্তবা ঙম্বদো ? ইমাগী ইশাবী নিংথেম ! লেঙখৎলকউ। তাঞ্জা চাবিঙৈদা সনাগী খাংলীক, লাইনুবী পবেং থোনবীহৌবগে।"

"অদুনা ফবদ্রা, ইমাসি !" ঐনা ওকশিল্লি।

"চো ! ঐবু নপাই ইমাসিবা ?" ওইনজবকই।

"ইমাসি দবলনি কৈসু" ঐনা অমুক নোংশিল্লি।

"অদু ওইবসু, ঐদি নিংথেমগী নুবাবীনি।" অশেংবা পাউখুম পীবদুনা শমথবকই- "অদুগা, নঙনা নুবাবীগী নিংথেমনি।"

ঐ ঙাইহাক খঞ্জান্নে।

মফম চানা মোটোব বোট পুনশিল্লে। অমুক পঙ্খবা তৌদনা সমুদ্র মপান্দা কাখৎলে। কদায়, ইমাসি দবল ? মখোঞ্জেলদি তাখি, মশক্তি উখিদে। মচি মরুম অমদা লৈশিনথ্রমাল্লে। ঐনা কোইয়েং হেংঙি। থাবল ফবা অহিংসু নত্তে। মিকূপ খবা চোঙ্খবগা থিক থিক নোকপা মখোল অমা তাবকই। ঐনা নুংশিনা অমদি নোল্লুক্লা কৌজে -

"ইমাসি! ইমা লৈমরেল সিদবী!"

"হো! অদুনিদনা।"

উ মকমদগী ইমাসি দবল লেঙথোবক্নে। ইমাগুদা চপ লেপ্লবে। ঐনা হোৎচিন্দুনা মখোঙ শোক্লা থুকমজে। মহাক্কী মখূৎনা ইকোক্তা নাম্বুবদুনা হাযবকই- "নিংথেম! ইমাগী নিংথেম! হৌগাংলু হৌগংলু! মপোক অমদদি ইমানা নঙগী মচানুপী ওইনা অমুক পোকচগে, লাইনৌ নুবাবী শায়োন তৌজগে। লাংওন লাংদাই অমুক শিন্নসি।"

"ইমাসিদবী! মদুনা কবব্বা শায়োন্নো?"

"নঙবু 'নুংলোৎ থম্বাল' পাদ্রিব্রা?"

"পাজবে, খঙজবে। অদো, হৌজিক্লা কবি ...?"

ইমাসি দবলনা ঐবু লেঙজুম পায়দুনা চিংখৎলি। ঐহাক ইশানসু সৎ হৌগৎলি। মহাক্লা অমুক নোম্বুবদুনা ইখোঙ শোক্নুনা খুকম্মী - "হে! মীৎনা উবা লাইনিংথৌ! ননাইনুবীনা খুকমজবি। হয়ি হৈয়া অনীদি মপোক লাংওন খূদিংগী লাইনা শেন্না লৈপুর্লনি, নিংথেম নুবাবী অনীনা পান্দা উবা শকলোর্নি। ওইনীং ওইনীংবা ওইবা য়াবনি।"

"হংহং! কুক্লু! চুচু! থৌ থৌ!" ঐনা লাইবোল অসি শোল্লগা মহাকপু চিংখৎপিখি। অদৈদি নিংথেম নুবাবী চেজেৎ কোনশিয়ৈ। নিংসা স্বব শিন্নখি! পুনশিল্লে পুনশিল্লে, লাইনিংথৌ লাইবেম্বী পুনশিল্লে!



"ফোটো! ফোটো! ফোটো!"

ইখঙ হেক খঙহৌদনা লাউবকপা তায়। তবাসিগী মখোলনি। হবা ও তুজুংবা য়া ওনা কোইবাউ লাউবদুনা তূম্ফম কাদা চেনশিল্লকই —"ইতৈবাই! ইতৈবাই! য়েংঙ্গুনে সে সে . .।"

ঐহাক মিকপ খংথোক থোকই, মীৎতি পাংথোক্লি। তূমশিৎ ফাদ্রি। ঙবাং অহিং অথেঙবা ফাওবা অব্বা দির্লিভবী কেস অমগী হোসপিটালদা লৈকই। অঙকপদি পোকই। মীৎ পাঙথোকপা তাখি। অয়ুক অঙনবদা ফোটো!

নোংমসু, অয়ুক অঙনবদা, অসিগুম্বা থৌদোক অমা থোকপ্রে। চহী ২০ মমাঙগী রানি। সুবমিলা বিচতা দীপক বাহাদুবনা খবব অমা পায়বগা কোইচেন চেন্দুনা লাউখিবদো, ঙবাং নহালতা ওইববোই নীংঙি। এম. বি বি.এস. পাবক্ষা হায়দোকপগী নুংঙাইববা থৌদোক পবিং - মীৎতা সৎ সৎ উরকই। নুমিৎ অদুমক্কী অহিংদসু অঙকপা থৌদোক কয়া থোকখি। ঐগী পুল্সিগী ট্রেনিং পোইন্ট অমসু ওইখি। এদেন গাবদেনগী অহিং, নুবাবী লোট্রিগী গেম ওফ জোক! অচুম্বগী মশক ওইদুনা ওল্পোক-ওল্পোকপা থৌদোক বাথোক কয়াসু থোকখ্রবনি। ঐগী 'ফ্লাশ ফোরবার্দ' পূম্নমক মথং মথং চুমখ্রবনি। অদুমকপু চমন্ন

রবা লংলা লংজিল খবদি শমজিনবা ওমদনা লৈহৌবি। চহী ২০গী মতুং অসিদা মান্নবপ তৌবা থৌদোক অমা হুন্নকলি।

ঐ ওকচানৈ, ওসিনা অমুক কনাগী ফোটো, কৈদৌববা ? মাই নিংথেম কৈফা হায়দুনা পাউচেদা কবিবু ফোওলিগবা ?

"তবাসি ! কনাই ফোটো, কৈদৌববা ?" ঐনা মীৎ খংপাং পাংথোক্লগা হংঙি।

"মাই কৈফা হায়দুনা ফজনা হেক্তা ফোওলক্লে।" তবাসিনা অসি হায়বগা ফৈজূপ মথক্তা অয়ুক্কী খবব কোপি অমা থাদবকই- "লেওখৎপিবো মোই পাবুংচা ! চৎসি চিট্টাগোংদা, অবোইবা ওইনা উন্নহৌকসি।"

"কনা কৈদৌবগে ?" ঐনা পাখৎনা হংঙি- "চিট্টাগোং ইমাসিবু নোঙ্গাম্লব্রা ? ওম্ভোকপা ইমানি ! মাগী লাইনুবাবী শওলেন্দা লৈয়ু হায়বসু য়াদেদো। হেক্তা চৎখি।"

"চিট্টাগোং ইমাসিগী নত্তেয়ে।" তবাসিনা মবৌ লৈনা হায়বকই- "মীৎয়া অবংবদো পাওথোক্লগা ফজনা মীৎয়েং তাবীবো, নুবাবী মহলগী বানী সাহেবা হিঙ্গৎলক্লে অদুবু She is in Coma !"

"নুবাবী মহলগী বানী সাহেবা !" ঐহাক লোংনা তৌগৎলকই– ইথস্তা খিক খিক নোকচৈ- "বানী সাহেবাদি লাইপুং নুবাবীনিনে।"

"ফজনা পাবিবম্মু, ঐহাক বেদ টি লৌজকগে।" তবাসিনা অসি হায়বন্নগা ফেং হাইদোক্তুনা মপান থোকখ্রে।

হাইস ! হেক থংনবা মিকুপ্তা থুক লাওই। ফৈজূপ মথক্তা তাবিবা অয়ুক্কী খবব অদু তাপ লৌখৎলি। শ্বাই লাওই, লুতোন শাৎলি। চিট্টাগোং গার্জিয়ান ! উরকই। অহানবা লামযদা ফোটো অমা ! হেদ লাইন নিউজগা লোয়ননা খংউ উবকই -

'OCEAN EXPERT RANI SAHEBA IN COMA !

She is waiting for handing over Nurabee Pareng !

– Chittagong Reporter '

ইমাসি দবলবু কোমাদা লৈববা ! ঐহাক থাজকদে। চয়োল অমগী মমাওদা, চিট্টাগোং চীংজিন্দা ঐগা মাগা উন্নখি। মতম কুইববগী মতুংদা, অহানবা ওইনা অমুক উন্নবনি। মওোন্দদি ক্লাইমেক্স লৈতে। ওাইহাক কোন্নববা মতুংদনি।

"নিংথেম ! নফুবিৎ তাখৎলু ...।" ইমাসি দবলনা কাইনথংদা হায়বকখি।

"এঃ ঐ লাক্কনি হায়বা হান্না খওব্রা ?" ঐনা হংঙি অদুগা অমুকসু নোংশিল্লি, "থামন্থা অহিংগী সমুদ্র মপান অসিদা অসুম ...?"

"ঐ খওই, নহাক লাক্কনি হায়বা।" ইমাসি দবলনা শমথবকই- "থওইনা ইচানুপা নিংথেম কৈফাবু লাইবাব থারিবনি।"

"অদো, লাইনুবাবীগী সঙ্গায়দা নচাবু চওহন্নবোইদ্রা ?"

"নমাসি লাইনুবাবী লৈহৌই।"

"চিট্টাগোং ইমাসিবু অমুক্তং খুকমজগে হায়বনি। গেট য়ে ইমাসি দবলনা অয়াবা পীববোইদ্রা ?"

"ঐবুদি খুবমলোইদ্রা ?" ইমাসি দবলনা নোংশিল্লকই।

"ঙসাইনা অনীবক খুকমগ্নে।"

"যাবে, ঐঙোন্দা অনীবক খুবমগ্রবদি, নমাসি লাবীগীসু য়াওগ্রবনি। কদায়, কদায় নফুবিৎ তাখৎলু, খোঙগ্রাউ পেটি থাদোকউ।"

"কৈনোনে, ইমাসি দবল. .।"

"খোইদৌ মখাদা খোনগদবনি ...।"

"এঃ থবক কৈদা ! লাইনুবী পবেংসু পুবগা খোবক্নব্রা ? সে সে খোনবিবো।" ঐনা ফুবিৎ তাখৎলি।

"নঙনে, নঙ, খাংলীক্রা কোলু সুমদবা য়াবোইদৌবে।" ইমাসি দবলনা অসি হায়না হায়না মাগী মখাংদা খোল্লগা লোন্না পুখোরকপা লাইনুবী পবেং অদো লৌখোবক্নে। ঐগী ইখাংদা ফজনা খোনবিবে, তুংগী কোৎচিসু লৌশিনবিহ্নে।

"অঙকপনি ! ইমাসি পুংবাগী কুম্মৈ।"

"খাংলীক অসিদি চিট্টাগোং নমাসি খঙহনপোৎ নত্তে। য়াবে নফুবিৎ থাদবো।"

"থাদবে। অস ! মসিদি অমম্বদসু মঙাল খোবকই। হিবা মণি মুক্তা।" ঐনা নোংশিল্লি- *"লুপা ১৫,০০০ তোনবদুদি পুবক্লে।"*

"অদুদিনে, ঐগী সোবাংকী থম্বীবো।"

"অদো, ঐনা অমুক।"

"নতিক লৈবগা খুদোল তৌবা ঙম্না য়েংসি।" ইমাসি দবলনা চৎথবকই- "ঙসাইনা তনুসিদা মেসেজ থাগ্রবনি।"

"এঃ থবক থুইদা ! তবাসিদদি ?"

"লাইপুংবা পাউ ফাওনবমগনি।"

"নখোয়দি মনুংদা নহালখৈ পাউ চৎনবিবোই।"

"কৈফাগী খৃৎথাঙদা চিঠি অমসু লাইপুংবাদা পীয়ু হায়দুনা ইখিবনি।"

"সুবমি ! কৌদুম কৌবগে ঙসিদি।"

"অস ! মাল্লিকো !" ইমাসি দবল নোকফেৎ তৌজে।

"অদুদি, চৎলসিদনা ..।"

"হৌজিকপো কদায়দা ... ?" ইমাসি দবলনা সৎ হেক্তা শমথবকই- "চবোদা নিংথেম ! ঙাইহাক নুংঙাইসি হায়দুনা ফাগী তৌবনি। নঙোন্দা নত্তনসু কনাদদি ওইনজকনি। ফবে হল্লো, খেঙগ্রনি। নুবাবী মহলগী বানী সাহেবা অনীদো পাখৎলমগনি ... চৎলো, চৎলো।"

"ইমাসি ! নিংথেমগী নুবাবী ! নুবাবী মহলগী বানী সাহেবদি নহাকনি।" ঐনা মখা তানা শমথখি - " *নোংমতংসু নুবাবী মহলদা লেঙলক্লুনা য়েংঙুলাও, নুবাবীগী মুর্তি !* সুবমিলা গেট .. ।"

"নিংথেম ! ইশাগী মূর্তিবু ইশানা য়েংজবা হৌনব্রা ?" ইমাসি দবলনা মবৌ লৈনা হায়বকই - " হিংলিবা মীগী মূর্তি শান্নদবনি, সুবমিলা সেনদি শিখিবা কুইবে, মূর্তি অদুনা সাক্ষী। হৌজিক্তি ঐসে কবি ওইবে খঙব্রা ?"

"ইমা সিদবী ! নচা ভাব তাজদ্রে। চিট্টাগোং ইমাসিদা অমুক্তং হংজকখিগে।" ঐনা অসি হায়বগা চিট্টাগোং পুথিপুবগী মায়কৈ তম্না চঙশিনগে খন্দুনা খোঙ থাংজিল্লুই।

"হাই ! হাই ! হনব্রো চৎলু ! ইমানা নঙবু নমাসি লাইনুবাবীগী অয়াবা লৌবগা কৌবনি। লাইনুবী পবেং থোনবিবেদনা, মদুদা শক্তি অমা যাওবিবনি, লাই তিন চঙদনবা লাইরাসু য়াওববনি, লাইপুংবাদা হৌবেন উৎচক।"

"অদুনা ফবদ্রা ?" ঐনা হঙ্গৎচৈ।

"ফত্ত্রদি কৈনো ! লাইপুংবানা নুবাবী শায়োন ৭মক শান্নবা ঙম্নবা খোল্লিবনি। চিঠিদস্ পনখ্রবনি। লাইনুবী পবেংগী নুঙযান মচুশিং অদুগী মঙালদা নহাক নমীৎ থক্লানি, নঙনা ওইহনীংবা নুবাবী খোবক্লানি। নুংলোৎ থম্নল শায়বা হৈয়ুনে, নিংথেম ! লাইনৌ নুবাবীদো, থুনমক নমৌ ওইশিল্লু, তস ! ইমা চৎলে . তলাক অলবিদা !"

ইমাসি দবল পম্থবমদ্রে। মমায় সৎ লৈথোক্লগা খুল মনুংদা চেনশিনখ্রে . । ঐসু মচিং লাক্লুনা কৌগে তৌকই। অদুবু কৌখিদ্রে। কইনসু পম্থবমদ্রে। মোটোব বোট থৌদোবকই, থৌদোবকই, খংযাং য়াংনা চীংজিন চুথেক্লগী পাইথোবকই।

ইমাসি দবল অমুক চেঙ্গোবকখিব্রা ? নুংহিক্লা কৌহৌবগী খোঞ্জেল অমদি তাখি "নিংথেম ! ইমাগী ইশাবী নিংথেম ! চৎলোকো, লৈহৌবগে . ।"

উম ! অহিং অদুদা হৈযল্লব আইলেন্দগী থৌদোক্লৌনা ইমাসি দবল, রাম্বুদুনা তাবম্না তাই। শোয়দনা বাম্বুবমগনি ! কবিগাসু রাম্বুবোই। নুবাবীনা কৈদৌঙৈদসু নিংথেম য়াওদনা হিংবা ঙম্মোই। অদুগা ঐদি . .? ঐগী থম্মোয়নুংদদি মহাক্লা বানী সাহেবা ওইবিবনি। মাগী মচানুপা নিংথেম কৈফা অসিসুনে হল্লা য়াবোইদৌবি। মমাসিবু নুবাবী মহলগী বানী সাহেবনি হায়দ্রি, 'ওসিন এক্সপার্ট বানী সাহেব' হাযদুনা পাউ ফোঙলি। মাগী রিপোর্টিং ফজানসু ইখ্রে। ঐঙোন্দগী লৌখিবা ইন্টর্ভিয়ুগী বাবোলদি অমত্তসু ইদ্রে। মমাসি এক্সপার্টকী মবমদা ঙাক্তা . মবক্তা পবেং খববুদি য়াওবি -

'Ningthem Mangangsana and his Royal virgin mother re-discovered the hiden island out of the chittagong riddle Ningthem Keiphasana was also born as a mirracle baby !'

হৈহে ! নিংথেম কৈফা নঙসু। নঙতনি মপাগী মতিক চাববা মচা ! ফৈ ! লৈবম্মু খঙগনি।

ঐনা পূক্লিংদা অসুম্না খল্লগা লাউখি - "তনুসি-তবাসি ! নবানীগী বেদ টি অদুবু ইভিনিং টি ওনখ্রব্রা ?"

"লাকচবে, লাকচবে ... চিট্টাগোং ইমাসিগী ট্রঙ্ক কোল লাক্লুনা তৌবনে . .।" তনুসিনা হৌবগ্না লাউবকই।

"ইতৈবাই ! চাদো বানী সাহেবগী মনাক্তা ফাল্লুরসে।" তবাসিনা ফবক ফুজিল্লকই।

"তবাসি নঙসিমা ... মতাং চদনা।" তনুসিনা মনাওনুপীবু চৈহৎপগী ঙাংবা তাবকই।

"সোবি ! সোবি মোই পাবুংচা !" তবাসিনা চা পুবদুনা চঙলকই অদুগা হায়বকই - "ঐবু ঙাকপীয়ু। মেদাম সুবমিলাগী মপান্দে ঐখোয় লাইপুংবানা য়ান্নুংগী নুবাবী ওইবা ফংজবনি, ঙসিদি শেংনা হায়দোক্লগে।"

ঐহাক ফমুংদগী হৌগৎলে, ফম্মাংদা লেপ্পী। তবাসিদগী চা কপ লৌবগা অমুক অনীবক চিংঙি।

"অদুবুবো যান্নুং !" তনুসি চঙল ক্লনা মনাওনুপীগী রাফম অদু শমথবা ওইনা হায়বকই- "মেদাম সুবমিলানা নিংথেমগী ইমাসি নুবাবী, ইমাসি দবল ওইদ্রিঙৈদা ঐখোযগা হান্না থেংনখি, যান্নুংগী ফোটো উৎলখি। ইবানীমক ইমৌ ওইনীংঙি হায়বম্মী, নুংশিনবগী কুম্মে হৌবোসু তাপীবম্মী ।"

"যান্নুংগী ফোটো অদু উবদে . ইচে ইবানীসু অদুম পামথোকপনা হানম্রে .।" তবাসিনা পাংশিল্লকই।

"ঙকপ্রেদা নিংথেমগী নুবাবী পনেং !" ঐনা খুদক্তা খঙনীং নীংশিংলকপা রাফম অমা কোৎশিনখি- "ঙাইখো, ঙাইখো তনুসি-তবাসি ! ঐগী টোস ওকখিবা, ফোটো কয়া নমখিবী নুপী অদুনা কনানো .?

"মদুদি ঐখোয খঙজদে।" তনুসিনা খুম্মী।

"ঐদি খঙইদো, ইতৈবাই !" তবাসিনা ওকশিল্লকই- "ওইবম্না যাই চিট্রাগোং ইমাসিগী লাইবাব চৎপী বেনুকা ! বেদ সন হোটেলদা মাগা থেংনখি।"

"বেনুকাসি, নুবীকাসি !" ঐনা অসুম মথং মথং পবেং লেংবদৌনা হাযদোকখি, "হৌজিকসু চম্মবি অদুবু কপালিনী-কমলিনী, পালিনী-পালিকা, তনুসি-তবাসি লাইপুংবা, মবি অনী নিপাল অর্দুদি মাপলসুবী অদো কনানো ? থিক্বা তাই, চিট্রাগোংদা। তনুসি তবাসি, চৎসি, অঙাংশিংসু পুসি অদুগা মযামগী প্যাসপোর্ট পুবা কাউনিকো।"

ঐনা ইখুৎতগী চা কপতু তবাসিদা পীশিল্লি। মহাক্না অবেম্না অদু থকচিনখি। মচেনা অমুক কপ মুল্লগা যাউম অমা থকচিনখি। নুংশিনখ্রবী লাই পুংবানি।

"ইতৈবাই ! কবিদা চৎকনি ?" তবাসিনা হংলকই

"হোযনে মোটোব বোট্রা মী ৮ চৎপদি নুংঙাইবোই ।"

"অদুদি ইমাসি পুংবা তোংলগা চৎসি।" ঐনা খুম্মী।

"ইমাসি পুংবা তোংবা !" তবাসিনা মমীৎ লংখৎলকই।

"হাই ! তোবোবী।" ঐনা শেংদোকপা ওইনা খুম্মী- "ঙবাং লৈকবা ষ্টিমব মচা অদো 'ইমাসি পুংবা' থোল্লবনি, উদ্রিব্রা ? ঙসি ইমাসি পুংবা উন্নবা চৎপদা সঙ্গাহৌবসি।"

"অস ! মাই ইমাসি পুংবাসে নুংশিব্রবোই।" তবাসিনা নোকফেৎ তৌনা কোচি কোৎশিল্লকই।

"হাই অপঙবী ! ইমাবু মীবাইবা যাব্রো ? ইমাগী নুংশিবা, তাল্লোযগী নুংশিবা, শকলোন মান্নদ্রবসু ফেব লৈহনবা যাদে, অমনা হেক্তা ৱাবৌনে।" ঐনা ঙাইহাক খল্লগা মখা শমথখি- " তৌবসু অমনা অপোকপীনি, অমনা লমজিংবীনি। মবানীগী মপান্দে

নিংথেম মঙাংসনানা লাইপুংবা ফংজবনি। ঐখোয় নিংথেম কোনগী চংনবোলদা মমাবু তাল্লোয়দৌনা নুংশিয়ু, তাল্লোয়বু মমাদৌনা নুংশিয়ু হায়বসু লৈ।"

"চুম্মী চুম্মী য়াম্নুং!" তনুসিনা য়ানীংবা উৎলদুনা হায়বকই- "অদো, লাইপুংবাগী মমিংদদি কবিগুল্বা পোৎশক অমত্তদা ইমিং থোনবীবোইদ্রা ?"

" হোয়নে, নিংথেমকোনগী কন্সেপ অদুগী মতুংইন্না ইচে ইবানীগী মিংদসু ষ্টিম্মব মচা অমদি মমিং থোনবীফম থোকই।" তবাবীনা ওকশিল্লকই- "চুমদ্রনে, ইচে তনুসি!"

"মবানীন। মদু হায়বক্তনি হায়বা ঐ হান্না খঙই।" ঐনা ভাইহাক খল্লগা শমথৈ, "নতৌ য়েংগে ত্ৰৌবনি, 'লাইপুংবা কৌবা' ষ্টিম্মব অমসু বিচতা খামদুনা লৈববনি।"

"থেঙ্ক য়ু, ইতৈবাই!" তবাসিনা হবাওবা উৎতুনা হায়বকই- "টোনিবু থৌহল্লগা ঐখোয় ইমা ইচা তকক তোংবা য়ানে।"

"ঙাইখোনে, টোনি হায়সিবু অনৌবা লাইভববা ?" ঐনা মতৌ য়েংনীংদুনা হংঙি।

"নিংথেম কৈফানা চৈবম্বদৈ কাটিস ককথৎলগা নিংথেম তোনিদমক কৌজবে।" তনুসিনা শেংদোবকই।

"নিংথেম কৈফাদো ওম্বোক্লা মক চঙখ্রে।" তবাসনা মবৌ লৈনা শোনক্লে, "কনাই মচাবু ওইবিগবা।"

"এঃ নঙদি ঙসিগী চিট্টাগোং গার্জিয়ানগী হেদ লাইন পাবগা তোক্লরোইয়ে, মহাক মিবাকল বোই অমনি।"

"হা! কৈফাবু মিবাকল বোই!" তবাসিনা খবব কোপী লৌখৎখি, মমীৎ তথক থৎপিদুনা জব জব পাগে।

"অমবু ওইবে, চৎসি চিট্টাগোংদা! নফি নবোল হোংদোকউবো।" ঐনা তকশিল্লি।

"যাম্নুং হান্না লোইশিনবিবো।" তনুসিনা তেনশিল্লকই- "হিয়াং হিবেল অনীমক লেঙবনা ফবোইদ্রা ?"

"ইচেনা হাযবদো ঐসু শৌগৎচবে।" তবাসিনা তকশিল্লকই- "ইতৈবাই! লেঙবা তৌবসি, স্নান তৌবীকবো।"

"থাগৎচবি লাইপুংবা!" ঐনা খুম্মী।

ঐহাক পম্ববমদ্রে, বাথ রুমদা চঙশিল্লে।



হিদাম্নে!

'ইমাসি পুংবা' অমসুং 'লাইপুংবা'! হিয়াং হিবেল (ষ্টিম্মব) অনী হিদাম্নে। নুবাবী আইলেন্দ মখোঙদগী লমথাবকপনি। বঙ্গ সাগবগী নীম মচু মাল্লবা, পাক্লবা ঈশিংগী ঈপাক্তা অনীমক থৌবি। অহনবা ঙাক্তনি, ঙসিদৎ সঙ্গাবনি। ইমা অনী অমদি ইতু অনীগী মমিং থোন্দুনা পুথোক্লিবা ষ্টিম্মব অনী য়াম্না চাউবা নত্তে। হেন্দোক্লা হিয়াং হিবেল কৌবা য়াই,

মওংসু ওডেল শেগ্গৌনা তৌবনি, থায়নগী হিয়াংনি। মী ১২ ফন্না য়াই। ঐখোয় নিপাল অমদা পূল্লপ চংলবসু য়াবনি। ব্বাবৌ, পুবৌ চাউবী মনি মমৌগী পেন্নবা তৌবসি য়াম্না ব্বাই। লাইশুংবা মচীন মনাওনসু অনীমক পুনীংঙি। মবানীগী ব্বাখলবুদি ফজবি। চিট্টাগোনিষ্ট মমা মচা অহুমসু নমদুনা নুবাবী মহলদা পুবর্কসি হায়বগী ফজববা ব্বাখল অমা লৈজবি। থাগৎচবি, ইতূ লৈমা অনী!

ঐগী ব্বাহে অসিবু হেনমল্লব্রা ? অংগ্রেজীদা 'মাই ব্বাইফ', 'মাই হজবেন্দ' হায়বা অসি ঐগী নুপী, ঐগী নুপা হায়দুনা হন্দোকপদা চুশিন্নদে। অদুনা অর্থ অসি শেংনা শেংনা হনবনা চুল্ল্রা খল্লি। মখোয়গী মবোন্দা 'সেক্স' হায়বা অসি অয়ুক নুংদাং, অদুম ঙাংনৈ। পাউ চে কয়াদসু এদভটিজমেন্ট কোলমদা অদুম ইন্নবর্বনি। ঐখোযগী ফজবা লোন্দা 'শিংলি তোলোম্বা' 'নুংলোৎ থম্বাল', হয়ি হয়া, হায়দুনা শীজিন্নবসু কায়দব্রা খল্লি। ঐদি মতাং মতাংগী ইতূ লৈমা অনীদা ঙাংনীং ঙাংনীংবা কযাসু ঙাংজে। 'থুমখোঙ', 'হৈবীলোক' 'নুবাবী দ্বীপ', 'নুবাবী সাগব' সাহিত্যিক ওইবা ব্বাহে ঙাক্তনি। চিট্টাগোনিষ্টশিংনসু বিদল ওইনা অদুম শীজিন্নবকই। নুংঙাইবা ব্বাহে পবেং অমদুম নীংশিংলকই-

"হাই! থুমখোঙ সম্মু থুংব্বী! অবংপী!"

নোংমা, অঙাং ওইবিঙৈদনি। ইনেসি কদম্বীনিনা মচানুপী অহন্দা চৈখি- "নঙবু নৌপ্পাদা ওংদৌবিব্রা ? শকর্থীবী মাযজাম্বী! নমাযদু য়েংজৌনে।"

হে! হে! হৌজিক্তা ভাব তাবকই। লোবী আইলেন্দগী বেনুর্কাসিদো সম্মু থুংঙ্গিনে, কনানা খঙবা, ওইবম্বা য়াই, ইচেমসি নুবাবী! মহাক্লা ঐঙোন্দা তান্ন-তান্নদুনা অবেব তৈবীখি। কাইনথংদা চিট্টাগো" ইমাসিগী লাইবাব চংপী ওইবকখিব্রা ? অসুম চিংনবকই। হোযদহে, হৌজিকপু হন্দোক হঞ্জিন য়াখিগদ্রা ? অদুবু, বেনুকাসিগী মায়থোং, কনানো মাল্লিবদো ? প্লাষ্টিক সর্জাব হৈবদা মমিং চংলবা দোক্তব লোবীনা কনানো অমগী মায়থোং ওষ্কাং ওনশিন তৌখ্রেসে! নহালখৈ চিংনবকপা অদু, চহী কুইববগী মতুংদা স্নান লাকই। তেদ টেল ওয়াহনবগী কুম্মে অদো, নুবীকাসি শায়োনবী সুর্বমিলা সেননা ফজনা হেক্তা শান্নবমলে। ফৈ খঙনি, চহী ৬০ সুববী হনুবী ফজবী নঙ! কুগব আইলেন্দা ঙাইবমগেসু পনখিদাই। হৌজিক্লা অমুক কোমাদা! মসিনা, নঙগী কবম্বা মেজিক!

"কৈদৌবে, মোই পাবুংচা!" তনুসিনা খঙহৌদনা হায়বকই- "নচানুপা অনীনা হিদান্নবিবা কুম্মে অসি নুংঙাইব্রা, অমনসু হেন্দে, অমনসু নোপ্তে, চপ মান্না থৌবিসে, য়েংঙুনে। নত্তে ঙসাইদে মংবদৌনা তৌবিদুবু ?"

"বঙ্গ সাগবগী মচা নুপী নীংশিংলি ওইবিনি।" তবাসিনা ফৈনা ওকশিল্লকই- "নিংথেম নুবাবীগী ওসিনিক বোমান্স কৈদৌঙৈবু লোইবগবা।"

"হাই! তবাসি নঙসিমা, নচাগী মমাঙদা ...।" তনুসিনা চৈহংলি- "নচীন্দো খরা

ব্রেক ফাওবা, ইবানীসে হৌজিক্তি বালেশ্বর বেগী তনুজা সিষ্টব ওইদ্রবনি। ইচা মবিগী মমানি।"

"তনুসি! তবাসি! নচা তাজদে।" ইমাসি পুংবা যৌবিবা নিংথেম টৌনি (নিংথৌবী) কার্টিসনা মমায়দি ওত্থোবকপা তৌদনা ওকশিল্লকই- "তনুসি তবংবী! তবাবী তশিংবী! নুংঙাইকো, ইমাসি পুংবা! ইমাসি দবল।"

"চুম্মী চুম্মী, টৌনি!" ঐনা পাংশিল্লি- "ইপাগী লাইপুংবা নমাসি অনীসে হৌজিক্তি নখোয়গী ইমাসি পুংবা কৌবা য়াবে, হা! কর্বি হায়গে, মমাসি দবল?"

"হোয়নহৈ, ইচে ইবানীসু ইচা মবিগী ইমাসি দবলনিকো।" তবাসি নোকফেং তৌজে। মখা তানা অমুকসু কোথদুনা ঙাংলকই- "ইতৈবাই! লাইপুংবা ইচীন ইনাওনা ইমাসি পুংবা, ইমাসি দবল হায়বা মিংথোল অদু ফংজবসে য়াম্না নুংঙাইজে, অসিগুম্বা পুন্সি অমা থোক্লগনি হায়বা থাজকদে।"

"অদুবু. ড্রিম কমস ট্রু!" নিংথেম টৌনিনা অমুক শমথবকই- "ইমাসি পুংবানা ঐখোয় মবিবু পূল্লপ পোকপিবসে য়াম্না নুংঙাইজে। ইহে! ইনাও নীংখোম্বনা হেঙ্গৎশ্রে।"

তনুসি-তবাসি থিক থিক নোকচৈ। ঐনা মবানীগী মযাইদা ফমলি। টৌনিনা 'ইমাসি পুংবা' যৌবিবনি। অসোমদা 'লাইপুংবা' যৌবিবা নীংখোম্বা অমদি মচল অনীসু নোক খেবদুনা নুংঙাইনা ব্রাবী শাজবি। তাকদ্রবসু নুংঙাইবমগনি হায়বা উই। মনীংদা ফমলিবা লৈখৎপী অমদি থাসনাগী কবক্তা জোকব মপী বাজু য়াওবি। বেদ সন হোটেলগী ব্রেটব বাজু! অদুঙৈ, ঐগী লাইবাব ওইখিবা বাজু! হৌজিক্লা খ্বাইগী অফল বাজু ওইদুনা নুবাবী কমপ্লেক্সতা লৈবে। ব্রেটব ওইদ্রে। ঐগা থাদোক্লবা য়াদবা মীশক অমা ওইববে, কাব দ্রাইভব ওইবি। অতৈসু কয়ানি। ঐনা মতেং পাংবা কয়া পাঙবীখি। নুপী থিয়ু হায়বদি য়াদ্রে। মঙোন্দা অব্রা-অনা অমত্তা লৈতে। লাংবা খোংপা পামজপ্রপোৎনি। ইচাশিংগসু য়াম্না চান্নজে। হায়বিমক্তদা হয়াহে তৌবক্লে।

'ইমাসি পুংবা' হিবেলদা তোংলিবা বাজুনা কমাল অপাকপা (অঙাংবা মচু) অমা হাইবদুনা লেপখৎলগা লাউবকই- "হাই! নিংথেম টৌনি কার্টিস! য়েংঙু তু! নিংথেম নীংখোম্বগী 'লাইপুংবা'না হেঙ্গৎলে, যৌগৎলকউ, যৌগৎলকউ।"

নিংথেম টৌনিনা মখুৎ য়েৎ থাঙ্গৎলগা খংলাউ লাউখি- "ফৈ ফৈ য়েংসি, ঐসু সী ইগলগী মচানি।"

নিংথেম টৌনিনা 'ইমাসি পুংবা' হিয়াংগী খুযৌ খংয়াং য়াংখৎখি। ঐহাক পাখৎলকই। মমা অনীগী মতৌ য়েংনীংদুনা তুমিন্না লৈবা তাখি। ঐসু কদায়দেনো, ইচা নুপা অনীদা ফাগী ওই, কবি ওইনা হিদান্নৌ হায়দুনা হৌদোক্লবনি। মবানীগী মতিংসু য়েংনীংই। হিয়াং হিবেল হিদান্নবা হায়বা অসি মীসু য়াম্না খংনগনবনি। অপো-অখোই চীন্দা পাউদানবদা, নৌ য়ান্নবগী ব্রাবী কয়া তাখি। চিট্টাগোংগী নিংথেম কৈবেন অমদি নিংথেম কৈজেংলাং মচীন

মনাওসু নৌ য়ান্নখি। ঐনা অঙাং ওইবিঙেদা উখি। অদৈদি হিদান্নবা তোকখি। মমাসি অনীসু মচা মচাগী হাক্ন চঙদুনা মশম ফোইনখি।

ঐগী লাইপুংবা নুবাবী অনীদি কমদৌবিবা ?



"হাই টোনি!"

তনুসিনা মচানুপা খান্না ওইনা হায়বকই- "ইমাগী নিংথেম টোনি! তপথৌ, নবানীবু কনানা হিয়াং হিবেল তান্নবীয়ু হায় . মোই পাবুংচা হায়সিনা কদোমদৈ হৌদোবকইনো ?"

"সুম নুংঙাইবদো . ।" ঐনা লাইপুংবা অনীগী মতৌবু সৎ সৎ য়েংলগা শমখে, "তৌবসু ঐখোয়গী ইথৌ অনীনা হিদান্নখিবা অদো খংনীং হেক নীংশিংলুই।'

ঐগী ওইদা ফর্মলিবী তবাসিনা ফুক হৌগৎখি, খংলাউ লাউখি- "হাই নীংখোম্বা! ইমাগী নিংথেম নীংখোম্বা! তপথৌ, নুংঙাইবা খোঙচৎনি, হিদান্নবা নত্তে।"

হিয়াং তান্নবদা খোংবাল চেনবশিংনা হিবোইশিং খৎনহল্লি। তেংমায লেপ্পশিংস খঙহৌদনা নৌ থাঙ্গৎনদুনা য়ান্নে। য়েংবসু নুংঙাইবা কুম্মেনি, খৎনবসু থুম্রপোৎনি। হোই লাওবা অসিসু তৌদবা য়াদে। মতাং চানা খামদোক্লবগা লেঙ্গোন্নদুনা চমথোক্লহৌদ্রবদি তুং কোইনা য়েংথিনবসু থোকখ্রিপোৎনি। ঐগী ইচা নিংথেম অনীগী মবক্তদি মদু থোকহনবা য়াবা নত্তে। কবিগীসু থোক্লগনি। লাইপুংবাগী মচানবু শোয়বা হৌনব্রা ? মমা অনী শিংবা মান্নে, মচা মচা খান্নখ্রে। টোনিসু নাংখোম্বসু হিয়াং হিবেল খোঙজেল তপথনখ্রে, চাং অমদা থৌমিন্নবে। ব্রাবী শাবা য়ানা নকশিন্নবে। মচীন মনাও খূবী থাংগৎনৈ।

"তো! অদুনিদনা ..!" ঐনা হায়দোকখি।

"মোই পাবুংচাসু নহা ওইবিঙেদা তৌবিনিয়ে।" তনুসিনা হায়বকই- "সেবোৎতা মাইবেনদি পানবা হৌনদে।"

"অদুবুদি গোরাদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিযাগী মোটোব বোট বেসতা নিংথেম মঙাংসনানা চেম্পিয়ন ওইখ্রিদুনি, ইচে।" তবাসিনা পাংশিল্লকই।

"গোরা হায়বগা নীংশিংলকপা অমা লৈবে, য়াম্মুং!" তনুসিনা ফেঞ্জিল্লকই, "অঙকপা থৌদোক খবা থোকখি হায়না তাখি ..।"

"ইতৈবাই! কিলো মিটব ২৩০ শাংবা ঈশিংগী লম্বীনি, বোট বেস বোমাঙ্গকী ব্রাবীদো লীবোদনা।" তবাসিনা ওকশিল্লকই।

"তনুসি-তবাসি!" ঐনা টোনিদা খুদোম্বী খিন্দুনা ঙকসু ইল্লপ তৌই - "ব্রারী

লেমহৌবনি। পূং ৩/৪ চঙগদবা লম্বীনি, নচানিংথেম অয়াংবা অনীগী স্পিদ অসিদি ঐঙোন্দসু হেন্দৌবি, য়ৌবু য়ৌদৌবে।"

"টোনিসু তাসনু, মাসু বোট বেস য়াওহন্নীংই। অদুগা মনাওসু।" তনুসিনা ওকশিল্লকই- "মোইপাবুংচানা থেংনখিবা এক্সপিবেন্স কয়াদো নচা অনীদসু তাকপীবন্মু।"

"বোট বেসকী টেক্নিক এন্দ ষ্টাইলদি মবানী পূল্লবা মতমদা তাকপী তম্বীবগে।" ঐনা অসি হায়বগা মখা সৎ তাশিল্লি- "তৌবসু, তনুসি ! অবব সাগবগী ৱাবী থৌদোক, বঙ্গ সাগবগী ঈয়াইদা লীবা নুংঙাইবোই। অদুই শরুক . .।"

"অদুই শরুক গোৱা কোইকসি হায়বা নৎত্রো ? কৈদৌঙৈ চৎসিগে, য়াম্বুং ?" তবাসিনা ওকশিল্লকই।

"থুজিল্লকখিনু, তবাসি ! ফেমিলি পূম্না চৎসি।" ঐনা থৈদোক্তুনা খুম্মী।

"পাবুংচা ! ফেমিলি হাযদুবু ঐখোয় য়াওব্রা ?" নিংথেম টোনিগী ৱাহংনি।

ঐনা খুমগে তৌবিঙৈদা তবাসিনা সৎ হেক্তা খুমখি- "য়াওইনা, কোপল নৎত্রগা ত্রিপল হাযবা অসিদগী ফেমিলি থোবকইবনি, টোনি ! মোটোব বোট অহনবা অনীসু ইমানা নবানীগী বাৰ্ঠ দেগী গীফট ওইনা পীবগনি, কুইসু কুইদ্রে। হয়েংমক মামসি বোহিত বোসকী খুখাঙদা ওর্দব তৌবগনি।"

"এঃ তবাসি নঙদি কদায়দৈ পৈশানা পীদোইবা ?" ঐনা মতৌ য়েংনীংদুনা হংঙি।

"খিৎ লীকশিল্লনু, মোই পাবুংচা !" তনুসিনা ওকশিল্লকই।

"ফাগী তৌবনিদা ! মোটোব বাইক লৈদৌ শরুক ঈশিংগী মোটোব বোট লৈবদি ঐসু য়াই। ঐনা মখাতানা শমথৈ - "ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী চেম্পিয়ন ওইদ্রবদি ওল ইন্দিয়াগী চাংয়েং য়াওবা য়াপোৎ নত্তে।"

"লাইবক য়েংজগে টোনিপা !" টোনিনা খুম্মী

"অদুগনে টোনি ! নপাদৌনা অহিংদা নুপী কোইবা চৎপদি যাবোইকো।" তনুসিনা নোৎশিল্লকই।

" টোনি ! নখোয় হৌজিক্তি পাখঙ ফাবে, কবিসু ইকায়নিংঙাই ওইদ্রে, নুপা নুপী ওইনা পোক্রবদি নোংমা লুহোংবা হায়বা অসিদি শোয়দ্রবনি, মতা চাবা য়েংশিল্লু, ফাইবোক পুংবাদদি লৌকনু। নুপী লোনগে হায়বসুনে. । " ঐনা নাক য়েংতা ফমলিবা লাইপুংবাবু খুনীংনা কক কক খিল্লগা হায়দোকখি।

"এঃ ঐখোয় ইচীন ইনাওবু চংহাৎ হাৎপীববা !" তবাসিনা শাউবংতৌনা ঙাংলকই- "লাইবক্তা তমলমদুনা তৌবসিবু।"

"তবাসি ! ফিংগৎখিনু ! নচাগী পাউখুম তানীংদুনা হংবনি।" ঐনা শেংদোকই।

"খুম্মু খুম্মু, টোনি !" তবাসিনা তকশিল্লি।

"ত্রিপল ফাদব মাদব ! মুন্না তাবীয়ু।" নিংথেম টোনিনা কবিসু চিংনবা লৈতনা হায়বকই- "বঙ্গ সাগরনা কসম ! তশেংবতা হায়জগে, নিংথেম ইচীন ইনাওদি লাইক ফাদব, লাইক সনগী তায়োন্নবদা চংতৌবে, নুপীসু লৈবে।"

তনুসিনা মবক থৎচিল্লকই- " কৈনোনে, ইমাগী টোনি কার্টিস নঙনা হায়বিদুবো ঐখোয়গী ইমাসি থানিল সনানা হুন্দক লাক্লব্বা অদুদা হ্ কামশিল্লব্রা ?"

"তনুসি ! টোনিগী বা তাখো।" ঐনা মবক থৎচিন্দুনা হায়খি- "অদুগুম্বে থম্নৌ সনা, থেম্বুংসনাগী বাখলদো কমদৌনা লাইচুবকইবা, নিংথেম ইচা অনীদি ত্রিনসু নৎখিদে।

"অদু ওইবসু !" তবাসিনা থেৎচিল্লকই- "ত্রিনগী বাখল চেনফম থোকই, অনীমক লাইপুংবাগী মচানি, কৈসু।"

"অদুসু চুমদবা নত্তে।" ঐ গুইহাক তুম্মিন্না লৈ। ঐগী ইচাশিংগী অমদি মমা অনীগী য়াম্না ফজববা মওং অমা লৈ। লাইপুংবানা মচা মবিবু ইচেনা পোকপনা অসিনি, ঐনা পোকপনা অসিনি হায়দুনা খক হায়খিদে। লাইপুংবা ইচীন ইনাওনা পূন্না পোকমিন্নবনি হেক্তা খুম্মী। মসিদা মী পুম্নমক ওক্লখি। চুমদেসু কবম্না হায়গনি, হৌজিকসু ঐখোয় অহুম পূন্না অদুম তূম্মিন্নে, ঐনা ময়াইদা। নুংঙাইত্রপোৎনি লাইপুংবাগী থৌগল ! অদু ওইদুনসু হিবান, হিগুাইগী ফজববা চংন-পথাপতি ঙাকনৈ।

"ইচে ! হিমায় লৈথোকচবে, লাপথোকচবে।"

"তবা ! হিমায় লৈশিল্লকউ, ইচে অমুক লৈথোকচবে।"

লাইপুংবাগী নীতি নিয়ম ওসি ফাওবা কায়দ্রি। তূন্নমদাইগী মতম অদুনা তোঙানবনি। অহুম্না অমতা ওইনা কেতুকী লোৎপী ! ঐনা য়াওনবা খুদিংগী চেপথোক চেপশিন তৌই অসুম হায়না চংথবকপা ত্রিপল লাইভনি। ওসি ফাওবদা কবিগুম্বা বাথোক লাম্থোক অমত্তা থোকখিদ্রি, থোক্লিংঙাইসু লৈতে। ঐনা অঙাং ওইবিঙৈদা লাইব্রা তাকপীবব্বা কেবী সিষ্ট ' নয়ানা থাগৎচবি। মসিনা ভাব মেন তাদ্রিঙৈগী বানি। তনুজা সিষ্টবগী থৌগলনা প্রাক্টিকেল তাববনি। লাইপুংবাগী মবক্তা খল পায়বা হৈববদি নুপী লোনবগী খ্বাইদগী ফববা পাম্বৈ অমগী চাংয়েংদি মায় পাক্লে। ঐঙোন্দসু কবিগুম্বা পেন্দবা অমত্তা লৈত্রে। থোইদোক্লা ইমাসি দবলনা ঐঙোন্দা, ঐগী খ্বাংদা লাইনুবী পরেং থোনবিখিবা মতুংদৈদি অঙকপা মখলগী মঙাল অমসু ফংবা ঙমদ্রে। মদুমদি নুংলোৎ থম্নাল বাননি। লাইনীং লম্বী অথোইবনি।

ঐগী নুংবাখলনা উংজানববসু মমা মচা অহুমদি তোঙান তোঙানবা বাবী শাজবি। মচা পাখঙনা নুপী থিরমদাইদদি মমাদা অকুপ্পা বাবী শাফমসু থোকই। মপাদদি কয়া হায়গন্দে। মসি তাইবংগী লোনচংনি। অদুবু ঐনা মবক খংথং থৎতুনা হংঙি- "নিংথেম নচীন ননাও অনীদা পূন্না ওংগনি হায়বিবী নুপী অদুদি কনানো ? মমা মপানা য়াবে হায়ব্রা? কদায়দৈ অঙাওবীনো ?"

"পাপা ! বা পুম্নমক ফাইনেল ওইববনি।" নিংথেম টোনিনা ঈচং থৌনা হায়বকই- "নিংথেম ইচীন ইনাওসু লাইপুংবাগী মচানিনা বাখলসু চপ হেক মান্নকই, নোংমা সমুদ্র মপান্দা নুপী অমা থেংনরুই, ইবানীমক পামলুই । নুপী অদুসু অঙকপী হেক ওইবম্মে,

ইবানীমক পান্মী হায়বকই। অহানবা থেংনবদা ক্লাইমেক্স অদুম ওইহ্রে। বটল পৃন্দুনা হৈ মহী থকমিন্নখি।”

“য়াই য়াই, ইমানা য়াবি!” তবাসিনা খংহায় হায়বকই- “হৌজিক মতমগী ফেমিনিষ্ট মুভমেন্ট অসিদা ইমৌ নুপী ওইদৌবিবী অদুনা লৌবিবা রাবেপ অদু থাগৎনীংঙাইহনি। কবি হায়গে, ইচে ?”

“নঙনবু য়াবদি ইচেসু য়াবে, অতে ফেমিলিদা চৎনদ্রবসু ঐখোয়গী ইচা অনীনা হৌদোকপদা অকায়বা লৈবিরনে, মোই পাবুং ?” তনুসিনা য়ানীংবা উৎলদুনা ঐঙোন্দা নোৎশিল্লকই।

ঐহাক তৃম্মিন্না ঙাইহাক লৈ। ইনেমবোক অফাওবী অমদি মমা অনীগী থৌবাং শোযদনা ওইবমগনি খল্লি। ঐনা য়াবোই কবম্মা হায়কগনি ? ঐগী য়ুম্বাল্লোনগী মাযোক্তা হৌবকপা ঈহৌ! ইচাশিংনা ঐঙোন্দা পাবা অমা তম্বীদৌবিব্রা ? তৌবসু, চংনবী হোংদোকপদা ঐহাক্তি শৌগৎফম থোক্লে। নুপা ওইবশিংনা নুপী লোননীংবমখে লোনবদা অথিংবা কবিসু থমদ্রি। মহাভারতকী দ্রৌপদীসু মঙাদা ওংবীনি। ঐগী ইচা নিংথেম অনীদা ওংদৌবিবী থৌনা ফবী চনু অদুবু কনা ওইবিগবা ? মাবু কমদৌনা অঙাওবীনি, নৎত্রগা নুংশিবদা খৃবাম চাওবীনি কবম্মা হায়কগনি। নঙদিনা .. ? হাযবা রাহং অমা ইচাশিংনা হংলক্লনি। ঐখোযগী নিংথেম পুযাগী লাতম অমদা অসিগুম্বা থৌদোক অমসু থাযনঙৈদা থোকখিবগী রাফম থেংনৈ। ইচা অনী অসিবু মখোয়গী শাযোন ওইবিদ্রা ? ব্লদ লাইন জেনেটিসকী থিয়োবি হায়বা অসি খবমখৈ চুমদে কবম্মা হায়কগনি ? নিংথেম টোনি অমসুং নীংখোম্বা অনীনি হৌজিকসু পূন্না অদুম তৃম্মিন্নবি। নুংশিনব্রবা ইচা ঙাক্তনি। ইচা নুপী অনীসুনি, মবানীসু নুপা অমদা শোযদনা ওংখিদৌ মাল্লকএ। ফবেদা, মাগী মাগী অপান্বা তৌজবসনু। ঐগী ইচা মবি অসিসু নুংঙাইহ্রজাৎনি। মখোয়গী মমা অপোকপী কনানা কনাগীনো হায়বা খঙজবমদে। ঐখোয়গী অপোকপী ইমাদি লাইপুংবানি হায়দুনা হেক্তা খুমজে। চুমসু চুমলিবনি, পূন্না মীবোনখিবা ঙাক্তনি। পোকপসু নোংমদা পোকখি, পূংফমদি খবা খেন্নখি। মবক অদুদা ওম্বাং ওনশিন অদুম তৌখি হায়বসু য়াই। মচা মবিমক্তা মমা অনীগী খোল্লাং থকচখি। ওকপী মথাদা মচা ময়াম মুন্নবদৌনা তৌখ্রিপোৎনি। অদুনা লাইপুংবাগী মচানি হায়বদা লাল্লিংঙাই লৈব্রা ? অদুবুনে, হন্দকতি নিংথেম কৈফানা কিথুম পুবদৌনা লাক্লগা ঈবম ঈখায় ফজনা তৌবীবল্লে। অদু ওইদুনসু নিংথেম টোনি অমদি নীংখোম্বা অমত্তা ওইনা তাইশিন্নখিদৌবে। নিংথেম কৈফাগী মিসন! মাগীসু পান্দম অমা লৈজসনু।

“কৈদৌবে মোই পাবুংচা! নচা নিংথেম অনীগী রাবেপ অসিবু য়াবীনীংদব্রা ?” তনুসিনা হংলকই।

“য়াবা তাবনি; ঐগীসু অশোয়বা লৈব্রে।” ঐনা অসুম্মা হৈনিংফাৎতনা খুম্মী অদুগা টোনিদা সং অমুক ওনশিন্দুনা তকখৎলি- “টোনি! নুপী অঙাওবী অদুবু কনানো ?”

তবাসিনা মবক থৎতুনা তাপ ওকশিল্লকই- “এঃ ইতৈবাইদি মতম অমদা নুপা অঙাওবা ওইখিদব্রা ?”

"হোয়নে, হোয়নে ঐসু ঙাওখি। মনেম ওইগদৌবা লাইপুংবানবু য়াববদি ঐনা কবি ইতিক লৈদুনা য়েংলুফম লৈবি ?" ঐনা অসি হায়বগা টোনিদা অমুক ওনশিন্দুনা হংঙি - "হাই ! নিংথেম টোনি ! ছোনোচুবী অদুবু কনানো হায়মী।"

"অদুবুবো পাপা ।" নিংথেম টোনিনা ঙাইহাক ব্রেক ফাবগা খংকাউ কাউথবকই, "মিস চিট্টাগোং ! সিষ্টব জেনেলা !"

"হা !" ঐহাক খাই লাওখি, মখা তাখিদে।

"তস ! অদুনিদনা ইমাগী নিংথেম টোনি !" তবাসিনা য়াম্না কল্লক পেন্না অসি হায়বগা খুবাক প্রোক প্রোক খুবদুনা শমথবকই- "ইমাগী ঙক সেভ তৌবনি, জেনেলাগী মশাদা ঐগী ঙক পানবা য়াববোই, হেদ টেলগী ওপবেসন ফেল ! হয়েংলা হংচিংলা লুহোংনবা তৌবসি, চিট্টাগোংগী ইমাসি পুংবা হিংলিঙৈদা অঙকপা কুম্মৈ অদু যেংহনসি।"

"টোনি ! বোট খাম্মু, চিট্টাগোং চীংজিন য়ৌবে !" ঐনা য়াথং পীখি।



হিয়াং হিবেল অনী !

চিট্টাগোং চীংজিন চুথেক্তা চপ হেক মান্ননা থুংলে। ঐগী পুন্সিগী টর্নিং পোইন্ট ওইখিবা মফমনি। যুগ পুববা খোংনাং বট পাম্বী হৌবমলি। চিট্টাগোং ইমাসিনা ঐবু হিনাও মচা অমদা নমদুনা তোংহল্লগা ইছোবকখিবা মফমনি। চহী কয়া মমাঙগী যৌদোক ! নীংশিংলুবগা তু চুংঙি ! ঐঙোন্দসু অকি তুজুংবা অমত্তা হেক পোকখিদে। ইবুধৌ নিংথেমশিংগী মতিক যৌনা পল্লদুনা যৌনা হাপ্পীখি। চিট্টাগোংদা অদুম লৈবল্লবদি ঐনা কৈদৌঙৈদসু, দোক্তব ওইবল্লোই। ময়ামগী পাখোল্লোই অমদি প্লে বোই ওইদুনা মাঙলম্বা য়াবনি। বাংলাদেশ নীংতম লানগী ব্রাফম অদুসু অচৌবা মবম অমনি। চিট্টাগোং ইমাসিনা থাজিন ফাওবা ঈশিংদা লৃপ্পুনা লৈহৌবদো মীংতা শং শং হেক উবকই।

ঐহাক ঙাওবকই, মীংতগী পি শিন্থবক্কে তৌই। ইখং হেক খঙহৌদনা হিনুংদগী কংফালদা চোংখংলি। খোংনাং বটকী মক অমদা লেপ্পগা লৈজবী থাবদুনা লাউখি, "ইমাসি ! ইমাসি পুংবা ! নচা নিংথেম মঙাংসনা লাকচবে। অদুঙৈগী চিট্টাগোং চীংজিন্দা থুংলবে, নিংথেমগী নুবাবী নহাকসু কবিগুম্বা তাববদি খোমলেন মিকপ থোক্কো। নহাক শিখিবা য়াবোই, ব্রাশক অমা ঙাক্লমখো। নমৌ ওকপীনি হায়বগা খাই মাঙখিবা কবিগীনো ? ঙসিদি থুংলবে, নমৌ লাইপুংবা, নমৌ ওক্লবো, ইমাসি দবল !"

ঐগী খোল্লাউনা খোল্লাং য়ৈখি। হিয়াং হিবেল অনীদা তোংলিবা মখোয় ইঙক ঙক্কুনা তুম্মিন তুম্মিন লৈনে। হি থাংজিনগনি হায়বসু কাউবগুম তৌখিমাল্লে। ঐগী নুংলোন ইঙ্গিৎ পুন্নমক খঙলবী লাইপুংবানা হিয়াং হিবেল কমান্দ তৌবা তাবকই। ঐসু নোবমেল তাবকই।

"নিংথেম অনী!" তনুসিনা মচা নুপা অনীদা যাথং তাউখি- "খোংনাং বট মখোঙগী যোংাল অসিদা হিযাং হিবেল থাংজিল্লু, প্রপ প্রপ কাখৎলসি, কৈনো অমা থোল্লবা যাই। ঐদুম তু চুংঙি।"

"কৈনো অমা হাযদি কবিনো, তনুশি ?" হি থার্মলিবা নিংথেম নীংখোম্বগী বাহংনি।

"ঐসুনি ইচে!" তবাসিনা খুম্মী অদুগা মখাতানা কমান্দ পীবকই- "ঐখোয লোযনা কাখৎলসি, বাহং পাউখুমগী মতম নত্তে। কবিগুম্বা নিংথেমগী থবাথ মিকৌবেন তাবম্লবদি .. ।"

"কৈদৌবা, তবাসি ?" বাজুনা নোল্লুক্লা হংখ।

"বাজু ! মফম অসি নখোযগী বাক্সা সাহেবগী পোল্লুফমনি, চীংদিন অসিসু কাউঙমদ্রবা মফম অমনি অদুনা খঙহৌদনা ইমোসনেল ওই'কফম থোকই।" তনুসিনা মনাও নুপীগী চাম্বাং ওইবা তৌদনা খুম্মী।

হিযাং হিবেল থাংজিনখ্রে। ঐদ তুং তন্না যেংলু'দ । " ' ম অনীনা মমা অনা মচল অনী মথং মখা খুংশমদুনা কংফাল যৌবক্লে। ঐসু জ্ঞান তাবক্লে, উ' মথ ক্লগা .গংথবদুনা চপ লেপ্পী। পাথপুব তম্মা মীংযেং থন্মা।

চিট্টাগোং নিংথেম কোল্লপ মফম অসিদগী থোইনা লাপ্পসু নত্তে। লৈবক খুতকপা অমা চমদ্রিং চঙখ্রি। মতেন হেক থোকফমদা লৈবর্বনি। নিংখোঙগী চিংখেক অসি অবেনবা তিগাংফমনি। নিংথেম পুথিবনা ইহান হাগ্রা থুংখিবা মফমনি। 'নিংথেম কোচিন' হাযবগসু খঙনৈ। চিট্টাগোং চাংজিনগী মমাঙথংবা কোচিন আসদা মাইবম মযাম খুন্দাবর্ম্মা। মফম অসিদা 'লাই পাখঙফাবী' লাংফমগী শঙলেন অমা লৈবম্মী। চিট্টাগোংদা খুন্দাবসি মাইবমনা ইহান হাল্লি হাযবি। ফনা কুইনা খঙনবমদে। মাইবম কিথুম পুবা হাযবগা খঙনবা নুপা অমনা লাই পাখঙফাবী শান্নদুনা লোৎলম্মী হাযনৈ। মতুংদা নিংথেম পুথিবা অমদি যাইসনা থুংলবনি। নিংথেম পুথিবনা শাফোঙবা হানখিবনি। অদুনা মাগী মমিংনা খুম্বোক হানবা ওইনা লৌনখি। শাংলবা পুবাবী ফাক্কৎলুবগী মতম লৈতে। মচং খবদসু পন্দবা যাদ্রে। মাইবম কিথুম পুবা হাযবা অসি চিট্টাগোং ইমাসিগী মবুথৌ পুবেল নাককগনি। পুযা শৃবা অমসুনি। মহাক্লা কোর্বেক কযা, লাই পাখঙফাবীগী শঙলেন্দা লোৎলম্মী হাযবসু তাখি। ঐগী অপোকপী চিট্টাগোং ললীতাবীনা পাম্থে পাউবৌ, লাইবা নুংবা মযাম খংলিবা অসে ইবুথৌ কিথুমগী কোর্বেক খবা পাযবমগনি।

ঐনা নিংথেম চিথেক্কী খোংনাং মখোঙদা লেপ্লুনা লৈবিবা অসি মথক্কী পৌবপ্পা লম্মীংলোন অসিগা মবী লৈনৈ। চিট্টাগোং ইমাসি কদাযদা লৈবমগনি ? মহাক্লা লৈবম্বা যাবা মফম অহুম লৈবি। ঐখোয নিংথেম কোল্লপকী লম মাঙদ্রি। মদুগী মমাঙদা লাইনুবাবী শঙলেনগী লম্পাকসু লৈবি, অনৌবা শঙলেন অমা শাগৎলে হাযবগী পাউ নিংথেম কৈফনা পীবমলে। ইবুথৌ পুবেল কিথুমপুবগী পাখঙফাবী শঙলেন্দসু চিট্টাগোং ইমাসি লৈবম্বা যাই। মহাক লৈবা মফমদা নিংথেমগী নুবাবীসু লৈবমগনি। ইমাসি পুংবা ! মচা নিংথেমনা

কৌবা তাববদি শোযদনা চেষ্টোবক্কনি হাযবগী থাজবা লৈ। অদুনা লেপ্লবনি। অমুক্ক কৌদুনা যেংখিবা তাই। অদুবু, ঐনদি কৌববোই, খঙনি মশৃশিং কৌহনগে।



"মোই পাবুংচা! লেঙশিল্লাস।" তনুসিনা অসি হাযবগা ইনাক্তা লৈপ্লে-

"মাঙ থাবীযু ভুং ইপ্পগে।"

"ঙাইখো তনুসি!" ঐনা খাম্মী।

"ইতৈবাই! কোমাদা লৈববী অদুনবু ।" তবাসিনা মখা তান্দনা তোকখি।

"মিকুপ অদুদা ঐনা মিংথোল অমা খংনীং নীংশিংলকই। যৈ খঙনি, পৃক্লিংদা খল্লি অদুগা ইচানুপী অনীবু তনকৌ কৌই "লৈখৎপী, থাস্না ' নবানীনা লৈজবী থাদুনা অবোর্কসি নুবাবী ঐখোয লাকএ হাযদুনা অমুক্কং হৌনা লাউশিল্লু। নিংথেম নবানাস যাওশিল্লু।"

"অদো যাম্নুং! চিট্রাগোং ইমাসিনা মাবু হান্না কৌনক্তে হাযদুনা থাবৈশৈইদ্র ।" তবাসিনা হাযবকই।

"শাউবোই, শাউবোই।" ঐনা মখা শমথৈ "ইমাসি দবল্দি, আই মিন, ইমাসি নুবাবীদি গেট রে টু লাইনুবাবীনি। মহাক্কা হান্না উন্নদ্রবদি লাইনুবর্বা উন্নবা ফংলোই।"

"হাইস! নখোয নিংথেমকোনগী লাইকৌবোন, মীকৌবোন অসিদি জং জং ওইবেকো।" তনুসিনা মখক্তা ঙাংজে অদুগা মচাশিংদা অমুক ওনশিন্দুনা মঙক ইল্লে. "কৌবো কৌবো, ইমাসি পুংবা!"

তবাসিনা ঙাইহাক খল্লগা মখৃদোম্নী থিন্দোক্লদুনা হাযবকই- "ইচাশা! ঙাইখো ঙাইখো। অবোর্কসি নুবাবী 'নুবাবীগী' নিংথেম লাকএ, লাইপুংবাসু থুংলবে, নর্শৃশিংসু লাকচবে, লাইনুবাবীসু লেঙখোকপীবকলো হাযদুনা অমুক্কং হৌনা লাউশিল্লু।"

"মেদাম তবাসি!" বাজুনা মবক থৎতুনা হাযবকই- "ঐগী খোর্লদি হৌখ্রপোৎনি, উথক্তগী লাউজৌবা।"

"বাম্রু থোইগ্রবী লাইবেম্বী ঙাক্তনি" তনুসিনা হাযনকই "লাইনুবীগী ভাবতা অদুম লৈখ্রবীনি। মশৃশিং কৌসনু, অনাবীদুনা তাদ্রবসু অমাদি থওইনা তৌবিবনি।"

"ইমাসি পুংবাগী চাংযেংদা ঐসে হিগোক হেক থোক্তৌব।" ঐনা শোনজে অদুগা ইচাশিংদা অমুক ওনশিন্দুনা চৈবগ তৌখি- "তবাসিনা তাকপা লাইকৌবোনদো কৌবোদনা। মদুদা অমত্তা থোবক্তবদি কোমাদা লৈ, লৈতে খঙদৌবিবনি।"

"হোয পাবুংচা!" লৈখৎপীনা অসুম্না খুল্লগা তবাসিনা তাকলিবা লাইকৌবোল অদু মাগী লৈজবী থাদুনা কৌই।

ইচানুপী লৈখৎপীদি মখোলসু যাম্না নুংশিবনি। মহাক্না ঈশৈহনবী ওইনা কৌজবা অদুদি পূক্লিং থুক লাওই। অদৈদি মনাওনুপী থাসনা পাংশিল্লকই, মবুং অনীসু যাওবকই। মফম অদুগী অচীকপা শ্বাই মাঙস্রে। খোম্বাং যৈ'খ, খোম্বাংসু হন্দোবকই। সমুদ্র মপান্দা ত্রাবা মীওই কযাসু থোৎক্তুনা মুশূক মুশূক যেংনবক্রে। কমদৌনি সিদি ? ইমাসি পুংবাদি লেঙথোবক্ত্রি। ঐসু চংঙোইদৌবিবনি। ঐগী ইঙ্গিৎ ঈবাং মনুং হাঞ্জিন্না খঙলবী তবাসিনা লৈবক অখুবী তম্না খংকৌ অমুক কৌবদুনা লাউশিল্লি "ইমাসি ! নিংথেমগী নূবাবী ' নমৈ তনুসি তপাস যৌজবক্রে . খোমলেন মিকপ থোক্রো, নচা নিংখেম্না নঙবু লৌবা লাকএ . ।"

হনুবী মম্বাং কোল্লবী, মযসু ঙমত্তা যাওদ্রবী অমখক্না চৈশূ সুবদুনা ইমাঙদা লেপ্লবে। মমীৎ কৃপ্তুনা যেংলগা নোম্বপ তৌনা ঐঙোন্দা খুকম্মী- "হাই ! নিংথেমলাবাগা মচা লাইপাখঙ ! তোল্লবী চত্তুবিনা খুৎমজবি। নঙদি লাইনিনে, লাইগী মচানি। ইশূ লাকপা ফবে। ইবোকপু নঙনা খবা ঙাকপিবস্মু।"

ঐনা হনুবী অদুগী লেঙজুম পাযবগা নোকফেৎ তৌনা যেংজৈ - "ইবোক চত্তুবি ! নামং তাখিবা কুইবে। ঙসি দর্শন ফংজবসি যাম্না নুংঙাইজৈ। অবোক্কী কৃপাদগী নশূনা চিট্টাগোং লাইনুবাবীগী নচা ওইবা ফংজবনি নশ্নসু খুৎমজবি। চপ অমুক লেপখৎলি। অদৈদি, মযাম অদুনা ঐঙোন্দা খুকম্বপ, খুৎম্বসি .।

"লাইপাখঙ, খুৎমজবি !"

"নিংথেম, খুৎমজবি !"

" ঐখোযগী যুমদা অতিথি ওইবীযু !"

"বাজা সাহেব, নমস্তে !"

মতম কুইববগী মতুংদা, চিট্টাগোনিষ্টশিংনা ঐবু ওকপীবা অদুদা হাযফম খঙদনা নুংঙাইজৈ। খবনা চিট্টাগোং লাইপাখঙ থুংলবে, থুংলবে লাউবদুনা চেনশিনখি। চিট্টাগোং নুবাবী খবসু মমীৎ খৎচিল্লকপা যাওবিপোৎনি। দুম নিঙোল অমুবীসু নুপীনি, বাশি লৈবী যা ওই। থাযনগী কৎথোক কৎশিন অদো ঐহাক লৌভনীংদ্রে। নিংথেম সাগবসনা মতমগী থমাইবোন্দা হিংলম্বা মীবোন্দি লোইত্রবনি। অদুবু চৎনবোল খবদি উবা ফংঙি। প্রোপব চিট্টাগোং সহবগী ফিভমগা যাম্না খেন্নবি মিস চিট্টাগোং খনবগী থৌবমদা, ঐহাক অমুক লাক্লম্লবনি। ঐবু থ ওইনা অথোইবা আতিথি ওইনবা কৌশিবা ওইগনি। নিংথেম কৈফাগী থৌবাং ওইবমগনি হাযবা অসি খঙলক্রে। মহাক্না পামলিবসি কবিনো ? ঙাইহাক্তং খঙ্গানে। মতম অদুদা ইখুনদি যৌশিল্লমদে।

ঐনা চিট্টাগোং ইমাসিবু বাবা সুকুমাবদা কন্যাদান কৎতুনা লুহোংবীগে খনখি। মহৈ যানখিদ্রে। ব্বাবী অদুদি কৈফাসু শোযদনা তাবমগনি। কনানসু মেনশিনবা ঙমলোইদবা থৌববা চীন অনীখক মনাক্তা লৈ। ইস ! হৌজিকপু . . নিংথেম নুবাবীগী অনৌবা পন্দূপ অমা ! মমাসি নুবাবীবু ঐঙোন্দা কন্যাদান কৎতৌবা মানশ্রেদা !

শোয়দ্রে, শোয়দ্রে ... ঐসু চেলহৌবসিবা ? চিট্রাগোং নিংথেম কোল্লূপ তাবা লৈবক অখুবী মনুংদগী চেঙ্খোরক্লে, চেঙ্খোবক্লে ... নুপী অমখক ! অঙাওবীদৌনা তৌবা মাল্লি; মশম মনা ইফা ফাবদুনা চিট্রাগোংগী নামিবা নুংশিং মবক্তা অমুক নোংগী মপৈনা পায়বদৌনা উবকই।

ঐবু চেনশিনসিবা ... ঙাইসিবা ?



"নিংথেম !

নুবাবীগী নিংথেম ! ইমা নাবা ফবে, ইমৌ ওকপা, ইশূ ওকপা থোবক্লে, থোবক্লে। লমন অমা তোল্লি, ঙসিদি শিংদোক্লগে।"

খোঙ্খাং খোঙেল অসে খংতা তাবকই। ঐহাক শ্বাই লাওই। চহী কয়া মমাঙগী রাফম, মহাক্তি অমত্তা কাউবর্মদ্রি। মহাক নর্কশিল্লকলে। মখূৎতা মবী মবাং অমা যাঙ্বা উবকই। অতৈ নত্তে, আই ভি সেট থদংলগা চেঙ্খোবকপা ওইর্বিনি। মচা মমৌ মর্শিংগী নুংশি মিকৌ তাবদা মিকপ থোক্লমগনি। মাগী থরায মিকৌবোল হেক তাবগা কৈদৌঙেদগ মনাকোং মেনশিন্দুনা লৈবসু ঙম্মোই। মসিমক হৌজ কয়াবক ঐনা খঙত্ত্রবনি। অদুগুম নিংথেম লাবা শিবগী অহিংদসু (মাগী মমঙদা মঙফাওনদুনা) আই ভি সেট থদংলগা চেঙ্খোবক্লুনা বঙ্গ সাগবদা চোংথবা ঙর্মখবীনি। মাগবু থেংনববদি ক্লাইমেক্সনা এন্টিক্লাইমেক্স ওইখিবা ঙাক্তনি। নিংথেম নুবাবী পূন্না হেক শিমিন্নদ্রিমখৈদি কৈদৌঙেদসু ক্লাইমেক্স ওইবা য়াববোই। অদুদি ঐহাক কৈদৌবা তাই ? খঙনি, চেঙ্খোবকখিসনু। ঙাসসু অমুক মাগু চেজেং কোনশিল্লগা বঙ্গ সাগবদা হেক্তা চোংথবগা লুপমিন্নখিবনা ফদৌবিব্রা ? অদসুনে, মনুংদা শাক লাবা অমোম ওন্দুনা পোক্লুবা য়াবোইদো ! ইত্‌লৈমা অনী অর্মাদি ইচাশিংগী মমাঙদা থায়নগী নিংথেম নুবাবীগী থৌওং অদু হেক তৌকব্বসু কদায ? লুদৌবিবা ম তাংনি। হোয়দহে, ঐসু চেনশিল্লগে খল্লকই মহাক্লসু হাঙিল্লক্লে, নিংথেম চিথেক যৌবক্লে। মতুংদা নুপা অমা তান্নবকপসু উবক্লে। কন্না ওইনি, নিংথেম কৈফা নত্তনা, ঐহাক খৌতক তৌই। মতাং চাদনা ইমাসি দবল কৌকব্বসু য়াবা নত্তে। এঃ মাগী মিংগৌবু রাংপ্রা ? মঙোন্দদি কৌনীং কৌনীংবা কৌবা য়াই, পানগী রানা অমনি নুংগী রানা অমনি।

ঐহাক পঙ্খবা তৌদনা খজিক্তং চেনশিল্লি। ইতুং ইল্লকপা ইল্লকপী ময়ামসু চেনশিল্লকপগী খোঙজেল খোঙথাং তাবকই। ঐদি তুং হন্না য়েংথোক্লুদ্রে; চেনশিল্লি, চেনশিল্লি ...। লম্বী লমখাংদা চপ চপ হেক লেপ্পি; নিংথেম নুবাবী। মীৎয়েংনৈ, মীৎচানৈ। মহৌশাদৌনা য়োংচিংবী য়োংনল্লী ওইখিদ্রে। চয়োন অমগী মমাঙদদি খোঙনাং বট মখোঙ অসিমক্তা নিংসা স্বর শিন্নখিবনি। অয়ুক অসিদদি কদায় ... নিংথেম নুববীবু অঙাওবা অঙাওবীরো ?

"ইমা পাম্বোইবী ! ঙসিসু অমুক নচানা খুকমজবি।" ঐনা অসি হায়বগা নোম্বুবপ তৌদুনা মখোঙ শোকই, মখাতানা অমুকসু হক্সংচৈ- "ইমাসি পুংবানা নচা নিংথেম কৈফাগী খুৎথাঙদা চিট্টাগোং নিংথেম মঙাংসনাবু কৌবগী মবম খঙজবে। নুরাবী মহলগী বাজা সাহেবনা পোক্লফম লমদম্ভু কাউকবে। ইপা ইপুগী পুথিপুর শাগে নাতে, মবী মতাগী চাউখৎ থৌবাংগী থবক নচা নিংথেমনা শোয়দনা পাঙথোকচগনি, অসুম হায়না তম্বীযু ওইনা চাওবী চিট্টাগোং লাইনুবাবীদা।"

"নিংথেম ! ইমাগী .. ইহে ! ইমাগী নিংথেম !" ইমাসি দবলনা ঐগী লেঙজুম পাযদুনা চিংখৎলি- "ঙমদ্রেদা নঙবু চিংখৎপা, হৌগৎলু হৌগৎলু লাইপাখঙ !"

ঐহাক হৌগৎতুনা লেপ্লে। অহিংদনা ইমাসিদবী ! অয়ুক্তনা ইমা পাম্বোইবী ! নুমিদাংদনা ইমা ইমোইনু ! অঙকপনি ! নুপীগী পুন্সিগী শাযোন লাংওন। মমীৎতা নুংঙাইবগী ইবা চেল্লবী মাগী এ পিয়াব ওফ আইজদা তাবিবা ঐগী ইমি ! নুংঙাইবগী মতৌ উৎলকই। কর্বিগীসু নুংঙাইবোই ? লাক্লনিংলকই, অদুবু ইচান্দা কবোক পোক্লবদি য়াবা নত্তে, হৌজিক্তি; ঐহাক চহী ২১গী বিচ বোই অদু নৎত্রে।

"বাজা সাহেব ! রেল কম টু চিট্টাগোং !" নিংথেম কৈফানা চেনশিল্লক্তুনা ইখোঙ শোক্লগা খুকম্মী। ঐনা মকোক্তা নাম্বুবা নংহৌদে ফুক অমুক হেক্তা হৌগৎখি। তনুসি-তবাসি অনীগী মখোঙদসু সৎ সৎ হেক্তা শোক্লদুনা থৌগল্লোন উৎচৈ- "ইমাসি লাইপুংবা ! নচা নিংথেম কৈফানা খুকমজবি, চিট্টাগোনিষ্টশিংনা তবাম্না ওকচবি।"

নিংথেম কৈফা ফুক হেক্তা হৌগৎলি মনাও অনী অমদি মচল অনীবোমদা ওনশিনখি, হৌনবী থৌগল্লোন উৎতুনা খুকমনৈ, ওকনৈ, নুংশিচান্ননা কোন্নখি।

তনুসি-তবাসি অনীদি তিঙক মায়ঙক্লদুনা লৈবি, অমদা অমুক যেংঙি, অমদা অমুক যেংলদুনা নুংঙাইবা মতৌ উৎচৈ। ইমাসি দবল, খুকমগনি কাউথোকপদৌনা তৌবি। বাজুসু ঙকচানদুনা ইমাসি দবলদা মীৎযেং থমলি।

মীতেক মীবৌ খঙলবী ইমাসি দবলনা মোমোন মোমোন তৌবদুনা হাযবকই- "ইহে ! ঐদি ইকাউবু কাউকই। তনুসি-তবাসি ! ইমানা থোল্লম্বা মিংথোল অদো ঙসিদি কৌবা ফংজবে। নুবাবী মহলগী বানী সাহেব পুংবা ! নুংশিনা অমুক্তংদি কোঞ্জগে চঙশিল্লকউদনা, নখোযগী লুহোংবদা লাক্তে হায়দুনা রাবৌবিবা ? অদো, ঙসিদি ইমৌ অনীবু তবাম্নাওকচবি !"

তনুসি-তবাসি অনীমক পম্বুবা তৌদনা চেনশিল্লকই। ইমাসি দবলগী মখোঙ শোক্তুনা খুকম্মী। মনেম শাবী ইমাসিনা মমৌ অনীগী মকোক্তা সৎ সৎ নাম্বুবীখি- "নুংঙাই য়াইফনা পাল্লু, তনুসি-তবাসি !"

লাইপুংবাসু এক্সন থুবী ঙাক্তনি। ফুক ফুক হৌগৎলি। মখোয় অহুম চেজেৎ কোন্নজে। ঐনা নাবোম্দা পৈবপ যেংলগা ইচাশিংদা মীৎ খৎচিল্লি। ইচাশিংনা চেনশিন্দুনা ইমাসি দবলবু খুকম্মী, ফুক ফুক হেক্তা হৌগৎনখি।

"অবোকসি নুবাবী ! নঙদি হৌজিক্কু হেন্না নগা ওইনা উবিনে।" লৈখৎপীনা মবেন নুবাবীবু যেংলদুনা হঙ্গৎচৈ- "ফজেকো, নিংথেমগী নুবাবী !"

"হাই ! লৈখৎপী ! ফোটোদা নশক নমিং লোইনা খঙলে।" ইমাসি দবলনা নোকফেৎ তৌবদুনা শমথবকই "নঙদি ইবেনবু কদাযদা কৈদৌঙৈ উম্বিবা ?"

"অদুবুবো, অবোকসি নুবাবী !" থাসনানা মচেগী মহুৎ শিল্লদুনা খুমলকই, "নুবাবী মহুলগী ফোটো এলবমদসু যাম্না যাওবি । সাগব দ্বীপ মতোন্দা নম্বা সম্বালি নিঙোল শাবীদে, অস ! মর্দুদিনে ঐদুম নতৌ তমলগা ফোটো নর্মনিংঙি।"

"হৌজিক্কী চহী অাসদসু মদুমক্কী ফিজোল শেৎলগা অমদুম নম্বা যাজাৎনি, অবোকসি !" টোনিনা ওকশিল্লকই- "নুবাবী কমপ্লেক্সকী কেলে গুবদা হাপনীংই।"

"চবোদা টোনি ! ঐবু নপাই যোদেল্লা ?" ইমাসি দবলনা মোমোন তৌজে, "এনিবে, ইচা, ইশু, ইমৌ মযামগা উন্নবসে যাম্না নুংঙাইবে। ঐহাক তায, নখোযগী নুংশি মিকৌ, মিকপ খংথোক থোকই, কোমাদো দ্যাস ওম্বোর্কখি, জ্ঞান তাবকই, তু ! খৃদাংদা যাল্লিবা মবী মবাং থদৎলগা চেম্বোবকপনি।"

"ইমাসি ! নিংথেম কৈফাগী মমাসি !" ঐনা অসুম্না কৌবগা হঙ্গৎচৈ "কবি কমনৌনা অদুক শার্থিবিবনো, বি পিকা মবক মবক্তা চেক তৌবীদব্রা ।"

"সুমদৌবনি নিংথেম !" ইমাসি দবলনা শকফম হঞ্জিল্লদুনা হাযবকই "ইমাদ সমুদ্রদা ঙাওজবীনি, চযোল অমুক্কী মমাঙর্দনি। নুমিদাং অমম্বদা নিংথেম চিথেক্কী খোংনা, বট মখোঙদা ইথম্বা ফমদুনা নুংশিৎ চাকই ।"

(হৈদকো লাইশমঙ নঙসে !) ঐনা অসুম খল্লগা মবক খংথৎ থৎচিন্দুনা হংঙি, "ইমাসি ! ঐখোয ইবুঙো কিথুম পুবনা শান্নবম্বা লাই মথিফোংফম অদুদদি কৈদৌবে নখন্দা ফম্মুবিবা . মতুং মনাওদি ফম্মুনুকো।"

ঐদি কন্নানা খঙনি ।" ইমাসি দবলনা শকফম হঞ্জিল্লদুনা শমথবকই, "হায গুম্নদনা নিংথেম ! নোংলৈ নুংশিৎ অঙাওবা অমা মফম খঙহৌদনা শিৎলক্কুনা জ্ঞান মাঙখি, ইশা পুম্বা উক উক লৈবদুনা কোইবাউ লাউবল্লগা ব্রাম্বখিবা খঙহৌদ্রে . ঐঙোন্দা অমুক তোংগুব্রা খঙদে, ঙসি মিকপ থোবকপদা, নখোযগী মিকৌবোন তাবিবা অসিনি। হৌজিক্তি কৈসু তৌববোই, লেঙশিল্লসি।"

" মেদাম ! ঐব্ খঙবীবিব্রা ?" বাজুনা চেনশিল্লক্কুনা ইমাসি দবলবু খুকম্মী- "ঐ বার্জান, বেদ সন হোটেলগী বাজু ! হৌজিক্তা খ্বাইগী কাকা বাজু।"

"ইহে ইহে ! বাজু নঙবু কৌহৌদ্রে, শাউনুকো।" ইমাসি দবলনা বাজুগী মকোক্তা নানবীবদুনা হাযবকই- "নঙদি হনুমান ওইদুনা অদুম হিংলগে হাযব্রা ? চিট্টাগোং নুবাবী বাশি লৈবী অমুবী মযাম মবক্তগী খোইদাবা যাওব্রা যেংঙু, ঐ হাযবীগে, লুহোংলগা অমা পুজখো।"

"যেংঙু যেংঙু কাকা বাজু!" ইচাশিংনা লাউর্শিল্লকই।

বাজুনা অকোযবদা লেপ্লিবা চিট্টাগোং নুবাবী মযামদো মথং মথং যেংজে। ইখং হেক খঙহৌদনা মখূদোম্বী খিল্লদুনা হাযবকই- "ঐসু সুই, অমুবীদি পামদে, অদে অঙৌবী ফিকক শেংবী বিন্দি নম্বী অসি পাম্মী, ইমাসি!"

"চবোদা, শক্তাথী! ঐদি মৌনি।" নুপী অদু হৌদুনা চেনখি।

"সোবি সোবি! ঐহাক বামদাস হনুমান ওইনা অসুম হিংজবগে।" বাজুনা অসি হাযবগা মকোক পাযদুনা ফমথখি।

চিট্টাগোং নিংথেম চিথেক্তা তিল্লিবা মীযাম অদু হৌনকখা তৌদনা হৌনা হৌনা নোকখি। চিট্টাগোনিষ্ট পূম্নমক মথং মথং চঙনখ্রে। ঐখোয নিংথেম নুবাবী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদি লেপ্তুনা লৈহৌই।

মথংদি কবি ? ঙাইহাক লকক তৌই। লমখাংদা অদুম লেপ্তুনা লৈবা যাবসু নত্তে। ইম সি দবলগী যাকা যেংবা ওাখি। ঐনা হেক্তা খোঙলৈ থুজিন্দুনা মাঙ থাকলা যাপোৎ • ?ঙ. মাগী অনীংবা অমা লৈবমগনি।

ঐন মতৌদুম নংগে খন্দুনা হঙ্গৎচৈ "চিট্টাগোং ইমাসিপু কৈদৌ ঊীবগে, নিংথেম কৈফা ?"

নিংথেম কৈফা পাউখুম পীবা নংহৌদে। মযা খংকা কাথোক্লম্মী, খুদক্তা অমুক উন্নাশনখি। মমাসিগী খূদোম্বী ইঙ্গিৎ অমা উখিমাল্লে। চুপ হেক্তা লৌখ।



"কৈফা!

ইমাগী নিংথেম কৈফা! নঙ মাঙ থাও, লাইনুববী শঙলেন্দা হান্না চঙঙু, হৈকৎ লৈকৎ তম্মহল্লু " ইমাসি দবলনা মচাদা থৌদাবদুনা বাবোই পাঙদেম অমসু হেক্তা লংথোবকই- "ইচাদি হৈস্রে হৈস্রে থোংশবা, হৌজিক্তি বঙ্গ সাগবগী যিবাল অনী শর্মাজন্নবে। চিট্টাগোং নিংথেম শাগৈ হিঙ্গৎলগনি।"

ঐ খঙই, মমা মচাগী নুংদা লোৎলিবা থৌবাং। ঐহাক্তা মদুগী খূদোংচাবা মাঙহনবা তৌদনা নোংশিল্ল Mr Chittagong Reporter! You have linked up the missing link of Ningthem Nurabee family! I am proud of you my dear miracle son!

"এবা পাবুংচা! ইপা ইচা থাগৎনবা হৌনদেদা।" নিংথেম কৈফানা খুমজে- "নচাদি পাউমী অমগী মথৌ তৌজবতনি। তৌবসু, চিট্টাগোং অবোকসি লাইনুবাবীনা মমাঙঙেদা, মচা নিংথেম মঙাং সনাগী মফমদা থমখিবা চিনকোই অমা নীংশিংলুসো হাযদুনা থোং শাখিবনি। অশোয অঙাম যাওখ্রবসু নচাবু ঙাকপিযু!"

চিনকোই অমা !

ঐহাক শ্বাই লাওই। ঐসু ইমাগী য়াথং ফনা য়াম্না পাঙথোকশ্রে। বাংলাদেশতা লৈবা বাবা সুকুমাবগী ইংখোলদা মশক থোকপা স্কুল নংত্রগা লাইব্রেবী অমা কংকে হায়দুনা খনখি। লম অদু সবকাবনা লৌশিনশ্রে। অদুনা, নুবাবী কমপ্লেক্স মনুংদা সুকুমাব লাইব্রেবী লিংখৎশ্রে। বাবানা নুঙদা হক্তুনা থম্নম্বা ললীতাবীগী মুর্তিসু ঐনা লোইশিন্দুনা নুবাবী কমপ্লেক্সকী লাইনুবাবী শঙলেন্দা খিনশ্রে। ঐবু অতে কবি চিংথহৌবিবগে .. ?

"হাই ! কাউজনথিবা নিংথেম !" ঐগী নুংমীৎতা লোৎতুনা লাৎচবিবী চিট্টাগোং ইমাসিনা মখূদোশ্নী থিল্লদুনা খংহায় হায়বকপদৌনা তাবকই, . চিট্টাগোং শাগে নৌনা য়োকখৎলুকো। কাউবব্রা, ইমাগী চিনকোই ?"

হোয়নে, হোয়নে লাইনুবী ৭সু য়ুমদিনজৌ হায়খি। অতৈসু য়াম্না হায়খি। ঐনা পূক্লিংদা নোকচৈ (অদো, ইমাসি ! চিট্টাগোংদা চাবা অমদি লৈবগনি শোয়দনা। নতা ইবেম্মা হৈশিংবীনা ঐবু থমাইবগা য়িবাকল নিংথেম অমদি লোন্না লৌখ্রেদনা। পূম্নমক নঙগী থৌবাংনি। থাগৎচবি, হে নিংথেম পোকপী !)

নুংঝাখল অসিমক্তি মপান্দা উৎথোকপা তৌদনা নিংথেম কৈফাবু নুংশিনা কোল্লগা মবাইবক্তা চুম্লীখি- "থেঙ্ক য়ু, চিট্টাগোং বিপোর্টব ! ইপাগী নিংথেম কৈফা ! নিংথেম নুবাবীগী ইমুং মনুংবু নহাক্না লমজিংদুনা নুংশিববী চিট্টাগোং ইমাগী মশাইগোন্দা পুশিনবীয়ু। অদুগা নহাক্কী ঈচেলনা নিংথেম নুবাবীগী শাগৈসু বঙ্গ সাগবগী মতৌ গুম্না মুৎপা, কংবা নাইদবা ওইবসনু !"

"চিনকোই অদুমক লেম্না মাঙদবা ওইবসনু, বাজা সাহেব !" নিংথেম কৈফানা নোকফেৎ তৌনা খুম্মী।

"ইহে ! বাজা সাহেব কৌনু হায়বগা . . !" ঐনা কৈফাগী মনঙ্গন্দা পোপ পোপ থাবগা কোনবা থাদোকই।

"ঙাকপীগনি, পাবুংচা ! লেঙশিল্লসি। অদুগা তনুসি-তবাসি, ইচীন ইনাউ পূম্নমকসু. . !" কৈফানা মাঙ থাবদুনা চঙশিনবা হৌবদং মঙাইবি।

"তনুসি-তবাসি ! ঙাইখো ঙাইখো !" ইমাসি দবলনা মেলৈ লাংশিল্লদুনা খংহায় হায়বকই- "লাই ওইববা খোংনাং বট মখোঙ অসিদা নবানী অমুক্তং লেপখো।"

"কৈদৌদোইনো, ইমাসি ?" নিংথেম কৈফানা অমুক মমায় লৈথোবক্তুনা খংনোং নোংশিল্লকই- "ঐদি কেমেবাসু পুথোবক্তে।"

"য়াম্মুং ! ঐগী য়াওজবি।" নিংথেম নীংখোম্বনা খুম্মী।

"অদুদি শেম শাবোদনা।" ইমাসি দবলনা নোকফেৎ তৌবদুনা হায়বকই- "লমন অমা তোল্লি। ঙসিদি মদুসু শিংদোক্লগে। হাই ! নীংখোম্বা, নঙগী কেমেবাদো বোলদি য়াওবিকো। ফোটো নমখৈ নমলগা, নমাসি অনীগী মঙক তাবমদ্রদি . !"

"যাওবিদা, অবোকসি নুবাবী।" নীংখোম্বনা মঙক্তা শাল্লিবা কেমেবা উৎলি।

"ইশূনা অবোকসি নুবাবী কৌবদুদি তুদুম চংজাৎনি।" ইমাসি দবলনা ঙাইহাক অমুক রেক ফাবগা শমথবকই- "হাই! নিংথেম টোনি! নমিংদুনা কদাধদৈ কনা নীংদুনা পেল্লিবা! নপানা মবোল অমা, নীংহনবা নীংখোম্বা হেক থোনখিদে, এনিবে, ইবেনগী নিংথৌবী! লুপা চংশী কোইন যাওবিব্রা?"

"যাওজবি, অবোর্কসি নুবাবী!" নিংথেম টোনিনা খুশ্মী অমসুং লুপা চংশী কোইন পুথোকুনা উৎলি।

ইমাসি দবলনা তৌদৌবিবা কুম্মে। ঐ খঙই। ঐহাক যেঁমন যাদুনা ব্রা ঙাংনীংদ্রে। ঐগী পূক্লিগী খ্বাইদগী নুংঙাইববা নুমিৎনি। নিংথেম নবাবী ফোমজি পূনবা ফংজবগী ঙমখৈ লৈতনা হবাওবসু পোকচৈ। থোইদোক্লা মকগী, মক চঙলবা ঐগী ইচা নিংদে ম বৈফানা তৌবিবা যৌওং থাগৎনিংবগী ঙমখেসু লোইবা নইদে। চহী কযাগী মমাঙদ শিশ্রে বন্দুনা লৈবপবী ইমাসি নুবাবীনা চিট্টাগোং নিংথেম অমা ফোংনা পুথোকুনা ইমাসি দবল হাযবা মিংথোলবু হবাওনা লৌজগ্রে। ঐ নুংঙাইবোইদগী মথগী লৈ বব্রা?

"ইবোঙ্কী নিংথেম টোনি!" ইমাসি দবলনা নোকফেৎ তৌবদুনা হাযবকই "শেন মযেক্তো চেপ্না লংখৎলু, অশোব চক্র তাববদি তনুসি, টেল তাদ তবাসি, মঙক অমদি শোযবলই।"

"কৈনোনে ইমাসি দবল!" তবাসিনা পাখৎচদুনা খংগায হাযবকই "মোই পাবুংচানা মিস চিট্টাগোংগী মঙক্তা ইচে ইবানীগী মনুংদৈ অমা ককথৎলগা হেদ টেল ওপবেসন তৌসি হাযখিবা অদুগীবো? ঐদি ঙম্মোইকো।"

"লাইবক খেল যেংসি, তনুসি-তবাসি!" ইমাসি দবলনা কবিসু মোং হাদনা হাযবকই "নবানীদি লাইপুংবানি। শাউনবা যাদেকো। ইমনা যাম্না মমল যামগ্রবা খুদোল অমা পীনিংই, পোৎতি অমত্তনি, ঐনদি অনীমক চপ মান্না নুংশি। চহী ২০ চুপ্না বঙ্গ সাগবগী ইবোলনুংদা মঙলুববা চিট্টাগোং বোযেল ফের্মিলগী 'নুবাবী পবেং' কৌবা সনাগী লীক অদো ইমানা কষ্টদিযান ওইদুনা থমলকই, ঙসিদি শিন্নফম চানা শিন্নবগে তৌবনি।"

"এঃ অদু ওইবে, ইমাসি!" তবাসিনা মাযথোং মকা লাম্না নোকফেৎ তৌবদুনা হাযবকই "ঐদি হেদ টেলগী ওপবেসনগী ঙক খন্দৌবিবোই খল্লুহ। ইচেনো মৌ অহল্লনি, মঙোন্দা অদুম থোনবিযু, লোট্রবী তৌদ্রসু যাবে। নোংযাদোকসু ইচেদৈ ব্রাযবগা শিবা যাইনা।"

ইমাদি মীচং মীখায নাইবা যাদে।" ইমাসি দবলনা মবৌ লৈনা হাযবকই, "নবানীদি টুইন ব্রাননি, অহল, অতোম্বী হাযবা লৈফম থোক্তে।"

"অদুবুদি, ইমাসি! ফাষ্ট নাইট্রসু টোস..।" তবাসি মখা তাদনা তোকখি। তৌবদি তনুসিনা মনাওনুপীদা খুনীংনা হনখি।

"নখোযগী অদু অদা খঙদে।" ইমাসি দবলনা নুবাবীনা মশূদা অমুক ওনশিনখি, "নিংথেম টোনি! টোস লংখৎলু।"

ঐহাকসু নে হেক তাই। ইমাসি দবলনা নুবাবী পবেং ঙকথাঙ লার্নখিবগী ইপিসোদ অদো ফজনা লৈথোকপীখ্রে। লীলা শান্নবদি ফজনা হৈ: মিকুপ অসিদা, তোঙানবা হেদ টেলগী কুম্মৈ অমসু, অমুক পাঙথোক্লদৌবিবা! কনাগী মঙক্তবু তাবগবা!

নিংথেম টোনিনা টোস অদ বাংনা লংখৎলি। ইমাসি দবলনা তাবকপা মপা যেংলগা মখূৎ যেংকী খূবাক্লা ওকই, মখূৎ ওযগী খূবাক্লো খুমজিল্লগা হাযবকই - "অসুল্লা নোংমসু, বেদ সন হোটেলগী মাঙ্গোলদা নিংথেম মঙাং সনাগী টোস ওর্কখিবী অদো . .।

ঐনা মবক খঙথৎ থৎতুনা হংঙি- " হা! কবি হাযবা, অদসু ইমাসিবা ?"

"মানব্রনে ?" ইমাসি দবলনা ইতপ হেক তপ্না শম্নখবকই - " ঐ নত্তেদা কৈসু, ঐগা শকমান্নবী নুপী অমা লৈ হাযবা কোন্না খঙলকই, তৌবতব . ।"

"ইমাসি দবল!" তনুসিনা মমীৎ লংখৎলদুনা হংলকই- "নঙগাসু খ্বিন সিষ্টব অমা তশেংনা লৈব্রনে, তৌবতবু হাযদি অঙাং ওইরবিঙৈদা কাযনখিব্রা ?"

ঐসু খ্বাই লাউই। নুবীকাসি বেনুকাসি! হৌজিকসু ঐহাক চমন্নবিবনি। ঙাশ ব অমত্তুনা অনী থোকপানি হাযদুনা থান্নবনি। খ্বয়ব খুদম খবর্নি উখ্রে। অংকপা হেদ টেলগী থৌদোক অমা, পুন্সি অসিদা থোকখ্রে! বেনুকাগী হকচাংদা নুবীকাগী মমংলোং পানখিব্রা নৎত্রগা নুবীকাগী হকচাংদা বেনুকাগী ফোটো ওপরেসন তৌখিব্রা ? ঐনা ঙাইহাক খল্লগা মতৌদুম যেংগে খন্দুনা হঙ্গৎলি- "বেনুকাসিজি! ঙসিগী টোস হাংলোদনা!"

"চবোদা! ঐবু নপাই বেনুকাসিবা!" ইমাসি দবলনা অসি হাযবগা মখূবা ক্তগী টোস হাংদোক্তুনা মযামদা উৎলি অদুগা সৎ হেক্তা ঙাংলকই "অঙকপা লাইগী বাযেলনি, ব্রাবৌনবা যাদেকো। তৌবসু, ঙসি হেদ তাবিবী অসি হান্না শিদৌসু মাল্লি, ফইবোক পুংবা হাযবা অসিমক্তবু পোকপদদি মিকুপ খবদং কান্নবনি, শিবা মতমর্দদি চহীবোমদা খেন্নৈ, ঐখোযগীসু অমনা নোংপোক বঙ্গদা লৈহৌবনি অমনা ইনে সুনিতিনা যোকখিবনি। কাইনথংদা ইচীন ইনাও উন্নদুনা শকখঙনখি। নিংথেম নুবাবীগী নুংঙাইববা কুম্মৈদসু শকক যামিন্নখি, বেনুকাসি-নুবীকাসি। অমদি শিখ্রে, অমদি লৈহৌবি। টোস পাযবিবী ঐসে কনানো খঙব্রা . এনি বে, টোসকী ব্রিন্নব অসি তবাসি তাবে, মহাক্লা হান্নসু শিন্বা যাই ..।"

"এঃ ইমাসি! অদুবু শোযদ্রবা ব্রাবা ?" তবাসিনা পাখৎনা হংজে।

"খঙদে খঙদে, সে ...।" ইমাসি দবলনা মঙক্তগী নুবাবী পবেং লৌথোকই, তবাসিগী মঙক্তা যান্না নুংশিনা হূকপিখি।

মযান্না খূবাক খুই। নীংখোম্বনা ফোটো কান্নী। তবাসিনা মঙক্তগী নুবাবী পবেং অদো সৎ অমুক লৌথোকই। ঐদি ঙকচানে, ইমাসি দবলদা অমুক হূকবিদৌ মাল্লকই। অদুগদি মচে তনুসিগী মঙক্তা পোক হূকচিল্লগা মমীৎতা ইবা চেল্লদুনা হাযবকই- "ইচে!

নমাঙ থাদুনা ঐহাক্না শিজগে, ঐদি গোংহাপনুবী ! নঙগী মকমদা ইতৈবাইবু ঐগীসু নিংথেম ওইনা ফংজবনি। নুবাবী পরেংগী অশেংবা মপুদি নহাক্তি, ইচে !"

তনুসিগী মমীং তসু পিগী ইবা চেল্লি। মচীন মনাও নুংশিনা কোন্নজে।

ইমাসি দবলনা খুবাক খুজে- "শিংঙিদো তবাসি ! উশিন তৌবনা হৈবিবা ! নচীন ননাওনা পুক্নিচুপ্পগী নিংথেমগী নুবাবী পুংবা ওইমিন্নদুনা লৈমিন্নৌ। কৈদৌঙেদসু মখা মখী তৌনবা য়াবোইকো। ইমানা চাংয়েং তৌবনি। ইমাদি হাতকী সফাইসু খবা হৈজে। টোস অদো খুবাক্তা হেক তাবদা হেদ তাই হাযবা উপ্পবনি, মনুংদা খুবীনা ওষ্খোর্কাখর্বানি।"

"ইমাসি দবল ! নঙসিন্দি মহা চালু মপী ওইবে।" তনুসিনা মথবায় তানা নোকচে।

"অদুনবু, চিট্টাগোং বিপোর্টব ইচা নিংথেম কৈফাবু থোং শাবগা, বক্স সাগব মপান অনী শমজিন্নবা ঙমলিবনি।" ইমাসি দবলনা অসি হায়বগা তনুসি- তবাসি অনীগী ময়াইদা চঙশিন্দুনা লেপখ্রে; মমৌ অনীমক্কী লেঙজ্রম নাক য়েংতা মখুৎ থমলগা লাউবকই, "নিংথেম নীংখোম্বা ! ইমৌ অনী ওকপগী ফোটোসে ফজনা কাপ্পু, ঐদি চীনগা খুৎকা মান্নদবা য়াদে। ঐহাক্না নিংথেম অমগী মমা ওইগনি হায়দুনা রাশকখি, পাম্বে অমনবু ওইববসু, ফংলেদনা ইচা নিংথেম কৈফা ! অদুদসু নথে ঙসিদি অবি অনৌ নিংথেম মবিদুম ফংজবে, লাকওদনা নখোয়সু লোয়না। বাজু ! নঙ কেমেবা পাম্ময়ু নিংথেম নুবাবী ফেমিন্নিগী ফোটো ফজবা খবা কাপহৌসি।"

বাজুনা কেমেবা পাযখ্রে। ত্রিশূলিনী নুবাবী অহুমগী মনাক্তা কৈফা, টৌনি, নীংখোম্বা, লৈখৎপী, থাসনা ঙম্নমক চেনশিন্নদুনা খোংনাং কট মখোঙগী মমাঙদা লেপ্পখ্রে। ঐদি অদুম কুম্মে য়েংদুনা লৈথোকই। ঐগী অনৌবা ইমুং মনুংগী মেন্সবশিং অদু উবদসু য়াম্নসু নুংঙাইজে। ঐগী চিট্টাগোং ইমাসিসু য়াওহন্নীংলকই। মিকুপ অদুদা মাবু কমদৌনা কৌথোকলগনি ? মাদি লাইনুবাবীনি ! লাই ওন্দুনা লৈখ্রবা ? মপান থোকপা য়াদ্রবীবা ? অসুম্না চিংনবকই।



"হে ! শকউদবা খোয়ুম !"

ইমাসি দবলনা ঐবু কৌবদুনা হায়বকই- "নঙদি ত্রিশূলা নিংথেমনি ! লেপ্পবে: নহাক্সু ত্রিশূলগী মখোঙ ওইনা। মতুংদা অমুক উন্নবিদবসু কনানা খঙবা . ফোটো সেসন লোইববা মতুংদদি ..!"

ঐহাক পাখৎলকই। ইমাসিগী বাবোই কোৎচি। ফোটো সেসন লোইরবা মতুংদা, কবিবু থোক্লগবা ! পূক্লিংদা নীংজিং মাঙজিংনবা অমা ফাওবকই। অতৈ মরমগী নত্তে চিট্টাগোং ইমাসি লাইনুবাবীবু কৈদৌঙ্রবা ? বাহং অসিনা ঐবু লাংতক্লহনখি। মহাক লাইনুবাবী ওইদ্রে, লাইহিংচাবী ওল্লে হায়খি। মথুবী থাপাগী মমিংদা মপান থোবক্লম্মী।

লোবী আইলেন্দসু খাইগী লুচিংবী ওইদুনা লৈবশ্মী। হৌজিক্তা কবিগী চেষ্টোবজ্রিবা! ওঃ ভাব তারে, মাবু হান্না কৌখিদ্রে হায়দুনা শাউবিরা নংত্রগা করি তৌগ্রবা ? মাসু লাক্লবা শুম্মী নুপী নত্তে; তেশিন্নবদা অকবা নত্তে। নুরাবী অঙাওবী অসিনা লাইওং খঙদবীনি। অদুইসু মথক্তা, ইচাগী মমানি হায়দুনা ক্রেম তৌজবিবনি। ইতূ ওইখিরা, ওইখিদরা হায়বসু খঙপোং নত্তে। দোক্তর সুবেসনা ঐঙোন্দে সনা মহিবেন লৌখি হায়বা অসিদি অচুম্বনি। ইশানা য়না পীখিবনি। দোক্তবনা মতাং মতাংগী চাংয়েং তৌবদা লীকশিনবা য়ারিপোংলা ? ওইনীংবা ওইগ্রসনু ! মাঙদা থোক্লিবা থৌদোক্তা মরুনি।

"ঐবু কদায়দা লেপ্পু হায়বিবনো, কৈফামা!" ঐনা মনাক্তা চঙাশল্লুই।

"ঐখোয়না উগী উক মথক্তা লেপ্পবনিনা ...।" তবাসিনা নোকফেং তৌবগা শমথবকই- "মোই পাবুংচা, মহাদেবনা ইমাসি দবলগী মখোঙ পুনশিল্ল" ॥ এক লেপ্পীবো।"

"অদু ওইববদি ত্রিশূল মখোঙ তাবেদনা ..।" তনুসিনা পাংশিল্লকই।

"নমায়দে অসোমদা ওন্থোকউ।" তেংমাং লেপ্পী ইমাসি দবলনা য়াগং তা ওথবকই- "য়াবে বাজু ! মবিমঙা কাপ্পু, ইঙক মঙক যা ওহল্লকে ।"

"বেদি বান টু থ্রি।" বাজুনা অসুম হায়দুনা শোট মবি মঙা তাংগান তোঙানবা ম ওংদা কাপখ্রে। মাসু খোঙলৈ থুগ্রপোংনি, মনাক্তা লেপ্তুনা লৈবা চিট্টাগোনিষ্ট অমদা তং খোং তুনা তৌবগা কেমেবা শিন্নখ্রে। নিংথেম নুবাবী ফের্মিলিগী মবক্তা চেল্লিল্লক্তে। ঐগী ইথং ঙ ময়াদা হনুমানগী মতৌগুম মখুৎ লোন্নবদুনা খুক খুদক কুল্লবে। মাপীসু য়াওনা শোট খবসু কাপখ্রে।



ফোটো সেসন লোইখ্রে।

"ইবাগী নিংথেম কৈফা ! চংঙো চংঙো।" ইমাসি দবলনা মমীংতা ইবা চেল্লদুনা হায়বকই- "নোংচুপ বঙ্গিয়ানশিংগা চঙমিন্নখ্রো, নবোর্কস লাইনুবাবীদো মৌনব্রত তৌদুনা ধ্যান তৌহৌবনি. নিংখিজন' খুকমহল্লু, ইমাদি ঙাইহাক লৈহৌখিগে।"

নিংথেম কৈফানা মমাসিদা লক্লবদৌনা হঙ্গংচৈ- "ইমাসি ! বঙ্গ সাগবদা চোংথগ্রনু। নচানা নহাকপু খিবা ইতিক নত্তে, নঙ শিত্রদি কনানা নমৌ ওনপীনি ? লাকও চঙলসি।"

"অদো, হৌজিক্তি কবিসু কানিংঙাই ওইদ্রে।" ইমাসি দবলনা নোকফেং তৌবগা ওকশিল্লকই- "নমাসি লাইপুংবা লৈবেদনা।"

"য়াবোই, য়াবোই, ইমাসি মাঙ থাবীয়ু।" তনুসিনা তকশিল্লকই- "ঐখোযবু লমজিংবীয়ু। মতম কুইনা হিংমিন্নখিসি"

"অদুনা ফরদ্রা, তনুসি-তবাসি ?" ইমাসি দবলনা মবৌ লৈরপ্পা হংলকই।

"ফত্তদি কৈনো, ইমাসি !" তবাসিনা সং হেক্তা ওকশিল্লকই- "শিববু হিংবমুক নুংঙাইবমগদ্রা ?"

"ইমা শিগে হায়বা নত্তেদা বঙ্গ সাগববু খুকমখিগে হায়বনি।" ইমাসি দবলনা অসি হায়বগা খোংনাং বট মখোঙদগী প্রপ প্রপ চেস্থোকখি। চীংচেপকী রাংতক তৌবা মফম অমদা লেপ্পুনা লৈগ্রে। খবা অমুক রাংতক তৌবা মফম অমদা অমুক কাখৎখি।

ঐদি পাখৎচৈ। ঐ খঙই, মাগী মচিং মশোন। মাগী অনীংবদা থিংলুবসু য়াবা নত্তে। উমং লাই, লমখোকপগী লাই অঙাওবী তোংবা দোলাইনা কোইচেন চেনবদুমঙাই। মিকুপ নাহুম শিংনা শেন্নবদি তাবনি। শীংনবা য়াবী নুপীসু নত্তে।

ইমাসি দবলনা মখূৎ লোন্নবদুনা বঙ্গ সাগববু লৈশি লৈথোল্লদুনা খুকমজে- "হে বঙ্গেশ্বরী ! নহাক্রা নিংথেম নুবাবীগী ইমুং মনুং উন্নহল্লে। হৌজিক্তি ঐহাক পেল্লে, ঐগী লাইনীংসু মহৈ য়াল্লে। নিংথেম লাবাসনাগী মীংনা উবা লাংওন-লাংদাইগী চাদা নৌদাসু নহাক্রা পীনবিবে। ঐবুসু বঙ্গ সাগবগী মচানুপী ওইনা পোকহনবীবে। ঐগী শায়োন লাংওন কুশ্মৈ ঙসিদি লোইশিঞ্জবগে। ঐবুসু লৌশিনবিবো, ঐবু শেংদোকপীবো। ইতা ইবেম্মা চিট্রাগোং লাইনুবাবীসু সনাগী কৈবাক কাখিবা কুইবে। মাগী রাবেপসু পাঙথোকখ্রে, মাগী রাশকসু থৈদোকখ্রে। মপোক লাংওন অমদসু নিংথেমগী নুবাবী ওইন। পোকহনবীয়ু, হে ইমা বঙ্গেশ্বরী ...।"

ইস ! তু খ্যাও চুৰ্ণঙি ! ঐগী ইশা পূম্বা চেঙ খৈগুম্লা নীকখি। ইমাসি দবলগী যৌনিবোল মবক থৎতুনা রাহং কয়া হংনিংখি অদুবু মঙোন্দা অয়েৎপা পীনিংখিদে। মহাক্কী জোল্লি ওইবা মতৌ অদু নত্তে, মিকুপ অদুদদি অসুক্কী মতিক সিবিঅস ওইগ্রে, মথম্মোয় নুংহিকনা কপ্ল-কপ্লগা খোঞ্জেল য়াওবকখি। অদুনা, ঙাইবা তাবনি। ঐহাক ঙকপদসু হায়ফম খঙখিদে, কমদৌনা কমদৌনা .. ইথন্তা হংজখি।

"ইমাসি ! নিংথেমগী নুবাবী !" ঐনা ইপা পাখৎতুনা হংজে- "চিট্রাগোং ইমাসি লাইনুবাবীবু কৈদৌঙে করম্না সনাগী কৈবাক কাপ্রিব্রা ! নচাদা কৰিগী পাউ পীখিদ্রিবনো ?"

"নিংথেম ! ইমাগী ইশাবী নিংথেম !" ইমাসি দবলনা মমায়দি ওস্থোবকপা তৌদনা চৎথবকই- "নমাসি লাইনুববীনা মহাক শিবগী পাউ নঙোন্দা পীকনু হায়বম্মী। চিট্রাগোং ললাতাবীনা অনীবক শিবা পামখিদে। মাদব আইবেলা ওইনা লোবী আইলেন্দা লৈবোন চনখিবনি। মাগী সিমিত্রি লৈবনি। নোংমা চৎতুনা লৈ কৎলুচো। ইমাসু চৎলগে লৈহৌবো, মপোক লাংওন অমদা অমুক উন্নবসি। অদুগা নিংথেম ...।

'অদুগা নিংথেম ...' ইমাসি দবলগী রায়োই পাউমেন মখা কৰিসু তাবকখিদ্রে। ঐহাক ঙাইঙমখিদে, মখা তানা হংনীংখি।

"ঙাইখো, ঙাইখো, ইমাসি !" ঐনা চেনশিল্লি।

ওস্থোকপনি ! নংহৌ লাকহৌদে। ইমাসি দবলনা মখাংদা থোল্লিবা চবৈ নমখাং খোক লৌথোক্লগা লংশিল্লম্মী, মশাদা ইল্লিবা ফি মতেকসু লংশিল্লম্মী। মনুংদা স্বিইমিং

ড্রেস শেৎলম্মী। হেক থংনবা মিকুপ্তা লোংহ্নন তৌবগা বঙ্গ সাগবগী ঈবোলনুংদা চোংথখি; খুদক্তা অদুম লুপথখি।

ঐনা খংলাউ লাউখি- "কৈফা! টোনি! নীংখোম্বা!"

চিংঙেনা, নিংথেম মচীন মনাও অহুম মফি মবোল সৎ সৎ লৌথোক্লগা বঙ্গ সাগবগী ঈবোলনুংদা মকোক যুংনা যুংনা চোংথখি; লূপথখি। তনুসি-তবাসি অমদি মশূ নুপী অনীনা হৌনা হৌনা কৌবদুনা মপি শিঙ্খবকই-

"ইমাসি! নিংথেমগী নুবাবী! কবি মতৌ কৌবগে, ফাওগৎলকখোবা ...।" তনুসি-তবাসি অনীনা লাউজে।

"অবোকসি নুবাবী! অহানবা উন্নবা নুমিত্তা, কাযনবগী নুমিৎসু ওইববা ...।" ইচানুপী লৈখৎপীনা মবোক কৌবদুনা কপখৎলকই।

"অবোকসি পুংবা নুংশিবী!" ইচানুপী থাসনাসু কপখৎলকই -"ঐখোযনা কনাদা অবোকসি কৌকগনি .. ।"

ঐহাক কপ্পা যাদে। মিহ্নন তিং তিং চোংলম্মী। পৃক্লিং ফাজিল্লি। অদুবু মহৌশাগা মান্নদবা মওংনি। মিপাইবা হেল্লকই। ঐসু চোংথবগে খল্লি। ইমাসি দবলনা হুন্দোক্লম্মা চবে নমখাং খুঞ্জল্লি, নুংশিনা মনম নম্মী, তনুসি-তবাসিদা শিন্নে। ঐহাক হেন্না হেন্না পাখৎলকই। ইচা নিংথেম অহুমগী মকোক্তি উবকই, ইমাসি দবলদি কদায ?

ঐহাক লৈতাফম খঙদ্রে। খোংনাং বট্রা পুন্দুনা থমলিবা ইমাসি পুংবা কৌবা হিযাংগী থৌবী থাদোকই। খুদক্তা ষ্টার্ট তৌদুনা থৌদোবকই।

"বাজা সাহেব! ঐসু লাকচগে।" বাজুনা অসি হাযবগা চোংখৎলকই।

হিযাং থৌদোবকই, ইচা নিংথেম অহুমগী মকোক উবিবা মফম অদু তম্মা থৌক্তিন্দি থৌজিল্লি ...। মফম অসিবাইদদি লাইভ গার্দকী কাঙবুসু লৈবা নত্তে। সী গোইং ভেসেল মচা মচা অমদি ষ্টিমব কয়া লক্তক লক্তক থৌদুনা চৎলি। মদূদসু ঐগী মীৎযেং থম্মী, ঈশিংদগী ফাওগৎলক্তুনা চোংখৎখিবা কনাসু উদে।

"বাজু নগু বোট থৌক লাওসে, নিংথেম মচীন মনাও কৌখৎলু ...।" ঐনা অসি হাযবগা চপ লেপখৎলি, বাজুদা ষ্টবিং শিন্নম্রে। কোইবৈ লৈদুনা যেংখি।

ঐ থাজকদে। ইমাসি দবলনা হেক চোংথখিবগা ঐসু চোংথগে খল্লুদে। মাগী হৌনবী মেজিকনি খল্লুই। মহাক্না বঙ্গ সাগবদা লূপগ্লগে হাযদুনা শান্নখিবা শিবগী মিত্রং অহুম মবিবক সুম্বর্বনি। মমৈদা থাজদবা পোকপ্লবনি। মহাক চহী যামজববসু মশা মউ খীংনা উখি। মশাগী হুকচাং শাজেনসু যাম্না কনবনি। যোগ সাধনাসু তৌর্বান। কৃগব আইলেন্দদা নৌনা খুম্থোকনিংবগী ইঙ্গিৎসু উৎলম্মী, মাগী চিঠিগী অবোইবা শবেংসু ওইখি। অদুবু মাগী চহী মতাং অদুদা ওক্সিজেন মার্ক্সসু যাওদনা কৃগব আইলেন্দ যৌনবা চংপা ওইখোক্তে। মাগী মশাদা য়াওখিবা আই ভি সেটকী মবী মবাং অদুনা য়ানুংদা উমশিল্লগা স্বব শান্নবসু

ওইথোকপা যাবোই। যানুংদা ঈশিং উমথোক উমশিন তৌদুনা স্বব শান্নবদি যাই; মদুসু কুইবা লবা নত্তে। মহাক যাম্না মবীনসু খবীনি। নিংথেম লাবাসনাগী মতুং ঈন্দুনা শির্জনিংবগী অপাম্বা অমা শোযদনা লৈবমগনি। মহাক্না শিংদোকপা যাবা লমন শিংদোক্লমলে। অবোইবা লমন অদসু শিংদেক্লিংলম্বা যাই। শিবগে হাযদুনা চপ যুংনা নীংথ্রবদি ঈবোইবা হৈবা মীসু, ঈকপ্লণা স্বব থিংলবদি শিবগী অবাযবা পান্থ্রে অমা ওইবা যাই। ওক্সিজেন মার্ক্স অমসুং টৈঙ যাওদনা ঈনু্দা লুনা লপশিনথ্রবদি ফাওগৎপা নংদনা স্বব তৎপসু কযা থোকথ্রবনি। নিংথেম অহুমসু হিযাং তম্না চঙলক্লে।

মিহুন ভিং হিং চোংব অমুক হৌবক্লে। ঐগী মীৎলূদগী পি শিম্বুবকই, পি শিম্বুবকই ঈচেল নাইদুনা বঙ্গ সাগবদা ভিনবদি ওইথোক্ত্রে। ভিথ ক্রগী ঈমাযদা পি মবীক অমা অনীদংদি ভিনখিসনু। কংবা নাইদসনু বঙ্গ সাগব।

অনৌবা মপোক তমদা, লাকখিগনি নিংথেমগী নুবাবা। শোযদনা অমুক ফাওগৎলকাখগনি; বঙ্গ সাগবগী মচানুপী। পৃক্লিংদা অসম্না খল্লগা এনা লৈজবী থাদুনা স খি "নিংথেমগী নুবাবী। মপোক তমদা অমুক উন্নাবসি, লৈবম্মু কৃপাব আইলেন্দনা।"

প চন্ডু কংখিদ্রে। খোম্বাংন খোম্বাং যেনব থ "নিংথেমগী নবাব। ম্পাক তমদা অমুক উন্নাবসি, লৈবম্মু কৃপাব আইলেন্দদা।"

হেক থংনবা মকৃপ্ত, (ঐগী বাখল্লা) লাপ্তক্লা তাবপ্তম তৌখি - "শাহেন অমা হৌবসি। ভাহবমগে কৃপাব আইলেন্দা।"

ঐ শ্বাই লাউই। মশক্তি উখিদে, খোঙ্গেলদি তাখিদা। অদুবু, মযকৈ কদোমদা।





মণিপুরী সাহিত্যদা মীযাম্না বী.এম. মাইস্নাম্না হায়বগা হেন্না খঙনববা মাইস্নাম ব্রজমনি, খু কুম ১৯৪৬ কী দিসেম্বর তাং৬ ইবাই নুমিৎতা, ইম্ফাল তুবেল মপানগী লোক্লাউবুংদা পোকই। হৌজিক্লা বাংখৈ যোংলান লৈবক্তা লৈবি। অপোকপগী মমিংনা মাইস্নাম ওঝা তোম্বী অমসুং অপোকপীনা কাবাম নিঙোল উম্মবতী কৌই। মচীল মনাও মযামগী মাইমনি। মহৈগী থাক বি কমনি। মণিপুর স্পিন্নিং মিলস কোর্পোরেসনগী একাউন্ট ওফিসার ওইনা থবক্তগী পোথাবে। লাইপুবম নিঙোল মেমচা দেবীগা যুম্নাম্নদুনা মচা নুপা অনী লৈবে। শ্রী মাইস্নাম্না, অঙাং ওইবিঙৈদগী সাহিত্য, কলা অমসুং সংস্কৃতিগী তোঙান তোঙানবা লম কযাদা থবায যাওজবকই। ড্রামা ইদুনা ড্রামা যাওবকই, ভিদিও ফিল্ম অমদি ওদিও কেসেট কয়া পুথোকখি। 'মতম' অমদি 'ইবৈপাক' চেফোংগী জোইন্ট ইদিটর অমদি ইদিটর ওইবম্মী। হৌজিকসু মবক মবক্তা বাবেং কয়া ইদুনা পাউচেন্সিংদা ফোঙডি। মহাক অকাশবাণী ইম্ফালগী শৈবেংবা অমসু ওইবি। ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিভ রাইটরস এন্দ কলচরেল এসোসিয়েসন (এম্পরাকা), ইম্ফালগী অচংবা মেম্বর ওইদুনা সাহিত্যগী লমদা খোঙদাবা হৌবকখি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী জেনরেল সেক্রেটরী (২০০১ ২০০৩), (২০০৯ ২০১২) ওইদুনা থৌ পুবম্মী। 'সেনিয়র সিটিজন ফোর সোসাইটি' অমসু, 'অপুনবা মতম ঈশৈ কাঙলুপ' (অম্মিক) কী লাইফ মেম্বরসু ওইবি।

অইবনা ঝংখিবা সাহিত্যগী মনাশিং

১ ডাক্তর কমল নীংশিংমন (ইমার্সি নলাব')
২। মণিপুর স্টেট কলা একাদেমি এবাদ [illegible]
৩ মেম্ন্দ্রধ্বজ সুবলতা সাহিত্য পাঙ্কাণ (ভ্ম ১ [illegible])
৪। সংস্কৃতি প্রবাদেমি এবাদ (ইমার্চি নলাব [illegible])
৫ গামিনী সদর [illegible] মেদল ([illegible])
৬ দিবে শ্বর্ণ সাহিত্য [illegible] ([illegible])
৭। অবে ইন্ড [illegible] বাজিকমাই মুক্ত সাহিত্য [illegible] ([illegible])
৮ মণিপুর স্টেট এওয়ার্ড ফোর লিটারেচর ([illegible])

অইবগী ফোঙলবা লাইরিকশিং

১। [illegible]
২ [illegible]
৩ [illegible]
৪ [illegible]
৫ [illegible]
[illegible]
[illegible]
৬ [illegible]
[illegible]
১০ [illegible] } ক্লাসিক
১১ [illegible]
১২। [illegible]
১৩ [illegible] } সোবিত
১৪ [illegible]
১৫ [illegible]
১৬। [illegible]
১৭ [illegible]
১৮ [illegible]

Cover layout: Kh. Naba handra